সন্দ্রেশ্বী-চাইশ্রো

এন, মনিজাও

মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা ইং ১৯৭৬ গী খনগৎপা লাইরিক্কী মনূঙ চলহনবীহনা শেনগী মতেঙ থবা পীবীবদগী ফোঙদোকপা ঙমজরে ।

সন্দ্রেম্বী-চাইশ্রা

অইবা ১দি অফোঙবা

নিংঙোম্বা মনিজাও

18158
LIBRARY

ফংফম থোকপা
হকশিং মপুশিংনি।

লাইরিক অসিগী কনাগুম্বা মীওম অমতনা মপু তাক্লমদনা করিগুম্বা হীরম অমতা লোথোক্নবা শীজিন্নবা ঙমরোই। করিগুম্বা শীজিন্নবীবা তারবসু মপুগা উন্নহনা চংথবীগদবনি। অদুগা লাইরিক অসিবু ফোংদোক্লবা ইজরক-পদা চানবম বীরহরি অহনদগী অমদি থিংবাইজম মুহোল-সিং ঈয়াম্বদগী থোইদোক্লা মমল য়াম্নবা মতেং কয়া অমসু ফংজখি। মসিগীদমক্তা ওঝা অংদি ঈয়াম্বা অনীগী শিংঙমদ্রবা লম্মল কয়াবু তোলশিল্লবনি। লাইরি-কসি নম্বদা অশোয়-অঙাম অমদি চীৎথ-নাম্বহৌবা, হেক্কলবা য়াওরম্লসু কনা-গুম্বনা তাকপীরক্লবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। মথঙগী খুৎনমদা য়াব-মথৈ শেং-দোক্লবা হোৎনজনি।

ফাইরেলগী হুমনি. পানবা ঈয়াম
তাং ১০।২।৭৮ ইং

নীংশীংজবা—
মনিজাও

অহানবা খুৎনমঃ—ইং ১৯৭৭-৭৮
লাইরিক মশীং ১০০০

লাইরিক ফংফমশিংঃ—
ওঃ কেঃ ষ্টোর, ইম্ফাল
অমদি
অয়াম্বা ষ্টোরশিংদা

মমল লুপা ৭.৫০

নম্কম ঃ সারা উইমেনস প্রেস, নাগা মপাল ইম্ফাল।

ৱাহৌদোক

"সন্দ্রেম্বী চাইশ্রা" কৌবা ৱারী অসিনা থোকখিবগী মৈহৌব-ৱোলবু চহি-চা কয়াদগী মাঙলক্তুনা ঙসি ফাওবা চৎথরক্লি হায়বা শেংনা খঙহল্লি। পথাঙ্ পুথাঙ্ য়ৈনা ফুংনাক ৱারী ওইনা মমল য়াম্লবা লৌথূল তাকপা অমা ওইনা ৱারী অসিনা মৈতৈ হায়বা ফুরাপ্প্ মতম চুপ্পদা কল্লক্লী।

কংলৈ মৈতৈ সনা লৈপাকতা খুঃ গীনা ৩০ শুবদা নোংদা লাইয়েল পাখংবনা মশাগী চহি ২৭ শুবদা কংলৈ ফম্বাল তোংই। মরম অদুনা "চৈথারোল কুম্বাবা" "নিংথৌরোল লম্বুবা" অসিন-চিংবা লাইরিক কয়াদসু পাখংবদগী ইবা হৌনৈ। অদুবু, সন্দ্রেম্বী চাইশ্রাগী ৱারী অসিদি খুন্নুং চকৌনা লোইশিল্লকপদা পানখিবা অঙোম নিংথৌ, মৈতৈ নিংথৌ "কুপত্রেং, সেন্দ্রেং" গী মতমদা থোকখিবনি হায়দুনা "কংলৈ শঙলেল পুবা" অমদি "খাগেম্বা' য়ুম-লেপ্" কৌব-নচিংবা পুয়া কয়াদা য়াওরি। ৱারী অসিদগী ঐখোয়না খঙডি—ঐখোয়গী ঙসি ফাওবা চৎনরিবা চৎনরোল পথাপ কয়া মতম অতুদগী হৌবনি; অমদি অরানবনা মতম থরা অচুম্ববু নমহৎলবসু তুং কোইবদদি অচুম্বনা মায় পাক্লকই। মসিমক্রা মরম ওইতুনা পথাঙ-কোক-পুথাংকোক্কী লৌশাঙ শীৎপা ৱারী মাম্না পান্দম লাকপনি। হায়জনিংবদি—সন্দ্রেম্বী-চাইশ্রাদা য়াওরিবা পম্হৌ মপাবুঙ তাঙ্জ লাংওন পাখংবগী চীনগোয়্ম ময়াখংসু কায়হন্দনা, তাক্তুনা কুপত্রেংগা, সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বগা মচীন-মনাও অনীগী থোইদোক্লসু ফজপ্রবা,

তমজনীংঙায়গী মশক কয়া ওইরবা চৎনা পথাপ অমদি সুংশি চান্নবগী চেৎলবা লীপুন্দগী হেন্না পাংগনবা, চেৎপদি তাইবঙ পানসিদা অমমুক লৈত্রে। লীপুন অহু হুমিৎ থানা পাল্লিব-ফাও অহুম মূৎপা মাঙবা লৈতনা তাইবঙনা নিংথৌ ওইহনা পাল্লিবা মথৈদি অঙুম তেক্ক-কায়দনা লৈহৌরকহু হায়বদু লাইরিকসিদা য়াওরিবা "কম্বাল লুতীন লাইরক্কচন" অসিগী মতুঙ ইন্না ঙসি মৈতৈ নিংথৌনা কম্বাল তোংবা তারবদি অঙৌ পাম্বা (অঙোম নিংথৌ) না কম্বাল ফিরোল শেত্তুনা তোংবা অমদি মৈতৈ নিংথৌদা কম্বাল ফিরোল শিন্নহুনা কম্বাল তোংগদবনি হায়বহন্নু শেংনা পল্লি।

অসিদা নত্তনা "সন্ত্রেম্বী থোরক্লো, নহুম পোক্লেন লাবী;ম, লাই খুবাক খুবীগে" হায়বনচিংবা শৈশক-কৈথ-নহুনা ঙসি ফাওবা মুৎলক্কুনা অঙুম লাইগী তীনগী, ঊমং লাই হরাওবনচিংবা, নিংথৌগী খোঙশাল্লমদাই, য়াকায়রোল কয়াদা শীজন্নতনা লৈরি। অহুগ্গা সনালেম্বী (সন্ত্রেম্বী) বু মপাম চাকোদুনা চাইশ্রা মমা-মচানা হাৎপদা মাগী য়াইবী থরায় মঙাহুনা চেক্লা লম খুন্নু অমা ওইহনুনা লাংওনখিববু মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌনা নিংথৌ-কোম্পা পুরক্কুনা চেৎনা থম্বদা সনালেম্বী শারিবী চাইশ্রানা লম খুন্নুবু হাত্তোক্লগা থোংই অমসুং নিংথৌদা পীজগে থৌরাঙদুনা থম্মী। অহুদা নিংথৌনা থিরক্কুনা থঙবদগী অথোঙবা য়েনশাঙবু মপাল্লাংদা পুথোরক্লগা য়েন্নখাগী নমলোন্দা শরী রাশক্লনা মাঙ্গেম লৈরোল চন্দুনা থম্বদগী হৈরাঙ পাম্বী অমা ওইনা লাংওন্দুনা হৌরকই। হৈরাঙ অহুবু "তাউজিং হৈনম নাইবা" কৌরম্মী। সনালেম্বীগী শমু হকচাংনা লাংওন্দুনা ওইথিবা তাওউজিং হৈনম নাইবা হৈরাঙনি, হৈরাঙহুদগী

অমুক হয়া সনালেম্বীনা তাইবঙ মীপোক্ কংখি হায়দুনা হৈরাঙ অদুবু "হৈশাং (হৈজাঙ)" হায়না কোল্লোয়নখি। অসিগুম্বা তাউজিং হৈনম নাইব। অসিবু তইবঙ মীপোক্তা অহন অমা ওইনা লাংওল্লিবা খোইয়ুম লাইয়িংথৌ অশীবনা হৈনম নাইবা অসিবু চহি শাংনা মাঙহনগদবদগী কনবীথি অমসুং তুং ফাওবা "খোইয়ুম লাইগী থৌনি, ঈরাৎ, পুরুম লৈপায়নবা অয়াম্বদা য়াওহনা শীংথা-নসনু; অসিগুম্বা হৈরাঙ অসি য়াওদবা য়াদবা ওইরসনু" তাকপীখি। রাকম অসিমক কায়দনা অপোক অশা থাবা থৌরম অয়াম্বদা "হৈ মনম নাইবা" হায়দুন হৈজাঙনা অকরবা ওইহনা অশুম শীঅম্মরি। অদুগা সনালেম্বীদি মপুরোইবা সেন্দ্রেংগী কল্লোয় মমিং তুংইন লৌদুনা "সন্দ্রেম্বী" হায়না মিংথোনখিরম্মী।

"কংলৈ শঙলেল পূবা" পুয়াদা হয়ি চক্তগীনা খুন্নুং চকী অরোয়বা সনা ভাংজেংম্বুগী মতমদা ঈশিং চাউহনা লৈপাকসিবু খুল্লাকখিরা ফাওবদা (নোংদা লাইরেল পাখংবগী মথক্তা) পাল্লম্বা নিংথৌরোল মশীংবু ১৬৩ শুনা পানখি হায়না থেংনজে। অদুগা "খাগেম্বা য়ুমলেপ"কোবা পুয়াদা য়াওরল্লিবনা হয়া চক্তগী খুহুং চক ফাওরদা পানখিবা নিংথৌরোলশিংবু মখাদা মথঙ শীংনা পঞ্জরি।

হয়া চক্তা পানখিবা নিংথৌরোলশিংদি—১। লৈহুঙ কোনচিরেল পাখংবা; ২। শাকপ্পা; ৩। লাংকপ্পা; ৪। রাংকপ্পা; ৫। লাংথাকপা; ৬। লাংয়ানবা; ৭। লাংভেঙম্বা; ৮। মুরা নিংথৌ; ৯। থাঙহীবা; ১০। থৌদাবা; ১১। নাথৌবা; ১২। নাচাওবা; ১৩। উমিবা; ১৪। উয়ানবা; ১৫। থীকলোঙবা ১৬। থীকনম্বা; ১৭। ন্যাথাংবা; ১৮। উরাবা; ১৯। য়িঙৌবা; ২০। কপকোবা;

২১। তেন্তে অসনবা ২২। অংমুলাবা; ২৩। কংতিলোং খেমশাবা; ২৪। লোং অলোংবা; ২৫। হোংশাং লৈমানবা; ২৬। অলোং অলাবা; ২৭। উনম অশাঙবা; ২৮। মেনতে মেলোংবা; ২৯। মৈরা থানবা; ৩০। কথাল থৌবা; ৩১। নারোঙবা; ৩২। মৈতিংকোল; ৩৩। চুময়ানবা; ৩৪। পাইচং খুন্দাবা, ৩৫। থুম থুম অথৌবা, ৩৬। মোরীয়া ভাংশাংবা, হায়রিবা নিংথৌ ৩৬ অসিনি।

হয়া চক্রী মতুঙ খুমুং চক্রো পানখিবা নিংথৌরোলশিংদি— ১। কক্‌সুবা; ২। তোংকোম্পা; ৩। পিতিংকোই; ৪। লামপিচা; ৫। শাপায়বা; ৬। পোংলেল খোম্বা; ৭। নোংদম থুবা; ৮। নোংদমহনবা; ৯। পোংথাবা; ১০। হৈনাউপোই; ১১। থৌরাইপা; ১২। হৈরোঙ-ভাঙ; ১৩। যুহাবা; ১৪। হৈরোঙলেল; ১৫। লোঙচুম্পা; ১৬। মপু-খিবা; ১৭। তুবু খিবা; ১৮। লোকলৌ খামেল্লোকপা; ১৯। খীংখীং ভাঙবা ২০। সনা মনিক খোম্বা; ২২। তৌকাই ভম্বা; ২৩। তেম্বাহৈবা; ২৪। তিংকোই ভম্বা; ২৫। য়াইরিবা; ২৬। লুকাংবা; ২৭। চীঙলায় ভম্বা; ২৮। তকুপ তরেংবা; ২৯। তাঙ্‌জ লাংওন পাথংবা, ৩০। কুপত্রেং ৩১। সেম্রেং, ৩২। মেনচি সনাবা, ৩৩। থারৈ লালহৈবা, ৩৫। থারৈ লৌকাইবা, ৩৬। থারৈ সুবা, ৩৭। থারৈ তেলহৈবা, ৩৮। চেকলৈ য়ায়মাবা, ৩৯। সনা ভাংজেংসু; নিংথৌ ৩৯ অসিনা পানখি। সনাভাং-জেংসুনা পানবা মতমদা লৈপাক অসি ঈশিং চাউহনা ঈথ্ম্বদগী তাইথঙ লৈবা য়াত্রহনা খুন্দাক-লৈভাক্লে। মী পুম্নমক থা, রাং, নোংপোক, নোচুপ্তা লৈরিবা অতোঙবা লোইবী চীঙদা কাদনা লৈনখি। ভাইকঙ থরনা চীঙলোল মাপন লন্দ্‌না-খুনশেমখি। লৈপাকসিনা

খুন্দাক-লৈতাকখিবা অমদি অম্বুক নৌনা খুম্থোক-খুল্লিংহুন: পানখিবষু কংলৈ শঙলেল পুবা পুয়াদগী শম্লপা থরদঙ পীজরি ।

ঈশিংনা লৈতাক-খুন্দাকখিবা

থাঙহী ঙাংঙোই কংলৈ (মোইরাং) দা মরাংবনা পোক্লম্বা "লনহাং ঙম্বা" অসি য়াম্না হৈ-শিংবা বুরুম (মৈতৈ) লৈপাক্কী মৈহৌরোল খঙবা, খোইয়ুম লাইগী তীনখোঙ-সাইখোঙ চংলম খঙবা, খঙ্‌দ-হৈতবা লৈতবা; মমিং-মথ' চৎপা, তাইবঙ মপোক্তগী অথোয়বা অমা ওইদুনা কুরুম লৈপাকপুম্নু স:ুপ্না পল্লম্মী। লনহাং ঙম্বগী তাল্লোয় নাউ পুরিবীবু পোক্কদবা কুমজা মতম হেলমল্লহুনা পুরুম থৌনিহুনা নাউরাবু পুহং-পাউহংগে তৌই। অহুদা লৈপাক্কী মীনোকখোল কনবনা কৌথোকপা ওইনা নাউরাবু থোকখিহুনা পল্লেম শীন-য়োম্নুংদগী লরাই লেলফু শম্লাঙ থায়না লৈচিল শেনফ্রাগুম, নোংফাইগুম্না পাইথোকগ্রগা চৎখি। লনহাং ঙম্বনা মচানি হায়বম্নু মহায়ব', পোক্তবরা মপোকপা, মনা-ক্তম্নু লৈতনা মফম খঙদনা মাঙখিবা মরম অসিদা মবুক্তা হুংঙাইতবা, অরাবা কয়া ওইখিবদগী মচা অমতং তাইবঙলেন্দা ফংজগে চপ্‌ য়ুংনা নীংথ্রে। নোংদম্বা লাইয়িংথৌ অশীবা লাইবু পুরুম লৈপায়জগে রাখন্দূনা অঙাওবগী পান্দমগুম্না মায়কৈ শল্লাই খঙদনা নোংচূপ হারমগী চীঙশাঙলোমদা উমং-রামং, চীঙখোঙ-চীঙয়া, লোক-তায় খূদীং কোয়না চক্তুনা অচীকপা লম থিরক্লে। অহুদা ঈশিং খোং অচৌবা অমা চেল্লদূনা উরা, হৈ-লৈম্নু য়াম্না চঙখোম্না হৌরম্বা, নোংচুপ হারমগী চীঙ অচৌবা অমগী লোকচাও অমা থেংনরে। লোক অসিগী ঈশিং অহু নোংচুপ পাংনা মনীং তম্না চেনখিবা ঈশিং ঈরম অচৌবা অমা ওই। "মফম অসিদা ঐগী লাইনিংফম নীংথীনা সেমদূনা চাবা, তুম্বা

নীংশীংবা লৈতনা লাইয়িংথৌ অশাববু পরৈ চেংনা থাগোল্লহুনা নীংলগে” হায়দুনা মফম অদুদা মতম কুংশাংনা চাদ-থক্তুনা নীংলক্লে। লনহাং ঙম্বনা লাইনীংলিবসি কায়হন্দ্রবদি নোংদম ফাংলম (লিসা) কায়বা তারে হায়দুনা অশীবা লাইনা মনাও পাখংবদা খঙহলখি। অদুদা পাখংবনা লনহাং ঙম্বগী লাইনীংলিববু থুগায়নবা হায়দুনা খাবা তাউরোইনাই তরেৎ থাল্লকই। মতম অসিদা মতীক-মঙন লৈরবা মখোয় খাবা তাউরোইনাই তরেৎ অদুনা মানা মানা ঙম্বা মতীক মঙন পুথোক্লহুনা মালেম্বু থ্রক-থ্রক নীক্লা খাক-লাউ-খোংনা ঙংহুনা লনহাং ঙম্বনা লাইনীংলিবা মফম অদুদা তাররে। মখোয় তরেৎমক্কী হো-লাউনা ঙংলকপা অকনবা য়াউরা খোম্থোক্তুনা চীঙজাওগী লোক্লুঙ্তনা হক্লা য়ৈথিবনা চীঙ অদু নীঙথায়বগুম্না ঙংহুনা পুমনীল নীন্না লৈরম্মী। মতুদা লনহাং ঙম্বনা খংহুনা লাইনীং পরৈ কায়দুনা মমাং খংপাঙ পাঙথোরক্লগা য়েংথোকখিরম্মী। অতুদা চীঙমতুম খিনবগুন্না ঈরঙ্লংনা, মথুপ ময়াঙ শেক্লা মখোয় তরেৎ-মানা মনাক্তা তাহুনা লৈরম্মী। মশক অতু উবদা লনহাং ঙম্বা মবুক তাথীনা শাউখিহুনা “ঐনা নীংবা মরমসি কায়নবা খুজীল-থৌরাঙ-লিবা ওইরবোরে, খঙগনি” হায়দুনা তুং হন্না য়েংথোরকপদা মনাক্তা মতাঙ তরেৎনা শা-লম চনবা লূরাং তৌ হাপুঙ্ অমা হোবা উরম্মী। তৌ অতু খুদাপ অমা ফুক্তুনা তাউরোইনাইগী লাইগিং মিংথৈ হাপ্তুনা মখোয় তরেক্তুদা য়ৈথি।

লনহাং ঙম্বগী লাইমিংনা কনবনা মখোয় তাউরোইনাই তরেৎমা লৈবা, থাঙবা ঙমদ্রহুনা ঙংহুনা চীংজাও তন্না চেনখৎনখি। অতুদা মখোয় তরেৎকী মখোঙনা হোৎথরম্বদা চীঙমায় অতু নীংখায়দুনা

লোক্কী লাইজ ঈরম কন্না চেল্লিবত্নু ফুন্দুন। ঈশিং চেন্দনা মৌখত্তুনা লৈরে। ঙাইহাক লৈরগা তাউরোইনাই মখোয় তরেৎনা হোগায়দুনা লোক্তাক তাম্না চেন্নখি। মখোয়না চেন্নখিবা মরম অত্নুদা লোক্তুগী ঈচেল খোংলম অচৌবা অমা ওইত্নুনা অপনবা লৈতনা অকী-তুজুং ওইনা ঈশিং অত্নু চেনসনখি। লোকচাও অত্নুগী হান্না চেল্লম্বা ঈশিং ঈরম্বু চীঙজ্রাওসিনা নীংখায়দুনা ফুন্দুনা মেনখি হায়ত্নুনা চীঙগী মমিংবু "মেন্দে লৈকীম্বা চীঙ" কৌখি।

ঈশিং অসিনা অপনবা লৈতনা নোংগাংদনা চেনশীল্লক্তুনা খা মায়কৈ তম্পাকশিং ঈথূমদূনা তাইবঙ মখৈ লৈবা য়াবা, খাঙফম অতেঙবা য়েংনত্নুনা চেন্নখি। ঈশিংসিনা চেম্নখিনবা ঈরম মতীক চাবা লৈতবনা নোংমা নোংমগী ঈথূম্নকপনা অরাং পাংনা চেনশীল্লক্তুনা কুরুম লৈপাকপু তাইবঙ খুন্দা লৈতাবা ঙমদরে। অত্তোঙবা ঈশিং থূমলোয়দবা য়েংনত্নুনা লোইবী চীঙদা তাংজ ফবা লম থিত্নুনা মানা মনা খোঙদানিংবা খা-রাং, নোংচুপ-নোংপোক মায়কৈ মরীমক্তা চেন্দুনা খোঙদাদূনা লৈনরক্লে। নোংমা কংগত্রা মকঙদে, ঈশিংনা চাউবা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্তুনা লৈরক্লে। কুরুম লৈপাকপু মুংশিবনা লোইবীচীঙশাঙ অকোয়বদা লৈত্নুনা চীঙদা লোক তায়দা চাবা য়াবা মশক মখৈনা তাইবঙ থরায় হিংনবগী অহাওবা মশক ওইনা চাদূনা খাঙদূনা, তাইবঙ কোইজাইনত্নুনা লৈনরম্মী! মুরাং লনহাং ঙম্বগী ঈশিংনা কুরুম লৈপাক, কংলৈ পুঙমায়য়োনবু লাইজ ঈথূমখিবনা লৈতাক-খুন্দাকপদগী লৈবসি লৈহৌঙৈদগী লৈরকপা ঈনূঙবূঙশুম কুমজা মতম মুংশাংনা লৈরক্লে।

খুম্বোক্তুনা অমুক হয়াওবা

অস্তুন্না লৈপাক অসি নিংথৌ কাংলবদা তাইবঙ মীওইবস্থু লৈত্ত্রবদা, খোইয়ুম লাইয়াম্না রা-তাম্নরে; "ঐখোয়গী মীন্না পোংথোক লৈপাক অসি লাইনা থাবা লৈপাক্নী। লৈপাক অসি মপু পান্দরে। খোইয়ুম লাই ঐখোয়গী মপু থিরসি। নিংথৌ অদু পাল্লবদি তাইবঙ মীস্থু হল্লক্কনি। হৌজিক লৈপাক অসি কায়রে" হায়না চীঙখু লাই-য়াম খন্নরবদা "নোংপোক নিংথৌ কায়নৌ চীঙসোম্বনা" হায়রে;—"লাইজ তরঙ ঈশিং অসিদি ঐনা চিংথোক্তুনা কংহন্নবা থৌরাঙ তৌরগে। লাইয়াম নখোয়না নিংথৌ মপু থিরুও" হায়না থৌশীল্লম্লগা নোংপোক নিংথৌ কায়নৌ চীঙসোম্বনা হাওরৈ খা সম্বোঙ পাংনা কুমথরক্তুনা মেন্দে চীঙগী লোক্নী ঈশিং লৈতাক তুরেন্না লোক্তাক্তা চেনশীন্দুনা তারম্বা ঈরম্বু হান্না থিংহুনা অনৌবা ঈরম অমা পীখি। অহুগা থানমলোন চীঙশাঙগী মৈরম পাংনা খোঙ্গাখিহুনা মখুৎস্থু য়োৎসুক্না চীঙয়াদঙা থিনগায়হুনা হুৎলগা ঈশিং চেন্নবা লম্বী শেম্মী; মমিং "চীঙনু হুৎ" মিংকৌনখি। ঈশিং ফাৎপা লোইরহুনা খোঙ-ঙ্গারক্পদা ঈশিংনা ঈরাওখোল চাউনা থুনা য়াঙনা চেনখিবনা ময়েং থুনা তাখিহুনা চীঙচেং অমদা হোবা উ অমগী কারোং মশাদা চাউরবা লেমলৈ ঙাপী অমা ঈশিং কংখিবনা হান্দুনা উশা কারোং অহুদগী লাম্বোকপা নংহৌদনা, উশা অহুদগী লাম্বোক্তনা ঈশিংদা চোংথবা ঙম্নবা চোং-ফম্দনা হাইদনা য়ান্দুনা লৈরম্মী; অহু নোংগীবু "ঙারীয়ান চীঙচেং" হায়নখি। মকম অসিদগী নোংচুপ পাংনা লাকপদা লাইজ ঈরোম্নুংদা, লৈকুৎ লৈরায়দা লৈবা মপুক্না মথানা চংপা মশক

ঙারী=ঙা অরীবা ঙাপী অচোবা শরী।

অমা মশাং লাকউমদনা চৌউ অচেঙবা অনীগী মরক অতেম্বা খরদা ম:খায় মশেন-মক্তা মশা মশা লৌশিন-য়েংশীন্নহ্না লৈরম্মী। অহু নোংগী "ঙাপ্রন চীঙজেং" হায়নখি। অম্মুয়া কুরুম লৈপাকপু ঈশিং কংখ্রহ্না মালেম লৈতারক্লে। অকুৎপদা ঈশিং খরা তুঙহৌবা নত্তুনা পূমকং কংনখ্রে।

লৈপাকসিদা লৈরিবা খোইয়ূম উমংলাই পুম্বা মাগী মাগী লারোয় শীংলোয়গা লোয়নহ্না লাই পাখং, লাই নূরানচিংবা লোইনা কংলৈ পূঙমায়য়োন্দা খোঙ্গারক্লে। খোইয়ুমশিং নৌনা খুম্বোক্তুনা লাই নিপা নিপীশিং পরেং লেংহ্না হরাও শৈহৌ তম্মী। মতুঙ নোংঙানবা হুংথিল পোপ্তা হুনবা মতমদা খোইয়ুম লাই মখৈনা শগোল কাঙজৈ শান্নহ্না হুংহোইনৈ। মফমদি "রাহৌ রারোয় লাংদাই পূঙ"দা থোক্তুনা শানৈ। মমায় নোংচুপ ওন্দুনা মখা য়ৈবা খোইয়ুমশিংবু পনঙাকপদি "মার্জিংনে"। পনঙাকচন্না "খম্নাঙবা"। পল্লকচন্না "ঈরোঙ নিংথৌ"। লাঙ্জৈনা "ঈকোপ নিংথৌ"। পঞ্জেন পল্লকচন্না "ঈরোঙ্ নিংথৌ"। পঞ্জেনচন্না "নোংশাবা"। পঞ্জেনবনা "পান্থেইবা"। মমায় নোংপোক ওন্দুনা অরাং য়ৈবদি—পনঙাকপনা "থাংজিং"। পনঙাকচন্না "খোরী ফাবা"। পল্লক চন্না "রাঙবরেন"। লাঙজৈনা "য়াংগোই নিংথৌ"। পঞ্জেন পল্লক চন্না "নম্বুল লাকপা"। পঞ্জেনচন্না "ওক্সরেন"। পঞ্জেনবনা "লোয়য়া লাকপা"। কাঙজৈরোয় তরা-মরী লাংগোই তোংহ্না কাংহু লেংদা থোংহ্না মহৈ মহৈ নোংপোক নোংচুপ লেপ্তুনা লৈনখ্রে। মতম অসিদা লৈময়োল খুন্দা অহানবা অরাং কৌব্রু অম্মুপ্পনা কাংক্রুম খুত্তা পায়দুনা "হনত্রে" লাউহ্না কাঙক্রু হুন্দুনা অকী তুজুং লৈতনা শান্নখি। কাঙজৈ লোইহ্না কংলৈ পুঙমায়য়োন্দা খোঙ্গারক্লে। লাইরেম্বী ইমু মখাঙনবী

নোংপোক লোয়রাঙ পাম্বোইবীনা লুচিংনা লাইরেম্বী তরা তরাল্লা মীন্দ্রনা অমৈ চাজা য়ুকৌনা পূক্নীং হরাও তয়ামমৈ। মতুঙ খোংয়াই লমজেন তামৈ। নোংপোক পাম্বোইবগা, সনা কোজিন লাংবগা লমজেন. খোংয়াই তাম্নখিববু কোজিন লাংবনা থোইরে। কৈ-য়েন শান্নরে। কৌক্রনা তোকপা ওই, থাংজিংনা ক্যাম্বা শাই, ঔগ্রি হংগেল হি হোম্না লাইরোই লাংওন তাইরে।

খ্জীন-থৌরাঙরা

খোইয়ুমশিং অন্থ্না হরাওবা লোইরছুনা খোইয়ুম য়োয়রেল কমদা ফম্না লৈপাক্লী মিংলেল রাখন্দুনা হৌখিবা মিংলেল মরম্বু নোংপোক লাই অচিন্না শাংথ-লেমথনা লীরকখি। নোংদম্বা মপূগী মতীকপু খোইয়ুমশিং খঙনা তাহল্লি। মতম অস্নিদা কংলৈ পূঙমায়য়েল ঈথমূবগী অয়াম্বা তাইবঙ, খোইয়ুম পূম্বা লোইবী কানা খাঙলুবা; কংলৈ রাংমা লানখি-বশিংবু অমুক থরা থরা মুশি মুশি তমদা তারক্তুনা নৌনা থুম্বোরক্লগা খুন্দা-লৈতাম্বুনা পানবা হৌরক্লে।

খোইয়ুম উমং লাই মথৈনা তা-নতুনা নমু তাইবঙ লৈবা মথৈবু খুন্দা-লৈতানা লৈবা মদমবা থৌরম থোপুববু লারোয় শিংলোয় লৈবা মথৈনা খ্জীন-থৌরাঙলক্লে। লৈরিবা তাইবঙ নমুশিং পূম্বদি লোংমা নোংমগী মতীক মঙাল, মথৌ-মঙম থরা থরা শোম্বরকপনা খোইয়ুম উমং লাই শরোয় ঙাংরোয়না লাকচ-খুদুম চল্লক্লে। খোইয়ুম লাই-শিংগী মশকপু তাইবঙশিংবু উহল্লক্তরে। তাইরঙ কনাগুম্বা চীক্লা চৎপা উরগা খোইয়ুম লাইশিং ঙম্না থোক্তুনা তাইরঙ মীরু মাঙলরা থৌরাঙডি। তাইবঙ য়ুমদা চান-থক্লবা থম্বা অচা-অথক, রোল-লীক লৈবরু লাইশিংনা রাতাম্নরগা খঙহন-উহন্দনা চঙম্বুনা পুম্নুনা, চাল্লুনা হেক হেক চৎখিবা থৌরম অসিত্তনা নোংগাংদরে। তাইরঙশিং লৈরন্দা কাঙথংনদরে।

থৌরম অসি উর-খঙলদুনা অরাং লাই খুন্দা অহানবা কৌব্রুনা থাংজিং, রাংব্রেন খোইয়ুম লাই অনীবু কৌখত্তুনা রাতানৈ। থৌরম অসিবু লৈঙাক-লৈথীঙনবা "লৈনুঙ য়াখু য়াবীচা"বু হায়জদুনা য়াথোক থৌনি মরম্বু থৌঙম-থৌপুহন্দবা য়াদে । নত্রবদি খোইয়ুমশিংসিনা তাইবঙশিংবু লৈহল্লরোইদৌরি। থৌরম অসিবু ওইনবা খোইয়ুম অনীনা তৌরো" হায়দুনা শিন্নরে। থৌদাবু থৌপুনা খোইয়ুম থাংজিং, রাংব্রেন অনীনা পুরুম থৌনিমা লৈনুঙ য়াখু য়াবী চনুবু কংলৈ পুঙমায়য়োন্দা মমিংবু "নোংদা নোংখললেম্বী" কৌনা য়াথোক্তুনা লৈহল্লে।

লৈপাক অমুক তাকখিবা

মতম অসিদা হৌ কেগে লম্ম-হনবগী ময়ুম মোইরাংগী লুচিংবা হৌ কেগে শুাংজেং লৈতকপনা হৌ কেগে পুঙগী থৌবু থৌঙাক পুবদা "খাম্বী লৈকোইবা (লীকোন শান্নবা)" চনু নীঙোল পান্থশানা ফাৎলম অমা হৌখি। অসিদা মোইরাং পাখং হেঞ্জুনহাগা, নুরা লাইরৌলেম্বীগা শাবী-শনৌ অনীনা রাশক-তেমশীংনদুনা খাম্বী লৈকোই শান্নদুনা লৈ। অদুদা উমং লাই শরোয় ঙারোয়শিংনা মাঙনবা খুজীনথৌরাংদুনা অহীংদা হেঞ্জু নহাবু থেমথোক্লরগা য়াংলৌ লম্ম-খাঙ লমলোঙ অহুম ফাংবদা তারা চান্নবা শানা লৈরম্লগা হেঞ্জু নহাবু মাঙহন্নবা থৌরাঙখ্রে । পান্ত অদু ভাবদা মশামৌ লাইরৌলেম্বীস্বু চেল্লক্তুনা হেঞ্জুনহাবু কোন্দুনা অমং থরৈ থাখ্রে। থৌরম থৌথোকশু তাবা, উবদা তাইরঙ লৈবা মখৈ মাগী মাগী ময়ুম থাদোক্তুনা "লৈপাক অসিদা তাইরঙ ঐথোয় লৈরগী য়াইফ লম্বী ভানকংলরোয় উমং লাই অসিনা লৈরিরা মখৈদি লৈপাক অসি থাদোক্লসি" হায়দুনা লৈকম কাঙথক খঙনদনা মানা মানা চৎনীংবা লম্বী রেঙ্জুনা

চৎনরক্লে। ঙাংজেং লৈত্তকপনা মচা মনাও খোমদুনা লৈফম কাঙথং খঙদনা পঙচৎ চৎনখরে।

থরারেল, মচন লাই থূৎলোংবী, মনাও পোইরৈত্তোন, মদাইরেম লাইনাউ তাবী, মচা তনুংশীদবু, মদাইরেম সম্বোং পুনেম্বা চনু, মচা অরোং, পামিং (পাশিং), কাংবু অসিনা লুচিংতুনা নোংপোক হারম-লোমদা খোঙদাখ্রে। লৈনূঙ য়ূচাখা চনু ঙাংশাবীনা পোকপা ঙাংহু-ম্বোক, ঙাংনিংশীং মচীন-মনাও অনীনা লুচিংতুনা কাঙলুপ অসিম্মু নোং-পোক খোঙদাবদা য়াওরে। লৈমা তানূনা পোকপা থরোং নচিংবনা চীঙদা কানা নোংচুপ পাংনা চৎখরে। হুয়মূ লৈমনা পোকপা লমলেক-শাংগা, নুঙঙৌ ঈনথঙবগা অনীনা লুচিংতুনা নোংপোক লৈহৌ চীঙদা চেন্দূনা লৈরে। খোঙলৈশঙগী লূপ অমসু চীঙদা কোইজাইনতুনা লৈ-খরে। লৈপীরেম্মা পোকপা তৌরীন খাগী মচা তৌরেল খুবনা পোকপা তৌখারোলগী মচা খাপীগা, খাপা লৈরেলগা অনীগী কঙ-লূপ্পা মখা মায়কৈ পাংনা কোইজাইনদূনা লৈখ্রে। লৈচীক নিংথৌ চনূনা পোকপা ঙানবা লৈচীকপদি মাগী লূপকা লোয়নতুনা মঙাং লাইরকচনগী শান্ন-ফম চীঙ্খৈ নোংপোক্তা খাঙদূনা লৈখ্রে।

নোংলূম পীবা

উমং লাই শরোয় লারোয়শিংগী থৌঙম থৌরোয় উবদা লৈনূঙ য়াথু য়াবী নোংদা নোংখল লেম্বীনা তাখীরে। তাইবঙ কনা লৈ-ঙমদবনা মায়কৈ শল্লাই খঙদনা শানফম্মু কোইজাইনহনখিবা মরম উবদা; "নম্মু তাইবঙবু কন্ননবা য়োকপীবা ঙম্বা ঈপারী অমা পোক্তুনা হৌ কংলৈ লম্ম-হনববু লৈঙাক-লৈশঙনবা থল্লগে" রখন্দূনা লৈপাক নিংথৌ কাংলবদা, কাংথঙ নাইদ্রববু কাঙথঙ-পুথং নাইহনগে হায়বগী

নোংদা নোংখল লেম্বীনা অমরক ময়ুম চারী হাথগে (ময়ুম পানগে). হায়বগী শান্নকম কোইজাইনবদা-খোইয়ুম তাইবঙ কনা মউ থাবী-নবা তানফংখিদরে । মতুঙ অদুদা কানদ্রে হায়দুনা পুরুম থৌনি য়াখন্দুনা "হুমিং পুঙদা" ফমদুনা কোরৌ হনববু পুরুম থৌনিনা চাবা থকপা, তুম্বা পোথাবা লৈতনা কুমজা মঙা চুপ্পা য়োয়মায়ায় অঙানববু তীরী চেৎনা পুরুম লৈপায়না থাগৌনা লাইনিং পরৈ চেৎনা থৌনি রাখল থারক্রে । পিরীংনু, অহূমন্থু,মায়রেঙ হেৎবা চনু, নোংদা নোংখল লেম্বী, ঈমজাও লৈমা ওইবী, লৈমা অহূম্নক তানফংবী, নিংথৌ অহূম্নক তানফংবীগী পুরুম থৌনিরোম্দা খাঙবা ঙমদ্রহুনা "পুরিংলেলবু" থাগৌহুনা থৌবু থৌঙম তাক্তুনা কোরৌ হনবা মালেম অঙানবনা মহাক্তগী মহাক ওইবা মশক অমা (নোংলুম) ওইনা পুথোক্তুনা পীরে । পুরিংলেন্না নোংলুম্বু ময়াদা উম্নগা পুরুম থৌনি থাগৌবা মফমদা লাক্তুনা রা ঙাঙলকপদা মরোল লৌফম খঙবা ঙমদরে । নোংদা নোংখললেম্বীনা "তাক্লীবা হায়রক্লীবা মরম্বু ঐবু খোংগুন তা-ঙমদরে । নঙগী ময়াদা উমলিবা অদুনা করিনো ? মদু থম্নগা তাকপীয়ু ।" পুরিংলেন্না নোংলুম ময়াদগী লৌথে ক্লগা মখুৎনা পায়-দুনা হায়,—"নোংদা নোংখললেম্বী ! নঙনা পুরুম থাগৌবা লাই অদুনা পীরকপা নোংলূম্নি লৌও । নোংলুম অসিনা নীংলিবা থৌরমম্বু থৌঙম-থৌবুনবা তাইবঙ শকথোঙদা মপোক অথোয় চঙখোল্লবা অমা ওইনা থোক্লক-পোক্লকনি ; চেকশীনা থাগোম্নজো" হায়না পীবীরে । তাকপা থৌরম পূম্বা য়ানা ফিগাও শানা য়াহুনা নোংলুম্বু লৌহৌরে । লৌহৌহুনা য়াহেৎবা মফম্বু "য়াবীরোক" কৌনখি । নোংলুম উম্না রা

ঙাঙবদা মরৈ লোম্বনা রা ঙাঙবগুম ঙাঙ্না পুরকই হায়দুনা পুরিংলেনবু "পূরৈরোম্বা" মিহুল তমত্তুনা মফম অদুদগী নোংপোক পাংনা চংখি-ত্তুনা নোংপোক লৈহৌচীঙদা থূগ্গ্নুনা অমুক লৈখি।

নোংদা নোংখললেম্বীনা তাক্লম্বা থৌরম্বু থৌপুনা কুমজা অমা চেংনা চান্না কোন্দুনা থম্মী, ওইঙমদে। পামেল্ল উগী উথ্‌ূল অহোবদা কুমজা অমা থম্মী, ওইঙমদে। মতূঙ কুমজাগী চহি থাজদা হৌ কংলৈসনা পূঙমায়য়োনগী হুংকেং (হুংজেং) পাৎকী ময়াদা পামেল্ল উরৈরোম অমগী মখোঙদা ফিরোয়-ফিঙাম শুনা থাত্তুনা কুপ্তুনা থমলে। পল্লেম ঈমা লৈমগী মতম্প.ক্তা শিন্নখ্রে।

খুঃ গীনা ৬গুবাগী মনূঙ, ইঙাথাগী থানিল য়ুমশকৈশ হুমিৎকী হুংগিল পোগ্তা হেক হুনবদা মতীক মঙান্না খাশী মৈত্রেং অরাবা মৈজাও হৌবগুম্না মায়কৈ শীন্না পূমঙান ঙান্দুনা তাইবঙ মপোক অথোয় চঙখোল্লবা অমা ওইনা চোংথোরক্কুনা লৈররে। লৈবা উবদা লৈনঙ য়াখুয়াবী লাইরৈমানা মপূক্লীং মকা লান্না লৈজত্তুনা মপুক্লীং অরাবা রাখল কোক্লে। মফমসিবু "অকোকশঙ" কৌ। য়া। মফমসিদ

*** মোংদা লাইরেল পাখংবী নমাবু "লৈনঙ য়াবীরোক" হায়নসু কৌই; মমীং-মথা য়াম্মী।

***চাউনসু চিংনজরিবা ময়েক লা-শেংলবা অমনা "কলিগী কুমশীং ৩১৩৫ শুবদা মৈদীঙক্ত নোংদা লাইরেল পাখংবনা ফম্বাল ভোংই" হায়বা চৈথারোল কুম্বাবর্নাচংদা "কলিগী কুমশীং" পন্দুনা য়াওরম্লিবসি কদায়দগী ভোপশিল্লক্কুনা করমদোদনা হৌরম্লিবা, তওম্বা, শাহল্লিবনো হায়বসি হৌদোঙ অমুবনা অমম্বা কা অমদা থাজনবগুম খন্নবদা। মম্না থোংক্লীংঙাইসু অমনি। অসিবু "নাউফম্না মমা চেম্নে" হায়বা কলিগী কুমশীংহূল্লা থঙদে।

কৌক্রু লাইলোংবা, নোংপোক পাম্বোইবা, রাংব্রন, থাংজিং খোইয়ুম মরীবু খোঙ্গারক্নুনা রাতানৈ। নাউরা অঙাংগী মমিংবু "নোংদা লাইরেল পাখংবা" কোল্লোয় মিং কৌয়ে।

তাইবঙশিং কৌথোক্লুবা

খুঃ গী ১১ শুবা, নোংদা লাইরেল পাখংবগী চহি কুমশীং মঙা হৌবদা লাইয়িংথৌ অশীবনা লাংওন্দুনা নমু তাইবঙ মীগী মশক লৌদুনা পুন্সি মুংশাংনা পাল্লক্লবা অহন অমগী মশক ওইদুনা লাক্লগা নোংদা লাই পাখংববু থেমথোক্লে। "পাখংবগী পল্লেম মমা ওইরিবী নোংদা নোংখল্লেম্বী! নহাক্না লৈপাকসিদা লৈরম্বা তাইবঙশিংবু উমং লাইনা লাকচ-খুদুম চনবদগী খুন্দাক-লৈতাক্না লৈকম খাঙথঙ খঙদনা কোইজাইনখিবা, য়ুমহোঙ-খূলহোংখিবা মখোয়বু অমুক খুন্দা-লৈতা-হন্দুনা থমগে নীংলিবা অসি ঐনা তাইবঙশিংবু কোয়না থিরুরগা পুবী-রক্কে। নঙনা তাইবঙগী মুংঙাই-য়াইফনবা নোংদমগে, তাইবঙগী মীচঙ চঙগে শারী রাশক্লবদি অহনগী মতম ওইরবা পুন্সি মুংশাংনা পাল্লবা ঐনা ঈমানা তাকপা থৌরম পুম্বা থৌঙম-থৌপুজগে। ঈমানা নীংবা মরম অসিদদি থৌঙন্নবা থৌবুবীয়ু।"

---

* মৈতৈ য়েক শল্লাইগী পারী পুরি পেলোলশিংগী হৌরকফম মৈহৌরোল ইবা "কৈকোই" কৌবা পুয়াদা নোংদা লাইরেল পাখংববু অসুনা অমসু হায়রি—"পাখংবা তাউরোইনাই অনীমা অমতা ওইনা লিনগী মশক ওইনা অবাং লম লিলবাই ঈ-মক্কম ফাংলৌ লাইমকোল, মিরা নমু পোংথোক লম তাম্না হুলথংখিরে। মতম অদুদা ৫া অয়াম্বা তৌরবগা পাখংবসু মীগী মশক অতাঙবা ওইরদনা নিংথৌ অতাবঙগী মশক ওইরে। পুথ্রল নোংথোল, মৈপুল সনা ইনঙম, অশৈ অমাই, হীয়াঙলোয় তাংনা মানবী, খোইনিং মানবী,

"অহন ওইবা নঙগী নখোঙ খানা থাসন্থু। কোম্লোয় মিংনা করি কৌবাবনো? শাঙলেম্না কদায়দা লৈবীবগে? অহনবু ঐনা য়াম্না মুন্না খঙখিবা ওইনস্থু তৌই। কনানো হংলবস্থু হায়দোকপা ঙমদে।"

"ঐবু খ ঙলমগনি, উরমগনি। ঐদি কোয়না চৎপনিনা ঐগী শঙলেল থমদে। মফম খুদাং শীনবা থুংনা নো'মগী মনূঙদা কোয়না হুমিং খুদীংগী লৈবনি। ঈমিংদি কনানা 'শিদবা পোইনাউতা' থাকৌই। ঐ চৎলগে, নমু তাইবঙশিং নঙগী দমক কৌরুখিগে" হায়না মলগা চৎখ্রে।

নোংপোক হানম পাংনা লাক্লুনা থরারেনগী মচন লাই খুৎলোংবীগী কাঙলুপবা, পোইবৈতোন খোঙফাঙ অতোনবা, মদাইগেম লাইনাউতাবীগী কাংলুপকা ঈশিং অচৌবা অমগী মপান্দা থুন্দাহুনা মফম অদুদা লৈবম্বা মীশিং অতনা ঙাংবা মবোলগা লেলদীম্নদবনা কাঙবু অনীত্থ হান্না লৈবম্বা মখোয়দ্দা "ঐখোয়স্থু নঙখোয়গী লোলবু তাংহুনা মফমসিদা লৈবগে" হায়না লৈমিন্নাখ হায়দুনা "তাংবো থুন" হায়না তাংহুনা লৈরম্বহুগা উন্নবে। লাই শিদবনা তাইবঙশিংদা হায়বকই;—"তাইবঙ নঙখোয়গী হুংঙাই-য়াইফ নোংদম্বীনবা কংলৈদা হৌজিক মৈদীঙঙু নোংদা লাইরেল পাখংবনা মযূম তলেংকী পিবা ওইনা য়াথোক্লে। মীরম লৈপাক তাংবনা অফ-হুংঙাই তানফংলরোই" হায়না খঙহল্লবদা থরারেলগা, মচল লাই খুৎলোঙবীগা

চাকথাঙ খুৎস্থু খুৎলাই খাউয়াই য়াওনা নিংথোগী পোংকোয় মশীং ভুনা হনচাঙদা লৈবা হাও ফম্ববা খৈবীকপু থাঙবায়নন নুমিং য়ুথাক য়ুংবদা হনচাঙ চাঙমৈ ইমা কুম্লক্লুনা নোংহুম শঙগী লপয়ান কাদা থুংলরে"।

অনীদি খুম্বোকসি হায়বদা য়ানিংদ্রহুনা মখোয়গী কাঙবুদি "অশুম লৈহৌরগে" হায়দুনা লৈহৌই। পোরৈতোম্মা লুচিংবা মচা শীঙদবুঙ, মদাইরেম শম্বোঙ পুনেম্বা চনু পান্নহুনা পোকপা অরোং, পামিংনচিংবা লূপ অমা।০। ঙারেলহনবা লৈনুঙ য়ুচাখা চনু ঙাংশাবীগী মচা ঙাংহু-ম্বোক, মদাইরেম ঙানুরোম্নচিংবা লূপ অমা।০। খাবা ফাম্ভোংবা, মহৌশে নিংথৌবা অনীনা লুচিংবা লূপ অমা।০। তাখুক লুখোম্ব, তাংকোই অনীনা লুচিংবা লূপ অমা। লূপ মঙামাবু লোয়ননা লোইবী চীঙরাঙ থক্তা কারক্লবগী লোইবী চাঁঙদোল তম্নবগা লাই শিদবনা হায়-রকই, "তাইবঙ মৈতৈ লূপ মঙামা! নখোয় পূন্নমানা কংলৈ তম্না চং-ঙমলো। লোইবী চীঙদা পানথ্রবা মৈতৈ লূপকী কাঙবুম্বু কোইজাইননা মরৈরি। মখোয়গী মফম্লাংদম্বু পাউদম্লুখিগে" হায়রবদা, লূপ মঙানা হোয়-য়াখিরে। অহুদগী লাই শিদবা পোইনাউতানা চীঙগারম লম্বী চংনা কোয়না পাউজেল্লে।

মতম অসিদা মীরমলেন্দা লৈহৌরবা থরারেন্দি মদোম তরক লৈববু হুংঙাইরক্তুহুনা থোক্লগে হায়না লূপ মঙাবুম্বু খঙহল-ভাইলবম্বু তৌদনা লম্বী শমপৎ হুনা লাকপবু চাব', থকপা তুম্বা থোইনা থিখি-দরে। মানা হান্না খোঙরায় মাঙ থানা রায়থূঙনবা লাক্তুনা নোংপোক হারম খোঙদা-নববু নোংচুপ হারম শানবা হায়দুনা লম্বা থৈনা লাক্ল-বগী থাঙহি ঙাংঙোই (হৌ কেগে লম্ম-হনবরোম) খোঙদারক্লা ফাওর-ক্তুনা ঙাংঙোই, হৌখুরোই লমশাঙ লাক্লগা নোংপোক খোঙ্গারক্তুনা কংলৈপুঙদা চঙখিরে। ময়ূম পিবা মৈদীঙঙু নোংদা লাইরেল পাথংবগা উনবদা, কংলৈ মপু পিবনা মৈতৈ তাইবঙ লাকপা উবদা পূক্নীং হরাঙ

তয়াম্না তাইবঙ অরাকপবু কৌশিন্না থমখিরে। লাই শিদবা পোইনাউতানা হায়রম্বগী মতুঙ ইন্না থরারেন্না লৈশী-লৈশোন্না মচন লাই থূংলোঙবীবু লাইস্না কোনা লুহোং লৈরাংনা নোংদা লাইরেল পাখংবদা কত্তুনা লৃতীল্লে। লাকইবা থরারেলগী লূপ পূন্নমাপু য়ান্না লুনা হুংশিনা মখোয়না হায়বতা থৌপুনা পাখংবগা লৈবা হোরে।

লোইবী চাঙদা পোইনাউতানা পাউজেলবদা লমলেকশাংদি "ঐদি লোইবা চাঙদা অশুম্মা লৈহনা নোংদা লাইগী লমশেংবা ওইহনা লৈঙমজরগে। তমদা অমুক পানঙম্নরোয়" হায়রবগী লোইবী চাঙদা লৈহৌরে। মনাও নুংঙে য়ুমথঙবগা, খোঙলৈশঙগা অনানা লুচিংবা লূপ অনীগা লোয়ননা তম্পাক লমদা খেঙ্গৃম্নরক্লে।

লাম্লেংনবা

পোইরৈতোন্না লুচিংহনা লাকপা লূপ মঙামানা য়াংলো লম্বী শন্না লাকপবু তম্পাক য়োরক্লে। "পূন্নমানা থাদেকখিরবা, উমং লাইনা তাইবঙ খুন্তাক-লৈতাকহনখিববু অমুক তান-ফংহনা ঈয়ূম লমদম খুন্দারগনি, ঈনাং তম্না পাঞ্জবা ঙম্নগনি, য়ারগনিদো" নীংখলখিবগা, মপূক হরাও-তয়ান্না পূঙ-শেন য়ৈনা লাউ-খোংহনা কংলৈ পূঙ তম্না খোঙ্গারক্লে। অদূ নোংদা ময়াম্বা থরারেন্না মপূক তাথা শোইনাইখিবনা ময়ূম পিবা নোংদা লাই পাখংবদা "খোল্লাউ অসিবু তাবরা? মনীং তম্বা তাইবঙ নোংপোক খোঙদাখিরবা, তাইবঙ লমহেনবা কাঙবূনা খুল্লিংনা কংলৈ পুঙমায়য়োলবু পামখিরবগী, হুয়েল লান্দারকখিববু তম্পাক তারক্তনবা তৌবীয়ো" হায়না রাহোন্নবগী, পূকথাল রা থৌঈনশিনবু থাজখিবনা মথূংস্থূ মথূংলায় পায়না লোয়য়িল-থময়িন

পুনা থোক্তুনা পোইরৈতোন্না লাকদবা মায়কৈ তন্না লান্দারক্লে। পোইরৈতোনগী কাংবুনা চাবা থকপা লোইহনবা ঙহাক পোথাহন্না থেল অমদা নৈরিবুঙদা নোংদা লাইরেল পাখংবনা অপনবা নৈতনা পুহংপাউহং তৌদনা লাঞ্জঙলক্তুনা লাক্লিবা পূম্বু তুংবুন লীকানহনা ফারে। মখোয়না পুরকপা খুৎমু-খুংলায়, সেংনা পান্না, অচা-অথক খৈবীকস্তু নুপ্লে। মফম অদুবু “লান্থেংনম” থাগৌবদগী “লাংঙথেল” হায়না মিংগৌখি। মফম অদুদগী কংলৈ পূঙমায়রোল তন্না পুরকখিরম্মী।

পোইনাউত্তা লাই শিদবনা চৌংদা লোত্তুনা থাংঙস্বা তাইবঙ নখোঁশংবু পাউজেন্না কোয়না থেমদোক্লুবদা অয়াম্বদি “চৌঙদা অশুম মরৈরগে” হায়না নৈঙমহৌহনা, খোঙলৈ শঙগী লূপকা, ঙানবা লৈচাকপগী লূপকা কাঙলূপ অনীগা লোয়নহনা লাকপদা, পোইরৈতোনবু অরা নোংদম তন্না উবদা তাথীহনা খোঙলৈশঙগা, ঙানবা লৈচিকপগা অনাদা "নখোয় পূম্বা হৌ কংলৈ য়োনবা লাক্লো। ঐদি খোংরায় মাঙথারল্লগে। নখোয় খ্বাইগী রায়থুঙফম থোরাঙলমগে” হায়না মাঙথানা লাক্তুনা কংলৈ সনা পূঙমায়য়োল য়োরক্তুনা নোংদা লাইরেল পাখংববু কৌথোক্তূনা মফমদা য়াহোন্নকই; “ময়ূম তাইবঙ লুচিংবা! তৌঙল্লিবা অসিবু করিনো? ঐনা পাউজেল-পাউতাকপিহনা মপূক হরাও-তয়াম্না নোক-খেনা লাউহনা লাকচবা তাইবঙ মৈতৈ ঙাক্তনি। নঙ্গোম্দা ওইদনা রানা পূকথীল থৌশীল্লিবা অদূদি থরারেল হায়বা ময়াম্বনি। নদাইরেম ওইবী অহনা অনীমাগী মচম্রে। পিয়াইন্নু কৌবীনা পোকংম-শাংঙমজবা মপারী মমোম ঙাক্তনি। থরারেল কৌবা মহাক্তি ঐনা কংলৈ পূঙদা থোকংমসে হায়বদা, থোক্লরোই

হায়দুনা মপুক-মরীল শেংদনা, লুতুং রাস্থ রাখন্দবা মানা করম্না কংলৈ পুঙমায়য়োন্দা খোঙ্গাদুনা লৈরঙ্গসিনা করম্না লুচিং অহন ওইরল্লিবা ? নহা মপুক থাদবনা তৌগদবা চৎলস্থ অহল মানা মচংলে" হায়না খওহল্লবদা, লুতুং লৌফা-নরুবা লুপ মঙাবু থাদোক্লে। খোংলৈশঙ্গী কাঙলুপকা, নুংঙৌ য়ুমথংবগী লুপকা অমীমাস্থ থুংলরবগী লুপ তরেৎ মানা লৈপাকসিগী তাইবঙ খুন্দাবা হৌবা য়ুম ওইনা মৈদীঙংু নোংদা লাইরেল পাখংবগী মহাক-থক্তা অমুক নৌনা খুন্দাবা হৌনবা থৌশীল-নোংদম্লে।

মা-মাগী লৈফমশিং

লাইশিদবা পোইনাউ তানা তাইবঙ মৈতৈশিং মানা মানা লৈগ-দববু থৌশীল নোংদম হৌরে; — "ভাংহুম্থোক, ভাংনিংশিং নখোয় নচীন-ননাওগী লুপ্তি "হৌ কেগে লম্ম-হনব" না কোনবা লমদা খুন্দরো। ০। খাপী, খাপা লৈরেল, [১]খাপা ফস্তোংবা নখোয়গী লুপ

১। খাবা কাস্তোংবগী লুপ্প্রু নোংচুপ লমদা খুন্দাহনখি হায়নস্থ থেংনজে। মদুদি হয়াচক, খুনুং চক্তা খাবা পাল্লম্বা ওইনা থেংনৈ।

*** নোংদা লাইরেল পাখংবগী চহি কুমশীং ২৬ শুবদা পিবা থমখিবশিংগী লমথৈদি—পুরৈরোম্বদা অঙোম পিবা হাপ্পা কংলৈ সনা পুঙময়োন্দগী অপো-কপা নুঙ, য়োং থল্লোংগা থাইদ্রনা "হৌ বায়রঙ লম্ম-হনবা" লম্ম পী। কং-লৈ পুঙমায়য়োন্দা থৌগা থৌপুনবা "হৌ শোল্লোই লম্ম-হনব" না কোনবা লম্ম পী। পোইরৈ লুপকী লুবাং খুম্বিবদা পিবা হাপ্তুনা ময়ুম পোইরৈবু লুবাং শাখাই কৌনা অপোকপগা লোয়ননা "হৌ থাঙ্‌বায় লম্ম-হনবা" লম্ম পী। থৌকাবদা "হৌ লোল্লোই লম্ম-হনব" না কোনবা লম্ম পী। খুমন

হেন্নবা পুথোরকপা পোৎশক অয়াম্বা মনা-মথূম পীদূনা মপূক হরাও-হন্দুনা পুথোরকপা পোৎকী মঙাল হাপ্পী। লৈপাক্কী ওইবা থবক্তি তেংবাঙহ্নুনা সুহল্লী। শাদা হৈবা, লান্দা থৌবশিং নিংথৌ ফি শাই-জোনবা মনা পীদূনা লৈপাক ময়ূম পূম্বদা শীন্ন-থুংনা থঙহল্লী। লোই-দাম শজীফু থাগী হুম্নি পানবা কোরো শগোলশেন্দা মৈদাঙঙ্ নোংদা লাইরেল পাখংবা, ঈবেম্মা লাইস্না, পুরৈরোম্বা, লূরাং খুম্বিবা, ঙাংছু-ম্বোক, নোংদম্বা মায়চৌ তাংঙখা হুংকাই মরিবা, কাইবীরোন শঙলেল পুবা মায়চৌ মুরাং লনহাংঙম্বা, নোংপোক অচিবা, থল্লাঙবা, রাংব্রেন, থাংজিং, লোয়য়ালাকপা, কৌক্রু, মারহনবা (মার্জিং), লৈনূঙ খুং-খুং অচিবা, উমং লাই লৈবা খৈবীক্কা, তাইবঙ পূম্বগা য়াকারক্কু না কংলা রায়েল কুচু শঙদা ফম্লরে। অদুদা নোংদম্বা খুং-খুং অচিবনা—“কংলৈ পিবা! ঙসি ময়ূম পূম্বনা নয়াথং থৌপুনা হৈজবা মথূৎনা শাবা মপূক রাখলগী তানফংজবা মথৌ মঙম্বু শেম-শাহ্নুনা পুনরজ্জীবসিনা ময়ূম য়েলুপমা খূদিংগী য়ূমদা-য়ূমখায়বা ওইনা ময়ুম মশীং য়াম্নবা তৌঙম্মু। ময়ূম অমগী মশিন শিনফমদা ময়ূম অমনা শিন তাংহ্নুনা সূফদে। ময়ূম কনাগুম্বনা সূরম্বা তৌরবদি লাইরকচনগী লুবু মুত্তুনা অপকমা য়ূমদাঙবনি খঙনবা, ময়ূম য়ূমদাঙলবা মশক মমীংদা পুয়াদা ইহ্নুনা থম্মু। মা-মাগী মপা মপূগী মতীক মঙালবু য়েংদনা থৌ পুনবদি লাই-রকচন্দা নামূংবনি। মরম অসিবু থৌ থিনা লুচিং পিবা নঙনা লাইস্মু মীস্মু নোংদম শিনতাক্কা থমগনি” নোংদম্মী।

*** মৈদীঙঙ্ নোংদা লাইরেল পাখংবগী মতমদা কাইবীরোল শঙলেল পুরম্বা মায়চৌ (পণ্ডিত) লনহাংঙম্বা হায়বসি সনা ঙাংজেংশুনা পানবা মতম-দা লৈরম্বা মেন্দে চৌঙগী ঈশিংনা কংলৈপাক থূমহ্নুনা তাকখিবা অদুগী লন-হাং ঙম্বা অহুনি।

য়ুম খায়বা

মহৃদা লূরাং য়ুমগী মৈয়েং চাম্বনা মৈ থোকপা থৌদূ নুঙ অমদগী খাম্বী মৈ লৌরগা মৈহুম মৈরা চাউনা থাদূনা মৈহুম-মৈরা অদূনা মশা পূম্বা য়োম্না কোয়না লৈনা হাইনা চঙলক্তুনা খাম্বী মৈরা অহুবু কৎলি। ময়ুম লূরাংগী থোঙলৈশঙনা লাংগোই শগোল অমা তোংলগা অরাপ্পা, অথাপ্পা লৈফমদগী মতুঙ মমাঙ য়োম্বা তেনজৈ অমা শাহুনা কোয়না লংলক্তুনা লৈপাক তিনফম ময়ায়দা হুঞ্জিল্লক্তুনা মালেম লৈমায়-থক্তা রায়রা তেনজৈগুম্বা অদূগী মচীন্না য়ুংহন্দুনা কৎলে। মানা মানা মপূক রাখন্না লাম্বদা ফংজবা মশকপু মখূৎনা শাহুনা কৎলৈ। অঙোম শাথায়না লাইয়ুম কা অমা চৈরোঙ নাইনা শাহুনা কৎলি। অমনা তুবী লাইরেল অমা শাহুনা কৎলি। অমনা লোঙশা মচীন তরেৎ থোক্না পানবা অমা কৎলি। অমনা তাউবা হুয়চীন-হুয়য়া থৌজবু শাহুনা কৎলৈ। অমনা লোইদাম থাজগী মাযকোয় অকোয়বা লৈওঙবু তমজবা শীঙেঙল লৈরাং অঙৌবা অমা শাহুনা কৎলৈ। অমনা চরৈ ফি অমদা মচু মঙাবু য়েক্তুনা কৎলি। মথোয় ঙম্নমকপু মনা মথুম-পীদূনা মাগী মাগী থৌরম য়েংহুনা য়ুম খাইহল্লে। মোইরাং লূপ অমনা সনা থোঙজাওবু তম্না থোঙ অমা শাহুনা কৎলি। অমনা পোম্লাং হায়বা অরনবা লূক অমা শাহুনা কৎলি। অমনা চাইরেল ঈশায়কূ ঙাংখা কৌবা অমা শারগা কৎলি। অমনা ওক্নী মশকপু শাহুনা কৎলি। মানা মানা হৈজবা খূৎ-শাগী পুথোক্তুনা কৎপদা মনা-মথুম পীদূনা মা-মাগী মথৌ শিল্লম মতুঙ ইন্না য়ুম্নাক শাগৈ তোঙান তোঙান খায়না থোন্দুনা ময় ম য়েলুপ পুন্নামা খায়খি।

মখৈনা "হৌ থরৈ লম্ম-হনব" দা খুন্দারো। ০। থরারেল নঙগী লূপ্না "হৌ শেল্লোই লম্ম-হনব" দা খুন্দারো। ০। অরোং নঙগী কাংলূপ্না 'হৌ লানলোই লম্ম-হনব"দা খুন্দারো। ০। পোইরৈতোন নঙদি "হৌ থাঙ-রায় লম্ম-হনব" দা খুন্থোক-খুন্দারসি। অতু নোংদ্মা নোংদ্মা লাইরেল পাখংবদা অমুক হায়খিয়ে—"কংলৈ মপূ পিবা! নঙগী লৈঙাক-লৈশেম্বা খুন্দা-লৈতাবা মপুঙ ফাঙম্না থেমদোকপদা লুচিং থৌরাঙনা থোক্লগে হায়রবগী য়াঙমতুনা তুরম খোংলম য়াংলো লম্মশাঙ শেম্মা লাকঙল্লিবা

অরোংবু "থূমন ময়ূম" "মিংগোনা থূমন পিবা হাপ্তুনা অপোকপগা "হৌ লাংলোই লম্ম-হনব।" লম্বু পী। থোকাবদা "হৌ লানলোই লম্ম-হনবা" "হৌ খুরোই লম্ম-হনব।" অনীমা কোনবা লম্বু পী। ঙাংহুম্থোক মচীন-মনাওদা ময়ূম "মোইরাং" কোনা থৌপুবদা অপোকপগা "হৌ কেগে লম্ম-হনবা" লম্বু পী। থোগাবদা "হৌ ঙাংঙোই লম্ম - হনব" না কোনবা লম্বু পী। কংলৈ পিবা গৈদীঙঙু নোংদা লাইরেল পাখংবদা ময়ূম "মঙাং" কোনা পোকলেল শাংফম্বু থৌপুনবা "হৌ কংলৈ লম্ম-হনবা" "হাওকপ চীঙশাঙ লম্ম-হনব" না কোনবা লম্বু পী। "হৌ থরৈ লম্ম-হনবা" "হৌ লেমলৈ লম্ম-হনবা"লম্বু থোদা থোপুনৈ।

***ঙানবা—মঙাং চনূনা পোকপা তাংথুক লুখোইনা মমা পেলোন তিন্নবা মঙাং চনূ লৌদূনা ভাংকোই পোকই। ভাংকোইনা ময়ূম-থাদোক্তুনা মমা পেলোন তিন্নবা চনূ লৌদূনা মঙাং য়ূমদা শাইদাংতুনা লৈ। লাইরক চন্দা নামূঙদূনা পিবা তাকলে। খাবা শাগৈগী য়ূমসু মপুথো খাবা তরুম কোই-বদগী হৌনা লাইরক চন্দা নামূঙবা চনূ লদু মক্তা লূ তিন্দুনা মথং লেংনা নাউ-দারকপনা য়ূমলেপ্পা ওইনা লৈরে। অতুগা "ঙানবা, খাবা" য়ূম অনীসিদি লাইরক-চন্দদি পা অমতা, মা অমতনা পোক্লম্বা মচীন-মনাওনি হায়খি। অসিনদি য়ূম অনী অসি লাইরক চনগী কায়দনবা মমিং অমতা থাগোনা "খা-ঙানবা" হায়না থমলগা ময়ূম পিরা থৌপুনবা মমা পুরৈলেমসুগী হৌরক-

পোইরৈতোন য়াখল চাওবদি মাগী লুপ্পা লৈবদা ঙুংঙাই য়াইবী মবাও কায়না পাঞ্জনবা মরম লন্থু থিওম-য়েংওয়া লৈগুনো। ঐদি চৎলগে, নঙনা ঐবু উনমনিংবা মতমদা কৌরবউ, ঐস্থু মরাক্কে" হায়রম্লগা চৎখ্রে।

পোইরৈতোন খুম্নোকপা

নোংদা লাইরেল পাখংবা, ঈবেম্মা লাই খুৎলোঙবী লাইস্না অনীনা লুচিংনা অশায়-অশমগা লোইননা হৌ থাঙরায় লম্ম-হনবগী মনুঙ কোনবা

ফম লৎবু মায়গৌশিংনা কাউদনবা লাইরক চন্দা নামুংহয়া লৈহনা থম্বা পরম্ম মমা পেলোনগী য়ৎম চীঙবাঙলক্কী অঙৌ পাম্বা পুবৈরোম্বা য়ুম্বা ময়ুম পিবা অহমগী মথৌ মঙম পুরসনু নোংদম্বা লেপখি।

চেংলৈ— হুয়মূলৈমনা পোকপা চেংলৈগী নোংপোক লৈহৌ নোংলেল চীঙ বারোক তাবা নুঙঙৌ য়ুমথঙবনা য়েক লৎপ অমা য়াৎপা অসিদি ঐগী লুপ্পা ওইজগে হায়না নোংদা লাইরেল পাখংবদা হায়জনদা হয়াও তয়াম্না য়াখি। "নুঙঙৌ য়ুমথঙবা নঙগী লুপ অসিদি লাইবক চনগী যেক-লৎপ শাখায় (শাগৈ) য়ুম তরেং শুদ্রবদা নোংদা লাইরেল পাখংবা ঐগী ঈহাক-থক্তা য়ুম অসিমা শাগক্তুনা য়ুম (য়েক) তরেং শুনবা লেপখি, থৌ কাউদনবা য়ুমগী মমিংবু কে রো ঙসিদগী হৌনা 'শরাং-লৈশাং' থ গৌনসি। হৌফমদি খাঙানবগা লু তিনম্না পোকলেল পোকপগী লৈতাং পাত্তা নুঙ, উবু থম্না ঈরুফম ওইবো। নঙগী নুঙ মচুনা শংলেন অবাওবা মচু পায়রে।" নোংদমখি।
ঈফালগী মখৈবু "হৌ কংলৈ লম্ম-হনবা।" অবাংগী মখৈবু "হৌ থাঙবায় লম্ম-হনবা।" "হৌ লোনলোই'বু লাইরেলশজীক্তগী, ঈরেঙবমফাওবা তোংজৈমরীন সোয়কী মনিং মখৈনি। লিল্লোং, থৌবাম্না কোনবা মখৈদি "হৌ লাংলোই লম্ম-হনবা।" ওইনামদগী নিংথৌখোং ফাওবদি "হৌ খুয়েরাই লম্ম-হনবা।" হিয়াঙথাংদগী ফৌগাকচাউ ফাওবা, শেগালম্বী সোয়োকী নোংপোক মখৈদি – "হৌ লানলোই লম্ম-হনবা।" নিংথৌখোংদগী মোইরাং মখৈবু "হৌ

চত্তনা লময়েংলকপদা কুরুম চীঙগী নোংচুপ থংবা লোক্তা নাপদা লৈবা অতেম্বা লম খবা থেংনহন্না খুদোংচাগনি হায়দুনা মবায় পোইবৈতোন, মবুঙগী লৈনবা শঙলেল শেম-শাবীহুনা লৈহল্লে। লম অতুগী মমিংবু অতেম্বা লম থিহনা লৈ "লমতেম(=লমদেং)" থাকৌবে।

ঙাংঙোই লম্ম-হনবা।" চীঙদগী মোইরাং মনী' ফাওবদি "হো কেগে লম্ম-হনবা।" অবোংদগী গুয়্ ফাওবদি "হো থরৈ লম্ম-হনবা।" গুয়্গী মথা মথৈবু "হো লেমলৈ লম্ম-হনবা।" ঈরীল তুরেলগী নোংপোক্ত মথৈদি "হো বায়রঙ লম্ম-হনবা।" নো'মাইজিং চীঙ বাংমা মথৈবু "হো শেল্লোই লম্ম-হনবা।" ককচী গী মথৈবু "হৌহৈরেঙ লম্ম-হনবা" কৌনৈ।

মৈদীঙঙ্ নোংদা লাইবেল পাখংবগী চহি কুমশীং ৭২গুবা, খুঃগী চহি ৭৮ চংবদা মৈদীঙঙ্ পিবা পাখংবনা য়ায়া নোল্লবচনা পুরুম লৈপায়দুনা লাইশিদবা পোইনাউতাবু তাইবঙ থোক্লা কংলৈ পুঙদা লৈননবা হন্না হন্না হায়জখি। অহুদা লাইশিদবনা পাউখুম্লকখি-"ঐসু লৈনিংঙি। অহুবু ঐদি য়ুমথোঙ শীন্না লৈবনিনা ঙংলো য়াইবীবেল শিদবা, পল্লেম ঈমা পিদবী অনীগী সনা ফমলেল শে-দবা য়াদে। পল্লেম পম্বো অনীগী মচী-মরুম থুপ্পা লৈবনি, থৌবম অসি কাযফদ্রি। মশক্তি 'মহাক ঐহাক' 'ঐহাক নহাক', 'নহ ক মহাক' কৌবনি" নোংদন্নীবে। মতুঙদা শেন অহীংবদা মন্নেক য়েক্তুনা তাইবঙ মপূ ঙংলো য়াইবীবেল শিদবনা য়ুমগী কায়ন যকতোপ্পা থম্মী। লৈমরেল শিদবীনা লপলেল লপযান কাগী অন্নাং থংবদা থম্মী। লাইন্নিংথৌ পোইনাউতা (সনামহী)বু তুংদা থম্না মম্বোং সনা ওকচীন্দা থগহুনা য়ুমথোঙ খূদীংগী য়েন্নবা সনাবু মহী চেগহল্লগা শানিংবা অপাম্বা মশক মওঙবু তন্না শাবগুম শাহুনা য়ুম শীন্না থম্নবা শেম্মী হায়দুনা লাইন্নিংথোগী মমীংবু "সনা মহী। মহী মহী সনারেল" থাগোহুনা পান্দা মিংহন্না থম্নখি।

মৈতৈ=ফুংগা মৈ হোৎহনা মৈ লিংনন্নিবা ফুংগা লাইরুন্দা ঈপা ঈপুগী হোয়ককফম (মৈহোরোল) ওইন্নিবদা অপোক-অশা থানন্নি, অমদি মৈ ঈন্নাংপা

খুংগী ১৩শুবা; মৈদৌঙ্গু নোংদা লাইরেল পাথংবগী-কুমশীং ৭শুবদা পোইরেইতোম্ব লৌউবগী মরমদা য়াম্না থম্নায় য়াওনা লৈপাক্কী চাক-হোওনবা থৌরম থৌবু হৌরদা মাগী পাই মনুঙদা ফো ময়োম অনী য়াওবম্নী। ফো ময়োম অনীহুনা ফৌদী মরম ওইনবা লম মচেং থরদা চারী লিংনবা থৌবুববু ময়োম অনীদগী ফো চাবী অহু ফোয়বগী লোইবা লিংখোকপগী লোইবা ওমদরে। অহু নোংদা নোংদম্বনা নোংদম্বৌ-ববনি হায়দুনা মাগী কাঙলুপ মথৈ হৌদুনা লৌ লিংনবা থৌবাঙহন্দুনা নোংচুপ হারম শীন-থুংনা লৌ লোইনা উবে। মবাই থরাবেম্না লুচিংহনা ইংখোল কোইবগী মবমদা মনা-মশীং হরাই-শীংরায়, হৈ-বা লফু লতং নচিংবা থাহুনা কাংলুপ অসিনা লৈপাক্কী রাত্তনবা থৌবাঙ থৌ পুবে। অবোংগী-কাংলুপ্না শা-শনবু যোক্তুনা শনখোমগী মবম্বু শেমগৎলে। থাপীনা লৈপাক্না কোনগী-মশকপু শাহুনা রাত্তনবা থৌ পুবা হৌবে। থাপা ফাম্তোংবনা চুদগী চুহি লৌদুনা চুহি হাথবা মশকপু পুথোক্নবা থৌবাঙ তৌবা হৌখি।

খুংশা-হৈবা তাম্নহনবা

মৈদৌঙঙু নোংদা লাইরেল পাথংবগী চহি কুমশীং ১১১; খুংগী চহি ১১৭ শুবা কুম অসিদা মৈদৌঙঙু নোংদা লাইবেল পাথংবা, মযুম তরাক পিবানা লুচিংহনা পোইবৈ ওমদা তাবশিংবু মা-মাগী মথুংনা শাবা হৈবা মথৈ পোংকী পোথোক হেনগৎনবা শাহল্লে। হৈ শিংবা

ফুরুপ অমনি হায়দুনা "মৈতৈ" হায়নসু মিংগোনরি।

পোইরৈতোম্না অহানবা খুম্হোরকই হায়দুনা লৈপাক অসিবু "পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক" কৌনা কোলোম্ন শৈশক-শৈথা-নরি।

***পোইবৈতোম্না পুথোক্নকপা ফো মরম অনীসিবু অহাওবা চাকনি হায়হুম্না "পোইরৈতোম চাকহাও" কৌই। অমনা থাজনা থম্নিবা অহুবুসু হাওক্লমগনি হায়দুনা "চাকহাও মোনখাং" কৌই।

চেংলৈবু থেম-নৌবা

পোইরৈ তমগী তাইবঙশিংগী মনা-মথূম ফংবগী পাউনিলখোলগী ঈরায়খোলবু লোইবী থক্তা পানখিবা চীঙগী ফুরূপ কয়া নাতা-নরহ্ননা মতুঙ কুমজাদা চীঙদা লৈবা চেংলৈ লমলেকশাংগী লূপ অমস্থু লৈহৌরোন্দা লাক্তুনা নিংথৌগী মনা ফি ফংগে হায়দূনা কংলৈ পিবাগী মফম্লাংদা "কংলৈ মপূ মৈদীঙঙূ পিবা-ও! "নদাইরেম তয়ুম ঐখোয়স্থু নিংথৌ নথৌজাল ফংজনিংই" হায়দূনা "কোঙয়াঙ রানা পজেঙ ঈংলগা লীনা লীফা-লীপুন্দুনা লূক অমা মখোঙ কোয়না, মখাঙ নাইনা লূক্কী মপান অকোয়বদা তুবী লীশা-খোইশা, লীথূপ লীরোল, চূকপূন-লীপূন, পরৈ ওকথ্রৌ পাংফ-শা ।" অমনা "খাংচেংফকশা লীরোল-লী থূপ লোন্দূনা পরম লীথাঙ কূম্থ্রা-মঙা, লাইয়েক নীফূ-তরাক্কী, পাফল চাম্ম-নীপানগী পরম্বু লীথাঙ শুনা লোন্দূনা শাবা লূকমায় অথোল অমগা' মশক অনীবু পুরক্তুনা কংলৈ । লূক্কা, লূকমায়গা উবদা খোয়জঙখোয়দাবা ওইহনা মৈদীঙঙূ পিবানা হংই;-"ময়ূম য়েলূপ কনানা শাবনো ? লূকমায় অথেল অনী অসিবু মপূক রাখল থৌয়াঙঙিদা ।" লমলেকশাংনা পাউখুম্মী,-"ঐখোয় চেংলৈ য়ুম্না শারকপনি । হৌজিক্তি নোংপোক উয়ান্দুনা মকেঙ পূঙদা পানঙমজরে । মৈদীঙঙূ পিবা পাথংবনা হংঙি-"অদূদি ঈশানৌ নুঙঙৌ য়ূমথঙবগা য়ুম অমতনিদনা । ময়ূম চেংলৈস্থু হৌ কংলৈ লম্ম-হনবদগী হৌখিবা য়ুম্নি । ময়ুম্বু মূৎহনবা অসি নামূঙ চৎলম্নি । হৌ কংলৈ লম্ম-হনবগী তমগী অকোয়বদা লৈঙম্নবা তৌঙম্লে । মতম খরা থম্নায়বু হিংনবা থৌপুবদা নোংমগী অফঙবা মশক্না তাইবঙ থরায় হিংনবগী চীঙ্গাক অহাওবা মশক ওইনা চান্নবা

মশক অদু থাদোক্লসি। হৌ কংলৈ লম্ম্-হনবগী পুগী চৎলম ঈচৌঙ্গা-কপু লাইরকচনবু থৌ পুনা চা-থক্তুনা লৈরসে। লাইরক চনগী য়েলুপ মাগা শাথায় মাপল্লা হৌ কংলৈ লম্ম-হনবা সনা লৈপাক পুঙমায়-য়োলগী য়াইফ-থুংঙই থৌ পুনবা তৌঙম্লসি কোরৌ ঙসিগী।”

লনলেকশাংনা পাউখুম্লকই; “ময়ুম পুম্বগী নোংদম্বা কংলৈ সনা পুঙমায়য়োলবু লৈচঙ-লৈফম্বা! ঈথৌ-ইঙমদি কাউঙমদনা থৌপুজগে। চাঙম্রবা চৌঙ্গাক্লীনা থাঙম্বা ঙমগনি নীংঙমদরে। ঈপা নাৎ, ঈপু নাৎ-কী চৎলম ঈচৌঙ্গাকপু তানফংত্রবদা, নীংশঙলক্তনা চাঙম্নদনা তু লুখায় তারক্তমা লৈঙম্বা থোকঙম্বা ওইঙম্লক্কনি। অরাবা মতমদা থরায়বু হিংনবা চৎঙম্লকপা চাঙ্গাক অসিবু থাদোক্তুনা ছম্লোকপা তৌজররোয়। চৌঙশাঙ অকোয়বদা কোয়না পাম হোংজহ্না ঈনীংবু তম্না লৈঙমজবা তানফংজরগে তমগী-অহৈ-অশিংবা অকন-অথৌবদা চানবী-কুবীবা নোংদম্ববু নিজগে মপুগী খুয়া থাদা।”

লৈনুঙ খুং-খুং অচিবনা নোংদম্মী;-“কংলৈ পিবা! ময়ুম চেংলৈ অসি-দি পাগী পুগী লৈহৌ য়েলুপ চৌঙ্গাকম্বু চাখিদরে। পাউশা য়াউরা ঈরা-য়-ইনিল লাইয়েক চনগী ঙদনা পাউশা-নথ্রে। হৌ কংলৈ লম্ম-হনবগী লাইরকচনগী-চৌঙ্গাকম্বু তিম্নখিদরে। নামুঙ চৌঙ্গাকপু চাদুনা লৈরবনিনা মখোয় অসিবু কোরৌ ঙসিদগী ‘হোংচাই হাও’ থাকৌনা থম্লসি। ময়ুম য়ুম্ফম লৈঙম্বম্বু লৈতররে। মীচৌঙ্গাকম্বু চাবা য়াবা য়াদবা নামুঙ মরমম্বু খি-য়েংদনা কোরৌ নোংমগী চাবা য়াবা লৈঙম্বা কংথং লৈতবা মশক্লা অহাওবা চৌঙ্গাক ওইনা লৈবনিনা মখোয় অসিনা লৈরম্বা মফম্বু ‘হাওকপ চৌঙশাঙ’ থাকৌনরসি। মখোয় খিবীক্লা কংলৈ ঈরোলবু পাউশাবদা

য়াউরা শুনা পাউশাদরে।” মৈদীঙঙ্ নোংদা লাইরেল পাখং-বনা হায়-“ময়ুম চেংলৈমা! নখোয়না লীশা-খোইশানা শারকপা লুক-মায় অথেল লুক অসিবু ঐগী খোয়জঙ-খোয়দাবা, খোকাউগ্রবা লারোল-খোইরোলবু ঙসি ঐবু নীংশিংনবা মরম্মু ওইহনবসিদা ঐগী ঈপূক হরাও-তয়ামজবগী ঙমথৈ লৈতনা হুংঙাইজরে। মসিগী দমক পাখংবা ঐনা শেংলিবা খাঙশেং ফৈচোল অসিবু নখোয়দা ঐনা পীরবনি। ফি-রোল অসিবু তানফংবা মহাক অদুবু য়ৈবা চৈবা তৌফ-রোই। মীচৈ-মীয়ৈ পীরবদি পাখংবা ঐবু য়ৈবা চৈবগী লঙ-জবত্থু তানফংজবা ওইসনু। অতুগা নখোয়গী চৎলম্মু কাউদনবা নয়ুম লৈহৌফম লূগী লৈফম্মু থাদোক্কুনা লৈনিংবা লৈফমদা হোংত্থনা লৈঙমখি। অফঙবা চাবা য়াবা য়াদবা লৈতনা অমদি অথাকপা লৈতনা অহাওবা ওইনা চাঙয়্যা লৈঙমখি কাউদনবা নমীংবু ‘হোংচাই (=খোংজাই) হাও’ কৌরসি।”

চীঙদা লৈবা লূপ অমা

মৈদীঙঙ্ নোংদা লাইরেল পাখংবগী চহি কুমশীং ১৩৮ দা চীঙদা পনবা লূপ অমা লাক্কুনা মৈদীঙঙ্ পিবাদা পুরুম লৈপায়রৈ, “ননাই ঐখোয় চীঙদা লৈবা ঐখোয়ম্মু শাদা-লান্দা হৈ-শিংবা অকন-অথৌশিং য়াওরক্লবদি তমগী অকন-অথৌনা মনা-মথূম ফংবগুম্বা ঐখোয়ম্মু ফংজগে; পীনবীবা নোংদম্লীয়ু” হায়ঙম্মী। মৈদীঙঙ্ পিবানা হংঙি— “নখোয়দি লৈফম কদায়দা লৈঙম্মীবা? চীঙাক্সা করি চাদুনা হিং-ঙম্মিবা?” চেংলৈগী ঙামৈশিং লুচিংবনা হায়জে— “ঐখোয় অসি হৌ ঙাংঙোই লম্ম-হনবা চীঙদা লৈরম্বনি। উমং লাইশিংবু

কিবদগী লৈচায়নহূনা 'অরাং উখোঙথেল চীঙ'দা পান্দুনা লৈংল্লে। অফংবা মশক্তা তাইবঙ থরায় হিংনবগী ঈচৌঙ্গাক ওইনা শা, ঙা, উনা-শীংনা অফঙ-অফঙবা চাবা য়াবা মশক মথৈবু চাদূনা পালক্লিবনি।" মৈদীঙঙ্ পিবানা হায়—"নখোয় পূম্বা! তমদা লৈরসি। পাগী পুগী চীঙ্গাকপু চাদূনা অরাবা মতমদা থরায় হিংনবগীদমক্তা চারুরবা চীঙ্গাক মথৈ থাদোক্লবা তৌরসি।" লুচিংবা ঙামৈশিংনা হায়জে—"ঐখোয়-দি চীঙ্গাক অসিবু থানবদা রাঙল্লনি। চীঙদা অশুম লৈঙমহূনা হাওকপ চীঙশাঙবু লমশেং-তুশেংবা ওইনা লৈঙমজরগে। ঐখোয়গী থৌরম থূদিংগী য়াইফনবা নোংদম্বীবা ওইবীয়ু। মীরমলেম্না য়েখায়-থিনগায়-হনবা তেমশীংলকপগী-ঈ-পাউবু তাঙম্না কংলৈ পিবানা হাওকপ চীঙশাঙ খোঙ্গারকপদা য়াংলো খোঙলম্বু হুংঙাইনবা লমশেম্বা থৌপুনা লৈঙম-জগে। মপু নঙগী ফি-রোলবু পামজহূনা নিজবা লাকপনি।"

ঙামৈ হাও মিংহূন্না লাইফি ফিমূ পীবা

মখোয় থৈবীক্তী রা তাবদা মৈদীঙঙ্ পিবানা ঙাইহাক তাঙজ মক্না লুক্না রাখল্লুরগা "ঐগী ঈহাকথকসিদা চীঙমী-তম্মী মরম অনী লৈয়ু হায়না চীঙঙ্ নোংদম্বনা নোংদম তমখ্রবোরে। অদূনদি ঐনা মখোয়দা থেম-নৌহূনম্মু য়াররোয়। মখোয় চীঙমী অসিনা তমদগী চীঙদা লৈথি-বদি মরম চীঙ্গাক অসি চাবদগী লৈখিবনি হায়বা মরম অসি চারোল-স্পূরোল কাউদনবা লৈঙমহৌনবা থৌরাঙলগে। মখোয় থৈবীকী মনা-মথূম ফি-রোল অসি ঐখোয়দগী হোংখিবা চীঙ্গাক্তা মনা ফি-রোল ওইনা পীংল্লগে" হায়না লেপ্লে। অহূদা "য়ুম্নাম, খোইম্নাম" য়ুম অনীবু কৌখত্নুনা কুমশং লংকাইনা নমথাঙ্ ফি-রোল অমা শাহল্লগা

অশংবা, অঙাঙবা, অঙৌবা, নাপু মেমানবা লংফাইনা নমথাঙ ফি-রোল পুম্বদা "শগোল, শামু, শা, উচেক, ঙা, উ-রা" মশকপু খুৎনা কানোক তৌনা লোন্দুনা ফি-রোলবু শেম-শাখি। ফি-রোল অসিবু পাখংবনা নমথাঙ্ ওইনা নমদা ইন্দুনা রায়েল কুচু শঙদা ফম্লগা হায় —"ময়ুম য়েলুপমা ! অশায়-অশম পুম্বসু তাঙল্লো। ঙসি ঐনা ইল্লিবা চৈরৈ ফি-রোল অসিগী মমীংদি 'লাইফি ফিমু ফি-রোল' মিংছল্লবনি। ফি-রোল অসি পাখংবা ঐগী ফি-রোল অমনি। ফি-রোল অসিবু চাঙদা কানা পাময়ানবা খুন্দাবা ঈচৌন-ঈনাও শাদা হৈবা, লান্দা থোৌবনা পাখংবা ঐগী মনা ফি-রোল পীদুনা ফংলবা মশক্তি মফম ফমথোল নাইবা ওইগনি। ফি-রোল অসিবু ইল্লিবা মহাক্তা য়ৈবা, চৈবা তৌফরোই। ঙম্বা মথৈ মাগী মরালবু ঙাক্কদবনি। হাক্লা অকনবা অয়োল-অরাল তানফংলবস্থ কংলৈ পিবা পাখংবা ঐনা রায়েল নোংদম শঙদা ময়ুম পিবা মরীগা ফল্লগা অরাল-অহুইববু নোংদম রায়েল তমগদবনি। মরম অসিবু থোৌকাউদনবা থোৌপুনরসি। অদুগা অরাং লমদা হেনবা চীঙশাঙ উখোঙথেল পুঙদা পানফবা 'ঙামৈ হাও' থাকৌ মিংছল্লা লৈঙল্লগুহু। ঙামৈশিংগী লুচিংবা ! মৈদীঙঙ্ কংলৈ পিবা পাখংবা ঐগী ঈনমদা ইল্লিবা চৈরৈ ফি-রোল অসি নথোয়না ফংঙল্লো; ঐগী থুদোল মনা ফি-রোলনি। লৈঙমহোৌরিবা লাইগী ফিরোল ফিমু নমথাঙ পুম্বা অসি খৈবীকপু শাদা হৈবা, লান্দা থোৌবা মী, রায়েল থোৌবু হৈ-শিংবা, তৌ-ঙল্লকপা মথৌ-মঙমগী মরম্বু থায়না শায়েক-শাদম, ঙায়েক-শাদম, উয়েক-শাদম, ময়েক - মচু হোংনা লোন্দুনা মনা ফিরোল পীনা ফংনরসি। কুমজা অসিদগী হৌনা চীঙশাঙলাকপা

কোল্লোয় মিংকৌনা থন্নসি" হায়না নোংদম্না লাউথোক্কুনা ফিমু লাই-
-ফি ফি-রোলবু মনা ফি-রোল পীবীহুনা উখোঙথেল পুঙদা পান-
ব্বা ঙামৈ হাওশিংগী লূম্নু হরাও-তয়াম্না মথুন্দা হন্নখি। ময়ুম
য়েন্নূপমা পুম্বম্ন মরাল-য়ায়দা ঙম্না হন্নখ্রে। মৈদৌঙঙু নোংদা লাইরেল
পাখংবনা লৈরিবা নম্ন তাইবঙ খুদীংমক্কী মনীংথুংনবা থৌবু রাখন্দুনা
সনা কংলৈ শঙ্গায়রেন্দা হঞ্জিন্দুনা নোংদম্বা থুংথুং অচিবগা পাউশানা
লৈখি। কুমজা অসিদগী হৌনা "চৌঙশাঙ লাকপা মনিংথৌ লংমাই
নিংথৌ নুঙঙৌ য়ুমথঙবা, চৌঙশাঙ মনীংথৌ ফুনান তেলহৈবা, মকেং
নিংথৌ, খারম নিংথৌ, মোম্বী নিংথৌ, চশাং নিংথৌ, মরিং নিংথৌ,
চোথে নিংথৌ, থয়োং নিংথৌ, মপাও নিংথৌ, তয়াং নিংথৌ" অসিন-
চিংবা হাপ্পুন্না লোইবী চৌঙশাঙ অকোয়বগী লম্বু শীন্নবা হৌখরে।

<u>মেরা হাওচোঙবা হৌবা</u>

মৈদৌঙঙু নোংদা লাইরেল পাখংবগী চহি কুমশীং ১৪৫, খৃঃ গী চহি
১৫১ শুবা কুমগী মনুঙ লোইদাম মেরা থাগী ১৫ নি পানবা থানিল
শগোলশেন হুমিত্তা নোংপোক চৌঙ্খৈ অশিরোই চৌঙশাঙদগী চৌঙমী
থাঙরায়জাওনা লুচিংহুনা কাংলুপ অমা কংলৈদা খোঙ্গারক্তুনা নোংদা
লাইরেল পাখংববু থৌগল্লে। পাখংবনা পাউহংবদা "ঐখোয়দি মমাঙ
কুমজাদা হৌ কংলৈ লম্ম হন্দা লৈঙল্লম্বনি। খোইয়ুম উমং লাইশিংগী
নমথেক-নমজানবদা অশিরোই চৌঙশাঙদা শানকমবু কোইজাইননা
তাহুনা লৈবনি" হায়না পাউথুম্মী। অতুদা পাখংবনা- "অদুদি
চৌঙ লমদা তাংহুনা লৈরহু। নঙগী নঙগী লৈফমদা লৈঙল্লো" হায়বীরক্রে।
অতুদা থাঙরায়জাওনা হায়জে—"ননাই ঐখোয়দি তমদা লৈবদি
রাঙল্লনি, কুমজা থুদিংগী ঈশিং ঈচাও থুম্বম্ন তানফংদরবা চৌঙলম

অতোঙবদা অশুম মরৈজরগে । মৈদীঙগুবু সনা থৌগঙনিংহুনা মনা-মথূম পামজবসু থৌনিজগে লাকচবনি। ঐখোয় কংলৈ ফম্বগী শাকোই-শাদম্বা খুৎলোলবু মশুম হুংশাংনা কাউনরে। থুলোলবু শাদম্না অশৈ খোলফাং শৈরাউনা মপূ নঙগী থৌগলবু তানকংজগে লাকচবনি।”

মৈদীঙগু পিবানা মপূক হরাও তয়াম্না মৈতৈ য়েলূপ পুম্ববু পাউজেন্না কৌহুনা কংলৈ পুঙমা য়য়োন্দা মযুম পিবা মরীনা লুচিংনা খোইযুম পুম্বসু য়াকারক্নুনা মৈতৈ মযুম লূপকী ফমদৌ পুম্বা মফম্নাং-দা ফমহুনা য়েংংদবগী লৈরে। অশিরোই চৌঙশাঙদা পানফবা থাঙ-রায়জাওনা লুচিংহুনা পাউশা লীরোল শৈশক্না খুঞ্জাও লৈচাওনবা হায়বগী শকোয়-শাদম্বা ওইনা মপুথৌ লাংলোই লাইগী লৈরোল-নোংলোল ফকশা-লীশাবু শাকোয়-শাদম্না কংলৈ পিবাগী থৌগলবু পাউশা শৈশকপা হোরে; “হৈয়িলে, হয়ালে—অম্‌ হয়ালে॥ হৌ হাং হৌ, হৌ হাং হৌ,হৌ হাং হৌ, হৌ হাং হৌ, হৌ হাং হৌ॥ হয়ি হয়ালে—অম্‌ হয়ালে, হয়ানগেদা হৌ॥ রাকোল্লো —রাকোল্লো, চৌঙদগী রাকোন্না তমদা তাগে হায়ঙম্লে॥ রাকোন্না কাপ্পা লীকাপ্প', রাকোল কপনোয় নেয় ॥ রাইমু-ও, রাইমু-ও তমদগী রাইমুনা, চৌঙদা কাগে হায়ঙম্লে; তমগী রাইমু পূকফবা, রাইমু নেম নেম নেম ॥ হৌ হাং হৌ, হয়ানগেদা হৌ, হৌ হাং হৌ॥ হা উং হুং, উরু রুরু, রুরু, রুরু, রু ॥” পাউশা শৈশকখোলবু তাবদা মৈদীঙগু নোংদা লাইরেল পাখংবগী মপূকপু হুংশি হুংওন লাংখিহুনা- খুম্হোক লৈশেমঙৈগী মরম্বু লোংশিংলুহুনা রায়েল কুচু শাঙদা য়ান্দুনা থমলিবা “লুরেল লূতীন

ফি-রোল লাইয়ুম নমথাঙ”বু লৌথোক্‌না “থাঙরায়জাও! কংলৈ পিবা পাখংবা ঐগী লৈহৌ ফি-রোল লাইয়ূম নমথাঙ অসি মনা ফি-রোল ওইনা কোরৌ ঙসিদগী নখোয়গীদমক কংলৈ পিবা ঐনা পাৱবনি” হায়না পীনরে।

খাঙলী লাইয়ূম নিবা তাংখুল মিংছনবা

থাঙরায়জাওনা— “ময়ূম পুম্বগী নোংদম পিবানা নোংদম্বীহুনা লাইয়ুম নমথাঙদি ফংজরে। অদুবু ফি-রোন্দি শুনা ফংজগে। লাই-য়িংথৌ অশীবনা মালেম লৈথোলঙৈদা শেৎলমখিবা ‘খাঙকোই-থাঙলী লাইয়ূম’ অহুগা পীনবীবা নোংদম্বীয়া ঈপুথৌগী থৌঙম্বু থৌ-কাউদনা থৌপুজবা ওইঙম্না খাঙলী লাইয়ুম্বু লীথুপ শেৎনা কংলৈ সনা লৈপাক্কী লৈথোল-লৈতৌববু ঈথৌ-ইঙম ওইহুনা লোইবী চীঙশাঙ অকোবদা পনশানা নথৌ-নঙম্বু পুহনা ননাই ঐখোয় পানজগে।”

মৈদীংঙু পাখংবা পিবানা নোংদম্নকই,—“নয়ুম কংলৈ লম্ম-হন্দা হঞ্জিল্লরোয়; লোইবী চীঙশাঙ অকোয়বদা লৈঙম্লগে। ঈশিং ঈচাও খুদিংগী য়ুমহোঙ-কৈহোংবসি রাঙম্লে। অহু নোংগী-দমক্তা নয়ুম কংলৈ লম্ম-হনববু হুনদোক্‌না অতোঙবা লম্বু থিহুনা লোইবী চীঙ-শাঙদা মীগী মথৌ-মঙম চেংলৈ য়ুমগী চীঙদা কাদুনা পাম য়ান্দুনা পানববু নখোয় পুম্বনা শিন্তাংহুনা লৈখিবা মরম অসিবু কাউদনবা থৌবু-থৌঙম ওইনা নখোয় থৈবীক অসিগী নমীংবু পাখংবা ঐনা ‘তাংখুল হাও’ হায়না ঙসি কোরৌদা কৌরগে। নখোয় পুম্বনা পামজবা নোংদম্বা ঈপুথৌগী মালেম লৈথোল ‘খাঙলী লাইয়ুম’ অসিবু

১। লাইয়ুম নথাঙ— লাইরূম নমথ ঙ

পাখংবা ঐনম্বু থরায়না তাজবা চৈরৈ খাঙশেং-খাঙলী ওইনা পুরুম লৈপায়না থমজবনি। অত্থবু তাংখুল নখোয় খৈবীক্লা কাউগ্রবা খুম্বোক লৈশেম লীশা-খোইশা ফকশা মরম্বু ঙসি কোরৌদা নৌনা নীংশীংহল্লবা অসিদা পিবাগী পেনবা কৌবদা লৈঙমদে। ফি-রোল খাঙশেং, লাইয়ুম খাঙলী অসিগা কোন্নহুনা পাউশা অসিগা লৈহল্লগে। চঙশীল্লকউ পাখংবা ঐগী তাংখুল অয়াম্বা পামজবা ফি-রোলসে লৌখরো।" হায়দুনা "কংলৈ সনা পুঙমায়য়োল, চীঙনা কোয়না পনশাবদি, হাওনা কোয়না পনঙাল্লী। নোংদম্বনা মউ থাবদি, লাই-য়িংথৌ অশিবনা থাবনি। অউন ফি-রোল তমজবনা, থৌদাবু নোংদম থৌপুনা, পাখংবা ঐনা তমজখি।" পাউশানা খাংলী লাইয়ুম্বু পীখরে। চৈরৈ ফি-রোলবু তানফংলবদা তাংখুল থঙরায়জাওনা লাইয়ুম খাঙলীবু শেংলগা, লাইয়ুম লূতীন নমথাঙবু লেংফাই খাউওন্নহুনা লুচিংলগা মপুক হরাও-তয়াম্না পাউশা লীরোল শৈশক্লা মৈদীঙঙু কংলৈ পিবাবু পুরুম থৌনিরকয়ে—"পোক্টরৈ মৈতৈ লৈময়োল, কংলৈ সনা পুঙমায়য়োল, লৈপাক নোংথৌ তুবদা, সনা থম্বাল শাংলিবা, সনাগী থম্বাল মথক্তা, ময়ুম মঙাং কংলৈ পিবানা, সনা ফম্বাল লাংহুনা, লৈপাক্কী হুংঙাই-য়াইফ নোংদম্বীববু, পিবা মরাক শামফদে॥ চীঙনা কোয়না পনশাবা, হাওনা কোয়না পনঙাকচৈ মপু নঙগী-দমক্তা, চীঙগী চেংলৈ হাওবনি। অয়োল অরাল অপুম্বা, নখোঙ থানা ঙাকপীবা, নোংদম থৌজাল তাবীববু, ফিগাও শানা নিজগে, পীনবীয়ো থৌজাল থোইবা॥ হৈ—হো, ও ও ও ও ও হয়ানসিদা॥" শৈরাউ শৈদম্না পায়নহুনা মপুক লূতীন থাঙম্না তাংখুল

খাঙ্‌রায়জাওনা লুচিংবা কাওবু নোংপোক লৈথম অশিরোই মরাল মথুল্লা হনখিরে।

মত্তৌ অসুম ভৌছনা মৈদীঙঙ্ মোংদা লাইরেল পাখংবগী মমাঙ "হরি চক, হয়া চক, খুম্বং চক্কসু" নিংথৌ কয়ামুক পাখি হায়না অতুগা হৌজিক ঐখোয়না খঙনরিবা "হাও" হায়নসু কৌনরম্লিবা চীঙমীশিংগা তমদা লৈরিবা তম্মীশিং (মৈতৈ) গা য়েলহৌ-ভৈদগী হৌরক-শাংলকফসু অমতদগী ওইরকপা, অমতা ওইরম্বা, য়েক-শল্লাইদা অমদি শককম্নচিংবসু শকমান্নরিবা মরম্না মতম কুইনা শাংনদগী হৌনা ওসি ফাওবা তৎন-থানরক্তনা অমতা ওইনা কয়াদা লোয়নমিন্নতুনা লৈমিন্নরক্লী। মসিবু মথক্কী রারী লীথুনসিদগী অসুম্না অসুম অসুম ওল্লকখি, ওইরি হায়বসি "বংলৈ শঙলেল পুবা" পুয়াদগী কংজববু শল্লপ্লা খরদঙ্ পঞ্জরিবনি।

পঞ্জরিবা—

মনিজাও

সন্দ্রেম্বী চাইশ্রা

---:[0]:---

লুবাং তিংগোই ওম্বনা পানবা

ইহান হানবা [১]"হয়ি চকী" মতমদা নিংথৌ কয়া পাল্লম্লগা হৌখরে। অম্মুম্না অনীশুবা [২]"হয়া চক" স্তু লোইখিরবদা, মথঙ [৩]"খুনুং চক" হায়না কৌবা অহুম শুবা চক অসিগী মনূঙদা "কংলৈ হুংনাংপান" কৌবা লৈপাক অসিদা নিংথৌ মরোল কয়ামুক মথক্তা হান্না পানগ্রবা মতূঙদা, "লুরাং তিংগোই ওম্বা" কৌবা মতীক মথৌনা হক্কা লৈরবা নিংথৌ অম-মুক "মোইরাম চনু লাইরৈমা" কৌবী ঈবেম্মা অমগা পান্ন-ছুনা "কংলৈ পুঙমায়য়োল কৌবা [৪]য়েক মচু তরেংকী পোকল্লেল শাংফম খুবম্মু পুহুনা, শঙদুনা লৈপাকী মপী-মপা শকপা [৫]পিবা ওইনা লৈপাক

১। হয়ি চক=ইহান হানবা অহৌবা চক (সত্য যুগ)।

২। হয়া চক=অনীশুবা চক (ত্রেতা)।

৩। খুনুং চক=অহুম চক (দ্বাপর যুগ)।

৪। য়েক মচু তরেং=অঙোমদি অঙোম; ঙাংঙ্ব্রা-নবদি মঙাং; ঙাঙনা খাউথাংনবদি লুৱাং; মুরৈননা শংদা-নবদি খুমন; খাউনা ঙাঙবদা মুনা লাংবদি মোইরাং; খেমানবা মচুগা সৈচেং অৱাওবা ঙাংঙ্ব্রা-নবদি খাবা-ঙানবা, অৱাওবগা অশঙবদি শরাঙ-লৈশাথেম (চেংলৈ); মচু তরেং অসিবু য়েক মচু তরেং কৌই।

৫। পিব;--নিংথৌ, লৈপাকী লুচিংবা মপী মপা শকপা, মপু ওইবা।

খোনবা, অশোন-অনা, লায়র-অনং, অহন-সমন কয়াবু শকখঙবা; অচাল-মীরায় লৈতবা, মবুক রাখল চেৎপা, তৌফম থোকপা মথৌ-শিংদা মায়রোঙ থৌনা য়াবা, হায়খিবা রাশক্কী মথা পোনবা, লৈপাক্কা য়াবা অমা ওই। মচা নীপা ঙাক্তা নীপান পোক্তুনা য়েকনা-তিংখং লৈতনা, লৈপাক মরা তপ্পা ঈঙনা হুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না পাললকই। মপারী নীপানমক, মপাবুংগী মচৌন-মরা চৎপা, চৎলম লুতীন নাইবা রায়েল ফম্বে ফম্বা "নোংয়ায় চহুই লৈরোং অপাম্বা" কৌবা অমা লৈরম্মী; অঙম্বা অসিদা লীন্নাঙ তেনগী লীকাপ-তেনকাপ, লাক্কা ফানবনচিংবা মখল মথা অয়াম্বশিংবু শুনা তমহল্লী। অঙম্বা অসিনম্তু মপারীশিংবু য়াম্না থরায় হকচাং য়াওনা লীকাপ তেনকাপ্তা য়াম্না চঙখোন্না হৈ-শিংবশিং অমা ওইনবা মানা খঙজবা মখৈদি থাকপা লৈতনা তেংনা তম্বীখিরম্মী। মপারী নীপানমক অঙম্বা অসিগী থৌজালখোন্দগী লীন্নঃ-তেন্দা থোইদোক্নমক লীকাপ-তেন-কাপ্তা য়াম্না চঙখোন্না হৈ-শিংবা, মতীক-মথৌনা লৈবা, অখন্নবা অমমম ওইনহুনা হৌমীন-কামীন্নরিবা মরেং-মমান্নবশিং কয়াগা লাম্বা পানরমবা, শাথেঙনরকপা মতমদা মখোয়না লৈপাক অসিগী অথোয়-মীহেনবা ওইহনা মনীং তম্না লৈনরকই। মপারী নীপান অসিনা চৎলিবা লমচৎ অসিগু মওঙ-মতৌ অমনি। মখোয়শিংবু মহৈ-মশিং তমহনখিবা হুমিত্তগী হৌহনা নোংমা হুমিৎ অমতা মপানা মচাশিংবু অমুক্তশু উনবা ফংখিদে। অয়ুক অঙনবদা অশোঙবা উমং-রামং, চীঙখোঙ-চীঙয়াদা মানা মানা চৎনীংবা লম মায়কৈদা চত্তনা শা তান্দনা লৈনৈ।

পম্বৌ মপা লূরাং তিংগোই ঙম্বনা মচাশিংগী মচৎ-মত্তৌ অসিদা রাখল তৌরকই; “হৌজিক্তি ঈপারীশিংস্থু লোইনা চাউবা লেপ্তুম ফ.নরক্লে। মখোয়শিংনা কোচৎ-চত্তুনা কোয়ৌ হুমিৎ অমতা যূমগী মখাদা লৈতবা সিনদি কাম্নররোয়; মাগী মাগী মযূম লৈফম মশক খঙনা পান্দুনা লৈহল্লগে” হায়না লেপ্লহুনা, নোংমদি মচাশিংনা চৎথোকনদ্রিঙৈ মতমদা মপাবুঙনা অয়ুক ঙন্তানা থে ক্লগা ঙাইহুনা লৈ। মতম অহুদা মচাশিংস্থু লীক্লঙ অমমমণা লোয়ননা মবেঙবান্দা য়ান্দুনা থোরকপা উরে। অহুদা পম্বৌ মপানা হায়লকই; — “ঈচাশা! নখোয় নচীন-ননাওশিং হৌজিক কদায় কদায়দা চৎনগদৌরিবনো? ঙসিদি ঈপা রা অমা হায়গে; ঈপাদি অহনগী মতমস্থু ওইশিললক্লে, ঈপানা পোকপদি নখোয় নচীন-ননাও নীপাননিদো, অহুগা ঈপানা লৈজবদি কংলৈ পুঙমায়য়োল অসির্দনি। হৌজিক্তি নখোয়শিংগু মনুঙ মতম চারে, নযুম খুবম লেপ্পা লোইনা ঙম্নরক্লে। অহুনা নখোয় নচীন-ননাও নীপানগী মায়কৈ নাইনা ঈপানা লম খরা খরা খাইবাহুনা, নঙগী নঙগী লম মশক খঙনা পীনাংলে। ঙসিদি ঈপা-ঈচা পুন্না তারা চামীন-থকমিন্নখিসি” হায়হুনা মচাশিংগা পুন্না চামীন্নখি। চাবা-থকপা লোইরবদা, পম্বৌ মপানা মচাশিংবু ঙমনা কৌশিন্দুনা হায়কই; — “ঈচাশা, নখোয় নচী-ননাও নীপানমক! কোয়ৌ ঙসিদি নখোয় নখোয়শিংগী তোঙান তোঙান্না লৈজনবা লম য়েনথোকপীরম্লগে —পম্বৌ নপা ঐনা। হৌজিক্তি মায়কৈ নীপানমক্তা পারী নখোয় অম-মম্ লেপ্লহুনা, নঙগী নঙগী নথুংস্থু লীরুঙ-তেনশিং পায়হুনা লমদম অরাপ্পদা তন্না

কাপথোক্লখি-ও। নঙনা নঙনা কাপথোক্লখিবদা তেনশিং অহুনা তাখিবা মফম অহুদা নয়ূম শংলেল শাহ্না লংশেন-লমঙাক্ত্না পানবা ঙমনবা তৌজরো” হায়না খঙহল্লবদা; পঙ্গৌ মপাগী ময়াথং তুংইন্না কায়দনা মখোয় মচা নীশানমক মপাগী মংদা মায়কৈ নীপানমক্তা লেপ্লাহুনা মথূৎসু তেনশিংবু মথঙ মথঙ ঙমনমক কাপথোকনখিরম্মী। মনা মনা কাপথোক্লখিবদা তেন্না তাবা মফমশিং অহুদা ময়ুম শঙলেল শাহন্দুনা মপাগী হুংঙাইনবা লমঙাক-লমশেন্দুনা লৈনখি।

মপারী চরৈ অহুন ১। তিংগোই হৈবনা চঙ্খে লীক্লমদা পান্দুনা লৈখি। ২। য়ায়মাবা তিংকোই শুম্বনা নোংপোক লৈহৌ চীঙগী চীঙরাঙমদা লৈখবে। ৩। অতুগা অহূম শুবা মচা তিংকোই তৌবা কৌবনা নোংপোক খা লীক্লম মৈরমলোমদা লৈখি। ৪। মরী শুবা মচা তিংকোই থারৈ ঙম্বনা খা চীঙরাঙমদা পান্দুনা লৈখি। ৫। মঙা শুবা মচা তিংগোই চেকলৈ তাম্বনা মুরাং (মোইরাং) শঙ্গোং চীঙরাঙমদা লৈখরে। ৬। মপারী তরাক শুবা তিংকোই ঙীঙশোয় ঙম্বনা নোংচুপ হারমগী চীঙরামদা পান্দূনা লৈখি। ৭। মপারী তরেৎ শুবা তিংকোই লোকলৌ ঙম্বনা অরাং কৌব্রু লাইগী চীঙ-রাঙমদা লৈখি। ৮ মপারী অতোনবা নীপান শুবা তিংকোই লোরাঙ ঙম্বনা অরাং হারম্ পাংনা তেন কাপখিহুনা অরাং চীঙ রাঙমদা লৈহুনা পানখরে।

লুরাং তিংকোই ঙম্বা পঙ্গৌ মপানা কংলৈ পুঙমায়য়োম্বা য়েক্ল -তিংখং লৈতনা মনীং ঙম্না হুংঙাইনা পান্দুনা মতম হুংশাংনা লৈরক্লবদা, মতুঙ মমৈদদি মচাশিংগী ঈ-পাউ অমতা তারক-

খঙলক্তবা মতম কুইশিল্লক্লহ্না পম্মৌ মপা লুরাং তিংগোই ঙম্বনা ঙম্না মপারীশিংবু কোয়না চৎতুনা মার খোঙগুন লীরুবা থিরুবা মতমদদি—মপারীশিংদি মায়কৈ পুবা মপূক্ল-মথানা চৎপা তুবী লাংওন ওইহ্না লমশেন-তুশেন্দ্না লোইনা লৈনখিরমলে। মচাশিংগী তুবী লাংওন ওনখিবা থৌথোক মতৌ অসিদা পম্মৌ অপোকপা। মপাদি খল্ল-খল্লুগা করি অমুক হায়নীংঙাই তৌনিংঙাই লৈত্রহ্না। থাঙঙমদ্রবা থম্মোয়গী অরা মৈচাকখোল কয়ামুকপু ফংনা ময়ুম কংলৈ মফম্লাংদা হল্লকই। লুরাং তিংকোই ঙম্বদি মচাশিংগী হুংঙাইতবা রাখল্লা পুন্সিগী লাইথুং-লাইমন ফংবা ওইরহ্না অরোয়বা মতমগী পাউজে-লবু রানা চাক্লা ঙাইহ্না মতম খরদঙ লৈরম্লগা, অমুক হন্না [১]মখাদস্থ ঈ তারমদনা থুপখি।

পাখংবনা তুবী লাংওন শান্নবা

লুরাং তিংকোই ঙম্না নিংথৌদি মচাশিংগী রাখল্লা থুম্বৎখিবনা পুন্সি চেঙজেন লোমহ্না থুপখিরবদা; "কংলৈ হুংনাংপান" কৌবা লৈপাক-সিগী মপী মপা শকপা পিবালোল মথঙ অমুক ওইহ্না "কংলৈ পুঙমায়য়োল" কৌবা য়েক মচ তরেৎকী পোকললে শাংফম খুবম্বু শঙবীনবা লেপ্পী-নবা তাইবঙ, খোইয়ুমশিং কনা হন্না অমা

১। মখাদস্থ ঈ তারমদনা—মচা অমুকস্থ পোকক্লমদনা লিখি।

লৈরক্কবা অসি মতম কুইনা শাংনা লৈবাক নিংথৌ পান্দ্রবহনা কাংলকলে। লৈপাক অসিগী রায়েল থৌদা থৌ পুবীনবা মপী মপা শক্লবা পিবানা লৈব্রবা, কাংলবদা থোইদোক্পা অচুম অরাল-অহুই লৈনরক্করে। অকনবশিংনা অশোন-অনাশিংবু তুহৎপিবা, হুরান চীম্ব্বি হেনগৎলকপা, অরা-অনানচিংবা নত্ত-নত্তবা থোথোক কয়ামুক হন্না হন্না ফংলকপা থোকচিল্লক্লবদা কাংথং খুনজাইনহুনা (লৈবাক পানবা য়াদ্রবহুনা) মহৈ মহৈ লৈনরক্লে ।

কোরৌ নোংথৌদা লৈবা মালেম অঙানবগা তীল্লুক ওইরিবা "লৈগুং লোঙ্গা অরীবা সনা কোঞ্জিন তুথোকপা পাখংবা" তাইবঙ পিবা ওইগদৌবনা কংলৈ পিবা ওইবীনবা, শঙবীনবা লৈতে; কাংলে হায়বা উরহুনা—"লৈবাক অসিদা [1]লাংওন অমুক নৌনা শৈহৌহুনা পিবালোল অম-মুক শমথনবা কংলৈদা পাল্লগা, চাদা-নাউদাহুনা [2]ময়ুম চারী লিংনা য়ুমলেপ চায়া থনম্লবা খুজীন থৌরাঙ থৌশীল্লগে" হায়না রাখন্দুনা কোরৌ নোংথৌ অরাঙবদগী মালেম থক্তা খোঙদা খোঙ্সুল্লক্লে। অহুগা নোংপোক কংলৈদা লোইদাম শজীবু থাগী থানিল [3]অহীংগী য়ুথক খানবা কোরৌ লৈবাকপোকপা হুমিহ্না "[4]চীঙলাই নোংদ্রেন পাখংবা" হায়না

১। লাংওন—অনৌবা মপোক অমা শাওনবা (শান্নোনবা)।
২। ময়ুম চারী লিংনা —মচা চাদা-নাউদা থম্বা।
৩। অহীংগী য়ুথক খানবা—অহীং নোংম্নাম চবুক।
৪। চীঙলাই নোংদ্রেন পাখংবা — মাগী শান্নোম্না লাংবু চক্তা লম পুবা লাই ওইহুনা মলকপু মচী চীরোঙ মম্না পন্দুনা উচেকী

কোন্নোয় মিংগৌ থাগৌহুনা লোইবী চীঙশাঙ নোংপোক মায়কৈ অ্‌কোয়্নবদা চহি কুমজা মতম হুংশাংনা কোয়না চৎনা শানহুনা, পান্দুনা লৈররে। মতম অহূদা মাগী মশক মতৌ মওঙ উনবদা, অউবা তাইবঙশিং কনা অমতনা মনাক্তা নকশীন্নবা, চঙশীন্নুবা ঙম্মদে। মাবু অকী তুজুংনবা অমা ওইহুনা মহৈ মহৈ ঙমনা কায়নহুনা চেন্নখিরম্মী। মতম অহূদা লৈবাক অসিদা লৈনরিবা তাইবঙশিংনা অকী-তুজুংনহুনা মহৈ মহৈ মায়কৈ-শন্নাই খঙদনা মনাক্তগী কায়দুনা তৌনরিবা মতৌ-মওঙশিং কয়াবু মহাক্না উরবা, খঙজরবা মতমদা—লৈরিবা মফম অহূবু থাদোক্লম্নগা, অতোপ্পা মফম অমদা হোংখিহুনা অমুকস্তু হন্না খুন্দা লৈতারুই। মফম অহূদস্তু "মশক অসিবু হৌজিক তাইবঙ নমু কনানা তাইনবা ঙমগদগে! মনুঙ মতমস্তু অস্নুক রাৎলিঙৈদা থোরক্লীবা অসিবো!" অস্নুন্না ঙাঙন-শোন্নরহুনা তাইবঙ কনা অমতা মনাক্তা লৈবা ঙম্মদবনা ঙম্না চেন্নরক্লবদা; চীঙলাই নোংদ্রেন পাখংবনা রাখল হন্না অমুক

মতৌওয়া—খোঙহামপাৎ, কৈক্রেদিংখা; হংগেল, য়েংদোপোক্পী জীংগ্রী, লৈকনথবী, পোংশঙবম, নিলকুঠি, মহারাবী, কোনয়ায় পাখংবা কোই। হান্নরিবা মফমশিং অসিদা মনীং মথা ভয়া কোয়না চৎপা লাইনি। মহাক্তি ওক্ল-থেংনরগা মতুঙদস্তু ইমহুনা মচংলি। অরুবা লাইনি, মাবু ওক্লগা মী শিগনী। হৈন্না, শিংনা ঈরাং থৌনিজৌ; লাইচুপ্রবদা পঙনা কোকক্লে। হান্নগা "পাকন লম্নুমা" অমদি "কংলৈ শঙলেন পুন।" পুন্নাদা, মিংথৈরোলগা কোয়না রেক্কনা ম্নাওনী।

তৌরকই—"ঐগী ঈশক ইতৌ অসিদি তাইবঙ নমু কনা অমত-গস্নু লোয়ন-তিন্নহ্নুনা লৈমিন্নবস্নু য়াররোই; য়াবা মশক হায়বহ্নু ওইদরে। অহ্নু ওইববদি মফম অসিদা ঐনা লাক্লম্মী হায়বা খঙনবা মশক অমা থনম্লগে" হায়দুনা মহাক্তগী তৌবা ঙম্বা মশক অমা পুথোক্তুনা থনম্লগা [১]থূপখরে। মহাক্বী থনম্লিবা শাওন অহ্নুনা মতুঙগী লাংব চক্তা লম পুবা "[২]ঈরঙ লাই চীঙলাই পাখংবা নোংদাই পাখংবা" হায়না কৌবা মশক অমা থনম্লগা মফম অমদা লাংওন অমুক হৌখরে।

লোইদাম পোইনু থা মাকমৈ তবা-মঙানি পানবা থানিনগী কোরৌ হুমিং য়ুমশকৈশ হুংথিল পোপ্পা হুনবা মতমদা কংলৈ পুঙমায়য়োন্দা "[৩]চীঙক্রেন সনা নোংদাই সনা পাখংবা" হায়না অমুক কোল্লোয় মিংহুন্দুনা মশক হোংনা অমুক থোরকলে।

১। থূপখরে=মাঙখরে, লৈথিদরে। ২। ঈরঙ লাই চীঙলাই পাখংবা নোংদাই পাখংবা—লাংব-চক্তী মতমদা লম পুবা লাই ওইহ্নুনা লৈ। মানা পুবা লমদি—'ম্লারল পাংখা, কবোক পাং, ফোনংঙ, পোরাবী, শঙম্লঙ, শগোলমাঙ, লম্লাং ভুরেল তুশাঙ, পাংথী-কোমথী কফুং ঈরাঙ লাই পাখংবা নোংদ্রেন পাখংবা কৌএ। ওহ্নোকপা তৌহ্নুনা মনীং তৌনা পাইহ্নুনা চংপা, ওক্ল-থেংনরগা মীশিগল্লি।

৩। চীঙক্রেন সনা নোংদাই সনা পাখংবা—খানা চাউবা তুবী তুশাঙ চীরেল পা-খংবা, চীঙক্রেন সনা নোংদাই সনা" হায়না অমুক মমিং মরী অসিনা লাংওন্দুনা "মিনুথোং, ব্রাক্রম পম্বোং, তাখোক, নোংপোক তুশাঙ, বামোন লৈকায়,

থোবক্লীবা মশক মতৌ মওঙ অতুবুস্থ লৈবিবা তাইবঙ মখৈশিংনা চেক শকউনবা, থেংনবদা, " হা— কবমনো ! কবমনো !! মফম অসিদা অমস্থ অমুক থুংলবে। মনুঙ মতম নত্তনা মফম অসিদা থোবকইদা।" হায়নতুনা কনা অমতা চঙলক্কনা চেন্নখিবা উরবদা; অতুদগী মহাক্লা অমুক থুপ্লতুনা মফম অমদা মপোক অমুক হোংনা হন্না লাংওনথ্রে।

মতুংদা অমুক নোংপোক চীঙশাঙ চীঙগোনশিংদা লৈফম ব কৈ ঙম মুম্বা শেমগত্তুনা মখিংবু " [১]নিংথৌ চীঙলাই পাখংবা কৌনা যথোক্কুনা পাল্লকপা মতমদস্থ ঙঙঙঙ কনা অমতগা লোন্দ খত্তুনা মনাক্তা কনান লৈবত্তপদ, মতুংদা " মশক অমা থনয়্লগে " হায়তুনা তৌ ঙম্লবা মচী চীগোঙ মবা পান্দুনা " [২]নিংথৌ চীঙলাই নোংড্রেন পাথংবা " কৌবা উচেক্তুম্না ওইবা অমা থনম্লগা অমুক থুপখবে। থনাম্লবা অতুনা লম পুবা লাঙ ওইতুনা

ককন্না অসিনচিংবা ঙাগী মশক মওঙ লৌহনা নত্রগা হীযাঙ হীবেলগী মওঙগুম্না মকোক মক কাঙনা মবায লোংনা চংলি হায়তুনা অকোনবা "লাংবা চক" কৌবা অসিদা "লুরাং নিংথৌ" হায়না মিংথোন্দুনা "পাফন লম্বুবা" পুযাদা মশক মচু মমেল অমদি তীনজু লাইচুরবদা তীনকোক লাইকেক্রবনচিংবা নিংলেল মিংথৈবোল অমদি ঈবাৎ থৌনিরোল শুগান্না যাওতুনা তাক্লখা মরম্না [illegible] চক্কী মতম নত্তনা মতুঙগী লাংবা চক্তা লাংওন্দুনা লম পুবা ওইতুনা লৈরি।

[১]নিংথৌ চীঙলাই পাখংবা, [২]চীংলাই নোংড্রেন পাখংবা = হায়রিবা তুবী লাংওন অনী অসিবু "পাফন লম্বুবা" "কংলৈ

লৈহৌরে। অম্ভুম্না মপোক লাংওন মথঙ মথঙ হন্না শায়োনলক্তুনা মতুঙ অমুক কুরুম চীঙগী চীঙবা অনী ফাংনা লোঙথোরকপদা মচী চীরোঙ থোক্তুনা "১সনা চীঙলেল পাখংবা" হায়না কোল্লোয় মিংগৌ-থাগৌনা শায়োন ভগি য়াথোক্তুনা মফম চান্ন নীপান শেন্দতুনা শানরকপা অসিদা মনীং ঈথুং থুংবা লৈখিদরবদা মানা ৱাখল হন্না তৌরকখি— "ঐগী ইন্দক্কী শৈশো অসি তাইবঙ কনানস্মু ঈনাক নকশীন্নকপা ভস্বা অমতা য়াওন্দে। মসিবু করন্না তৌরগা তাইবঙগা নকশীন্নবা য়াগবা! ঐদি তাইবঙগী নিংথৌনি। অদুবু, তাইবঙশিংনদি ঐগী ঈশক উরগা অকী তুজুং ফংনা হন্না হন্না কয়া কায়তুনা চেন্নরী; কান্নদেদনা ঐনা কোয়না লাংওন শান্নবদি খোইমুম লাইশিংগদা তিন্নবা অসিনদি ঈথৌ নত্তে, ঐদু করন্না তৌসিবা!!" হায়তুনা মপুক্লীং ৱানা নুংবংনতুনা লৈখিরম্মী।

শঙলেল পুবা "পুয়াদা লাইশক লাইওঙ য়েক্তুনা মফম অমতদা লৈমিন্নতুনা য়াওরি; লাংশক লাইচৎদি মান্নদে। অনী পুবা চীঙলাই নোংজ্রেন পাখংবনা পুবা লমশিংদ— "অন্দ্রা চীঙগোল, মহা লাই-কোল, ঈথম মোনথৌ, খৌবান তুম্বেল মকু, ঈৱোক-ঈৱেল, ঈকুম ঈরেন" হায়রিবা মায়কৈ অশোমদা লাংবচক্কী মতমদা লম পুবা লাই ওইতুনা লৈখি। ওক্কুরবদি মীত্ত শেন্দম নাদম্মী; চৈনাথোল পীরম্নগা মীচু শিগল্পী। অরুবা মনীং ভস্বা লাইনি। তানকোক লাইকো-রুবসু ওগায়না য়াওবা লাইরিকসিদা খেংনৈ। ১সনা চীঙলেল পাখংবা—মচী চীরোঙ ময়া পান্নগা চীৱাঙ তিরেলগুম লাংবা চকশিদা খুমন শল্লাই ওইতুনা লৈবা লাইনি। ৱানা পুবা লমদি—"চীঙমৈরোঙ

মনাওগী অরাবা মংডা অসি উরতুনা "খোইয়ুম লাইয়িংথৌ অশীবা" লোইদাম থাজগা ভীল্লুক ওইরিবনা মালেমদা খোঙ্যুক্কনা তাকলে—"ঈশানৌ। ননীং নখা পংতম তম্না পানবা য়াদবনি; থোক্লম-লাইদা ঈযাম্বদস্থ তাক্লমদবনীনা, ঈযাম্বনস্থ তাকচৌদরে। থোক্লক্লিবা চেংলৌ শকথোঙ অহুদি [1]তাইবঙ লূতীন য়াবা নত্তে। লৈনুঙ তাউবোইনাশ ত্তোকলেল্ল লিশীং পানবা মাতগী মথপ মবৈনি। অদুবু, থাকথ্রবগীনা ননীং নখা তম্না মানা মানা পানবা মকমদা লম পুবা ওইবতুনা বৈবশুন্দু। নত্তদি তাইবঙ মযুম লুচিবা পিবা ফমথোল চৎং ফম্বা ওইদনা লৈগদৌবা নত্তো মশক অতম্না থোক্নুনা লৈবম্নবদি তাইবঙ নমুশিংগাদি যেক্লবা ওইবা মশক্কী। লাইমিং লাইশোন লাই তাইনগদৌবা ঙমিং মিংনৈবোলঙ নিংথানগদবা ৱার্প। মতুঙ-দা চৌগদবস্থং তাইবঙ নমুশিংগী মপোক অথোয় চংখাম্নবগী নীংপিবা চেংলৌ শকথোংদা নবৈ নপুন্তুনা [2]লাংওন ফাংলম শীল্লগা মথং লেনা শমথনা তাইবঙগা তিন্নগদবা মপোক লাং-ওন্নী। ঈনাওগী মঙীক মঙাল চঙখোৱবা, নীংথীববা চেংলৌ চীঙগোল, লাংগোল, লম্ফেল. ককুং পাং" পুবা লাইনি। মাগী য়াইবীরেল মিংলেন্স মিংথগা কেননা যাওবিবা অমদি ওক্লবলা লাইচুবা পঙনা কোকন্দে, তীনাক কপা যাম্না বায় তাযনা "পাকন লম্বুবা পুযাদা" শন্দোক্লা তাক্কুনা যাওবম্মী- তাইবঙ লূতীন য়াবা নত্তে—তাইবঙ মীগা তিন্নতুনা লৈমিন্নবা য়াবা নত্তে

[2]লাংওন ফাংলম— লিলা, তাইবঙগী অরা-মুংচাইনচিংবা মথল মথা কয়া হন্না তৌতুনা পানবা; কুম্মৈ।

মাযথোঙবু খোন্দানবা খোইসুনা তমজানবা. ওইবনি. মত্ত ঈশানৌনা পুথোক্কনা থোক্কনা লৈবর্বা নফম্নাংদা তাইবত্র পূম্বা হন্না হন্না লৈগনি।" অস্নুন্ন। মশানৌ পাখংবগী মফমদা তাক্লম্নগা কৌবৌ পাংনা হনখি।

তাঙঙা লাংঙন (তাওক্ষ লাংঙন) পাখংবগা পানবা

মযাম্পু খোইয়ুম লাইযিংথৌ অর্মাবগী পাদা মযাখং তু ইং মশানৌ পাখংবনা রাখল তৌবকই,—"এনা নই ল মথে লাংঙন হন্না হন্না পুথোক্কনা তৌবিবা পুম্নমক অসিদ তাইবঙগা লৈমিন্নদুনা তিন্নবা যাবা মশক অমতা ৎলমদরেদনা. অবেম্বা লাং ওন শান্নদুনা থুমুংচক্কী মতম হৌজনথবেদকো" হায়না নীঙমদনা শেন্দুনা মফম অতুদগী মশাগী হান্নগী তাঙলবা লেঙলা পাখিবা পূম্ববু শুন্মাংনবা ওইববা চেংলো মশকপু অমুক হঞ্জন্না থোকলক্কনা কুকম চাংগী চীঙলেল নাপোম তবা-মাথোই শুনা ফংবিবা. অরাং ঈরোক তবা-নীথোযনা কোনবা চীঙলাযপবপু পাংনা খুংগু খু লাযগা লোযনদুনা মফম অতুদগী কোরৌ থক্কা খোঙগাখ্রে। মতুগী মবমগীদমক থোক্লমদুনা লৈরম্বা মফম অতুবু "চীঙমৈ হাইথবা মপা (=চীঙমৈ লোম্বা)" হাযনা কোম্লোয় মিংগৌ থাগৌন্দুনা থঙনখি।

কুমদম নোং-হৌবকপগী মরক্কা নোংথাং লৈমনা মায়কৈ শুদাই থক-খা তরামক্কা শীম্ন থুনা শান্নবগী মতৌ মওঙগুম মহাক্কী মতৌক

মঙ তুনা মায়কৈ শীয়া ভাল্লহনা শা-লাওথোল, লাল-লাউখোয়া কোয়ৌ নোং খোংবগী মতৌগুম। হৌ লাউনা লাউরক্লুনা, চীঙগী চীঙলাইপক মতা ফবা অহুদা কংলৈ থেল অমা শেমহনা লৈখি। মায়কৈ শীয়া, পুমমম-মমমগা ঈঙ্কা কুমদম, ঈঙেল কুমথাই নোংগুম থেক-লাউরগদগী মায়কৈ শয়াই শীয়া অমুক ঈঙাল ভাল্লহনা লোইবী চীঙদোলথক মতা ফবদা লৈরক্লবদা, তাইবঙ নমু পুম্বনা মঙাম্বু উজবদা, লোইবী চীঙদোল অয়াঙবা তম্মা "করি মশকপু ওইরিগবা শকথঙলী, য়েংহৌসি!" হায়নহনা লোইবী চীঙথক তম্মা খোঙগা-নাখ।

নো দারেল (= অঙোম), চিঙ্গিরেল (= ঙানবা), য়াংঙাংলেল (= লুয়া), মুয়াংবা (= মোইরাং), শয়িরেল (= খাবা), সেম্মহনবা (= খুমন), মখোয় তরূক অসিনা লুচিংহনা মাগী মাগী শাকৈ লুপকা লোয়নহনা তম্মা মফম অহুদা থুংলরে। থুংলরিবা মখোয় পুম্নমক্না হায়খি— "কংলৈ পুঙমায়য়োল ফমহনা ঐখোয় ময়ুম অরেংপু শেম্বীনবা তাঙলবা মতমদা কুকুম চীঙয়াঙ থক অসিদা খোক্রক্রিবা অসিবো তাইবঙ শেম্বা লাক্লীববা ?"

পাখংবনা পাউখুম্মী—"ময়ুম তরূকী তাইবঙশিংগা লৈমিন্নিংহনা কংলৈ অসিদা ঐনা লাকপনি।" হায়বা অসি তাবদা, তাইবঙ মথৈনা মদুক হরাউ নুংঙাইহনহনা হায়জে,— "ঈবুঙঙো। নঙনা ঐখোয় খ্বায়বু নাউকোনবীনবা লৈক্রবা, তাঙলবা মতম অসিদা

*** "শল্লাই লারৈ লাথুপ" কৌবা পুয়ানচিংবদা য়েক অরেং হায়রগা 'অঙোম মঙাং, খুমন, মোইবাং, খাব ঙানবা, শল্লাং-লৈশাংথেম' ... অশুম্বা থোংনৈ। অদুবু লাইরিক অসিগী লমায়সিদদি য়েকী

মফম অসিদা থোকপীরক্কুনা তাইবঙবু চঁকোন-নাউকেংনবীরবা অসিবু কাউদবা ওইনবা, ঐখোয় খায়ন। ঈবুঙো নওগী মিংবু "১তাঙঙা লাংওন পাখংবা" হায়না কোল্লোয়জগে। থোকপীরক্কীবা কংলৈ মুংনাং-পান কৌবা মফম অসিবুনা 'কুরুম কংলৈ পুংম'য়েয়োল' কোল্লোয় মিংগৌরসি— কোরৌ •সিদগী।" হায়না কোলায় মিংহুন্দুনা মফম অসিদা কংলৈ থেল অমা শেমহুনা মতম মুংশাংনা পাননবা হৌরে। মতুঙ মতম খরা লৈরক্লবদা ময়ুম ‑রক্কী লুচিংবা পিবা মখোয় তরাক্লা মফম বয়াদা কোংনা ... ইবেম অমা থিরকপদা. চীংখোঙ ...য়াদা শাম্নহুনা "লাইয়েক লাইপাং চনু, ... খা লাংওন

মমিং মথাদা "খাবনা" অমা "ভানবা" য়েক্লা অমা তোপ্পা তোপ্পা লৈরি। "কংলৈ শঙলেল পুবা" পুয়াগী মনুঙদা "খাব-ভানবা" অনিনা য়েক অমতা ওইনা পুন্নখিবগী মরমদি -"খাবা, ভানবা" অনীগী ময়ুম পিবানা চনু মৌ থিবদা নামুংবা মৌ লৌবদগী য়ুম অনীনা য়ুম অমদা লেপখিবনা লাইরকচন য়ুম মশাং রাংলে। পিবা নাউদাদি অঙোয়া ...রে। ময়ুম তরেং শুনবা নোংমাই রারোক নিংথৌদা শিনখি। ময়ুম ৭না খল্লগা নৌনা শেম শারবা লাইরকচনগী ... হৌনবা মিংহুনবু "শরাং লৈশাংথেম" হায়ন লেপখিবনি হায়হুনা য়াওরি। ১। তাঙঙা লাংওন পাখংবা — তাঙজ লোলাং (লিলা) পাখংবা, লৈহুং কোনচিরেল পাখংবা. হায়হুনস্থ "পাখংবা কাংথোক-লোল" কৌবা অমদি "লীশঙমুংশাফবী" "ইরেংবা পুরারী" অসিনচিংবা পুয়াশিংদা য়াওরম্মী। অহুবু ময়ম করিদগী মমিং-মথা থোনখিবনো হায়বদি অতৈ-অরীবা লাইরিকশিংদস্থ থেংনমি।

পিবোল য়াম্বী, কুমজা খুদীংগী শায়োনবী, কুমদম নোংগুম্ব ঈগৌ ঈরাওবী" না কোন্নায় মিংহুনবু "থদোল লৈমা" কৌএ। হাযনা লাইবেম্বী পুক্শ্রিখোম্বী, অঙাইবী, থোংভাইবী, থীংবাবোইখোম্বী, কোংতিং লৈমা, চেঙলৈমা, য়ুচেংলৈমা তবেৎমক্কা লোয়ননা শাম্নহুনা, লৈ ম্বদগী মখোয়না লাকপা মতমদা, লাইবেম্বী তবেৎমবু চীনগোম্ব পাইমেন্নহুনা লোইবী চীঙগোল খুদিংদা থাখিহুনা, ঈবেম্মা মহাক্কা মকম অদুদা লৈহৌহুনা ময়ুম লুহোংবা তক্কা রাঙাঙনহুনা, কুরুম কংলৈদা পুবক্লগা তাঙডা লাংওন পাখংবগী মফমদা কৎখি।

ক্ষ্মাল কংলৈ হৌগৎপা

[1]ময়ুম লুচিংবা তক্কী লাইবকচন হৈ-শিংলবা রাংডংলেম্না লেপ্বা লাইবকচন রাবী লীহুনা তাহনবদগী, পাখংবনা হায় "কংলৈ কুংনাংপান" কৌবা লৈপাক অসিগী কোল্লোয মিংদি মতম থন্না মফম চুসিদা এনা থোবক্তুনা পান্নম্মী হাযবা নীংশিনবগীদমক "কুরুম পুঙমাযখোল" হাযনা কোল্লোয মিংগৌরসি। পিবা ক্ষ্মাল তোংক্মদি হোংহৈদবা ময়ুম তবেৎকী পোকলেল শাংকম ওইবনিনা, কম্বালবু কংলৈ পুঙমায়যোন্দা তোংহুনা ঐগী ঈযুম শঙলেলস্থু মফম অছুদা শেম্নসি" হাযদুনা শঙলেম্নচিংবা ওম্না শেমখি। কংলৈ পুঙমায়য়োন্দা

১। লাইরকচন = খোইযুম লাইশিংগী মবক্তা চনবা.. লাইরমলেল।

হোংগন্দুনা ময়ুম তককী লুচিংবা মোংদাবেল, চাউযিরেল, রাংভাং-লোল, মুরাংবা, শয়িরেল, শেম্মহনবা অসিবু ময়ুম তককী পিবা হাপ্পুনা, পিবা তককা ঈরু-মায়তা, লাইজ ঈশিং ঈইদুনা "তাওবা লাংওন পাথংবা, লাইয়েক লাইখোং চনু থাজোল লৈমা" অনীবু ঈরু মায়তা-বীব্রগা, লৈপাক মীয়াম, অওম-অথৌ কম্মাইবা, ফমদৌ হুম্ফু-মরীমক য়াওনা চোঙ শেকপিন থান্দুনা, পোংলোয়-শমপোং শেংতুনা লোইদাম কাঙ্লেল থাগী কোয়ৌ শগোলশেল মুমিংকি মুংথিন পোপ্তা হুনবা মতমদা, কংলৈ পুংমায়য়োল ময়ুম তরেংকি পোক্রুফম খুবম্ভু শিন্নতুনা পিবা ফমথোল তরেং থোংবী হাপ্পুনা, লৈপাক নোংথৌ তুবা উয়ুঙ খক্তা সনা ফম্বাল লাংলে। লৈপাকা কোন্নোয মিংলেনবু "কুকম পুঙ মায়য়োল সনা লীক্লায তকুপ তবেংবা, তাওবা লাংওন পাথ'বা" কৌনা কোন্নোয় মিংতল তমলে। ঈবেম্মগী মিংলেননা "হমে'ইচু লৈম্নায় লাং-ও থৌম্লাঙ থৌশীনবী, লুবেল লাইজাও চিনবী, নৌথেং লাংওন শাফবী, লাইরৈমা থাদোল লৈমা অন্নাগ কংদবী" হায়না কোয়েল য় মিংহুম্না নাউথেম শৈশক্কা লাইকা-লাইকুম তৌদুনা শঙলেন্দা লোক্লশীন্দুনা লৈখি।

মপারিগী চংলম

মৈতৈশিংনু পিবা তাওবা লাংওন পাথংবনা কুকম পুঙমায়য়োল কৌবা লৈপাক অসিদা য়েক-তিংখং লৈতনা চহি মতম মুংশাংনা লৈপাকী মপী-মপা শক্কুনা যাইফ-মুংঙাইনা পাল্লক্লে। মতম অ'ফদা

ঈবেম্মা থাদোল লৈমা লৈপাক্কী মমা ওইবানু মবুঙেঙো। বাগী নোংদমদগী খোযঞ্জিখা মিহুল তমখি। ঈবেম্মনা খোঙঞ্জী মিহুল লাংহুনা হৈবাঙ মশী' পনখিবা কোবো নোংদম নোংমগী হৌজিনখিবা মতম্ম খঙহৌদে; কোবো শীংবুম চহমনি, লোইদাম থাবুম তন্না মপুড ফাবক্কুনা মকুম মথা শুবক্লবদা, অমাইবা, অনাইবীশিগা লোয়ননা ব্লাংগোল শঙগুমহনা মপাবী অনা নৌনা শাৎলক্কুনা কংজবে। নাউরা কোল্লোয মমিংবু "কুপাত্রং' হাযনা থোল্লি। মচা ঈবুঙেঙা অসিনা নোংম-নাংমগী মতমবু খঙহৌদে, অশুম হেনগৎলকপনা লেপ্পা কোযনা চৎলকপদগী পুংকক্লা চাউবক্লবা মতমদা মপাবীগী পুকচেল খোযজেন যাম্না ঈঙ-তপ্পা মীযোক-মীচান থজবা, মান্নুণি লৈবা অমা ওই। নাউবা অঙাং অসিনা তৌথোবকপা মওং মতৌ ফজবা কযাবু শক উবদা মীপূম খুদীংমক্লা হুংশি, যাম্না লূনা চান্না তৌহনা অপেনবা কয়া ওইনৈ। মচা ইবুঙেঙা কুপত্রেংনা পোকপা মতঙ কুমজা খবা লৈবগা অমুকস্তু ঈবেম্মা থাদোল লৈমা, মবুঙেঙা পিবাগী নোংদমদগী খোযঞ্জী মিহুল তমখিহনা লোইদাম থাবুম তবা হায কুম থা শুবক্লবদা বাংগোল শঙগুম্নগা মপাবী অমস্তু পোকলক্কুনা নৌনা কংজবে মচা ঈবঙেঙা অসিগী মমিংবু 'সেন্দ্রেং মনিক" থেল্লি। মপাবা নাউব্রা অসিনা হেক পোক্লকপগা চীগৎলক্কুনা লেপ্পা কোযচৎ চৎলি। মচা ঈবুঙেঙা অসি তৌথোবকপা মওং মতৌ অসিবু থোইদোক্লা অঙকপা চৎলম অমনি। মহাক্কী নাক্তা লৈবা মীপূম খুদীংমকপু মুন্না মুন্না য়েংলম্মী অদুগা মীহুদা চোংখৎল-চোংখৎলহনা ঙকপমদা হেক হেক কোল্লগা মাদুগী

মরায়বকপু মচীন্না লাম্ব-লাম্বহুনা চুপলম্নগা পল্লেম মমা লৈমগী ফৈরা তাঞ্জীন থক্তা অমুক হন্না চঙশীন্নক্কুনা হবাউ মুংঙাই মথোয় কা নোক-খেনা শান্নরহুনা খোল্লাং মাযয়োক্লহুনা লৈখি। মচা ঈবুঙেঙা সেন্দ্রেং মনিক্সা নোংমা মোংমগী খঙহৌদনা পুংকক চাউরক্লবদা মাগা হৌমীন-শাংমীন্নবা মরেং মমান্নবশিং খ্বাযগা লোযননা তিন্নহুনা শান্ন-মিন্নরবস্থ খ্বান্নগী মীকোক থোংনা লুচিংবা অমা ওইহুনা লৈবকই। অস্থুম তৌহুনা মপান্নী চৈরৈ অহনগী চৎলম অসিগু থোইনা অঙকপা অমনি। কুপত্রেং হায়বা মচা নিপা অহন অসিনা মগা হৌমীন কামীন্নবা মমান্নবশিংগা কোয়না চত্তুনা মকম কযাদা শান্ন-খোৎন মিনকরবস্থ শান্নবা লোগববগা হঞ্জল্লকপা মযুম পিবা লুচিংব শিংগা, পল্থৌ মপা ঈবুঙেঙা (তাঙডা লাংওন পাখংব) গা লৈপাক ব্লায়েল কুচু শঙদা কমহুনা [1]লাইবকচন লুতীন অমদি লৈপাক ঙাক লোল ব্লাযেল থৌদা-থৌবুবগী [2]চৎলম লুতীননচিংবা হীবম কয়াদা ঙাঙনা শান্নহুনা লৈরম্মী। মতম অসিদা হেক হেক মপাবীবু হঞ্জল লক্তুনা মপাবুঙ নাক্তা ফম্নবহুনা কুপ্পা ঙাঙনবম্নীবা ব্লাবম পুন্না মপুক ব্লাখল অনী লোঙদনা লৈচং-লৈতানা তাশন্দুনা অকাওবা লৈতনা ব্লাকমহুদা হন্না-হন্না পথনা নীংশিংহুনা মবম অসিদা কবি লৈবগে হায়হুনা অহীং চুপ্পা ব্লাখল তৌহুনা লৈবনা মহাক্কী মথৌ-মঙম ওইনা লৈ।

১। লাইরকচন লুতীন— লাই হাক্তগী হৌহুনা ঈপানা ঈপুনা পরিং-পথাপ নাইনা কায়দনা চৎন-তৌনবক্লবা লাইরমলেন্দা তিনবা।
২। চৎলম লুতীন— লৈপাক খ্বায়গী অকক্লনা চৎনবী ব্লায়েন পথাপ; চংনকম থোকপা হৌন-চংনবী, আইন।

মপাৱী চঠৈ অতোনবা সেন্দ্রেং মনিক্লা মুংথিল চুপ্পা মমান্নবশিংগা মকম কন্নাদা চত্তুনা শান্নমিন্নরুবনম্ভু মানা হৃজিল্লকপা মতমদা অঙম্ব-শিংনা ৱা-খন্নবা. ঙাঙন-শানরম্বা লোইহনা মযুম মযুমদা কৃম্নপ্রবা মতমদা, ৱায়েন কুচু শঙদা পম্বৌ মপাগী কম্বাল তাঙবন খুদাবু খুরুমহনা মরায়বক কৎলগা, মথক্তা ৱাংলেল ঙহাক কমহনা শঙলেলগী অকোয়বদা য়েংলম্নগা মযুম শঙগায়দা চঙলকপা অসি কোৱৌ মুমিৎ খুদীংগী অমুক্তা তোকপা লৈতে। মপাৱী অহন কুপত্রেংগা, সেন্দ্রেং মনিকা মচীন-মনাও অনীগী চৎলম অসিবু পম্বৌ মপাবুঙ তাঙঙা লাংওন পাখংবনা খঙল-উরহনা, কোৱৌ মুমিৎ খুদীংগী য়েংল-য়েংলহনা মচা অনীগী চৎলমগী-নমক্তা মবুক হন্নাউ মুংঙাই মথোয় কানা, অৱা পোথাকম ওইনা ৱাখল কয়া তৌহনা লৈথি।

মপাৱী কোম্নোয় মিংম্বুল তম্বা

নোংমা কোৱৌ অমদি লৈপাক্কী অঙম্বশিংগা থৌদা ৱ'ৱেল কুচু শঙদা মৈতীভঙ্ পিবা (তাঙঙা লাংওন পাখংবা) গা মুংঙাইবা ৱাকম মতাঙ অমা পুথোক্তুনা হীরম অহুদা কয়ামুক থোক্লা অক-কত্তা নৈনরকপদা মতম খরা শাংনা কমথখি। মতম অহুদা মপাৱী ঈবুঙঙো চঠৈত্তোন সেন্দ্রেং মনিকম্ভু কোয়থোক্লবদগী হনজল্লকপা মতম ওইরহনা হনজল্লকপদা ৱাৱী-ৱাতায় শান্নবহু লোইনরমদ্রি। মহুদা

রাম্বী অহু ঙহাক তাদুনা ময়াম্না কূম্নখিবা ঙাইহুনা অহুম লৈরে। য়াকম মতাও অহুদা মতম অহু খরা থেংদোকখিবদগী মপাবূঙ কংলৈ পিবানা— "অঙম্বশিং ময়াম পূম্নমক! মতম অসি ঙসিদি খরা থেঙ-দোকখরে; ঙসিদি চাক চাখরো" হায়দুনা অঙম্বশিংবু খাম্মী চাক লোইহুনা চানগদবগী ময়ামস্থু ঈলাঙ-লাঙনরক্লে। চাকফমদা চ: থক্কদবগী মথঙ মনাও নাইনা লেংহুনা ফমথনরক্লে। মতম অহুদা মৈতৈ ঙঙ্গূ পিবাদি মপারী চরৈ অতোনশা সেন্দ্রেং মনিকপুদি কাউথোক্কুনা থিহৌদ্রে। মপাবূঙনা য়েংথোরকপা মতমদা মপারী অহন কুপত্রেংবুদি মাগী নাক্তা ফমদুনা চাদুনা লৈ। অহুবু, সেন্দ্রেং মনিকপুদি চাফমদা লৈবা উবা ফংদে; মহুদা মুংশা থীদুনা— "অঙম্বশা! ঈপারী চরৈ অতোনবা সেন্দ্রেং মনিকপুদি খ্বায়না চান-থক্করিবসিদা য়াওবা উদে মফম কদায়দা ঈচাহুবু লৈত্রবনো— ময়াম্থু খঙ-উনহৌবরা?" হায়না হংলকপদা অঙম্বশিং ময়ামস্থু মহে-মহে মিপাই-নহুনা "হীঃ করিনোনে, হায়বীখিবা অসিবো!" হায়দুনা কোয়থী-থিনখি মহাক্তু ময়াম্না চাবা মতমদা মাবুদি খক থিবীদে, হংবী-লাকপীবা লৈতে হায়দুনা মবুক্তা শাউহুনা মপাল-লাংদা থোকথ্রগা পন্থো মপাবূঙগী তাঙবন-থক্তা চাক ওইনহুনা তুমহুনা লৈথোকখরে।

ময়াম্না সেন্দ্রেং মনিকপু থিবা মথৈ কোয়থী থিরবা মতূঙ মমৈথঙদদি পন্থো মপানা মাগী হৌথিবা চৎলম নীংশিংলক্কুনা রায়েন শঙদা চঙলগা য়েংলবা মতমদদি তূনখুন তান্দুনা লৈরমলে। মতম অদূদা অঙম্বশিং ময়ামগী মফমদা হায়রকখি— "য়েংবীয়ুদো অঙম্বশা! ঈচা অসিগী মানা তৌরিবা চৎলমদি অসিনিদো! ঙসিদা

নক্তনা কোরৌ হুমিং থৰ্দাংগী মক্ম অসিদা মানা অমুক্তা য়ৌদনা তোক্লে। ঙসিদি অঙম্বা নখোয় খ্বায়গী মাঙদা পারী ঈচাগী কোল্লোয় মমিং থোল্লগে— তাগৌবো ; ঈপাবী অসিনা নিংথৌ ঐগী ‘খুবম, পোৎলায শমলোৎ’ অসিদু মথ্য়ায ত্থানা, য়াম্না পামজনা তৌই। অতুনা কোবৌ ঙসিদগী হৌরত্না ঈপারীগী মিংদি ‘সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বা’ হায়না খঙননবা থোনবীরগে” হায়দুনা নাউরা অঙাংগী কোল্লোয মমিংবু নৌনা অমুক্তা থোনখি। মতুদা মপাবুঙনা মচাবু য়েংলগা হাযরকই;— “পাবী ঈবুঙেঙা! ঈচাবু কাউথোকলুবেদো -- অঙঙশিংবু পীজ-পিথক্লবা হোংনবদা ; ঈপানা তাকলমদে হায়দনা, ঈপাদ্ নবুক্তা তাথানা শাউরমাল্লে—শাউগনু ; পন্থৌ ঈপানা তাবা চাকঈন তমগে, লাউ—পারী” হায়দুনা মপাবীবু ফৈবম্লনা পম্লগা রাযেন শঙ মনুঙদগী পুথোরক্লগা শঙ্গায হুংদা পুশিন্দুনা ‘চাক চাও’ হায়না ইন্দুনা থেম্বদা, নিংঙাই কন্না তৌবদগী চাও হায়বা ময়াখিদ্রে। মতম অদুদা নিংথৌ মখুৎমক্লা চাক কুক্ৰুবী অহূমদঙ তারগা—“ঈপাগী চবৈতোন কোন্দে নৌনা লম-হৌবকপা ! ঈপানা তারা চাকয়িন তমতুনা লীরোল ঈশৈ তম্বী প” হায়দুনা লীরোল নাউরা নাউথেম ঈশৈবু শৈশক্তুনা মচাবু লঙ্-নতুনা তারা চাক ইল্লক্লী।

“লোইদাম থাজ পাথংবা
নকা হুংদা হৌরীবা
মহৈনা শিদ-নাদ য়াই ওইরিবা
মউ পামেল শিদবা

পামেনগী মহৈ অমতা
পীনবীয় পরী ঈচাদা দে ॥
নথী লক্তা তাখিনি,
নযুঙ লক্তা তাগ্রগা
থ্বা কনানা চাবানি দে ॥
থা থা থাবুঙভোন !
নপা মোবাৰ্শী পোনীগে
পোম্বী শানম পম্বীগে
হৈবোঙ মশা-মতা লুঙবম্ম দে।
হেবীলো হবীলা ত উথগীম
ফোঙ্ঙ অনৈ-চাজ পীজগে,
চাজ অনৈ থোৱাঙগে ;
থানা নিলনিভৈদা নিলহৌরো
থবীনা বারাকৈদা কাহৌবো ;
তীঙ তীঙ চাটাবা
শে শে লোজবো,
থৌবোম থন্না চাঙমলো দে ॥"

লীরোল অসি হায়না নাউন্না নাউগেম্মা শৈশক্তনা এবা চাক হৈনবা মতমদা. শৈশক্লীবা লীরোল ঈশৈবু ভাবদা মপারী সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা য়াম্না থোয়জঙ-থোয়দাজনা থংম্মায মকা লাম্না, হরাও মথোয় কানা থীক থাক লাউনা মোমোন মোমে'ম নোক্নদুনা পামেন শিদ নাদয়াইগী মখোঙদা তরা চাক চাখরে। মপারী মতৌবু

উবদা নিংথৌ, অঙম্বা পুম্বসু হরাও-তয়াম্না মুংঙাইনদুনা মুমিত্তু মা লেল্লে। মতুঙ মখল-মখা অয়াম্বা চৎলম লূতীন কয়া পুথোক্লদুনা লৈপাক্কী য়াইফ-মুংঙাই লম্বী ওইনবা থৌশীল-থৌরাঙনা মথৌ-মঙম পুম্বা পুদুনা চহি মতম মুংশাংনা মুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না পাল্লক্লে।

ফমমেল লুচিং তম্বা

মৈতৈঙঙু কংলৈ পিবা তাঙঙা লাংওন পাখংবনা মপারী কুপত্রেংগা, সেন্দ্রেং মমিক্কা অনীবু লৈপাক রায়েন থৌদা থৌ পুহৌবদা ঙম্বা মনুঙ মতম চাররকদুনা. মচা ঈবুংঙঙা অনীবু য়াই-ফনবা থৌশীন-থৌরাংবীরম্লগে হায়দুনা কৌশিল্লগা মপারী অহনগী মফমদা হায়রকই,—“পারী ঈবুংঙঙা চৈরা অহনবা! নচীন-ননাও অনীমক্কী রায়থুং ফমলেনবু পন্থৌ ঈপানা কোরৌ ঙসি মখৈদগী তমলম্লগে। ঈপানা রাখল তৌরকপদা— ননাও অসিনা নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা, লৈপাক ঙাকপগী থৌ পুদুনা নিংথৌগী য়াইফ লম্বী ওইনবা থৌশীন্দুনা লৈঙাকপা মতমদা, লৈপাক মরা তপ্না রায়েন চুক্লী পায়দুনা পানবা য়ানবা লম্বী অসি থৌশীন থৌ পুবা ঙমগনি হায়বা উদে। ঈপানা অশুম য়েংবা মতমদা ননাওগী মপুক্লীং অসি মহাক্কী মুংঙাইবা, কান্নবা, ফনবতা মখঙজবা, মীগী অরা অনা, লৈত-লায়রবা, তোল্ল-তারবাশিংবুদি কয়া উদবা; অদুগা খঙদ-হৈতবশিং-বুদি তাকপী তীকপী তম্বীদুনা খ্বায়গী মপী মপা শরুা তাশীন-খোমজীন

পাশিন্দুনা পানবা য়ানবা থৌবু-থৌশীনবা ওমগনি হায়বস্থু থক উবা ফংদে। মতম অয়াম্বদা মপূক্কী ৱাখন্দি মীগা মাগা অমতা ওইনা লোন্দীন্নবা খিবীক্তা মহাক্তনা লুচিংবা, মপু ওইনিংবা, মদূ ওইদ্রগা ওইরক্তুবা মতম অহুদা মীশিং অহুবু মপূক্তা তাথীনা মলোম থমহুনা হেক্তা মশাওগনি। মরম অসি ঈপানা নীংবগদি য়াম্না ওন্ননা শোয়নখরে। কুরুম পৃস্তমায়য়োল লৈপাক অসিদা নচীন-ননাওগী মরীনা হয়েং তাইবঙ চাদোল-শূদোল তানব-ফাও কায়নদনা লৈপাক অসিবু পুবা ওইহুনা মতম মুংশাংনা পালহৌবা ওইসনু হায়না ঈপানা ৱাখল্লিবনি। ননাওনা লৈপাক পুবদি লৈপাক মরা চেৎনা, মরা তপ্পা, চাকতোল-ফিদোল লোম্না পান্দুনা ঈঙগনি হায়বদি নীংদে।

কোরৌ নোংমতবু থোয়জং-রাংজৎনবা লৈজদবা, পূকচেল চাউবা ঈচানা লৈপাক অসিগী মকোক থোংনা লুচিংবা, নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা *লৈচিং পুরেন ওইহুনা লৈপাক মরা তপ্পা, ঈঙনা পানবা লম্বী অসি পারী নহাক্লা হোৎনবা ওইজরো। পারী ঈচাদি অকা-অকূমদা অঙৌবা সেকপিন থান্দুনা ননীং তম্না লৈপাক অসিগী নিংথৌ ঙম্বা অঙম্বা খূজীল থৌরাঙ থৌশীল চাউবা, য়াইফ লম্বী শেম্বা ওইনা লৈপাকসিদা পালহৌরো। অহুগা নশানৌ সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বা পারী ঈচা কোন্দে অতোনবনা লৈপাক অসিগী ময়ুম লুচিংবা পিবা ওইরসনু। পারী নহাক্লা নশানৌ সেন্দ্রেং মনিকপু শিন্তাক-শিনম্বীহুনা য়াইফ লম্বী থৌরাঙ কয়াবু

* [redacted] — [redacted]।

শেম্বী-শাবীনা হোৎনবায়ু। কোরৌ ঙসিদগী ননাওগী সেকপিন অঙাঙবা মচুনা ওইরসনু; লৈথেং-লৈরাংসু অঙাঙবা লৈরাং থম্বাল চাম্ম-নীপান শুবনা ওইরসনু। লৈপাক অসি নচীন-ননাও অনীনা য়াইফ-সুংঙাইনবা থৌরম কয়াবু শেমগৎ-শাগত্তুনা নীংথীনা পালহৌ-রো।" অসি হায়না মচা ঈবুঙ্ঙো অনীগী য়াইফ লম্বী ওইহৌনবা চঙখোম্না শিঙ্খাকপিহনা, কুপত্রেং হায়বা মপারী অহলগী মফমদা মনাও সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্ববু মথুজেঙ পায়দুনা শিননখি। পন্থৌ মপা ঈবুঙ্ঙো মৈতৈঙু পিবা তাঙজা লাংওন পাখংবদি মতম খরদঙ লৈরম্লগা কোরৌ নোংগা লম্বী তানখিহনা, কোরৌ হনবা মালেম অক্তানবগা তৌল্লুক ওইহনা লৈখি।

নিংথৌ অপাম্বনা পানবা

মৈতৈঙু সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা কুরুম পুঙমায়য়োল লৈপাক অসিদা "কংলৈ শঙবা পিবা" গী থৌ পুরে। মতম অসিদা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংনা মনাও নিংথৌবু অতোং-অরেম ওইনা লৈনবা ফমদো অঙম্বা নোংদারেল, চীঙথিরেল, রাঙাংলেল, মুরাংবা শয়িরেল, শেম্ম-হনবানচিংবা ফমনাই-তুনাইবা ফমদো হুম্ফু-মরীগা লোয়ননা লৈপাক ঙাক শেনবগী থৌরম পুম্বা থৌদা থৌশীন থৌবুহনা কুরুম পুঙমায়য়োল লৈপাক অসিগী অকোয়বা মফম থুদীংমক্তা চৎলদুনা লৈপাক মন্না তম্না, সুংঙাই য়াংবী মরাঙ কায়না পানবা য়ানবা নোৌনা অয়ুক শেম্বা য়াবা, ভম্বা চথৈ শেমগৎ-শাগৎতুনা পাল্লক্লে।

মতম অদুদা মনাও নিংথৌ অপাম্বনা "মতম অসি ঐগী ইথৌ-ইঙমস্থু ঈয়াম্বনা অয়াম্বা পুবীরিবনা থোইনা রাই চিনবা লৈশ্রিইঙ অসিদা তাইবঙ লৈপাক খুদীংদা ফমলেল লুচিংহনা লৈগদৌবা অসি কদায় ঙমদম য়ৌরিবা অ সঙম খঙঙম-য়েংঙমহনা শেম্লগে" হায়না মবুক রাখল তৌরহনা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মফমলাংদা "কুকুম পুঙমায়য়োল" কৌবা লৈপাক অসিবু শিননরম্লগা. ময়ুম কংলৈপাক থাদোক্লমহনা. মঙাইরোল কনাবুস্থু তুংইন খোঙলোয় য়াওহনবা লৈতনা মালেম লৈকোয়রকই। নিংথৌ ওইবগী হৌনবা লৈপাক্কী অরা মুংলাইগী মরমশিংদা কয়া য়েংশন্নুগদৌববু থোইনা রাখল্লুবা করি অমতা লৈতে। অস্থুম্না মকোম লৈকোয়রকপনা চীঙয়-তময়ান চিংবশিং কয়াদা চত্তুনা নোংময় নোংমগী নাংলকইবা, খল্লকইবা অদুদা তৌদ্রনা লৈ। লৈপাক পুবা পিবানা তৌগদৌবা চংকদৌবা চংলম পুখা পুমথা থাদোক্তুনা লৈথ্রবদা; ময়াম্বুঙ কুপত্রেং আস মনাও সেন্দ্রেং মনিক্কী মরমদা রাখল কয়া তন্না তৌরুরগা অরাবা লম্বী কয়া ওইশিল্লক্লে। মশাগী তৌকম থোকপা মথৌদাও কয়াশিংদগী হেন্দোক্তুনা মনাও নিংথৌগা তৌগদোবা মথৌ কয়াস্থু থৌ পুহনা লৈপাক্লা করি হায়নরক্কদগে; লৈপাক্কা মপুক নাদনবা, মনা-মনিল থোকতনবা থৌরম কয়ামুক্তা কন্না য়েংশিন্দুনা হোংনরকই। ময়াম্বুঙ কুপত্রেং আস য়াম্না থাঙ হৈবা, মবুকচেল চাউবা, মীয়োক-মীচান, মীকৌ মীরম ফজবা, তৌথোরকপা হীরম কয়ামুক্তা নীংথিবা, চংলম লুতীন কয়াশিংবু ঙাক্কা চুম্না চংপা, থোইদোক্লা শীংথানফম ওইবা অতাঙবা, অঙকপনি। ময়াম্বুঙগী লৈপাক রায়েন থৌবু-থৌশীন,

থৌরাঙ নোংদম পুম্বসি লৈবাক্কী মপুক্তা পেলহন্নবা মতম হুং-শাংনা মপুক রাখল চঙনা মথৌনা ফনা, কন্না লীশাঙ শীংনা মায়পূনরকই। মনাও নিংথৌগী তৌগদবা মথৌ কয়াশিংবুস্থু অমতা শোয়দ-ঙামদনবা য়ান্না কূপ্না, চেকশিন্না থৌ পুন্থনা হোংনথিবনা, মনাও নিংথৌনস্থু তৌগদবা মথৌগী মরমদা করি অমতা রাখল থল্লুবা, চিংনবা লৈতনা কংলৈ মরৈপাকপূ পুমথা থাদোক্লমহুনা মথঙ মথঙ চংথিবনা কংলৈ পুঙমায়য়োম্দা হঞ্জল্লকখিদ্রে। মৈদীঙঙু নিংথৌ অপাম্বনা খা-নোংচুপ, অরাং-নোংপোক্লোমদা লৈথ্রিবা অতোপ-অতোপ্পা মীরৈবাক কয়াশিংবু হুয়েল লাম্হেং মায়য়োক্লহুনা, য়েক্লবশিংবু মায়থী পীনা থুদূম চন্দুনা লৌর-লৌরগা লৈপাকশিং অহুদা মতম থরা থরস্থু লৈরম্বা অসিনা চহি মতম হুংশাংনা হল্লকপা লৈখিদ্রে।

সনালেম্বী (সন্দ্রেম্বী) চাইশ্রা পোকপা

লৈপাক ঙাকপা ময়াম্বুঙ কূপত্রেংগী মনাই অঙম্বা, লৈপাক্কী শক্লায়বা, রায়েল ফম্বৈ ফম্বা অমা ওইহুনা অফ-ফত্তা মতাঙ কয়ামুক্তা কূপ্না রা তা-নফম ওইবা মপাবুঙ হাক্তক্তগী মতম কুইনা থৌগল ফংলহুনা লৈরক্লবা, মপাবুঙগী শমত্র ওইরম্বা "খুল্লেল ঙম্বা" কৌবা অহন মীয়ায় চলশিল্লক্লবা নিপা অমা লৈরম্মী। অহন অসিগী [1] তাল্লোয় অনী শুনা পান্নহুনা লৈমিন্নে। তাল্লোয় অহনগী মিংনা "শংখুলেম্বী" কৌই। ঈবেম্মা অহন অসিগী মবূকচেল-খোয়জেল

১। তাল্লোয়= মতু (মবা-মপূরোইবগা লৌন-লৈনহুনা পান্নরবদা, লৈমিন্ন-রবদা হীরম কয়ামুক্তা অফ-ফত্তা তাথোক-তাশিন তৌহ্না পুকচেল-খোয়-জেল অমতা ঙইনা লোয়নমিন্নে হায়বদগী ময়ূম পাল্লবী নুপীশিংবু তাল্লোয় কৌই)।

মরমচং য়েংবদা য়াম্না ঈঙ-তপ্পী, মোং-হাদবী অমা ওই; মীঙোন্দা অকায় অরাল-অহুই তৌবা পামদবী, মীয়োক-মীচাল ফজবী, চীকোন-নাউকোল নাউরোই হৈবী, মীনুংশি খঙবী অমা ওই। অতুগা তাল্লোয় অতোম্বীগী মিংনা "য়াইবী লৈমা" কৌই। ঈবেম্মা অসিদি খরা খোয়জং-ৱাংজংনা লমকেৎনবী, মীগী মপোৎ-মচৈ মরম্নচিংবদা মিত্তা-খমদানা কল্লক-খম্বল চাউগনবী অমা ওইবীদা নত্তনা মানবু হায়নীংবা ঙাঙনীংব-মক লৈরবস্থু হীরম অতুদদি অপনবা লৈতনা মীরাক-মীথূম্নতুনা চীনহায় কনবী, মীনা লাকচ-খুদূম চনবা য়াদবী, ফেৎ লাউবা, থরুম থমগনবী; ফত্তবদস্থু খোইদোক্ল-মক নুংশিবা মশক খঙদনা হাৎলেঙবা লৈতবী, মরীল খাবী নূপীনি। অদূবু মতম পূম্বদা মচীন-মনাও অনী অসি নোংমা নুমিৎ অমতা চীন্দা-পাউদা-নতুনা খৎন-চৈন-খোৎনবা তৌনরক্তে। অদূম ওইনমক মনাও য়াইবী লৈমনা মরক-মরক্তা ৱাহৈ-ৱাঙাঙ খোন্দা-খোনফমদা খরা কন্তক চানা হেক হেক মৈশা লাংলবস্থু মচেম্না মনাও য়াইবী লৈমাবু খক মান্নবীদে; হনবীবদা ওইতুনা খোয়খা-লিনথা থা-নদনা পুকচেল-খোয়জেল অমতা ওইনা হীরম কয়াদা মচীন-মনাও চানা-চিন্ননা মপুরোইবগী মীৎয়েঙ, য়াকা তুংইন্না কায়দনা পানমিন্নরকই। অস্নুম্না থুল্লেল ঙস্বা অঙস্বা মাগী তাল্লোয় অনীসিগা লোয়ননা পুন্সিগী নুংঙাই-য়াইফ ঈপাক্তা নুংশি চান্ননা পান্নতুনা লৈমিন্নরকপবু য়ুম্বাল পুন্সিনা নৌরিঙৈ মতমদদি মপারী শাৎলকখিগনি, মমোম ফূঈরক্তবা ফুঈরকখিগনি ৱাখন্দুনা মচাগী মরমদা খোইনা অরা চিংনরুবা অমতা লৈনদনা লৈমিন্নরকই। অদূবু মপারী শাৎকখিগনি, মমোম পোক্লকখিগনি থল্লা থম্না মতম ফম্না নুংশাংনা পান্নতুনা লৈমিন্নরকপবু তাল্লোয় অনীমা মপারী মমোম অমতা চাদা-নাউদাতুনা পোক্লক-শাৎলকপা লৈখিদরে। পারী মমোম্বু পোক্লকপা ঈরৈমক লৈখিদ্রবা মতম

অসিদা মমীত্তা মচা অমতদি উবা। কংজনীংবমা খোইদোক্ল-মক অন্না ঈখোঁ লাংমিন্নরম্মী।

মতম অসিদা অহন অসিনা য়ুমলেপ চান্না ওইহৌনবা মপারী অমতং কংজনীংহুনা খোইয়ুম শিন্দবা [2]লাইয়িংথৌ অশীবগী লাই উকোল-মুংদা চণ্ডদুনা "অশীবা" লাইবু চিং মতম মুংশানা লাইনীং পরৈ চেংনা থাগোম্নহুনা চাগনী, থকনি মীংশিংদনা নীংজররক্লবদা,—খোইয়ুম লাইয়িংথৌ অশীবা লাইনা পেন্নবীরহুনা থৌজাল-লল কুবী-রগে হায়না মতীক-মঙাল লৈরবা তাইবঙ শক্তম অমা ওইনা শায়োন্দু-না লাক্লগা তাকপীরৈ.—"তাইবঙ খুল্লেল ঙম্বা! নঙগী মীংলাং অদু পাঙথোক্লো—ঐ লাক্লে; নংনা ঐবু মতম অম্রুক মুংশাংনা কৌরিবা অসি করি হায়নীংহুনা কৌরিবনো?"

ন্না অসি তাবদা খুল্লেল ঙম্বা মীংলাং অনীহু পাঙথোরক্লনা য়েংথোকচখিবদা মাঙদা শংশঙনমা মীংথীজরবা অচৎ-চত্তা থন্নায় নিংশা পাল্লিবশিংগী তৃঙনকম ওইরিবা, চীক্ল ঈঙম্বা নৌন্নবা শকথোঙনা ঙান্দুনা লৈবল্লিবা অহুবু উজবদা, থম্মোয় পুবা ওমদনা মুংশিজখিবনা মীংলু নাপোম অনীমক্তগী তরং লাইজ শিন্থমা লৈশী-লৈথোন্দুনা হায়জরকই,—

"চীঙঙু খোইয়ুম লায়িংথৌ!
লোইদাম থাজ থানিংখোদা য়াহীপ্পা।
খোইমোম য়াউন্না নখোজেম
লাংবন খোঙ্মু খোন্দা-নবমা

২। লাইয়িংথৌ অশীবগী=লাইয়িংথৌ সনা অহীরেলগী।

চেংলৌ শকথোঙ ওইনা ঙাম্নবা
মালেম মপুঙ লাক্লা হৌরকপা
তাইবঙ থম্লায় অপকমাবু
লাবন কাওরেল শনপেম্বগুম
অপোক লীহুই নোংদম্বা
থম্লায় মীপোকপা লাইরিংথৌ।
নহাকপু নদাইরেম্মা পুক্নমজকা মরমদি
ঈপাম্বী অমতা শাংচদে.
ঈমোম অমতা ফুয়জদে,
মুমলেপ চারা ওইনবা
ঈপাম্বী 'অমতদি নিজনীংহুনা
নখোঙ থুয়ারেল থম্বাল
লৈঙাঙ লৈকা মানবদা
ঈচা অমতদি কংজগে.
নোংদম খৌজাল নম্মাথংবু
চরৈ ফিগাও শানা
নিজরি তোম্লবা ননাইনা।"

খোইয়ুম অণীবা লাইনা পেনবীরহুনা," থৌজাল নোংদমখোনবু লেপ্পা পীনবীরকই,—"তাইবঙ থুম্লেল ঙম্বা-! নহাক অসিগী নপাম্বী নমোম অমতা ঙশি ফাওবদা পোক্লক-শাংলক্তি বদি—নহাল-মুকী মপোক লাংওন অমদা নহাক্লা নচাগী মরমদা থম্বা লঙজথিরকপা মহৈনা, হন্দক মপোকসিদা নমীত্তা নচা উ হাম্নবা নোংদম্লক্কবনি।

অতুনা মতম অসুক মুংশাংনা তারে'য় অনী পান্নতুনা লৈমিন্নরকপবু ওসি ফাওবদা নপারী নমোম অমতা শাংলক্লিবা অসিনি। অদুবু নওনা ঐবু পরে চেৎনা চাদ-থক্লকুনা নীংজরকপা অসি চহি মতম মুংশাংমক্লে। পুন্সিগী মতম অতাওববু অয়েম্বদা হৌজনখরে, ঐবু নীংবা তোক্লো—হৌজিক্তি ঐ পেল্লে। হন্দকী শান্নগদৌরিবা লাংওন ফাংলম অসিদি অতৈ কনা অমদা শান্নরোই; নওগী তাল্লোয় অনাদা চওদুনা শান্নবা ওইরগে। ওসি নহাক্লা নহুম নরাল-য়ায়দা হনশিবা মতমদা নদাইরেম অনীগী [1]শীনয়োম-মুংদা লৈকুরেল চনু খিংবা ওম্বীগা, নোংথাং লৈমগা লাইরৈমা মথোয় অনীনা চওতুনা নাউপুবা ওইরসনু। অতুগা থুল্লেল ওম্বা নহাক্তি তাইবওলেন্দা পোক্লকদৌরিবা নমোম শংলেল অনীগী তাইবও ফাংলমদি য়াওবা, উবা ফংলরোই। অতুবু চহি কুমজা মওারোমদি নমোম অনীগী মশক-মতৌ য়েংজরগা অরা-পোথানফম ওইনা পান্দুনা মতম থরদও লৈজররো" অসি হায়না মদাইরেম থুল্লেল ওম্বগী মফমদা থৌজাল নোংদম্বীরম্লগা, অশীবা লাইদি কোরৌ থক্তা লাক্তুনা লাইরেম্বী অনীগী মফমদা পাউদম পাউতাক্লা থৌদা নোংদম্না শিন্নখি।

থুল্লেল ওম্বা অওম্বসু চৌওড় নোংদম থৌজালখোল লেপ্না ফংজরবদা থোইদোক্লা মপুক্লীং মকা লান্না হরাউ মুংওাইজবা কন্নামুক্লা লোয়ননা মযুম মরাল-য়ায়দা হল্লকুনা থুংলরবদা, মদাইরেম অনীগী মফমদা থোইয়ুমগী নোংদমখোনবু পাউদমতুনা থওহল্লী। মতুদা মদাইরেম অনীমকসু মচা ফংজরগনি রাখন্দা থোইদোক্ল-মক মপুক্লীং

১। শীনয়োম-মুংদা = নাউয়োম-মুংদা, গর্ভদা।

হয়াউ-মুংঙাইজবা কয়াবু ওইহনা চীঙঙু থৌজালখোলবু ঙাইহনা পুকচেল অমতা ওই, মতম খুদীং খোইয়ুম অশীববু চেংনা থাগোন্ন-হনা মশাবীগা মদাইরেম অনীমগা অহন্মক্তি হেন্না অমুক্ক মুংশি চান্ননা লৈমিন্নরক্লে।

মদাইরেম শংখুলেম্বী অহনগী শীনয়োম-মুংদা "লাইরেমা লৈ-মুরেল চনু থীংবা ঙম্বী" হৌবেম্মনা চঙহনা লৈশরে। তাল্লোয় অতোনবী য়াইবী লৈমগী শীনয়োম-মুংদনা হৌবেম্মা লাইরেম্মী নোংথাং লৈমনা চঙহনা লৈখি। খোইয়ুম লাই শিদবগী চীঙঙু নোংমা কায়দনা হৌবেম্মা অহন শংখুলেম্বী মতম্বু নোংমা নোংমগী হৌজন-খিরক্কুনা কোয়ৌ শীংবুম চহুম্নী, লে'ইদাম থাবুম তরা মপূঙ হায়, মকু মথা শুরক্লবদা, ২শক মত্তো চঙখোল্লবী মমোম লাংলেল অমা কুইরক্কুনা নৌনা ফংজরে; কোল্লোয় মমিংনা "সনালেম্বী" কৌই। মতুঙ থরা-মুক লৈরগা মদাইরেম অতোনবী য়াইবী লৈমস্থু থাজ তরা মপূঙ হায়রক্কুনা মকুম-মথা শুরক্লবদা মমোম অমা অমুক শাংলক্কুনা ফংজরে। মমিংনা "চাইশরা" থোল্লি। চীঙঙু নোং-দমখোন্দগী পাম্বো মপা খুল্লেল ওম্বনা তাঙনা নৌনা শাংচরক্লবী, ফজরবা শাহৌ-শাবান, চেংলৌ মায়থোঙ-লকা, মুংশিরবা শকফম কয়ানা তিল্লবী মমোম লাংলেল অনীবু ফংঙমদনা তাঙনা ফংজর-বদা, পল্লেম মমা অনীমকস্থু লোয়নননা থোইদোক্ল-মক মপূক্লীং হয়াউ মুংঙাইজবা কয়াবু হন্না ফংজবা ওইরহনা পেঙনা পানজরক্লে। মমোম লাংলেল অনীনা নোংমা নোংমগী থঙহৌদে, থরা থরা পুংকক্লা চাউরক্লহনা চহী কুমজা মঙা মপূঙ কারক্লবা মতমদদি

খোটয়ুম অশীবা লাইগী চঙ্ নোংদমখোল ঈকায়-কায়দনা থুম্লেল ঙম্বা অঙম্বা পল্হৌ মপাদি তাইবঙ পৃন্সি চেঙজেন লোম্নহনা থুপথরে। অঙম্বা অসিনা লৈখিদ্রবদা, মাগীদমক্তা য়েংশিনবীনবা কনা হন্না লৈখিদ্রবদা, মদাইরেম অনী অসিনা মমোম (সনালেম্বীগা, চাইশ্রাগা) অনীবু চাউননবা কয়া কন্না, রানা নাউয়োক নাউকোনবা অসিদা, মীনা "মচা পোকথোক্লগা য়োক-থাকপা ঙমদ্রহনা, চাক্রী কিনিদ্রনা চায়োক-নাউয়োকলিবনি হায়নখিগনি" হায়বগী নোংজু-মুংশা থিদা, অরা-অনা কয়া হন্না খাঙদুনা নোম্বা সূবা য়াবা মখৈ থৌরম কয়ামুক্তা সূ-নোমজরক্তুনা মচা অনীবু চাউননবা নাউয়োকমিন্নৈ।

লেমলৈ ঙাচঙ্ তানবা

মমোম সনালেম্বীগা, চাইশ্রাগা নাউরা অঙাং অনী অসিবু নোংমা নোংমগী থঙহৌদনা পুংকক্না চাউরা য়াংগোল কাজরক্লহনা কৈরোয় লৈকায়, য়ুমলোল-কৈরোম্নবশিংদা চথোক-কোয়থোকতুনা মশুং-মমান্নবীশিংগা শান্ন-থোংনমিন্নবা, য়ুমশঙ-কৈঙাকপা ঙমজরক্লে। মতুদা মচেম শংথুলেম্বীগা, য়াইবী লৈমগা মচীন-মনাওনা মমোম লাং-লেন অনীবু থনমহনা হেক-হেক হৌনা-হৌননা কুম্বী- কালেন লৈতে, নোংজু মুংশা থিদনা অয়ুক য়েন্দা মাঙদা হৌ, তারা চাকঙন চা থক্তুনা তুঙগোল শোইরু নাক্তা (অমা খাঙদা) য়ান, লোং অমা খুক্তা পায়, মকম কয়া, কোয়না চং, লেমলৈ ঙারম থির-থিরহনা হেক হেক খোপ্লক্লগা, নোংম-নোংমগী কানরকপা লেমলৈ ঙাশিংহ খরনা

মচাথোকই, থরম্ব য়োনথোকচহনা মচা অনীবু চাউননবা কল্লা হোংনহনা পাঞ্জরক্লে। অস্থুম্না মতম নুংশাংনা লৈরক্লবদা, নোংমা কোয়ৌ অমস্থ মচীন-ননাও তয়া চাকঙন চাথক্লরগা হৌনহনা লেমলৈ ঙাচঙ্ তানবা 'ঙরাল খোংদা' লাক্লগা খোংনুঙদা কুম্নদুনা লেমলৈ ঙারম থিনা লোং খোনমিন্নে। মতম অহুদা মচেম শংখুলেম্বীদ মফম অমা থেংনরহনা লোখোল খুদীগী নীংথি নীংথিরবা লেমলৈ য়াম্না লক্কুনা ফায়।

অহুবু মনাও য়াইবী লৈমাদ খোহয়ুম মাগী থৌশীম্নরা করিনো, লোং খোল্লু-খোল্লুবা খুদাংদা লেমলৈ মচ অমতস্থ থক লকপা তৌদনা, তাঙজা লিনহা মচা ঙাক্তা হেক হেক লক্কুনদা লৈরক্লে। মফম অমদা হোংদোক্লগা খোন্দুনা ময়েংই ; অহুদস্থ হান্নগুম তাঙজা ঙাক্তা ময়াওরকই। "ঙসি এগী তৌরিব, মতৌ আসবু করি মতৌনোদা!" হায়হনা খোল্লিবা নফম অহু থাদোক্রম্নগা অতোপ্পা নফম অমদা অমুকস্থ হন্না খোল্লহনা য়েংই। অহুদস্থ হান্নগুম্না তাঙজা লিনহা অদুদা মকোৎ-লকই। মহুদা য়াইবী লৈমনা থল্লী,—"ঙসি এনা তৌখ্রিবা অসিবু করি মতৌ মওঙনি হায়রবগে! লেমলৈ ঙাচঙ্ তানব্রা হায়রবু তাঙজা লিন ফানবা লাকপা ওইরব্রা! এনা মফম অমদা হোংদোক্কুনা খোল্লুরে, অহুদস্থ লেমলৈ ঙাদি অমত্তা লক্কনা, তাঙজা লিনহা ঙহাক্লনা কোংলকইবা মতৌসিবু করি থোক্লপদৌরিবা! করে, অহু মঙাররে ; মফম অমতগা খোন্দুনা অমুক্তং ময়েঙথিগে ; মহুদস্থ করিগুম্বা তাঙজা লিনবু য়াওরকপা থোক্লবদি লৌসন্দুনা হেক্তা মথম্নগে।" হায়না থল্লু-থল্লুরগা অথোয়নহুম মপুক্তা দুংঙাইতবা কয়া ওইহনা

চপ্ য়ুংনা লেপ্লে। অদুগা মকম অদু থাদে়ক্লগা অমুকস্থু অতোপ্পা মকম অমদা অমুক হন্না লোং খোল্লুরে, মতম অদুদসু হান্নগুম অদুম তাঙজা লিন ঙহাক্তা হন্না কোৎলক্লে। মতুদা য়াইবী লৈমনা—"ঙসি ঐগী লেমলৈদি মশক অসিনা ওইয়ু হায়না তম্নবোরে।" হায়না অমুকা হেন্না ফুংঙাইমন্দদুনা মচান্দা মুরুম-মুরুম শোন্নদুনা কোৎলক্লীবা তাঙজা লিনহাশিংদু মাগী তুঙোল-মুংদা হাপচল্লুনা থমথরে।

মচেম শংখুʼলম্বীদি অহানবা খোল্লুবা মকম অদুদগী ঈলেঙমক লেঙথোক্তনা খোল্লু-খোল্লুবা খুদীংদা নীংথি নীংথিরবা মশক-মচু থোক্লবা লেমলৈ ঙাক্তা তত্তনা য়াওরকপনা মতম থরা ওন্না তুঙগোল অদু চোললে অদুদা—"ঙা হাপফমসু লৈত্রে, থল্লবনিনা কংশান্দা কাখৎলগে" হায়দুনা কাখৎলগা মনাওবু ঙাইবা ওইনা মুংশা য়াংহদুনা লৈ। মনাও য়াইবী লৈমদি মতম অদু ফাঙবদা মচা পীজনবা "লেমলৈ অমতদি ফংবা ওয়রা য়েংথিগে" হায়দুনা অদুম খোল্ল-খোল্লদুনা লৈরে। মতম অদুদা মচেম শংখুলেম্বীনা—"ঈনাও ঈবেম্মা। লঙবু কমদৌরিবগে; লোইশিন্দ্রীবরা? হন্নবা তৌরসিদনা?" হায়না হংলকই।

মতুদা মনাও য়াইবী লৈমনা—"ঈচে! মকম অসি লেমলৈ থরা লৈবগুম তৌই অমুক অনীরক্কং খোন্দুনা য়েংবনি। ঈচেবু ঙসিদি য়াম্না ওম্না তোক্কপীরবু থরা নীংথিনা কাবীররা?"

"ঈবেম্মা। ঙসিদি ঈচেম মকম অমা থেংনরকদুনা ফননা নীংথিনা মকাল্লে।"

"কদায়— ঈচে, ননাও থর কারেদি হায়ববু রায়োং কয়া থোক্কেদা।" হায়রহ্না খোংনূঙদা লোং খোল্লম্বদগী কংফান তান্না কাখৎলক্লুনা মচেমগী লেমলৈ তূঙগোল অচোনবহ্ন য়েংলম্মী। মচেমগী লেমলৈ তূঙগোল অচোনবা অহ্ন হেক উবমক্কদা, য়াইবী লৈমদি খোইদোক্ল-মক থূগ লাউবগা লোয়ননা অপাম ঈথৌ লাংনা কয়ামুক মিহৌবা পোকখিরম্মী। পুমঙক-ঙক্লহ্না— "ঈচেবু মকম কদায়-য়াইদা থোনবীবগে? কম্না নীংথীজনা কারেদনা!"

"ঈবেম্মা! ঈচেমদি মকম অসিদা অশুম লেঙনা খোললী" হায়রহ্না (মচেম শংখূলেম্বীনা হৈবোঙ মখোঙ লোমদা মথূৎ থিন্দুনা মনাওদা) তাকই।

"কদায় হৈবোঙ মখোঙ অসিদা ওইয়বরা?"

মানী ঈবেম্মা, পাং ওইনা তৌরিবা তুথূপ মচা অসিদনি রা অহ্ন তাবদা মনাও য়াইবী লৈমদি মচেম্না তাক্লীবা মকম অহুদা অমুক পহ্নবা তৌদনা কূমথরক্লুনা হম্না হম্না লোং খোনবা হৌরক্লে, মতম অহ্নদস্ত লেমলৈ অমতা কাওবা ঈলকলকপা লৈখিদরে। মহ্নদা মচেমু মবুক্তা য়ৌনা তাথীনা মুংঙাইখিদবগা লোয়ননা— "মহাক্না লেমলৈ লোইনমক কাদোকঞ্জবোরে, ওম্মোকইদা! মানা খোনবদা নীংথীনা কাবহ্নদা মনাও ঐবুদি থক তাক্লমদনা খোল্লি। মহাক্কী মবুকসি কয়াদা য়ৌনা ফংগ্রিজ্রবনোসে। মসিমক্কী থল্লুরবদি মকম চাবা-মা য়েংলগা কোক হেক লোইশল্লমহ্না, থনম্নগা, ঐনা কারিবা তাঙজাসিগী মহুত্তা মানা কারিবা লেমলৈশিংসি হেক পুথ্রগদা পেল্লনিদা" হায়না মখোয়দো থীৎনা শাউখিহ্না মচীন্দা

মুরুম মুরুম শোন্দুনা কংকাল তানা কাখৎলক্রে। য়াইবী লৈমদি মানা ফংলক্ত্রবহু খম থেংনা অনীংবহুদি খোইরোক-মক হাংলেংবা লৈতনা মাঙন-তারুবতা তৌবা ঙম্মীনি। মানা লেখল্লিবা অচোৎপা মকি-মবোলশিংহু হোংদোক্লগা ফৌদোক্কুনা মচীন-মনাও মুশো য়াইহুনা লৈখিম্মরক্রে। অয়ুক খঙ্গা ঙলশা তারা ফাকহল চান-থক্র-রকপগা ওইবনা, মতম খরা শাংনা ঈশিংনা কুমহুনা লোং থোক্লবগী হৌনবা খরা য়াবনে, মুংশা য়াইনা য়াইনা অরা পোখাহুনা লৈখিল্লবা মতম অসিদা মচীন মনাও মখোয় অনীশু, অরাম-খোয়াংবা পোক্লহুনা "চাবা য়াবা অমতবু কংবা থোক্লবদি মুংঙাইগ্রগনিদা" হায়না খল্লকই।

শংখুলেম্বী হাংপা

থোইদোক্লা কল্লক-খঙ্গল চাউবী য়াইবী লৈমা মনাওনা লেমলৈ অমতা ফাবা ফংদবা, অতুগা মচেমগীনা লেমলৈ তুঙগোল অচোনবা অমা ফাবা উখিবদগী হৌনা অপাম কল্লক মীহৌ চাউবনা লেমলৈ মদুতবু মবুক্তা থোওইনা থোইদোক্ল-মক মুংনাংহুনা, মুংঙাইতনা হুজন হুজন, মওন মওন য়াখল তৌনা মুংশা য়াইহুনা অশুম য়েংখ্রাকখিবদা, মনাক অদুয়াইদা পামেন হৈবোঙ পাম্বী অমা মহৈ মরোং চুম্না, নীং-থিনা পাল্লহুনা হৌরম্লিবা অহু হেক উরক্রে। তাউজিং হৈরাঙ অহুবু উক্লরগা মনাও য়াইবী লৈমদি মচেমগী লেমলৈ ওাশিং অহুবু চপ মুংনা লৌনীংবগী অপাম কল্লক মীহৌবনা মখোই অমা ওইনা শাউখিহুনা মচেম্বু হাংননবগী খুজীন-থোয়াঙ, য়াখল লম্বী থিহুনা অয়োবীদা খল্লকই,—"ঐনা পাঙথোকে হায়না নীংলিবসে মসিদহুম য়েংহুনা

হেক্তা হাংলগা লোইরে, কনানা ঐঙোন্দা কৈদৌজরনি, কনা মতাতুম চারে, য়েংতুম হেক্তা ময়েংলগে" হায়না মচেমদা হায়রকই: "ঈচে! নহাক্তি অশাঙ্গ-মখে মকম অসিদা কমতুনা লৈববু হৌজিক কাওবা অমুক নীংথীনম্ব মহৈ-মরোং চুম্না পাল্লিবা তাউজিং হৈবোঙ অসিবু উদবোইকো; ঈচে! নঙবু থক চানীং-লাক্লীংব্রনে?"

"ঈনাও ঈবেম্মা! ঈচেমম্ব উদবদি নত্তে; অশায়নতুম হেক য়েংথোকখিবদা উরবনি। অতুদা উবদি উই হায়ববু খুৎনদি হেক লামতুনা ফংবা নত্তবা অতুদা ঈচেমম্ব অশাইদগী চানীং চানীংনা তুমিন্না য়েংতুনা লৈরম্লিবনি।"

"অতু ঈচেবু চানীংব্রনে? ঈচেনবু চাবীনীংলবদি কৈদৌবগে, কিম্ব কংবা ঙাইবা ওইনা ঙহাক্তুং ননাওনা কাথৎলগা হেকপতু মঙায়দনা, হেক্তুম হেকলুগেদো ঈচে? ঈচেননে মথাসিদা হৈ খুজ্ঞনবীয়ু। অতুগা ঈচে! হৈ হেকপদি অরায়বনিকো, হৈ খুঙ্গনবনা হেন্না মরূনী। হৈ খুজ্ঞনববু হৈত্রবদি হেক্লক্লিবা হৈশিংতু অরেম্বদা মকম খঙদনা মাঙগনি। নীংথীনা খুজ্ঞল্লকো, ঐ কাগে ঈচে" হায়না য়াহৈ য়াতাঙ তকিংনা থন্না কুপনা খুজ্ঞল্লপ্না নমঙ্গা-হাজাদনা হায়রল্লগা তন্না কাগদৌবগী মফি-মরোল তনশেম শেমজীল্লতুনা, মহাক্কী তাঙজ শিন ঙহাক্তা য়াওরিবা তুঙ্গোল অতু মচেম্বু উহন্দনা মখাওদা চেৎনা অতুম য়ান্দুনা পুনশিল্লগা, হৌরিবা পামেল হৈবোঙ মখোঙ তম্না হাফিং হাফিংননা অতুম অপনবা লৈত্তনা চঙশীনখিতুনা মখোনা কনা কাখৎপা হৌখরে।

মতুদা মচেম শংখুলেম্বীনা মনাওগী খাঙদা য়াল্লিবা তুঙ্গোল

অহু উরবদা খরা ঙক্করা থোক্কনা থনম্নবা হায়রকই;—"এঃ এঃ এঃ, ঈনাও ঈবেম্মা! অমুক্তদি ঙাইখোনে, কন্নিনো নহাক্না তৌরিবা খূজীন-থৌরাঙ, মতৌ-মওঙ অদুবু চুম্নিবরানে ? তন্না অরাঙবা কাবদা, ঈনাওগী খ্বাঙদা য়ালশিল্লিবা লেমলৈ তুঙ্গোন্দু য়ান্দুনা কাখিগনু; মীওয়বা হায়বসিদি থক তম্বা ঙম্বা নত্তে। কন্নিওম্বা খূজীন-খুনাম্থোক্কনা তারকপা থোক্লগা তুঙ্গোম্না খুরৌ চেনবা থোক্কনা অরাবা, খুদোং থীবা কন্না ফংবা য়াই। ঈবেম্মা! ঈচেম্না য়েংবদা য়াম্না রার, ঈচীঙ-চিংননা থোকই। ঈনাওগী তুঙ্গোল অহু অমুক্তদি থনমথো-লাউ, কনানম্ন নঙগীহু লৌ-লাকদৌবা লৈতে, থনম্মু-থনম্মু লাউ" হায়না মুংশি চান্ন-মীকৌনা মনাওবু খাম্মী।

"ঈচে! ঐগী তুঙ্গোল অসিদি লেমলৈ থোইনম্ন পংম্নাম-ম্নামদবনিনা ঈয়াঙ-য়াংই। য়াওজরবম্ন কন্নি থোইনা অকায়বা লৈরোই, অশুম য়াওজরসম্ন হায়দুনা ঐনা খঙনা খঙনা থনমত্র-বনি" হায়না পাউখুম্নম্লগা তৌরিবা অরাঙবা পামেন হৈবোঙ অহুগী মথক তম্না, অপনবা লৈতনা অহুম কাখৎখরে।

মচেম্না মনাওগী তৌ ঙম্বা থৌরাঙহু য়েংহুনা—"নঙনা থোকপা তৌয়ো-তৌরো, ঈচেম্না য়েংবদা মুংশা থীদুনা অহুক হায়বনি" (হায়হুনা অমুকম্ন রা মখা তানা)—"মাগী মরীংজেন অসিদি ওন-থোক্না খাএদা, মুপীমক ওইরবম্ন তৌরগে, পাঙথোক্কদবু খন্নবদি মানা তৌঙমদবা লৈতে, অঙকপনিদা" হায়না শোম্বাংননা শোন্দুনা মনাওগী তৌরিবা মতৌ মওঙ য়েংহুনা লৈখি। য়াইবী লৈমা মনাওদি উথক্তা চরোং চুম্না চুম্না পাম্নিবা তাল্লিবা তাউজিং হৈরাঙ-

শিংগী মরক্কুদগী মপুঙ-মংর মীংথীনা ফাববা নীংথী-নীংগীববা হৈরাঙ-শিংবু য়েংল-য়েংলহুনা হেক্ক তেক্কগা হাউনা পেম্মা চায়। অহুগা "তাউজিং হৈরাঙ অসিদি গুম্মোক্কা খোযথৃন্না হাউগ্রেদা ঈচে সিদি" হায়-হায়ন্থনা মানা পঙচাদা চায়. মচেমগীনি হায়দুনা অম' কাওবা থাদরকপদি লৈতে।

মহুদা মচেম শংখুলেপ্পীনা হাযবকই, –"যাইবী লৈদা। নহাক্তি হাউই হাউই হায়দুনা নথন্তা পঙচাদা চায, ঐগীদি অমতম্ম থক থাদরক্কে হায়রে, নঙবু হৌনরিব্রনে ?"

"ঈচেদি ননাওদা চাগেদি ঈহায় হায়বীদেদো, অদুননি

'অমতা থাদবকইনে, ঈচেমম্ম অমতদি চাদুনা চউং হাউত, য়েংগেদনা ?"

"অহুবুদি থাদরক্কে, হাউববা য়েংউ'' হাযদুনা চাবদা হাউ গদৌবা অথম্নবা, ফজবা তাউজিং অমতং য়েংহুনা কেক্কগা থ দখিহুনা মচেম্বু পীরজে। অহুগা,—"ঈচে! হাউববা, কমদৌঈ ?" হাযনা হংই।

"ঈবেম্মা! তারা চাক্কগা লাম্বনে, লেমটৈপ ঙাচঙ তাম্নুবগা অরাম খৌরাং পোকপসিদা ওম্মোক্কম্ম খোয়থৃন্না হাউগ্রেদা, মসিদি।"

মতাঙসিদা মনাও য়াইবী লৈমনা—"ঐনা পাঙথোক্কীগনিবসি মতাঙ অমি চারে, পাঙথোকপা য়াত্রা য়েংহৌরগে" লেপ্পা খল্লহুনা হায়রক্কই,—"হন্দক-মুক্তি হায়দগী হেম্মা হাউগদৌবা অমা ঈচেগী নম্নাদা থাদরক্কে, লোংনা অমুক্তা হীপ্তুনা, নমীৎ-ননা চেক্কেৎনা উইশিল্লগা, নম্মা লাওনা কাথোক্কনা লৈবীযু। অহুগা ঐনা ঈচেগী নম্মা মনুঙদা মপা চানা থাদবা ওম্বা অমুক্তদি য়েংজগেবা ?"

মতাঙ মতম অসিদা শংখুলেম্বীগী চীঙগু মরাম্বক্তা অন্নম্না থোকউ হায়না থোইয়ুম নোংদমখোল কনথিবনা তমথিবগা, মীওয়-বনা মাঙলমদাইগী মতমদদি ওয়-তৈনরবা রাথম্না হম্না হম্না লম-জীংই হায়রবদো” মচেম্নসু মনাওনা হায়রিবতু করিসু চিংনবা লৈতনা ঈচম চম্না তিংথোক্তুনা হায়রকই— “কৈদৌবগেনে ঈনাওনবু য়েং-নীংবা লৈরবদি য়েংজৌনে, ঐনা লোংনা হীপ্তুনা, মীৎ-না চেজেং উইশল্লগা লৈবীগে” হায়না মনাও য়াইবী লৈমনা থাদরকপদা মপা চপ চাগদোবা য়েংহনা হৈবোঙ মথদা চঙশীল্লক্তুনা লোংনা হীপ্লগা, মমীৎ মনা চেজেংনা উইশল্লহুনা, ময়া লাওনা কাথে ক্লগা মনাওগী হৈবোঙ অহাওবা থাদরকপা ভাইহুনা, থোরাঙ তৌহুনা লৈরক্লে। অসুম তৌহুনা মচেম্না হৈরাঙ থাদরকপা ভাইহুনা পৈরিবৈ মতম অদুদা, তৌরগে থনবদা কবিসু নাচংবা, হাংপেঙবা লৈতবী মরীল থাবী য়াইবী লৈমনা অরাংবা পামেন থক্তুগী মাগী থুাঙদা য়াল্লিবা তাঙজ লিন হাপ্লীবা তৃঙ্গোল অতু লৌথোরক্তুনা মচেমগী ময়া, মথনাউ মপা তম্না তাঙজ লিনশিং অতু অথাকপা লৈতনা হৈথ-রক্লে। তৃঙ্গোল মনুঙদা লৈরম্বা তাঙজ লিনহা ময়াম অহুনা মচেম শংখুলেম্বীগী মমীৎ মমায়, মকোক, মথবাক, মথনাউমচিংবদা তারক তুনা চীকপদগী মফম অদুদা য়াংলেল থরদঙ লাউ-খোংনা, ওয় থোইনা খাঙমদ্রবা অন্না মৈচাক খাঙদুনা লৈরম্লগা, লিনগী হূনা কনখিবনা শীম্ন-থুংনা কুপখিহুনা য়াইবী থরায় থাখিরম্মী। মচেম শংখুলেম্বীনা থরায়গা হকচাংগা শেৎন-খাইনখিরহুনা য়াইবী থরায় মাঙলকপা য়াইবী লৈমনা উথক্তগী হাপু-হাথুনা কুমথরক্তুনা হায়রকই,

"নঙগুম্বনস্থ য়াইবী লৈমা ঐঙোন্দা নবুক ফত্তবা শারদনা, খঙলে-দনা হৌজিক্তি নচৎতুনা ফংলেদো; হৈবোঙ মখাগী ঙরাল খোঙ-নুঙসিদা লৈজহৌরোহে" হায়তুনা অশিবা মচেমগী শমু হকচাংবু ঙরাল খোংগী হৈবোঙ মপা মখাদা অহুম ইন্থরম্লগা; মচেমগী লেমলৈ তূঙ্গোল অচোনবা অহূবুনা মাগী তুঙ্গোন্দুদা হৈজীল্লহুনা হাপচীল্লে, অহুগা মফম অনূদগী তাইবঙ কনাবু উহন্দ-খঙহন্দনা থুনা অহুম কারক্কুনা মরাল য়ায়দা থুংলরে।

শজ্রেম্বীনা মমাবু ঙাইজবা

(মঙলান্দা তাক্লম্বা)

অপোকপী পল্লেম মমা শংখুলেম্বীগা তাৱা চাকঙন চা-থক্ক-রগা লেমলৈ ঙাচঙ তানবা চৎমিন্নখিবা মমাতোম্না মরালয়ায়দা কারক্কুনা হেক থুংলরবা উবদা, মমোম সনালেম্বীনা পল্লেম মমানদি য়াওরকপা উবা ফংদবা অহুদা চঙশাল্লক্কুনা হংজে— "ঈমাতোন ! ঐখোয় ঈমাবু কারক-হৌদ্রিবরা; কেদোহৌরিবনো—ঈমাবো ?"

"হা—ঈবেম্মা ! ননাখোয়দি ঐনা লেমলৈ থরা ফাবা উবদা চৎলদি হায়বকা থক য়াবোনত্তে, খোলহৌখিনি হায়তুনা লৈহো-রিবনি। করি মতৌ মওঙনো খঙজ-লাকচদেদা, ওম্থোক্কম্থ কন্নক খম্বননা চাউজরিবা, অঙকপনি !" হায়না মমীৎ মনা শুক্লা, মচীন মখা কৈনা চিংহুনা থুম্লকই। মমাতোন য়াইবী লৈমগী রাতা খোন্দা-নচিংবহ্ তার-উরগা সনালেম্বীদি মপুক্কীং মুংঙাইত মুংঙাইতনা মওল মওল খন্দুনা মুংনাংরক, তরাং তশোইবা রাথলগা লোয়ননা

মমাবু য়ুমদা ঙাইহ্নুনা লৈবা ঙম্নক্ত্রহ্না পম্থৌ থরায় থোজান্দা থোরক্তুনা পল্লেম অপোকপী মমানা লাক্লদোবা অরাপ্পা মায়কৈরোমদা তম্না (মীংয়েং অতাম্বরোমদা) তোয়না চিংনা চিংনা হেক হেক য়েংজরকপবু কারকপদি ঈউ-উবা ফংথিদে। অদুদা—"ঐখোয় ঈমাবু হৌজিক ফাওবা হল্লক্ত্রিবা অসিবো কৈদৌগ্রবনো কারকপা মক্তমগীদি ওইরক্লবনি, ঈকা কারকথিদেদা!" হায়না মমানা কারক্তবগী মথক্তা থম্মোয় শাউরুম্মনা রারৌজহ্নুনা মপুক্লীং হুংশি-হুংওম্না, তরক্লা পিদোল্লবী মতৌগুম খৌরাংজবা মীংয়েংগা লোয়ননা ঙাইহ্নুনা লৈরকই। মতম কৌবনদি ঙাইবীবা লৈতনা অশুম অশুম্মক হায়না হায়না, খঙহৌদা খঙহৌদনা হৌজিনখিরক্তুনা কোয়ৌ হনবা মালেম অঙানবস্থু নোংচুপ চীঙদোল লৈথখিহ্নুনা মমলি মমলিরক্লে। অদু ফাওবদা পল্লেম মমানদি কারকপা ঈউমক উরক্তবা, মতম্নস্থু অশুম অশুম থেঙজীল্লকপগা লোয়ননা মহল্লক্ত্রনা অদুদদি মমোম সনালেম্বীদি মতু-মমান ঈপোন পোল্লহ্নুনা মদোম তরক ভরক্লরহ্না মিপাইজবা অমস্থু পোক্লা, থম্মোয় মথুম মরাঙ হৌনা লৈফম তৌফম খঙজীল্লক্তরে। খোইদোক্লা মমাবু খৌরাংজবা কয়ামুক অশুম অশুম হেঙল্লকপবু পম্থেং য়ৌনা কায়রবা থম্মোয়গী অরা মৈচাক খোনগা লোয়ননা—"হা—ঈমা, হা ঈমা" হায়না মীংম্না থম্বাল লকা মাল্লবীদা লাইজ পিরাংবু হুংশি ঈহৌরকনপা মীংকোয় মীং-

** "মীংম্না থম্বাল লকা (মাল্লবা) মাল্লবা"—অসিগুম। তরং তরংলবা মশেক মঙাল নীংথীবনা লৈতেংলবা মীং নহাবু "হকলোল" নত্রগা "লাংবুম" নচিংবা পুম্না অতৈ কয়াদস্থু ময়েক লানা,

ফম্নদি ঈতাউ তাউ, কুপথিহ্না পিরাংনা য়েক্লব-মাগুম কয়ামুক ঈথো লাংনা লমদম অরাপ্নরোমদা য়েংজন্নিবা পল্লেম মমাবু মীৎ-য়েংগী, লমদা মশেন মরাং ৺ইনা হেক খনখিরক, পিরাং চদুম চদুম হন্নদ্রি শিন্নরক, খুদাঙ পিফম লাং, হীক্লা হীক্লা কপ, তেংথা-নাউওইনা অদোকপী পল্লেম মমাবু খুৎলাম তোয়না, খোনকম রাংনা. হন্না হন্না কৌন্নরকই।

মতম অল্লুদা সনালেম্বীনা খরায় থোঙ্গান্দা থোক্লগা থম্মোয় লাইয়ুম কায়না, য়াউরা খোনফম রাংনা মমাবু কৌর-কৌবহ্না মীকাপ্নিবহ্ন মমাতোন যাইবা লৈমনা তাবগা থম্মোয় নিংদোল চোংনা—"ওসিগী থোকখিবা থৌথোক অসিবু লৈকায় যুমলোন-কৈরোম্নবনা শনম-মিনম ফংহ্না তাথি-থওখিবা তাবে। কবিগুম্বা মসিদবু শনম-মিনম ফংখিবা থোক্লক্লবদি ঐবু অন্নাকম শোযদনা তাবা তাই, অমুক্তা থুনা থামহোন্নখিগে" হায়না ঈমুং মনুঙদগী য়াম্না শেংনস্থ ঙৌদ ঙৌরবা পশোং অঙৌবা ওইরবা মীৎ নহাগী মকোন্নদা ঈকোয় কোয়শিল্লহ্না অশুক্কী মতীক নীংথীনা, ফজনা লৈভেংনা থমহ্না লৈরিবা "লাম অঙৌব" বু অমদি মীংকী থক খা মীৎপান অনীমক্তা কোয়না শম্বল উচুক্কুম হেন্দোক হেজিন লৈতনা পরেং শানা থক-খাদা তৌরগ্ননা (খাজীল্লহ্না) ফজবদা পান্দয়ীংঙাই অম-মুক লৈতনা য়ৌবা ফজরবী মফমদা গুম্ফোল্লা কন্ন-কজনস্থ হৌরহ্না লৈরিবা "পাশিংবু" "উমুঙ চক ময়ুঙনা কোন-খাবা, লাইরেল অঙৌবনা (কোন্দুনা খিনবা) কোনখিবা" অমুম হায়নস্থ মরেক লান্না খরদঙ তেংথারম্মী।

পরপ-পরপ খোরক্লগা "হায়—নমা কোৎলো! করাম্বী মচা নওবুনে, করি থোকঈ হায়দুনা তৌজ-লাকচ-শারিবনো ? নওনা থরায় থোঙ-গান্দা থোক্কনা রা-রা লাউনা, লাউ-খোংলিববো—কনানবু মুং-শিগনি হায়রীবনো ? তানাংদে কপ্‌কমু, য়ুমলোল-কৈরোম্নবশিংনা মীনোক চওগনি হায়বসু খওদনা, মচা কাওদোঙ ফারববু হুনদোক্কনা লোং খোনবা চংলগা, অসি য়ৌনা থেওলবা ফাওবা হল্লক্কবা অসিবো করি মতৌনো চৌনরিব্রসে।" হায়দুনা মমা কৌহুনা কপ্তুনা লৈরিবী সনালেম্বীবু ফু চৈ-খাংহুনা ঈমুং মনুঙদা পুশিল্লক-লগা থোঙ লোনশিল্লগা থমখি।

সনালেম্বীনা মমাতেন য়াইবী লৈমবু কিজমনবদগী পল্লেম মমাবু কৌজহুনা কপ্পা তোক্কনা মকা মুংদা চঙলগা চাদ-থক্কনা অহুম তুমথখিরম্মী। মুমিৎ অহুগী অথেওবা তাংলৌ অহীংগী মমৈ ওইরক্লবা অচীকপা ঈনুঙ ঙাল্লমদাইদা অপোকপী পল্লেম মমা শংখু-লেম্বীনা মমোমগী খোংলেল মঙলান-চান্দা লাক্কনা হায়রৈ;—"ঈমাগী লাংলেল ঈবেম্মা। ঈমাদি ঙসিবু লেমলৈ ঙাকাবা তোক্কনা কংকান্দা নমাতোনগা ঈবানি কানরক্লগা, হৈরাঙ চাখিসিদো হায়দুনা নমাতোম্না উথক্কা কাখিরম্মী। অহুগা নমাতোন য়াইবী লৈমগী শরৌ লাংদা হৈবোঙ থাদয়কপনি হায়দনা হৈবোঙদি নত্তনা তাঙজ লিন ঙহাক্কা তুঙ্গোল অমা হৈথরক্কনা তাঙজ লিন্না চীক্কনা ঈমাদি মকম অহুদা [১]অমল থরৈ কুমলেদো। অহুগা ঈমাগী অশীবা শমু হকচাংবু ঙরাল খোংগী হৈবোঙ মখোঙগী ঈশিংদা ঈনথরক্লগা, ঈমানা ফাজবা লেমলৈ মথৈসু নমাতোম্না পুহনা চংপ্রবনি। ইমোম

১। অমল থরৈ কুমলেদো = শিরেদো।

"লাংলেন নওনা ঈমাবু হয়েং ঈনুঙ ভাল্লবগা অঙনবা অয়ুক্তা ওরাল খৌংগী 'হৈবোঙ মখোঙ তানা সেমলৈ ভাফাবা শানা লাকউ; মকম "ঈনুদা 'লোং খোল্লহনা ঈমাবু থরা পোরো লাউ। ঈমাদি "ঘেংগু "লাইনা 'অপিথক চা'গী মশক শুইহনা লৈরমগে; ঈশায়মু অমদা 'ময়ুগা, ঈশিং চোন্না হাপ্তুনা, লুখুন কাদা কোরৌ শীংবুম তরেংনি "চুম্না লুম্বিং-থা মশক উহন্দনা ঈমাবু থম্মু; তাইবঙ মপোক্তা "অমুক্তদি কাওরকপা ঙম্বা য়েংগে। ঈমানা তাইবঙ-পান্দা ফাও-ঈরুবদি লাংলেল 'ঈচাবু অমুক হন্না নাউকোল্লখিগে ঈবেম্মা" হায়না খোমলেল মঙফাওনরম্লগা চংখি। মঙলিবা মঙলান অদূনা মঙবা "হেক লোইবগা মমোম সনালেম্বীসু খোমলেল নিকপ অতুম থোক্তুনা 'পল্লেম অপোকপী মমানা মঙলান চান্দা তাকপীরম্বা ঝাকম্বু থল্লু-থল্লুরগা কায়না মৈচাক্লা থম্মোয় পুবা ঙমদনা মুংশি ঈহৌরক্তুনা মীৎলু নাপোম অনীমক্তা পিরাং চদূম চদূম শিস্থরক, হীক্লা হীক্লা "কাপ্লহনা ঝাংলেল ঙহাক তূমথবা য়াদনা লৈরক্লবদা, ঈনুঙ তৈনা ভাল্লক্লে।

মমাবু লোংখোল্লুবা

কায়না মৈহৌ-মৈশা লাংলবী মমোম সনালেম্বীনা অমুক হন্না তূমথগে হায়বা তৌদনা, অতুম হৌগৎলক্তুনা য়েংবদা নোংঙাল ছু উরক্লে। অতুগা স্নৌরগে খন্দুনা—"পল্লেম ঈমানা খোমলেল মঙলান-চাদা তাকপীরম্বা মতুঙ ইন্না হৌজিক্তি ঈনুঙ তৈনা ভাল্লক্লে। নোংঙাল ছু উরকপগী অঙনবা অয়ুক অসিদা ঈমাতোনসু, ঝাহৌ-

য়ক্তি ঙৈ, তান্ত্রি-খঙত্রিদৈ মতাঙসিদা ঙরাল খোংগী হৈবোঙ মখোঙ তম্না য়োহৌনবা তৌরগে। মন্নিদগী য়াংলেল খরদঙ পম্থবা খোক্লবদি ঈশ্মাতোনম্থ য়াহৌরক্কনা ঐঙোন্দা অপনবা অমুক ওইবা তারে" হায়দুনা অঙনবা অয়ুক্তা য়াইবী লৈমবু তাহল-খঙহল্লমদনা ঙরাল খোংগী হৈবোঙ মখোঙ তম্না, অপনবা লৈতনা থুন-য়াঙনা লাক্লহুনা মফম অহুদা থুংলরে। অহুগা মানা কোয়রেঙ-রেঙলবা মতমদদি পল্লেম মমানা খোল্লম্বা লোং অমগা, তুঙ্গোল অমগা লোয়ননা হৈবোঙ মখোঙগী লৈরায় মম্নাদা তরক্লা তারহুনা লৈর-ম্মিবা অহুবু হেক উরক্লগা খল্লুবদা. থম্মোয় লাইয়ুম কায়না থুক লাউবা পোকখিহুনা তেংথা-নাউওইনা কপ্ল-কপ্লদুনা—"খোমলেল মঙলাল-চান্দা পল্লেম ঈমানা তাকপীরম্বা ঙরাল খোংগী হৈবোঙ মখোঙ হায়বহু লৈরিবা মফম অসি ওইবা তারে। লৈরায় মপান্দা তাহুনা লৈরিবা লোং অসিগা, তুঙ্গোল অসিগম্থ ঈমানা শীজন্নরম্বা অদুনী। উরুবদা থম্মোয় পুবা ঙমদনা চোকথরে; ওঃ! খল্লুবদা থম্মোয় তুজুংই ইপাই কোকচাওবী কুঙবু কায়। পল্লেম অপোকপী! নমোমগী লাইবকসে ওম্থোক্লা নোংদম থীনম্থ তামথ্রেদকো!" হায়না কায়না মৈশা লাং, খূদাঙ পিকম লাংনা হীক্লা হীক্লা কম্নহুনা. তাহুনা লৈরমলিবা লোং অহুবু থুনগথলে হায়রগা ঙরাল খোং মনুঙদা অহুম কুমথরক্লে। অহুগা, "খোয়ুম নোংদম্বা মপা মপু"বু থম্মোয় লকা-থ্রুদা চেংনা থাগোম্রহুনা নীংশিংজরগা পল্লেম মমাবু খোল্লকই। অহানবা খোনবা-মক্কদা য়াম্না নীংথীরবা লেমলৈ "ঙাখা মৈঙাঙবী" অমা কোৎলী। লেমলৈ অহুগী মশক মতৌ মওঙবু

উবদা, পল্লেম অপোকপী মমানা তাকপীরম্বা মশক্তদি নত্তবনিনা থোইদোক্না মপুক্নীংবু মুংশি ঈহৌরক্তনা চাকখিবনা থিডেল ঈনম খায়বগুম পিরাং চদুম চদুম শিন্থনা হীক্না হীক্না কপ্লহনা লেমলৈ মাবু য়েংলগা হায়রকই ;—

"হা খোয়নৌ ঈতা চান্নবী !
লেমলৈ নহাকপু খোনবা নত্তেয়ে ;
নহাকপু লাইজ ঈপাক অসিদা
ঐনা অমুক হন্না থাদোকচরি ।
নপাঙ লকতা তিন্নগা
মক্লম নহা থাহনা
ত্তোরৈ তূশাঙ খুদীংদা
ননীং নখা তমনা
মুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না
লৈরুরো হান্নগুম অমুক হন্না
লেমলৈ ঙামী তানবা নৎচদেয়ে ॥"

অমুম হায়না কপ্ল-কপ্লহনা থাদোকখ্রে । অহুগা মফম অহুদগী অতোপ্পা মফম অমদা অমুক্তা হন্না য়েংলগা খোল্লুবা মতমদনা "ঙমু কোকচাওবা" অমা-মুক য়াওরক্লে । অহুবুম্ব পল্লেম মমানা তাকপীরম্বা অহুদি নত্তবনিনা অমুকম্ব হন্না ঙমু কোকচাওবহ য়েংলগা পল্লেম শেৎনখিবগী কায়না মৈশা লাংলবী মমোম্বা মীংনু পিরাং ঈরোয়না কপ্ল-কপ্লহনা হায়জরকই;—হা—লেমলৈ কোকচাওবা ! নহাকপু খোনবা নত্তেয়ে; লাইজ ঈপাকসিদা ঐনা নঙবু অমুক

হন্না থাদোকচরি। নপাঙ লক্তা তিল্লগা হান্নগী পান্দমঙন্না ননীংনবা তমহুনা নুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না লৈরুরো—পল্লেম ঈমাবু খোঞ্জবনি, লেমৈল ঙামী তানবা নংচদে” হায়রহুনা লেমলৈ অহুবু থাদোকখরে।

পল্লেম মমানা মঙলান-চান্দা তাকপিরম্ববু খোল্লু-খোল্লু খুদীংদা ঈয়াঙ-য়াওরক্কবা, ঈথেঙ-থেংনরক্কবদা হেন্না নীংবা কায়বা কয়ামুক্কা লোয়নননা অরা মৈগাক খোনবু অশুম অশুম হেনগৎলকপা ওই. সনালেম্বীনা মফম অমা অমুক্কা য়েংহুনা অমুকশু হন্না য়েংলগা খোল্লকই। অহুদসু লেমলৈ “ঙাশেপ চিবান্দো” ”অমসু য়াওরক্লে। লেমলৈ অহুবু উরগা পল্লেম মমানা তাকপিরম্বা মঙলান-চানগীহু নত্তবনিনা থম্মোয় নুংহীক নুংদান্নন। লেমলৈ অহুবু অমুকসু হন্না লাইক্ত ঈপাল-লাংগা থাদাকপীখি। মতুংদদি পল্লেম মমানা খোমলেল মঙলান-চান্দা তাকীপরম্বা অহুবুদি ঈয়াঙ-মক য়াওরক্কবা, ঈথেঙ-থেংনখিদ্রবা অদুদা সনালৌম্বনা খঙ্গে—“এনা খোল্লুবা খুদীংদা পল্লেম ঈমানা তাকপীরম্বা অহুদি খক য়াওবীরক্কবা অসিবো কৈদৌরবনো! থেংনবা ফংলরোইদৌরমানে, এবু তোকখোক্লসিরনে” হায়না চিংন-চিংননা মথ্থার য়ান্না নুংঙাইতনা মঙল-মঙল রাখল কয়া হন্না তৌহ্না কোয়রেং য়েংলদুনা লেপলম্বদগী “হন্দকী অসিনা এগী অরোয়বা ওইনা অমুক্তদি হন্না ময়েঙখিগে; মসিদবু থেংনদবা থোক্লবদি ইরাঙয়ায়দা হনবদা তাগ্রমানে” হায়না থল্লদুনা রাখল পরে চেৎনা নোংদম্বা মপা-মপুবু থম্মোয় লকা-নুংদা চেৎনা থাগোম্নরহুনা নীংজরগা, হৈবোঙ মখারোমদা ওনশন্দুনা হন্না খোল্লবা মতমদদি,

"খোমলেল মণ্ডলান-চান্দা তাকপীরম্বা "থেংগু লাইনা অপিখকচা" অহুমক হেক য়াওরক্লে। মহুদা "পল্লেম অপোকপী ঈমাবু য়াওরক-লেদনা" হায়দুনা চেংলৌ শকউজবদা কয়াগী মতীক থম্মোয় মুংশি মুংওন্না কয়ামুকস্ন হেন্না মুংঙাইজবা ফংহুনা মীংলু পিরাং ঈরা-ঈহৌরক, কপ্না কপ্না চরৈ ফিগাও শানা লৌশীল্লগা, পল্লেম মমানা শীজিন্নরম্বা লোং অহুবু রাখল্লুবদা হায়নীংঙাই লৈতনা মুংঙাইত মুংঙাইতনা মফম অদুদা থাদরমদনা মরাল-য়ায় তম্না হল্লক্লে।

থেংগু মাওহন্নবা থৃঙ্গীন খোরাও

ঈম্নং কোয়ৌ ঙাল্লবদা য়াইবী লৈমম্ন সনালেম্বীবু ঙবাঙগী থৌদোক অহুগী মরমদা নীংশিংলুরবস্ন অফ-ফত্ত করি করম্না তৌরম-গদবনো হায়বা করিস্ন নাচুংবা লৈতনা "শিনীংলগা শিজশন্ন" হায়না হন্নবু য়েংলুদনা লোং খোনবা মতম ওইরহুনা চৎখিরম্মী। য়াংলৌ লম্বী লম্ম-খাঙদা সনালেম্বীনা মমাতোন য়াইবী লৈমবু উনবা ফংদনবা হায়না নায়োল-নাথৈহুনা লাক্‌চবদা, মমাতোন্না (লেমলৈ ঙাচঙ তানবা) চৎখিবা উহৌরহুনা নাকোয়নরোমদা খঙহন-উহন্দনা মরাল-য়ায় তম্না পরপ-পরপ চঙলকপা মতমদা, উহন্নীংখিদ্রবা মনাও চাইশ্রাগা কোক হেক থেংনহুনা পজেঙ খুরৌ থাংবা ওইরহুনা লাওতক্লরবা থম্মোয়না হংলকই,—"ঈচে! নঙ কদায়দা চৎলুই? নঙগী ফিগাওদগীদো করিনো? ঐস্ন খরা চাগে, খরা পীজোবা ঈচে?"

"ঈচেমগী ঈবেম্মা! ঈচেস্ন করিস্ন পুরক্কেদা; ঈচেম্না চুম্নদা

ফিগাও শাবনি” হায়রন্নগা ঈমু ও-মনুঙদা চঙখিছুনা থোংগু লাইনা অপিখকচা অহুবু ঈশায়ফু অমগী মনুঙদা থাদরগা, ঈশিং চোন্না হাপ্তুনা মথুম খুনজন্দুনা থম্মী। অছুগা ঈশায়ফু অহুবু মমোম সনালেম্বীনা চিংনা চিংনা য়েংলহুনা পল্লেম অপোকপী মমাগী রাখন্দা থম্মোয় লকা-ন্থুংগী অরা-ন্থুংশি, শেৎন-মৈচাকখোল কয়ামূক্না থুমহৎ-লক্কুনা, মীৎলু নাপোম অনীমক্তা লাইজ পিরাং ঈরোয়না অরৎ-অথম লৈতনা, চদূম চদূম শিঙ্খুনা, হীক-হীক লাউনা কপ্তুনা লৈরম্মী। মতম অদূদা মনাও চাইশ্রানদি মচেম্না তৌরিবহু মুন্না য়েংলম্নগা মকা-ন্থুংদা চঙখিহুনা তূম্মিনা লৈখি।

অয়ুক্তগী হৌনা পাৎ, কোম, ঈখোংনচিংবা মকম কয়া মুক্তা য়াইবী লৈমা মমানা (লোং অমা খুত্তা পায়, তৃংগোল অমা খাঙদা রান্দুনা) লেমলৈ ঙাচঙ্ তাল্লুবদগী হল্লক্কুনা মরাল-রায়দা হেক থুংলরে। অছুদা চাইশ্রানা মমাগী নাক্তা হেক চেনশীল্লক্কুনা মচেম সনালেম্বীনা তৌখিবা থৌদোকশিংহু করি অমতা চীৎথদনা পাউদম্মী;—“ঈমা নহাক্না অশাই লেমলৈ ঙাচঙ তানবা চৎখিবগী ওহাক লৈরগনে, ঈচে সনালেম্বীনা খরায় থোঙ্গাল্লোমদগী চঙলকইদো; অছুদা মাগী ফিগাওছুদা করিনো অমা য়োমদুনা পুরক্ই। ঐনা অছুদা ঈচেগী নাক্তা চঙশীন্দুনা ‘ঈচে নঙগী ফিগাওদগীহু করিনো? ঐস্থু খরা চাগেবা’ হায়না হংবদা, মানা করিস্থু নত্তে হায়রম্নগা ঈমূঙদা চঙশীনখিহুনা ফিগাওদা য়োম্নক্লিবহু ঈশায়ফূদা হাপখিদো ঈমা। অছুগা ঈচেনা ঈশায়ফূদা চিংনা য়েংল-য়েংলগা পিরাং অর অর শিঙ্খুনা হীক হীক কপ্পী; করিনো হায়বা খঙদেবো ঈমা?”

মচানা তমলিবা রাকমশিংবু মমা য়াইবী লৈমনা তারগা "মাগী অহুবু করিবু ওইরিগবা।" হায়না কয়া থোক্লা রাখল তৌহুনা লৈখি। নোং ঙাল্লবা মতমদা মমা য়াইবী লৈমনা লোং থোনবা চৎলমদাই মতম ওইরহুনা চাইশ্রাবু কৌশন্দুনা - "ঈমাগী ঈবেম্মা! নঙনা ঙরাঙ তম্বা নচেম সনালেম্বীগী ঈশায়ফু মনুঙদা করিনোমা থুমলি হায়বহু মশক করিনো হায়বা মুম্না খঙলম্মু" হায়রম্লগা লেমলৈ খাচং ডানবা চৎখি। মমানা চৎথবা মতুঙদা, চাইশ্রাদি মচেম সনালেম্বীনা চৎথোকখিবা অহাঙবা অচেঙবা মতম ঙাইহুনা, য়েংহুনা লৈখি। সনালেম্বীনা মতম অহুনা ঈশায় পুন অমা পায়রগা লাইজ ঈশিং শোকপা চৎখিরম্মী। মচেম্না ঈশিং শোকপা চৎখিবহু উবদা মচেমনা থোকখিবগা অহুম চাইশ্রানা ঈমুঙলোমদা চঙশীন্খিহুনা কোয়থী-থি-হুমদুনা য়েংবা মতমদদি, লুখুম কাদা থেংগু হাপ্পুনা থমল্লিবা ঈশায়ফু অহু হেক থেংনক্লরে। ঈশায়ফুদা হাঙ্গমলিবা ঈশিং অহু চাইশ্রানা লোইনা হৈদোক্কুনা চিথোক্লগা মনুঙদা য়াওরম্লিবা "থেংগু লাইনা অপিখকচা" অদুগী মশক, মচুময়েচিন্না মওঙবু য়ুম্না য়েংলম্লগা, মথুম অমুক হন্না থুমজল্লমহুনা হায়গী মকমহুরা ঈকায়-কায়হন্দনা, লেঙদনা অহুম থনম্লে হ য়রগা, থোরক্কুনা মকম অমদা শ্যম্লহুনা লৈখি।

সনালেম্বীনা ঈশিং শোক্লরগা ঈমুঙ মনুঙদা চঙলক্কুনা পল্লের অপোকপী মমাগী রাখল তৌহুনা লৈখিরম্মী। মমাত্তোন য়াইবী লৈমম্নুং লেমলৈ ঙাচঙ তাম্লবরু হল্লকপা মতম ওইরহুনা মরাল-য়াংবা হল্লক্কুনা থুংলরে। চাক-ঈশিং চানা-থক্লহুনা তুম্ন-হীপ্লবা মুমিদাংগী

মতম ওইরক্লচ্ছনা মমাগী মকাদা চঙনচ্ছনা খোমলেল তুমখুন তান-খিরম্মী। হুমিং অসিগী অথেঙবা তাংলৌ অহীং ঈনুঙ নোংঙাল্লম-দাইগী ঈচীক হুনবা মতমদা মমোম সনালেম্বীগী খোমলেল মঙ-লান-চান্দা পল্লেম মমা শংখুলেম্বীনা ঈশায়ফ-মুংদগী থোরক্লে হায়রগা—

"ঈমাগী ঈমোন লাংলেল ঈবেম্মা!
ঈমানা তাইবঙ মপোক্কা কাওগদৌবসি
কোরৌ হয়েংদা মঙায়রবনি।
হয়েং অহীংগী ঈনুঙ ঙাল্লমদাইদদি
ঈমানা লাংলেল ঈচাবু হাল্লগুম
অমুক হল্লা নাউকোল্লবা ফংজরনি।
কোরৌ হল্লেংগী হুমিং অসিদদি
ঈমোম লাংলেল ঈবেম্মা নঙনা
ঈমাবু থাদোক লাকথোক কল্লকো;
ঈমাবুদি য়াবা মখৈ খরা চেকপল্লা
তৌবিয়ুকো ঈমাগী লাংলেল মুংশিবী॥"

অমুম্মা চেংনা হায়রল্লগা অমুক হল্লা ঈশায়ফ-মুংদা হল্লিনখি। নোংঙাল্লবদা মমোম সনালেম্বীনা গৌগংলক্লনা মঙলিবা মঙলান অহুগী মরমদা "পল্লেম ঈমাবু থোক্লদৌবসে ঙস্িদা মঙ'ম্বরবোরে। পল্লেম ঈমানা তাকপরীম্ব। অসিনা কায়দ্রবদি ঙসিগী হুমিং অহীং অসিদবু লেল্লবদি ঈনুঙ ঙাল্লমদাইদদি শোয়দনমক থোরক্লনা ঈমাবু ফংজরগনী। অহুবু খোয়য়ুম নোংদপ্পা মপা-মপুনা ঐগী ঈরায়বকসিদা

করি: তম্বীরমগবা হায়বদি খণ্ডদরে; অফ-ক্কত্ত চীংঙু মাগী নোংদম-খোল মঙায়রে।" হায়না নীংশীংহুনা থেংগু হাপ্তুনা থমলিবা ঈশায়ফু অহু পায়দুনা য়েংবা মতমদদি ঈশিং অমতম্ব য়াওরমদরে। মহুদা মানা খঞ্জে—"ঈশিং অসিদি পল্লেম ঈমানা থোকদোবা মতম ওইরক্লহনা কংলিবা ওইরে" হায়না রাখল তৌহুনা রাংলেল ডহাক য়েংহুনা লৈ। মতম অহুদা মনাও চাইশ্রানা হো-হো চেনশীল-লক্তুনা—"ঈচে! করিনো? ঐস্থ খরা য়েংগে" হায়দুনা সনালেম্বীগী নাক্তা চঙ্শীল্লক্লই।

অহুদা মচেম সনালেম্বীনা—'ঈবেম্মা! করিস্থ নৎতেদা; ঐনা ঈশিং হৈজিনগে হায়দনা তৌবনি। ঈশায়ফু মনুও অসিদা থুনাম-নাডৈ তাবরা হায়দুনা ঈচেম্মা য়েংলম্নী।"

"নংতে কৈগু, ঐ করিনো ঈলং-লংবা অমা উখি।"

"করিগু নংতেনে ঈবেম্মা, ঈচেম্না ঈশিং শোকলুগে হায়হুনা, ঈশিং হৈজিল্লমগে তৌবনি।"

"নৎতে কৈগু, ঐ য়েংখিনি" হায়দনা মচেম্না ঈশিং হৈজনগে হেক তৌব-মক্তদা মচেমগী মখুদাও অহু তাপ হেক পায়রগা ঈশায়ফুহু চেপথহুনা য়েংলগা, "অসিদিনা" হায়রল্লগা মমা য়াইবী লৈমগী মনাক তাল্লা কল্লা হৌদুনা চেনথ্রগা, মমাগী কিজী পায়দুনা নিংঙাই চক্রি তৌহুনা কপলে।

মহুদা মমানা—"নঙনা নখোঙ থীন্দুনা কল্লীববো কৈদৌরবগে হায়য়ু?" হায়না হংই। মহুদা চাইশ্রানা—"খোংগু চাগে" হায়রকই।

"ঈমাদি খেংগু লৈতেনে, হোরেল পুবীরকে কপকল্লু" হায়।

মহুদা চাইশ্রানা—"হৌজিক-মক চাগনি, ঈচে সনালম্বীগীদি ঈশায়ফুদা য়োকহল্লগা, ঐগীদি পীদে" হায়না ওংহুনা নিংঙাই কন্না তৌরক্লে।

মহুদা য়াইবী লৈমনা—"সনালেম্বী।" হায়না কৌরকই। অহুদা সনালেম্বীনা—"করি ওইরবনো ঈমা? হায়না হংঙে।

"নঙগী য়োক্কুনা থমলি হায়রিবা থেংগু অহু হৌজিক খরা ফুং-পীহুনা ননাওদা পীজৌশে; নঙগীদি ঈমানা হোরেল অমা পুবীরক্লে" রা অসি তাবদা মমাতোনগী মরীংজেল খঙবী সনালেম্বীদি কোরৌ নোংথৌ থক্কাগী অথাক অরাওখোন্না,[১] লরাই কোইরেল থক্কা খঙ-হৌদনা তাবগুম থোকখরে; থম্মোয় শোক্লা, রাম্না চাক্লা থুক লাউবা পোক্লহুনা মীৎলু অনীমক্তা পিরাং ঈরা ঈগৌনা খোঞ্জেন নীক্লা ফাইনা, পেগৌ পেগৌননা হায়জরকই;-'ঈমা! ঐগী থেংগু অসিদি অমুক হন্না মফম অমদগী ফারুবা ফংলরোইদৌবা থেংগুনি। থেংগু অসি ঈনাওদা পীজবা অহুদদি ঈমানা ঙাক্পীয়ু; মরম অসিদদি নচানা নিজগে" হায়দুনা কয়ামুক পীথোক্লীংখিদবনা পীথোক্লোইদবগী থেংগু হাপ্লিবা ঈশায়ফুহু চেংনা পাহুনা কোন্দুনা লৈজরকই।

থেংগু ফুংহন্দুনা পীজবা

সনালেম্বীনা মনাওদা থেংগু পীজহল্লীংদবা রাবু মমাতোন য়াইবী লৈমনা তারু-উরগা অশাওবগা লোয়ননা খা চীক্লা—"হে! ঐনা হায়রিবদি নুক্কয়ামক য়াররোইদা—নঙবো?" হায়না অশাও কন্থী থোক্লা মথুংতা চৈ অমা চেংনা পায়রগা মমীৎ মনা শংদোক্লা মচীন

১। অথাক অরাও খোন্না=ব্রজনা

মথা কৈনা চিং, চঞ্চশীক্কু বা মকষী থোক্না ক্-চৈ থাংনা—"হায়, ঈকায় খঙদবীসিগা, করি থোকয়েহ্না তৌজশারিনো, লমজা শর্না শীদং পাদংশী নঙবুনে। ঐঙোন্দা খিং ওং নৈবীরগম্ন, নঙদা কোক শিজ-খ্রোনে। ঐনা হায়রগা অঙাংসিদা কোক হেক শীগেদি হায়ত্রদনা, ননমহ্ন শিংনা শানবা চৈ চাগনিসি খঙত্রা, শিখাঙ খাঙ-লাক্কুনস্তু অমুক তৌবা শারিনে—মুংঙাইরত্রা, পেল্লরিনি? ঐনা হোরেল অথা পুরক-লগা শীগে হায়রেদনা; অহ্নগস্ন শক্তা নঙগুম্বনা নিঙাই চক্রি তৌরিনে। কদায়নে, শীরক্তিবরা ঈকায়দবীশিগা?" হায়দুনা কনা লৈজদ্রবী, নৌরিবী সনালেম্বীদা মথোঙ থোঙপাক্লা খরা কাওশন, মশম-মনা লাক-হাইদনা শেং শেং লাউনা শাথিনা ক্-চৈহংশীরম্মী। "ঈমা ঈমা" হায়না ক্রীং ক্রীং চোংনা খাঙদুনা কোঞ্জহ্না পায়রিবা ঈশায়কহ্ন নমদনা মুন্দুনা মমোম চাইশ্রাদা শীহ্নুনা পায়হল্মী।

ওয় থোইনা কপহুনা লৈরিবী সনালেম্বীনা মহ্ন-মক্তদস্তু পল্লেম অপোকশী মমাগী মশক ওইরিবী থেংগুহ্নবু হায়নীংঙায় লৈতনা পান্মু-জখিবনা য়ারবদি মনাও চাইশ্রাদা শীজখিদনবা হায়দুনা থম্মোয় য়োনা শোক্লা কপ্প-কপ্পহ্নুনা অমুক্তা হন্নস্তু নিহ্নুনা হায়জরকই;—"ঈমাতোন! ঐস্তু নমোম্বী হায়না অমুক্তদি খমবীহ্নুনা, ঐশী থেংগু অহ্নুদদি নচানা নিজগে; ঐশী য়াম্না তাঙনা কংঙমদনা কংজরকপা থেংগুহ্ন অমুক হন্না মকম অমদশী কংগ্নরোয়। ঐশী থরারমক্তী খঞ্জরবা থেংগুহ্নদদি ঈমানা কৈদৌবগে য়ারবদি ঈনাওদা শীজবীদনা, নচা ঐঙোন্দা শীবীয়ুবা ঈমা" হায়না কপ্প-কপ্পহ্নুনা মমাতোন য়াইবী লৈমশী

মখোঙ্‌ পায়হনা কোন্দুনা তুরমলা মনাও চাইথ্রাদগী ঈশাময়কু
লোকলে হায়না, থৌরাঙ্গৈ।

মাইবী তৈমদি মচুদা থোইনা হেক্তা অমুকা মথোয় থীংনা শাউ-
রক্লুনা সনালেম্বীবু মাউরা থোনকম মীটে থীনা কু-টৈ থাংলকই:—
'এঃ ঈকায়দবী! নঙনা হায়রবু করি হায়রা, হা? থেংগু অমিদা,
ফুংলগা অঙাংনিদা থরা পীজরে হায়রগা, অদুগা, শকুন নঙনসু
ঐঙোনদা অমুক তুশন্নদুনা অরুননা চবেং চবেং খুমজনা, অঙাংদগী
মুনগেসু তৌবা শারিনে। নঙদা খিং শিকথরোনে, ঐঙোন্দা অমুক
ওং নৈ থাংবীরগসু পামজদ্রে। ওঃ পুমপেন পেত্রে, খাজরে, ওকচরেনে
মায়থাবী। ভারবরাশে, রেংওই! লাউ জাউ, মৈ অসি হৌগংলদুনা
থেংগু অসি হৌজিক-মক কুত্তুনা অঙাংসিদা পীজখ্রবনি। অদু
নঙবদি হায়বীগে মুসা তাজৌ, হন্দক-মুক্তি নঙনা কোক হেক হাং-
তোক্লগা লোইরে। অদুবু নখ্যায়সু মাঙলগা মাইবী তৈনবা ঐঙোন্দা
কনানা করি তৌজনিগে খঙজৌ; হৌজিক-মক মৈসি হৌগংদুনা
থুনা কুথনবা তৌত্রিবরানে, ঈকায়দবীনিবো" হায়দুনা থোইন-মক
শাখিনা কু-তৈহৎলী।

ওক-থোইনা কপ-লাউ থোংদুনা খাঙ-ওমদরা টৈথোক তৈনাখোর
কনা কনা খাজদুরবী সনালেম্বীদি হায়রম্মীসু হৌনা মমাতোন মাইবী
তৈনবী মজীক মুসা শক খঙলবীনি। অদুগা মান্য অমাও খাম্বী
খৈ-হৌনা অথাবা নীথমদুনা অমীং-মনা শগদোকনা রেংথোরকপা,
মচীন মখা খৈরেং খৈরেং চিংনদুনা খাঙবা পু-থাংবা ওমদরা কদবা
শৌরেংখানদা লোয়ননা হুংশিবা মচেং অমদা শক খঙদনা মকসী

হক খোঙ্গা ক্‌-চৈ থাংহনা শা ঙাগী মচংনা ওং-নৈরকপা. অকী-ভুজুং কংলবা মনাতোনগী শককম অমদি নত্ত-নত্তবা ৱাহৈ ৱাঙাঙ কয়ানা মঙোন্দা। লাউ-খোংলহনা তুহংপীখিবা কয়াশিংবু (সনালেম্বী) মাগী থম্মোয় লকা-মুংদা হয়া হয়া চ্‌শন্দুনা লৈখিবনা, অহবু উজবদা; অহুগা মাগীদমক্তনি হায়দুনা মাঙদা য়েংই কনা লৈতা, ভুংদা হগা য়েংখি কনাবু উজখিত্রবী তোল্ল-তারবী নৌরিবী অমগা ওইবগা; পোক্তবী মমাতোয়া হায়রিবা অহমক ইলহৌদবা, তৌদবা খোক্লবদি মাবু শোয়দন-মক হাংত-হাংলগদবোয় লেপ্পা থঙখিবনা, থল্লু থল্লুরগা খোইদোক্ল-মক অকী তুজুংজবনা থক-থক লাউনা মিপাইজবা পোকপা ওইরহনা, অতোপ্পা অনৌবা রাখল লম্বী পাম্বৈ অমা লাম্বস্থ ফংখিদবনা মমাতোয়া হায়রিবা অহমক ইনবা তারক্লহনা থাম্বী মৈহু হোৌগৎলগা, থেংগুগী মশক ওইরহনা লৈরিবী পল্লেম অপোকপী শংখুলেম্বীবু য়েংজবা ঙমদ-ঙমদনা কয়ামুক নীংঙম্বক্তবগী থম্মোয় মুংগী অৱা মৈচাক খাঙঙম্নকত্রহনা মীৎল্‌ নাপোম অনীমক্তা লাইজ পিরাংবু অরৎ-অথম লৈতনা চদুম চদুম শিম্বরক, ঙম-থোইনা খাঙবগুম খাঙঙমদনা খাঙজরহনা, য়েংহনা লৈরিবী সনালেম্বীবু মমা পোক্তবী য়াইবী লৈমনা উরগা থূদক্তুদা চঙশীল্লক্তুনা—“নথুত্তুনা থেংগু হাপলিবা ঈশায়কুহু পায়স্থ, পায়ত্রিবরা হানে” হায়না নমহনা চাইথ্রাদগী লোৌদুনা পায়হল্লী। অহুদস্থ পল্লেম মমাদি ওইবনিনা থল্লুবদা নীং-ঙমদবনা লেকক তৌহনা লৈ, অহুদস্থ অমুকা—“মৈথক্তুদা থাং-গত্তুনা ক্‌ত্রিবয়ানে, মৈহু অরেম্বদা চাক্তুনা লৈয়িবহু নমীত্তুনা উত্রা ঈকায়দবী” হায়দুনা ক্‌দুনা নমদনা থাংগৎহল্লপা ক্‌ৎহল্লী।

অহুগা য়াইবী লৈমদি মাগী হীপ্লকম মকাদা চঙশীল্লগা পোথাহনা লৈখি।

মতম অহুদা থেংগু ফুৎলিবা লাইজ ঈশিং অহনা থাম্বী মৈশাখোনবু অরেম্না লৈতনা অশুম অশুম শাবা হেনগৎলক্লুনা শৌগৎলক্লীবা ঈশিংগী য়াউরা খোম্বোক্তা "ঈমাগী লাংলেল ঈবেম্মা! ঈমাদি থাম্বী মৈশাখোল লাংথিবনা খুঙেং য়োনা থুমজল্লক্রে, ঈমাদি খাঙঙম্লক্তে দো; থাম্বী মৈ নেম্মুগবা ঈবেম্মা" হায়দুনা মমোম সনালেম্বীগী মফমদা থঙহল্লকপবু হেক তারগা, থম্মোয় লাইয়ুম কায়না মুংশি খোয়বু থীৎনা চাকথিহনা মীৎলু নাপোম অনীমক্তা লাইজ পিরাং অরৎপা লৈতনা চদূম চদূম শিন্থরক, "হা—পল্লেম ঈবেম্মা! নমোম লাইবক থীবীবু করি ওইহৌরসিগে অপোকপী!" হায়না থাজীললিবা অচাকপা শীং অহু হেক শত্তোক্লগা খাঙঙমদনা খাঙ, খুদাঙ পিক্কম লাংনা হীক হীক লাউনা কপ্পুনা লৈখি।

মনাক্তুদা কমদনা য়েংহনা লৈরিবা চাইশ্রানা মচেম্মা শীং শত্তোক্লগা কপ্পুনা লৈবহ উরগা "হো—ঈমা! ঐখোয় ঈচেম্বি শীং শত্তোক্লগা কপ্পুনা লৈরে" হায়না মমাবু কৌহনা তাকই। মহুদা মমা য়াইবী লৈমনা নাতারবদা—"মকোক্তুদা থাবেদুনা কোক লাউনা শুজন্নুনে—কৈদোবগী শীং শত্তোক্লীবনো, শিবীদবীহবো" হায়দুনা চৈহৎহুনা লাউরকপদগী, সনালেম্বীনা তারগা মমাতোনবু কিজমনবনা শত্তোক্লম্লিবা শীংহ অমুক হন্না ঈনশন্দুনা ফুৎলী।

ফুৎলিবা থেংগু অহনা য়াংলেপ ওহাক-মুক লৈরগা লাইজ ঈশিং অহনা লোগ-লোগ লাউনা শাবা অশুম অশুম হেনগৎ-

লকপদগী শৌগংলক্লীবা ঐশিংগী য়াউরা থোক্লোক্লা লোয়ননা—"ঐমাগী লাংলেল ঐবেম্মা! ঐমাদি থাম্বী মৈশা লাংবনা খুকতং য়ৌরেদো; ঐমাদি থাওওয়ক্তে, থাম্বী মৈ নেম্মুরবা—ঐবেম্মা" অঙাংগী মমোম সনালেম্বীদা থওহল্লক্লীবা য়াউরাথোমক্‌ তারগা:, পল্লেম মমাগী রাখন্দা থম্মোয় পুথা ওমদনা থোইনা চাক্লবা কাদনা মৈথাকথোয় কনাথিবনা লাইজ পিয়াং অয়ং-অথম নৈতম্মা শিন্নয়ক, খুদাও পিকম লানা "হা—পলেম অপোকপী!" হায়না তেংথাক্লমা থাজীল্লিবা শীং অহুবু অমুকন্থ শক্তোক্লগা হীক্ল হীক্লা কপ্লুনা লৈখিরম্মী। মহুদংসু মনাও চাইথ্রোনা মমাবু কৌদুনা তাকপদা, মমাডোয়া চৈহৎলক্লুনা লাউরকপদগী সনালেম্বীনা কিজকনা শীং অহু অমুক হন্না ঐনশন্দুনা কপ্লহল্লী।

য়াংলেল উহাক-মুকন্থ লৈরবদা অমুকন্থ হন্না থেংগু কপ্লনিবা লাইজ ঐশিং অতুনদি হেন্না অশুম অশুম শাজললক্লুনা শৌগৎক্লীবা য়াউরা থোক্লোক্লা থওহল্লক্লী—"ঐমাগী লাংলেল ঐবেম্মা! ঐমাদি থাম্বী মৈশা লাংথিবনা খাও য়ৌরেদো, ঐমাদি থাওমদরে, থাম্বী মৈ নেম্মুগবা ঐবেম্মা" হায়রম্লগা লেপখি। অহুবু মমোম সনালেম্বীনা তাঁরগা পল্লেমগী রাখন্দা সুংশি থোয়বু থীংখিবনা মীংলু মাপোম অমীমক্তা লাইজ পিয়াং চদুম চদুম শিন্নয়ক, খুদাং পিকম লানা থাজীল্লিবা শীং অহু তনশং শক্তোক্লগা; "হা—পল্লেম অপোকপী! নমোম লাইবক থীবীবু করি শুহহৌরশিগেকে—পল্লেম-ও" হায়রগা পল্লেম মমাবু থম্মোয় কায়না কৌজরগা হীক হীক লাউনা কপ্লুনা লৈরম্বী পল্লেম মমাগী রাথম্না লাকহংথিকুনা তাইবঙী রাখল

লৈবক্বদগী পল্লেম মমাগী বাংগ্না লাকহংখিহ্না তাইবঙগী রাখল লৌশিং পূমকাও কাউখিহ্না লাইজ্ঞ পিবাংগী মক্ন কংখরে, তারক্সা পিরাং তাখিদবে ; অযেঙবদগী মাংকম অমুক হোংখিদবে।

মহ্দা মনাও চাইশ্রনা উবগা মম নু কৌহ্না তাকপা মতমদা, মমাতোন যাইবী লৈমদি শাউমংখ্রহ্না মাগী হীপ্পফমদগী ফুক হৌগংলক্কুনা চাক্লিবা মৈহুম শী অহ্না মখ্খাঙদা হেক চুশব্বদা সনালেম্বীদি খাম্বী মৈশাথোঙ্না খংহৌদনা থোইনা হেন্না খংপ্রেক্ক খংহ্না ক্রীং ক্রীং লাউ খংনা চোংহ্না হেক থাঙজে, অহ্মক্তদা অমুকস্থ মশম-মনাহ্ পাযবগা লাক হাযহ্ন, মখোঙপাক্লস্থ হন্না কওশিনবীহ্না, "হয ঈক য থাদব শিগা, ম যথাবী, পীদং-পাদংপী নঙবুনে। থেংগুসিদা ফুংহোদি হাযত্রদনা, কবিনো কপসন্নবগা, লাউশিন্নবগা কনানবু শুংশিবাদৌবিবনো—তানীংদে, নঙনা খিং শিজ্জখবোনে, হৌজিক-মক মুন্ননবা শীহু ঈনশন্দ্রিববা—হানে" হায়না সনালেম্বীবু ফু-চৈংহংলম্নগা মকদা অমুক চঙশীন্দুনা হীপ-থখি। অহ্দা সনালেম্ব'স্থ কপ লাউ খাংনা অতংপা লৈতনা শিম্বরক্লীবা লাইজ্জ পিবাংবু তৈথোক্ল-তৈথোক্লহ্না শক্তোকলুবিবা শীং অহ্বু অমুক হন্না ঈনসন্দুনা ফংহল্লী।

অস্থন্না তৌবহ্না মমোম সনালেম্বীবু পল্লেম অপোকপী মমাগী মশক ওইরিবী "থেংগু লাইনা অপীখকচা" অহ্বু হন্না ফুংহল্লকপনা রাংলেল ঙহাক অমুকস্থ লৈবগা লাইজ্জ ঈশিং অহ্না লেপ্পা লৈতনা অঙুম অঙুম লোগ লোগ শাবা হেঞ্জল্লক্কুনা শৌগংলক্লীবা য়াউরা খোঙ্হোক্তা "ঈমাগী লাংলেপ ঈবেম্মা ! ঈমাদি খাম্বী মৈশা লাংবনা

খোৗরী চরম য়ৌনা থূমজল্লক্রেদো; ঈমাদি খাম্বী মৈশাখোল থাওবা ঙমদরে, খাম্বী মৈ নেম্মূগবা—ঈবেম্মা” হায়না অমুক্তা হন্না থঙহল্লকই। অদুদা মমোম সনালেম্বীনা য়াউরাখোনবু তারগা, পল্লেম মমাগী রাখন্দা থম্মোয় লাইয়ুম কায়না চাকখিবনা থারীবা শীং অদুবু তনশৎ-শত্তোক্লগা “হা—পল্লেম অপোকপী!” হায়না পল্লেম মমাবু তেংথা-নাউওইনা কৌ, খুদাঙ পিকম লাংনা মীকপ্পত্নুনা লৈ। মতম অদুদা মনাও চাইশ্রানা মচেমগী থোৗদো অদুবু উবদা মমাবু কৌহুনা তাক্লকই। মমাতোম্না খোন্দা খোনফম মীচৈ থীনা সনালেম্বীদা লাউরক্তুনা চৈহৎলকপদা, কিমনবদগী থেংগু অদুবু অমুক হন্না ফূৎলী

ফূৎলিবা থেংগু লাইনা অপিখকচা অদুবু রাংলেল ঙাহাক অমুকসু লৈরগা, খাম্বী মৈশাখোনবু খুৎ থোংবা ঙমদনা লোগ লোগ লাউনা শাগৎলকপদগী শৌগৎলক্লিবা লাইজ ঈশিংগী য়াউরা খোম্থোক্তা লোয়ননা ঈশায়কু-হুংদগী অরোয়বা ওইনা “ঈমাগী লাংলেল ঈবেম্মা! ঈমাদি খাম্বী মৈশাখোল লাংবনা চীনবান য়ৌনা থূমজিল্লক্লে; ঈমাদি পূমলোয় লোইরেদো—জী⋯।” হায়না থেংগু লাইনা অপিখকচা ওইনা শায়োল্লক্লীবী অপোকপী পল্লেম মমা শংখুলেম্বীনা মমোম সনালেম্বীগী মফমদা পাউতাক কয়া-মরুমশিংগা লোয়ননা অসুম্না হন্না হন্না থঙহল্লম্লগা অরোয়বা ওইনা য়াইবী থরায় থাখিরম্মী। পল্লেমগী হুংশি য়ারাখোলবু মমোম্না তাজহৌরগা চাক্লিবা শীং অদুবু অমুসু হন্না তনশৎ-শত্তোক্লহুনা, থাওঙম্লক্তুবা পল্লেম কায়না মৈচাক্তা লোয়ননা “হা—পল্লেম অপোকপী! নমোম

লাইবক থীবীবু করি ওইহৌরমসিগে—অপোকপী!" হায়না "পল্লেম অপোকপী ঈমাবু পুন্সিগী অরোয়বা ওইনা কায়নখরেকো" হায়না খল্লুবদা খাঙভমদ্রবা ক'য়না মৈচাক্লা চীনবান থক-খা থ্রক থ্রক কংনা থুম্মাংলত্তুনা লাংজ থিঙেল ঈনম খায়বগুম মীংলু নাপোম অনীমক্তা পিরাংতনা পুমচোং চোংলা, হীক হীক লাউনা তেংথা-নাউওইনা কপ্লত্তুনা রাংলেল খরদত্ত থম্মোয় লকা মুংগী কায়না মৈ-চাকখোনবু ওন্ন থোইনা খাংদুনা লৈজে।

মত্তুদা মনাও চাইশ্রানা থম্মোয় শোক্লা; মুংঙাইতনা পল্লেম মমাবু "ও—ঈমা! ঐখোয় ঈচেদি শীং শত্তোক্লগা কপ্তুনা অমুকশু লৈরে" হায়না কৌত্তুনা তাকপা মতমদা মমা য়াইবী লৈমানম্ভু হন্না হন্না মচানা লাউ কৌরকপবু তাবদা, শাউমনগ্রত্তুনা মাগী হীপ্পফমদগী ফুক হৌগংলক্লগা চঙশীল্লক্তুনা, অঙম-অরায় খঙদনা কপ্তুনা লৈরিবী সনালেম্বীবু মশম-মনাত্তু তাপ পায়না লাক্তুনা কোয়হায়-হায়রগা, শেং-শেং লাউনা অমুকস্থ ফুদোক্তুনা,— "মীনাইস্তুবী. ঈকায় খঙদবীসিগা নঙবুনে! নমা শিথ্রবীত্তু কৌত্তুনা শু-শা, শু শা কপশীল্ল বগা-লাউশিন্নবগা, নচংতুননিনে খঙলবরা নপা-নমা অমতা খাঙলা ঙমদ্রিবদো। শিথ্রবী নমাত্তু ঙহাক লৈতনা কৌরগা অমুক হল্লকথি-গদ্রা? নঙবু কনানা মুংশিগনিস্থ নীংদুনা তৌরিবরো? পেঞ্জরে; ওকচরে; ওঃ খিরে। থেংগুদুদা মুন্ননা থুনা ফুংকেদি হায়দ্রদনা করি থোকয়েদনা তৌজ-শারিনো—ঈকায়দবী? হৌজিকমক মৈত্তুবু ঈনশীন্দ্রিব্রা—হানে" হায়না চৈ-থাংনা চৈহংতুনা শত্তোক্লম্লিবা শীংজা অত্তুবু অমুকস্থ হন্না নমদনা ঈনশনহন্দুনা মুন্নবা থেংগু অত্তু

ফ্ৎহল্লে। ফ্ৎলিবা থেংগু অত্নুনা মুল্লবা মতম্দা মৈথক্সপী থাংদর-ক্নুা লৌথে ব্লগা অহাওবা মতোঙ মথৈবুনা মমা-মচামা চাথোক্লে। মরু-ময়াওশিং থরনা মানা চানবনি হায়দুনা পী। সনালেম্বীনা মাগীম্মি হায়দুনা তম্নকপা অহুবু চাইথ্রা মমা-মচাবুদি উহন-খণ্ডহন্দনা "পল্লেম ঈমা অপোকপীগী অশেঙবা মুংশি চেংলৌ শক্তমদো অমুক হন্না হন্নক্লরোয়, পুন্সিসিমগী হন্দক্লা ন্নোইরেদো" হায়না থল্লুব্লগা কয়ামুক থম্মোয় চাক্লা কপ্লহুনা মফম চাবা অমদা মালেম লৈরেল চন্দুনা লোইশিনখি। সনালেম্বীনা পল্লেম মমাবু নৌনা শেংনহুনা কায়ন-খিবগী থাওড্রমদ্ররা মৈচাকখোম্না অন্তাওবীগী পান্দম ওই, তাইবঙ মালং পানসিদা য়েংলু-য়েংলুবা, থল্লু-থল্লূবা খুদিংমক্তা ঈহাওদ-হাওখরে। মাগী ক্নুনা হন্না য়েংখিবদা অমতা উদনা পিদোল্লবী অমা ওইহুনা থোইদোক্ল-মক অরা-প্লোথাকম খড়দনা, কায়না মৈশা লাংবা ওইরহুনা মপুক্লীং য়াম্না নৌথোক্লা মুংশি-মুংওন্না থোয়রাঙ লাওক্রবা অমা ওইনা মীংম্না ঈরা শিন্দুনা খুদাঙ পিক্ষম লাং, য়াওরা খোম্থোক্লা হীক-হীক-লাউনা মীকপ্লহুনা কোরো মুমিত্নু মদি চাদথকখিদনা মাগী হীপ্পকম মকাদা চঙশন্দুদা লৈখি।

মম্মোম অনীবু নাউয়োকপা

পম্বৌ-পল্লেম অনীমকস্নু চহি মতাঙ, মনুঙ-মতন চাদনা পীক্ল-নৌনা শেংনহুনা কায়নহৌরবী সনালেম্বী অসি তাইবঙ মালংপানসিদা মাগীদনক্তনি হায়দুনা য়েংখি-য়েংখিরা খুদীংমক্তা মচেম অমা, মহু নিংথৌ মৌপা অমা নৈন্নহুনা কয়ামুক্তা তানা-থোংনহুনা নাউখি

শাজনীংঙায় কনা হুম্না অমা লৈজখিদ্রবী. চহি ঈনৌ-নৌনা ময়ায়বক ফংনা য়ৌনা, মপোক্ত নোংদম থীরবী; চীকোন-নাউকোনবীনবা লৈজদ্রবী অমা ওইহুনা চাবা, শেৎপদা করিগুম্বা অমতা মনীং থংজদ্রবী মরক-মরক্তা কপ্পা কপ্পস্থ লেলজররবী, তোল্ল-তারবী, মীগী ফিমন ফিগায় খুঙ্গবী, চাকলেম চাদুনা লৈজররক্রবী, শিনশাং ওইনা মপাংগনতা রাজহুনা পুন্সিগী অরোয়বা মতম্ন রানা, চাক্লা খাওনা মনাও চাইশ্রাগী [1]লোয়য়িন-থৌগনবীগী মশক ওইনা য়াইবী লৈমা মমা মচানা অথী-অথীবা. অয়াকপা. তুজুংবা রাঙৈ-রাঙাঙ খোন্দাদনা মঙোন্দা হুম্না হুন্না শীজন্নবীহুনা অমসুং মানা সূজ-নোমজবা কয়াদা হুন্না-ইন্না শিংথা-নবীবা লৈতনা অশুক্কী মতীক থাবৈ-খরা শানা মীনায়দা মীনাইগুম ওৎ-নৈ-থাংনা নাউকোন্দুনা মতম পুম্বদা মখোয় মমা-মচানা সনালেম্বীবু অসুম্না লাকখুহুনা থম্বীখি।

সনালেম্বীগা, চাইশ্রাগা মচীন-মনাও অনী অসি শকওঙ-শাদা, চাউদম শাংদম্বদা শাহৌ-শাবান চপ মান্নে। মসিমনা খরা, মরাংলী. সিনা খরা মহেল্লী হায়নিংঙায় থোইনা খন্দোক খঙ্গন লৈতে। মান্নদবা হায়ববু ঙাঙখোক শক্তোরকপা রাঙাঙ খোন্দা-খোনফমদা অমদি লীচং-শাজৎ, পুকচেল-খোয়জেল লিংজেন্দা খঙবদগী হেন্না শক-খঙনদে। নাউয়োক-নাউকোন্দা, শেৎতোক-ইন্থোরকপা ফিজেৎ চাকচাদা শক্তম অত্তুক খঙবত্থ মঙায়। মচীন-মনাও মখোয়-অনী অসি মতম পুম্নমক্তা চান্ন-চিন্ননা লৈমিন্নহুনা মীকুপ অমতম্ন খক

১। লোয়য়িন-থৌগনবীগী মশক=লোয়নহুনা ইন্নবা মীনাই থৌগনবীগী মশক।

থাদোক-শেত্তোক্লবা, লৈতে। থবক শিন্থা কয়াদা স্নুরে সুমিন্নে, অমদা চৎলে চৎমিন্নে। অরাবা কোঙ্গায় থাডদুনা মুংঙাইবা শরূক মচেৎ অমতা ফংজদ্রবী সনালেম্বী অসিনা মচৌন্দা হায়দোক-ফোঙ-দোকচন্দ্রবস্থু মতম পূম্বদা মনাও চাইশ্রাবু অতোপ্পা লম্লানবা অমা ওইনা খনবা ঙমদনা, য়াম্না মুংশি চান্না থৌজানগী মীৎয়েংনা য়েংবীহুনা মনাওদা মনাও অমা ওইনা লোয়নহুনা লৈমিন্নরকই। মানা খনজে—"ঐগীদমক্তা য়াইফ-নুংঙাই নোংম্বীনবা হায়ববু ঈমা য়াইবী লৈমা নত্তনদি ঐগীনি হায়বদা কনা লৈজবা নৎচদে। ঈমানা পোকচবদা ঈচীন-ঈনাও ঐখোয় অনীদগী কেন্না অতোপ্পা অমা-মুক পোক্লকপসু হৌজিক কাওবদি পোক্লক্তি্রবনি। নীঙোল ওইবী মপোক ঐখোয়শে মীগী লোয়নবী ওইনবা তাহবঙ মপোকসিদা পোক্লক্লবনি। চনু নীঙোল ওইবী ঐহাক্না মীগী লোয়নবী তাল্লোয় শীংদা চন্দুনা মপু অমা পানগ্রবদা, অমুক হন্না পল্লেম ঈমাগী পুন্সি মতোল লোম্বা কাওবা নীংথী-মুংঙাইনা পেন্নবা তৌজবা ফংলরোয়দবনি; পল্লেম কোন্দা মতম খরদঙ ঈনীং তম্না লৈরিঙৈ অসিদা ঐনা ঙমজবা ঈথৌরাঙনা সুজ-নোমজহুনা পল্লেম ঈমাগী নীংবা থুংনা পেলহনবনা ঐগী ঈথৌদাঙ ওইরগে; অসুম্বা মীগী পেলহনবদা ঐগীসু মুংঙাইবা পেজবা কংবা ঙম্মগনি।" অসুম্বা "রাথন্না" মাগী ফজরবা কজবা লমজীং, লীচিং ওইরহুনা, পল্লেম মমাত্তোন য়াইবী লৈমনা হায়বা, তাকপা মতম খুদীংমক্তা, হীরম-থৌরমশিং কয়াদা অমুক্তসু হীক্তোক-লাকথোকপা খক তৌদনা মমাগী পেন্ন-মুংঙাইনবত্তা তৌজহুনা খাঙলা লেলহুনা লৈজরকই। থবক শিন্থা কয়াদা সুজ-নোমজহুনা অরাবা

চৈথেঙ কয়া- হন্না কংলবম্ রায় কৌবদা হায়বা উহন্দে। "তাইবঙ মপোক নহাকপু রাজগে হায়বদগী তাইবঙ মপোক ওইনা পোকলিবনি। অহুবু হৌগ্রবা কোঙ্গায়দি হোৌখরে, নীংশিংলুরগা খল্লুহনা অমুক কানদ্রে। অহুগা অরাবগী ঈপাক্তা তারগা অরাবা কোঙ্গায় খাঙবদা 'রায়' হায়দুনা শোল্লগা, হন্না নীংশিংলুরগা অরাবদুম অহোয়ননা হেনগৎলক্লী। অদুগী মতুক্তা 'রায়' হায়বসি শোনবা তোক্কুনা, এগী তৌগদৌবা ঈথোদা ঈথৌ শিন্থা ওইহনা তৌজবা অহুতনা এগী চাওখৎপা তোঙজবা, অরা-পোথা মুংঙাইজবা ওইগনি।" অসিগুম্বা রাখল্লা মাগী মপুক্লীংগী শৈরেং চৎলম ওইহনা খাঙ-হৈরবী পুকচেল-খোয়জেল অমা ওইনা অরোয়বা পুন্সিগী য়াহীপ পাউজেনতবু লেনজ-খাঙজহনা ঙাইজরকই।

কুপত্রেংনা ফম্বাল চাংদম্বা

মৈদীঙঙু সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা কংলৈ পুঙমায়য়োল লৈপাক অসিবু থাদোক্লম্বা অসি চহি কুমজা মতম ফল্লা মুংশাংলক্লে। মতম অসিদদি লৈপাক অসিদা লৈরিবা ময়ুম তাইবঙশিংনা "লৈপাক নিংথৌ পাম্বরে" হায়না নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরকপদগী মমৈদা অকনবা অমা ওইরক্কুনা হৌজ থেনখাঙ য়ামশিল্লকলে। রাকম অসিবু রায়েন কম্বে কম্বা লৈপাকী অঙম্বাশিংগু মহৈ মহৈ নাতানরক্লে। মতম অসিদদি রাকম অসিবু ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মকমদা "হংগৎহুনা রাহৌ-দোক্কবা য়াদ্রে" হায়দুনা কোরৌ নোংজা অমদি "কংলা থৌদা রায়েন

কুচু" শঙদা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগা লোয়নবা লৈপাক্কী ফমনাই-তুনাইবশিং খ্যায়স্থ ফমদ্না তিনবা মতমদা, লৈপাক ঙাকপা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মফমদা অঙম্বশিংনা হংগৎলী—"ঙসি লৈপাক ঙাকপা ময়াম্বুংগী মফমলাংদা ননাই ঐখোয়না য়াফম অমতদি হংগৎচরি, হংগৎচরিবা য়াফম মতাঙদি—'লৈপাক অসিবু পিবা নাউদা-দহুনা কংলৈ ফম্বা পিবা অমুকস্থ হন্না কাংলবা তারক্লে। নশানৌ ঈবুঙেঙ্গানা লৈপাক পুবা ময়ুম তরেৎকি লুচিং পিবা ওইরগা মালেম লৈকোয়খিবদগী ঙসি ফাওবা হল্লকপা লৈখিদবা অসি থাজ কুমজা ফনা য়ামশিল্লক্লে। মফম অসিদা ঐ লৈ হায়বা করিগুম্বা ঈ-পাউ অমতস্থ ঙসি ফাওবদা তাবা ফংবা লৈতে। মসিনদি লাইরকচন্দা অকায়বা, মচু শেংদবা হায়দহু থোরক্লগনি' হায়না লৈপাক্কী মপুক্তা অনীংবা, অপাম্বা পেন্দবা অসি কৌরৌ নোংগাংদনা অশুম অশুম ঙাঙনা শোয়বা হেনগৎলক্লী। মসিদা ময়াম্বুঙনা অমুক্তং তরা থোক্লা য়াখল তৌবীহুনা খন্থবিরগা, ফম্বাল তাঙবন অসিদা লেংশীনবীহুনা পিবা থৌ পুবিনবা তৌবীনবা চুমগদ্রা নীংজরে; মরম অসিদা ময়াম্বুঙনা অমুক্তংদি হন্না খন্থবীসি।"

লৈপাক ঙাকপা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংনা ফমদৌ অঙম্বশিংগী য়াফম খোল্লাউবু তারগা, মহুদা পাউখুম্লকই,—"অঙম্বা লৈপাক্লা হায়বীরিবা, তাকপীরিবশিং পুম্নমক অচুম্বা, অওয়ব-মক্তনি; ময়ুম তরেৎ পুবা পিবানা মচু শেংলক্তবদি লৈপাক্কীদি থোইনা অমাঙবনি; মসিদা থোইনা হায়নীঙায় মরম লৈত্রবনি। অহুবু অহুক ঈনাও নিংথৌবু থিবা, হুম্বা য়াবা মথে মফম কয়াদা ঐগী মী থারগা থি-হুমহুনা অমুক্তদি য়েংজখিগে। কংলৈ পুঙমায়য়োল ফমগদৌবদি ঈশানৌ সেন্দ্রেং মনিক্লা

ওইগদবনি। ঈনাও লৈনা লৈনা ঐনা কঙ্কাল তাঙবন কম্বা অসিদদি লৈপাক অঙম্বশিংনা ঙাকপীবা নিজগে" অম্বুম্বা হায়রক্না লৈপাক অঙম্বশিংগী মফমদা খঙহন্দ্রনা লৈখি।

ময়াম্বুঙ কুপত্রেংনা মশাক্কী সেপ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্ববু মফম কয়ামুক্তা মাগী মী থার-থরক্না চম্না চম্না থিহনখিবদা, মায়কৈ কয়াদগী কয়িগুম্বা ঈ পাউ অমতম্ব তাবা, ফংবা লৈখিদরে। মনাও সেপ্রেং মনিক নিংথৌনা মহল্লকবা, মন্না-মপাউখোল লৌস্থ কয়ি অমতা তাবা লৈখিত্রবদা, ময়াম্বুঙ কুপত্রেং অসি মনাওগীদমক্তা খন্নু-খন্নুবা খুদীংমক্তা তুংক্ষম, হিপকম, চাকম খঙদনা অরাবগী পম্বেং লম্বী অমা ওইনা মপুক্লিং য়াম্না রাবক্লে—"করমনো! ঈনাও নিংথৌ অসিনা তৌগ্নিবা অসিবো? মাগী ঈ-পাউ অমতম্ব ঙসি ফাওবদা তাবা, ফংবা লৈখিদরে; ঐবু মওঙ-মতৌ করম্না তৌসিবনো? লৈপাক অসিম্ব নিংথৌ পান্দবা লৈপাক হায়বম্ব থোক্কবনি। নিংথৌ পান্দবা লৈবাক হায়বসিদি মপী-মপা মশক খঙদবা লৈপাক অমম্ব থোকই। ওম্বোকইদা! সেপ্রেং নঙনা হন্দক ঈয়াম্বদা তৌরম্নিবা লম্বী অসি ওম্বোক্লা অরাবগী পম্বেং অমা ওইনা থোকপ্রেদা—ঈয়াম্বদি। ঐনা নিংথৌ ওইরুরে, নঙনা হেক লাকপা থোকলো; মচুনা নঙনা ঐবু শাউররো; মচুদা ঐনা কল্লক-মিহৌ চাউক্না ঈনাওগী নিংথৌ খুমম্ব হেক মুম্নিদা হায়ক্না, ঐদি করিম্ব কজকম-লেমজকম অমতা লৈতে; ওম্বোকনা লুপ্রেদা—হন্দক ঐনা তৌগদবা মতৌ-মওঙ্সে! মহাক্লা হল্লক্কবা অসি চহি কুমজা মরী-মঙ্গা হায়বম্ব নংলক্কবনি। অচুগা মানা হল্লক্কবম্ব মফম অসিদা ঐ লৈ হায়বা মরম অসিমতা খঙহল্লকবম্ব

থোইদোক্লা লৈপাক অসি মনা-মনিল নাইদনা নিংথৌ পান্দবা অমা হায়বহুক্ত থেকলোয়দবনি। অদু মঙায়রে হৌজিক্তি লৈপাক অসি নিংথৌ পান্নবনিনা মহাক্লা হল্লক্তি্রবা মথৈদি ময়াম্বা ঐনা লৈপাক পুবাগী পুবা, লৈপাক্লা নীংবস্থু থুননবা, নিংথৌগী তাঙবন থক্তা কমহুনা পিবনা তৌগদবা, চৎকদৌবা লম্বী অছু মহুৎ-মরেং শিন্দুবা থৌশীন-থৌরাঙবা হায়বহু মঙাইরে।" অস্থুম্না অঙম্বা লৈপাক মযুম তর্ক্কী মরাদগী "পিবা কম্বাল ভোংলগে" হায়না রাবদা পম্ভেংলবা ময়াম্বুগু কুপত্রেংগী রাখন্দা লেপ্লহুনা, লৈপাক অঙম্বশিংদা মহাক্লা নিংথৌ ওইহুনা পিবা কম্বাল তোংনবা খঙহল্লবদা; নিংথৌগী কম্বাল তোংবদা চঙগদবা পোংলোয-শমপোং, চোঙ-শেকপীম্নচিংবা ওয়্না থৃজীন-থৌরাঙ-থৌশীন্দুনা লৈখি।

মতম অসিদা ময়াম্বুগু কুপত্রেংনা "মনাও সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনদি য়ুমলেপ চারা থনমদবনিনা ঈ কাংহৌবা তারে" হায়না মপুক্লীং রাখনখিবনা "পিবা নাউদা ঈ কাংহৌদনবা" হায়হুনা ঈবেম্মা "থাকপা নিংথৌ চনু পুবিংলেলগু'বু লু-হোংলক্তুনা পাম্লগা, "লৈপাক্কী মনীং থুংনবা থৌরাঙ-থৌশীল্লগে" হায়না খল্লক্লে। মতম খরগী তুংদা ঈবেম্মা পুরিংলৈলগুগী [1]শীনয়োমহুংদা মবুউেঙা কুপত্রেংগী নোংদমদগী [2]রা'বা চেংঙাচাগী মঙত্ববু হৈয়াঙ্ মশীং পন; পুকথুং ফিয়ানখবে। মতম অসি কাওবা লৈবাক্কী ঙফমদা পাউথুম থখল মথা থুমহুনা মনাও নিংথৌবু খাওদূনা ঙাইরকপদা, লাকপা লৈখিদরে।

১। শীনয়োম-হুংদা = নাউয়োমদা।

২। রাবা চেংঙাচা = থরায়, জীব অথা।

মপাউ লম্বীশু কম্রি অমত্তা তাবা, কংবা লৈখিদ্রে। মতম অসিদদি কুপত্রেং অসিনা খল্লী;—"ইদাইরেমগী [১]খোয়জী-খাদা রাবা মিহুল তমখিবা নাউরা অঙাং অসিনা করিগুম্বা নীপা ওইনা পোক্লকপা থোক্লবদি 'কম্বাল তোংখিদবা মচা' হায়নহৌরগনি। অদুনদি রাবা চেংগা অসিগী কনবা লম্বীগী-দমক পিবা কম্বাল কায়দনা; মেন কম-বাল তোংনবা লমবী অসি তোংহৌদবা য়াত্রে" হায়না কম্বাল তোংন-বগী লম্বীবু লৈপাক্কী কমদো অঙম-অথৌশিং ওন্না কৌথত্তুনা খঙ-হল্লবদা; ময়ুম তরক্কী অঙম্বশিং নোংদারেল, চীগুম্নিরেল, রাংঙাং-লেল, মুন্নাংবা শয়িরেল, শেম্ম-হুনবনচিংবনা কম্বাল শীল-ল্যাঙলদুনা অঙম্বা কমদো হুম্ফ-মরী তিন্না ময়াম্বু কুপত্রেংবু ঈরু-মায়তা ঈশেংহনা চরৈ ফিরোল অঙৌবা শেংলগা, মুংথিল পোপ্তা হুনবা মতমদা, ঈবেম্মা পুরিংলেলগুনা ওয়দা কম্বাল লাং, মব ঙেঙা কুপ-ত্রেংনা য়েত্তা কম্বাল লাংনা অঙম-অথৌ, কমনাই-তুনাইবশিংনা য়েৎ-থাঙ-ওয়থাঙ পায়না থৌগল থাজওই। চোঙ, শেকপীল থান, কাঙ-হায়-হুমায় থৌগন্না কোরী থরাউজি খোং, পিবা কম্বাল মিংহুল-মিংলেল তমহনা হেক-মক কমথরকপা, থাঙ-তানচিংবা মখল-মখা মথেল কয়াগী হরাউ-কুম্মে তৌহনা লৈনখিঙৈ; লৈপাক মীয়ামশু চীরু চায়না ওমদনা তিন্দুনা ঈনীন-নিন্না মহৈ মহৈ লৈনরিঙৈ মতম

১। খোয়জী-খাদা রাবা মিহুল তমখিবা—খোয়দৌদগী খুদোল অনী মখায়দং হেক লৈথরগা মিহুল অম্বা হুনবা থেংনগনি, মহুবু খোয়জী মিহুল তমবা কৌই।

অদুমত্তদা, [1]মুরাং থাওহী ভাংওোই হারমলোমদগী মনাও নিংথৌ অপাম্বা, তম্বা নীপা মীয়ক্তগী তোমথিন ওইবা, মপোক অথোয়-চঙথোনবা, মতীক-মথৌনাদা মীনা তানবা কং-ওমজ্রদা, য়োন-থেংনা মরীংজেল করবা "সেন্দ্রেং মনিক"ও মথুংস্থ খুংলায়গা লোয়ননা শাফি-লানফি শেংলহুনা চহি কুমজা মতম থয়া হুংশাংনা কংলৈ ময়েবাক থাদোক্লমহুনা খা, নোংপোক, নোংচুপ, অরাংলোমদা লৈ-।গ্রবা লৈপাক কয়ামরুমশিংবু খুদুম চল্লুহুনা লৌয়য়গা; "কংলৈ ঈয়েবাক থাদোক্ত্না ঐনা থোরক্লীবা মতমসি চহি মতম হুংশাং-মক্লে; লৈপাক্লা, অমদি ঈয়াম্বুঙ্না মনাও ঐবু হুংশা থীনয়য়গনি—হল্লগে" হায়হুনা মীয়েবাক্তগী থুংলয়ে।

কস্বাল লুত্তীন লাইরকচন থমথিবা

মমাম্বুঙ কুপত্রেংনা মতম অহুদা লৈপাক মীয়াম, অত্তম অথৌ য়ায়তোঙ-থমদোংবশিং, মথোক কায়ক্লীবশিং থ্ৱায়গা লোয়ননা মেন কম্বাল তোংগদবগী থুজীন থৌয়াওলম্বা মতৌবু মনাও সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা উবদা, লাংগোই শয়াঙ-থক্তগী কুমথরক্তুনা মপুক্তা থোইনা তাথৌনা অশাওবগা লোয়ননা পীওম মমৈ থাজিক থেক, খা-চিক্লনা মীংয়েং থানা য়েংহুনা, থোঙকাপ কমজাও হুমা, মথুংও খুংলায়গা লোয়নহুনা—

"হায় হাব কনানো ?
ওসি নিংথৌ অপাম্বা
ঐমক লৈনা লৈনা

১। মুরাং থাওহী ভাংওোই—মোইয়াং লাইজি।

মেন ফম্বাল মুনগে
খুজীন থোৱাঙ থোঙ্গাল্লবীবা
তম্বা নঙবু কনানো-হৈ ?
নঙগী করি নত্তীক থোমা লৈছুবা
হুরাল লোঙ্গা-হাজা-ননা
খুজীন থোৱাঙলম্লিবা শাই !
লৈরম্মুদো খঙগনি ঙসিদি,
তাঙজ লুরেলছু কল্লগা,
ফম্বাল থক্তগী থাংদগে;
নিংথৌ অপাম্বা ঐগী ঈতৌকপু
ময়েক শানা শেংনা খঙহনগে।"

অসি হায়দুনা য়াক্লবা য়াউরা খোনকমদা লাউ-খোংনা ময়াম্বুঙ তম্না, অপনবা লৈতনা চঙশীল্লকই।

মনাও সেম্রেং মনিঙ্গী মথোৱাঙ মতৌ-মওঙ অছুবু তিললিবা অঙম্বা, লৈপাক মীয়াম্না ঈথর-খঙহৌদনা ওইথোকমন্দবা অঙকপা থোদো অসি উনরকপদা—লৈপাক, অঙম-অথৌ পুম্নমকম্ভ তীঙঙক-মায়ঙক্লম্নুনা—"হীঃ! করি মতৌ-মওঙনো, ঙসিগী তৌরক্লিবা অসিদি !!" হায়না মহৈ মহৈ চপ-চপ লেপ্পুনা, য়েংছুনা লৈনরক্লে। থোইদোক্লা নিল-লাউরম্বা পুম্নমকম্ভ ষাংলেল ঙহাক্তী মনুঙদা উন বাইমুক পুমচীক চীকখরে।

মতম অছুদা মনাও নিংথৌগী অশাওবা রাঙাঙ, মীংয়েং, শাজং মতৌ অছুবু উবদা; রাখল চাউবা ময়াম্বুঙ কুপত্রেনা পিবা ফম্বাল

থক্কেগী লেঙথরক্লগা মনাওগী মায়কৈ অম্মা চঙশীল্লক্নুনা; ঈওনা, তপ্না চঙখোল্লবা রাহৈ-খোনফম্‌গা লোয়ননা মুংশি থৌজাক্লা হায়রকই;— "ঈশানৌ ঈবুঙ্গো! চঙশীললসি, পিবা নফমলাংবু থৌরাঙদুনা ঈয়াম্বনা ঈনাওগী-দমক্তা 'ফম্বাল গাংদ্রবনি।' নিংথৌ ওইবা নহাক্না করিগী অহুক নবুক তাথীনা শাউরিবনো? নিংথৌ নঙগী ফম্বাল নকানি লাউ, চঙশীল্লকউ; নঙগী ফম্বাল তাঙবন নকা অস্রিদা ফমলো-লাউ। ঈয়াম্বনা ওসি ঈশানৌগী ফম্বাল নকাদা চঙদুনা ফম্লম্বদি, নিংথৌ ওইবা নহাক্না লৈপাক্কী লুচিংবা মপু ওইরগা, লৈপাকস্রিবু মতম কুইনা, শাংনা থাদোক্লমহনা হনজিল্লক্কবা; য়ুমলেপ চারগা থনম্দবা, নপাউখোল লম্বীস্থ করি অমতা তাখিদবনা, য়াম্বনা লৈপাক পুবা য়ানবা, কংলৈ পিনা নাউদা মন্নী কাংহৌদনবা হায়দুনা নত্তেমগী শীনয়োম-মুংদা লৈ-রিবা রাবা চেংঙাচা অসিনা তাইবঙ মপাল-লাংদা থোরক্লবদা, নিংথৌ-রোলগী পুয়াদা তিনজববু ওইহনা লৈপাক ঙাক-শেলহৌরগা, ঈয়াম্বনা ঈনাও নিংথৌবু কোয়না থিবা চৎকে রাখল্লুবদগী, ঈয়াম্বনা তাঙবন অস্রিদা ফম্লুবনি। নকা-লাংদা ননীং তৌনা ফম্লরো; ঈয়াম্বনা ঈনাওগী হৈনা তুংইন, থোগম লুচিংজবা ওইহনা, ঈনাওগীদমক লেপচরী।"

ময়াম্বুঙ কুপক্রেংনা রা অসি হায়রম্লগা; লৈপাক মীয়াম, অঙম্বা, য়াম্লতোঙ-থমদোওবশিং লোমদা ওনশীন্দুনা— "ময়ুম তক্লকৌ অঙম্বা, ময়ুম ফমদো হুন্দু-মরীমক। পিবা ফম্বাল [1]লৈপাক নোংথৌ তুববু মায়য়োক লৈকংলসি।" রা অসি তাবদা, অঙম্বশিং পুম্নমকস্থ

১। লৈপাক নোংথৌ তুববু=মেন শুরুংবু, কংলাগী শুরুংবু ফম্বাল তোংলকম্বু।

মক্রম মফম লাংদগী মহৈ মহৈ চৌগৎনরক্তুনা পিবা ফম্বাল ফম্নুরবা ময়াম্বুঙনা মনাও নিংথৌ অপাম্বগী মফমদা ফম্বাল লৈকৎপদা য়াওহনা কৎলে। খুদক অহুদা মনাও সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বা পাখংবগী নখুঙ্কেঙ পায়হনা লৈপাক লোংথৌ তুবা পিবা ফম্বাল উয়ুঙ থক্তা থাংগৎতুনা ফমহল্লগা, ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মশাদা শেৎলম-ইল্লম্মিবা চৈরে অচৌবা ফি-রোলবু হোংদোক্লহনা—"ঈশানৌ! নহাক্কী-দমক্তা ঈয়াম্বনা ফম্বাল চাংদম্বদা শেৎথিবা চৈরে ফি-রোল অসে, ঈশানৌ! নঙগী-দমক্তা ঈয়াম্বনা ফম্বাল ফি-রোল লৈকৎলবনি।" হায়না মনাও নিংথৌবু ফম্বাল থক্তা পুথৎলকপবু য়েংকা-ওইগা মচীন মনাও তিম্মনা ফম্মীম্নরে; অনীনা অমতা ওইনা তীল্লুক ওইববু "সানহল হিংঙম্বা, চীরেল খোম্বা' হায়না কোল্লোয় মিংহুল তমহনা ফমহলখি।

ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মপান নাইদনা মবুক রাখল চাউবা, কজররবা পুকচেল-খোয়জেল-লিংজেল, থোইদোক্ল-মক তমজনফম মশক ওইরবা কয়া মরুম অসিবু মনাও শেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা তশেং-তশেংনা তাজ-উজররবদা, কন্নি অমুক হম্না তৌবা ঙমদনা; ময়াম্বুঙ কুপত্রেংগী মফম-লাংদা নোম্নুকপা রাহৈ-রাচাঙ-খোনফম কয়ামুক্তা লোয়ননা হম্না হম্না চঙজহনা হায়জররকই;—"রাখল পুকচেল চাউরবা, খুজীল-থৌরাঙ খৌশীন হৈবা। য়াইফ লম্বী নোংদম্বীহুনা শেম্বীরম্বা য়াম্বুঙগী মফমদা পুক্লীং রাখল লৈতবা, হৌন-থৌগল্লোল করিম্নু শক-খঙজল্রিবা ননাওনা অশুম্না তৌবা হৌনবনি, অশুম্না চৎকনি হায়বা হৌন-থৌগল্লোল থৌরমম্বু থিদবনা রাহৈ খুবাম চাওশীন্না য়াম্বা থৌগল লাংখিবা কয়াবু, মতম পুম্বদা থোঙ লাওনা হাংহুনা থম্বীরিবা,

ঙাকপী হৈবা ঈয়াম্বনা ননাওবু অমুক্তা মুংশি-থৌজাল নোংদম পীনবীয়ু। নীংথীরবা পুকচেম্না লৈতেং ওইহ্না মতম পুম্বদা ঙাম্থোই-বীরিবা ময়াম্বু ঙদু শক-খঙলুদবনা রাহৈ-রাঙাও অসিনা থৌপল খাজংজগনি খঙদনা. তমথিরবা পুকচেলগী নত্ত রাহৈ-রাঙাঙনা য়াম্নূঙগী মকমদা হৌন-থৌগল্লোল শক খঙদনা খন্দুনা কয়াবু হননা হননা লঙজখিবা, লুতুং রাখল থেল্লবা ননাওনি। চঙজরিবা ননাওবু মুংশি থৌজাল মীৎয়েংনা অমুক্তদি ঙাকপীয়ু।"

"ঙসি কোরৌসিদা ঈয়াম্বনা তৌবীরম্লিবা থোইদোক্লা নীংথীরবা 'চৎলম' অসিনা লাকদবা মতুঙ লাংওন খুদিংদা কাউদনবা লৈপাক অসিগী পিবা ফম্বাল [1]লাইরকচন লূতীন কায়বা, হোংদোকপা রাদবা, অরেপ্পা চৎলম ওইনসি। লাইরকচন অসিবু কায়হন-তাহন্দনা কংলৈ লুবা ময়ূম পিবানা মেন ফম্বাল তোংবা অসিদদি ঈয়াম্বগী মরীনা হাঙ্গা ফম্বাল মেন তোংলগা, অহুগী কোরৌ হুমিত্তুদা কংলৈ পিবা ওইরিবা মঙোন্দা শিম্নবীরগা নিংথৌনা ফম্বাল তোংজববু ওইরবদি চহি কুমজা মুংশাংনা তেক্ত-কায়দনা পাঙবা ওইসম্ম। হায়রীবা লম্বী. চৎলম অসিবু কায়হন-তাহন্দুনা ঐদি নিংথৌনি ঙম্মী হায়দুনা করিগুম্বা নমথেক-নমজা-হাজা-নহুন। মহাক্তনা মনীং-মখা তম্না নিংথৌ মেন ফম্বাল (পিবা ফম্বাল) বু তোংবা থোক্লবদি— নোংদমগী পাউতাক-পুন্সিবু পম্থেংনদনা রাংলৌ লম্ম-খাঙদা তোমতেরুহুনা মাঙবা ওইসম্ম। কংলৈ পুবনা পিবা ফম্বাল

১। লাইরকচন লূতীন—লাইরমলেন্দগী হৌহুনা চৎনরুক্রবা কায়ক-ত্রবা অমনি।

তোংবদি [1]অঙৌ পাম্বনা হান্না ফম্বাল কাবা (ফম্বাল ফি-রোনবু শেত্তুনা), মতুঙদা কংলৈ পুবা পিবাগী ময়ুম [2]পিবা তরক্না ঈরূ-মাপশেঙবীবা লোইরগা, অঙৌ পাম্বনা ফম্বাল ফি-রোল মাগী চরৈ অঙৌবহু পীহনা কংলৈ পুবা পিবানা মেন ফম্বাল তোংবদা শেংপা, কংলৈ পিবাগী চরৈ মচু অঙাঙবা ফি-রোল অসি অঙৌ পাম্বা পিবাদা। লৈকৎতুনা শেৎহন-ইলহনবা। অহূগা ময়ুম তরক্কী কংলৈ পিবানা লৈপাক নোংথৌ তুবা পিবা ফম্বালবু কংলৈ ফম্বদা শিন্নহনা ময়ুম তরেৎকী পিবা কমলেল-ফম্বাল শিন্নবা; অশৈ থোলফাং লেংনা তিন্দুনা অমাই অনপ লৌশীন্না, [3]য়োম্নরেল খাবী লেংনা তিন্দুনা নাউথেম-নাউশুম্না কোল্লোয় মিংলেল-মিহুল তম্বা। মরম অসি লৈপাক অসিনা কোরৌ ওন্দিদগী নিংথৌ অপাম্বা ঐনা হৌরবা অসিনি। ঐগী চরৈ ফি-রোল অঙাঙবা লৈপাক ঙাকপা ঈয়াম্বগী মকমদা লৈকৎলে। অঙৌবা চরৈ ফি-রোল অসিনা ঐগী ফম্বাল তোংবা মতমদা ঐনা শেত্তুনা পিবা ফম্বাল তোংলগনি।" বা অসি হায়দুনা মানা পামজরবা ফম্বাল তাংবলবু ময়াম্বু ও কুপত্রেংনা শিন্নবীহনা, ফম্বাল চরৈ ফি-রোল ময়াম্বুঙগা ওন্নরগা (লৈপাক কোথনা চৎলবদগী হল্লক্কুনা মৈদীঙু লেত্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বা কৌনা) ফম্বাল তোংবা কংজথি। অস্নুম্না তৌহনা হুমিং অসিদি লৈপাক অঙম্বশিং থায় পুন্নমকহু মহৈ মহৈ ময়াম-য়ামদা হন্নথিরম্মী।

১। অঙৌ পাম্বা— অঙোম নিংথৌ।

২। ময়ুম পিবা তরক—অঙোম, খুমন, লুয়াং, মোইরাং, খা-ঙানবা, শলাং লৈশাংথেম।

৩। য়োম্নরেল খাবী লেংন তিন—শাবী-শানৌশিং কয়া তিম্না।

কুপত্রেংগী মপারী পোক্লকপা

মরু্ভেড়া কুপত্রেংগী নোংদমজদী খাকপা নিংথৌ চনু পুক্লিংলেলগ ঈবেম্মা মকুম-মখা ওয়ক্লহনা মনু্ঙ-মতম চানা মপাক্সী অমা পোক্লক্তুনা লৌমা কখরে। নাউক্সা অভাং অমিনা পোক্লক্তুনা ঈরু-থারকাক্ত হেক লোইরগা হৌগক্তুনা লেপ্প-কোয়না চৎলদুনা হায়রকই;—"নপাক্সী ঐনু হনক পল্লেম ঈমানা পোকপীরা অমিমচানা ভাইবঙ-লাক্তা তিন্দুনা লৈপরবদি চক অসিদা ওইদরনিনা পল্লেম-পন্থৌ অনীগী থৌগল পোক্ন নবা কক্সা ভৌজগদবনু মতাঙ্গদা ওক্সমদরে। নপাক্সীবু পল্লেম-পন্থৌনা পোকপীক্সমজবদি ঐবু পোকপীমবা পন্থৌ পল্লেমু থোকপা ওক্সরোয় হায়বর্গী 'কুহুং চব' অসিদা নপাক্সী ঐহাক পোকচরকপনি। নচাবু নাউক্সোক-নাউকোন্দে হায়দুনা অক্সা-হুংশি-হুংওইভক্সা রাখলবু ভৌবী-রগনু—নপাক্সী ঐ চৎচরে।" অসি হায়দুনা কোরৌ নোংথৌ পাংনা কাপ্পক্সা লৈচিলা-কম্বাল লাংহুবা লোইদাম থাজ খুদীংগী মায়হৈপ-মাওক্স-মায়কৈ শীক্সা তমহুনা লৈরম্মগা হায়রকই;— "পল্লেম-পন্থৌ অনীগক। নপাক্সী ঐগী অক্সমগী-নবক অমুক হন্না রাবীবা তৌবীয়ং গনু্ন মতুংগী চক অমদা কৌহুনা নোংদম শিন্থাবা লাকখিগনী। মতম অমুদা আক্সোম লৈয়ায়লেঙ্গা কুমকুমা নচাবু লৈরগনী। নপাক্সী ঐদি নোংদম্বা মপুগী মক্সাথং থৌদাখোলবু শুহনা ভাকপা মক্সাবু কায়দনবা থৌবুজনা লৈজনবা নচানী; কম্বি রাবীক্সিবনো?"

মচাগী পাউডাক তারবদা, পল্লেম মনা খাকপা নিংথৌ চনু পুক্সিংলেলগনা মপাক্সীদা চীনগোয় পাউমেক্সকই;—"পাক্সী ঈবুঙ্ভো

মুংশি চেংলৌ শকহেনবা। নঙগী মপোক অমুক হন্না লাকপদো, পল্লেম নমা ঐনা পোকচবনি খঙবা ঙম্ববা নমা ঐগী মিহুনবু তম্না থোক্লকপা ওইবা ঙম্মুকো। নোংদম্বা মপা-মপুগী থৌদাখোল পুবা পান্নী ঈচাদি 'পুন্নিংলেন' কৌনা লাকউকো ঈমাদা" হায়না মচাগী কোল্লোয় মিংহুন তম্নহুনা পুক্নিং অরা-মুংশি-মুংওন্না, পুন্সিগী অয়োয়বা মতম্ চাক্না ঙাইহুনা লেনবা ওইখি।

মখোদাঙ তাকপা

ময়াম্বুঙ কুপত্রেংনা মশানৌ সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বগী মকমদা "মৈতৈ লৈমা" থিহুনা পিবা কম্বাল তোংনবা মতাঙ চাবা মতম য়েংহুনা হায়রকই;—"ঈশানৌ ঈবুঙো। কুরুম পুঙমায়য়োল লৈপাক অসিবু থাদোক্লমহুনা চংলুবা মতম অসি চহি কুমজা কয়া য়াম্না মুংশাংলক্রে। কংলৈ পুবা পিবা হায়বা অসিদি মেন কম্বাল তোংদবা য়াদে। অহুগা মেন কম্বাল তোংবা হায়বা অসিমু 'চনু নীংঙোল' অমা য়াওদুনা ওইথম কম্বাল লাংদবা য়াদবনিদো। মরম অসি ঈচীন-ঈনাও ঐখোয় খ্বায়গী য়াইফ লম্বী ওইনবনিদো। মসিদা লৈপাক খ্বায়না 'ঐখোয়গী ঈরায়বক অসি ওম্থোক্লমু থীথরেদা; ঈমা মশক শকথঙদনা পুন্সি পন্দোল লোমজরো হায়না নোংদমপ্রমানে' হায়দুনা য়ুমথোঙ শীন্না নোংগাংনা শোন্নয়ে।' ঈয়াম্বদি মরম অসিদা লৈপাক খ্বায়গী মবুক পেলহনবা ঙমদবগী ঈয়াম্বগীমু অরাবগী ঈপাক অমনিদো। অহুগা কংলৈ পুবা পিবাবু 'নিংথৌ' কোল্লোয় মিংহুন্নিবা অসিমু লৈপাক্না খৌরাংনা নীংজবা; থরায় তানা পান্নজবা; মরুম খ্বায়শিংনা থৌশীন-থৌদাজবা মরম খৈবীক্তা কংলৈ পুবা পিবানা লৈবাক্কী অনীংবা,

অপাম্বা থৌরম অহুগী মতুংও ইয়া তঙাইফক কদনা কোংনকম থোকপা মথৌদাও অমা ওইহনা, অথাও কনবা কয়াগা লোয়ননা থয়ায় হকচাং পাম্মুবা লৈতনা থৌনা মায়কোও যানা হীরু-হিরাউ শাবীবা ওইহনা থৌওয়ববু থৌশীন-থৌরাঙবীবা অথোবা মপুন্সী হান্নবা কয়াদগী "নিংথৌ" হায়না কোয়োয় মিং কৌনরি। মসিগী নয়াম্বা ঐনদি কংলৈ নিংথৌদি নত্তবনিনা লৈপাক্কী মমা পীহনা খ্বায়গী অনীংবা, অপাম্বা অহু থুংহনবা মতাও অসি ঙমখিদরে; অহুবু……।" হায়না অরোয়বদা শোম্বাংননা শোল্লমগা বা মথা অমুক তাদনা লোইশিনখি।

মৈদীঙঙু সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা ময়াম্বু ঙ কুপত্রেংগী ফজরবা পাউতাকথোল লম্বীশিংবু তাবদগী "ঐনা নহান মথৈ তৌকরিবা লম্বী অসি লৈপাক খ্বায়গী মবুক্তা মতম মুংশাংনা মুংঙাইনদনা লৈরম্বা ওইরে। নীপা ওইবা মপোক্কী তৌকম থোক্লবা ঈথৌদাঙশিংবু তৌহনদনা, মতম অশুক কুইনা মতীক-ময়াম মূংথংনবা থৌদা থৌরমদা মাম ওনশন্দুনা ঈথৌ পুরুবা তারেদকো। ঈয়াম্বনা কংলৈ কম্বাল লাংহনা মনাও ঐবু করম্বা মতমদা থুংলবগদগে হায়দুনা নোংগাংদনা মতম কুইন-শাংনা অস্তুক রানা, থৌরাংবা ঙাইরম্বা থৌরাঙ অহুবু, ঐনদি লুতুং রাখল হম্বনা থল্লমহনা খুবম অসি লৌরমদরা থোক্লবদি অবাবুগী চৈথেঙ অসি কংলমদনা, মতম পুম্বদা ঈনীং তম্বা, মুংঙাই য়াইবী মরাঙ কায়না ঙসি কংজহনা লৈরমগদবনি। অহুবু মরম পুম্বদা হৌগ্রবা, থোকপ্রবদি থোকখরে। ঐনা হৌজিক করি ঈথৌ তৌবা তারী? নিংথৌ ওইবা হায়বসিদি লৈপাক খ্বায়গী

অপাম্বা, অনীংবা অতুগী মথা পোনবা, কংলৈ খুবম শগুজবা, লৈপাক্কী মনাই অমনি। অমরোমদদি লৈপাক্কী মপী-মপানি হায়রুবদনি। ময়ুম লৈপাক্কুবু ময়াবীত্রবদি, য়াবীত্রবা মুমিৎ অতুদা ঐদি কংলৈ খুবম থাদোক্কুনা চৎখিগদবনি। ময়ুম তরুক্কা য়াবীবনা মকম অসিদা ঐনা ঈনীং-ঈথা তমনা লৈজরিবনি। ঐনা নিংথৌনি ওস্মী হায়দুনা লৈপাক্কা য়াদবা থবক্তা নমথেক-নমজা-হাজা-নহুনা রায়েন নত্তবা কারন্ননা রায়েল্লুরবদি মীৎনা কুপ্পগী মনুংদা ফমজরিবা তাওবন অসি মুনবীখিগদবনি। তোনগ্রেদা মীগী মীনাই ওইনা থৌবুবা হায়বসি। অতু ওইরবদি হৌজিক্তি লৈপাক্কী মনীং থুংনবা কংলৈ ফম্বাল মেন তোংনবগী 'মৈতৈ লৈমা' অমা থিনবা খুঙ্গীল থৌরাঙলগে" হায়না নোংমা কোরৌ চুপ্পা রাখল কয়া তৌহুনা লেপখিরম্মী।

মৈতৈ লৈমা খিরকপা

(লাইজ ঈশিং নিংবা)

মতুংগ নোংমা কোরৌ অমা মৈদীওঙু সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা "পিবা ফম্বাল তোংলগে" লেপ্লহুনা; লাংগোয় শগোল অমা তোংলগা থৌগলুলোয় কনা অমতা য়াওদনা "মৈতৈ লৈমা হাপ্লবা" অশুম মথও মথও মায়কৈ কয়ামুক্তা কোয়না চৎনা য়েংলকই। মৈতৈ লৈমা হাপ্পা য়াবা চনু নীঙোল ঈথেঙ থেংনত্রহুনা কোরৌহনবনা মঙাল শান্নকপা নুংথিল হুমিদাংরাইরমগী মতমদা মুন্নাং থাঙহী ঙাংক্লোইরোমদগী কংলৈ তমনা হল্লকপা মতমদা—খোইমোম লাইরেমা

অনীমক্কা তাইবঙ মপোক অথোয় চঙখোম্না মপোক লাংওম্নকপী মচেম "সনালেমম্বী, চাইশ্রা" মচীন-মনাও অনীম্নু লাইজ ঈশিং শোক্লহ্না ময়ূম খোঙগা অম্নকপা মতমদা, মৈদীঙগু নিংথৌ অপাম্বগা মতাঙ মতম চানা হেক থেংনাখিরম্মী। মতম অদুদা মৈদীঙগু নিংথৌ অপাম্বনা চেংলৌ শকখোঙ-লকানচিংবা চপ শকমাম্নরিবী মচীন-মনাও অনীহবু শক উবদা, মহুগী মরমদা রাখল মীৎয়েং হৈনা কুপ্না য়েংহ্না রাখল তৌরকই,— "খোঙঅোম লাইরৈমগুম য়েংবদা চেংলৌ শক্তম য়াম্না শকমাম্ননম্নু অরাংপা লৈতনা মায়খোঙ লকানচিংবা চঙখোম্না ঈঙনা তনৌ-তনৌনা নীংথীরিবী, মথোক কারক্লীবী শানৌ মখোয় অনী অসিবু কনা কনাবু ওইরিগবা। পায়মা খোয়জঙনা তিম্লাং খোয়দানা চঙখোলবী চনু নীঙোন্দ হায়বদু অনীসিমক থোক-ঈদা। শানৌ অনীসিগী চেংলৌ শককমসি উবদা; ঐবু খোয়জী ঈথক লাংনা অপাম্বা মমী তম্বিদা। শানৌ মখোয় অনা অসিগী ফজরবা শকফমা তিম্নবা তোন-থা মাম্নমা মিকারবী শাহৌ-শাবান তোংগা-নরবী, কুচু-কুমেম্না থোইনা হেম্না নীংথীরিবী, চেংলৌ মায়-খোঙ লকাদা য়েংলবম্নু অরাংপা লৈতবী, চুঙ-ফিরাল চাখিবনা য়েংলু-য়েংলুবা খুদীংমক্তা থোইনা অরাংপা পীবা ওমদবী, অরাংপা অমতা লৈতনা ওম্বোক্না নীংথীজনম্নু মায়ত্রেদা। মৈতৈ লৈমা হাপ্পদা থোইনা কায়গনি নীংদে। পল্লেম অমত্তা পোকচবী মচীন মনাও ওইরিগত্রা? নত্তবা তাই। কম্নিগুম্বা পোকমিম্নবা, শাং-মিম্নবা মচীন-মনাও ওইরম্বা থোক্লবদি শেংনম্নিবা চরৈ ফিজেং লৈজেং অসি চপ মায়গদবনি, মচীন-মনাও নত্তবনিনা মানজ্রিবনি।

লাইজ পুল্লাং লুথোংনরিবী ঈবেম্মা অসিগী থাংদারক্লীবা খোঙচৎ-খোঙথাঙ, য়েংথোরকপা মীৎয়েং-নায়েং, চেংলৌ মায়থোঙ লকা অসিনা য়েংখিবদা মোং-হাদনা ঈভনা তপ্লসু লৈখোল লৈনা উইদা। অছুগা ফিগে ফনেক শেৎলিবী [1]সনাপুন পুবী অসিগী মায়থোঙ লকা অসিনা ঈঙবদি ঈঙই হায়ববু, মাগী থাংদোরকপা খোঙথাঙ লাকথাঙ খূদোংদা শাথেক কমজাও হুম্না, মীৎয়েং-নায়েং তথক্লা উইদা। হংদসি হায়রা এগী খঙনীংবনা অহোয়নছম থম্মোয় মথ্‌ম-মরাঙ হৌনা লাঙতক্করবা রাখল অসি থক কোল্লয়োর। করে, অদূ ওইরবদি মখোয় অনীসু মথোক কারক্লীবী, মপূঙ-মরৈ নীংথিনা কারক্লবী লৈশাবীনি, ঐসু নীপানি, পাখং অমনিদনা। অছুদি শানৌ অনী অসিগী অরেপ্পা চাংদম অমত্তদি শেংন-মুম্না খঙদোকখিগে” হায়না কয়ামুক রাখল তৌনা লাংগোই শগোল তম্না থৌজল্লক্‌না থাম্লগা য়াউরা চীনগোয়রকই,—

"লাইজ পুল্লাং লুথোংনরিবী
থোয়নৌ ঈবেম্মা অনীমা।
খঙদবনা কোল্লোয় মিংসু
খঙদরেদো ঐবু মিংগোকমসু।
শানৌ ওইবী অনীবু
পল্লেম কোন্দা পোকমীরবরা
পম্মৌ কাদবু শাৎমীরবরা ?

[1]। সনাপুন—লৈমা নিংথৌশিংতা শীরুরবা তোপ-তোম্না শাবা পুন মখল অমা।

নূম্না ওইবী অনীগী
চেংদো শক্তম্বু উরুবদা
খোয়দাঙরবী শক্তম্বু ওইরনরা ?
ওস্থোক্না চঙখোম্নসু শকমাম্নেদা ।
পল্লেম পম্থো কনাগীবু
ভাঙনা শাৎচবী মমোম্নোইনো ?
পাখং ওইবা ঐবু
অরেপ্পা অমতদি খঙজহৌগেবা
অমুক্তদি য়াউরা চীনগোয়বীরম্বা
শক খঙজনীংহ্নুনা তৌবনি ?"

যেংবদা শজীক পোম্ভা হুনগুম্বা শাহো-শাবান্দা চাউদম-শাংদম্বা, ঘাম্না ভাশন-চেকশম্না কপয়াঙ-তময়াংনা চীঙ-লেম্বা, য়েংথোক্পা মীৎয়েং-নায়েংদা মীৎয়েং থৌনা মীথোয়-মীহেনবা অমা ওইনা উম্নিবা নিংথো অপাম্বগী মফম্নাংদা — হ য়নীংবা কয় মুক্তা থিংদবী, ভাঙনীংবদা পন্দবী, হুপীমক ওইরবসু মীভম্বী, হায়ভম-তৌভমদবা লৈতবী, ঈরাঙ খঙবী চাইশ্রানা হরাউ মোমোম্ননা চীনগোয় পাউখুম্নকই;— "খঙবীনীংবা লৈরবদি কৈদৌবগে, হায়দোকচবসু মঙায়; করিগুম্বা হংবী লাকপীরম্নোইদ্রা হায়তুনা ঐখোয়সু য়ারোজরম্নিবনি। নীঙোল ঐগী মিংনা 'চাইশ্রা' কৌজে। অহুগা লাইজ পুম্নাং লুথোংনরিবী অসিনা 'সনাকেম্বী' কৌই, ঐগী পোক মিম্নবা ঈচেমশিং থোকচৈ। অহবু মতীক চাদ্রবী চনু নীঙোম্নীগা হনবীরমহ্নুনা হংজরুবদা পাখংগী অরেপ্পা পুক্নচেলবু খঙজদবনা

করিগুম্বা ওথি-ওথিনা তাকপী-লাকপীরমগদ্রা ? ঈকায় থীবী মপোক্তা পোকচবী নচনথোয়নি। নীঙোল ঐখোয়স্তু খঙজ-লাকচহৌবা য়ায়-বদি মমল য়াম্লবা পাখংগী কোল্লোয় মিংলেনবু ভাকপীরম্বদা অকায়বা থোক্লগদ্রা, খঙজনীংই।"

"খোয়নৌ ঈবেম্মা। চাইশ্রাগী য়াউরাখোলবু তারগা ওম্বোক্লা মুংঙাইজৈদা, খঙববু খঙবীনীংলবদি কৈদৌবগেনে, লোইনা শেংনা হায়দোকচরম্বস্তু ঙায়দনা। খঙবীনীংলমলোইদ্রা হায়ত্নুনা ঐস্তু খাং-খাঙননা খাঙজরমলিবনি। ঐ অসে লৈপাক অসিগী কংলৈ পুঙ-মায়য়োন্দা পাঙ্গরিবা কংলৈ পিবানি। ঈমিংনা 'সেপ্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বা' কৌজে। ঈবেম্মা! ঐবু লাংগোয় শগোল তোংত্নুনা লমদম তাম্না, লাপ্পগা কোয়থোক-চংথোকলুবগা, কোয়ৌ মৈশানগা শাখি, য়াংবন মৈ-নগা কন, ছুমাং কম্লগা শৌবনে; অম্না হুকশোঙ লাংবসিদা থবাক মৈবা হৌখয়ে। ঐবু লাইজ ঈথৌ লাংবনা খনাউ মৈবুন পাইখিত্নুনা য়াঙাঙবস্তু নীংথী-মুংঙাইনা থোকচিল্লক্নয়ে। কিগে কনেক শেৎলিবী, ক্যাং লীকফাঙ-লীকোয় শিরিবী খোয়নৌ ঈবেম্মা চাইশ্রাগী সনা-পুন নীংথীবদা শোক্লক্লিবা লাইজ ঈশিং অত্নুবু ঐগী য়াখল অসিনা ঈঙলমগনি খন্দবনা, থোইনবু থক্লীং-লুবা পোকখিদয়েদো; য়ায়ৌগম্নুকো ঈবেম্মা" অসি হায়রমলগা মচেম সনালেম্বীরোমদা মায় ওনশীল্লক্কুনা য়াউরা চীনগোয়রকই— "খোয়নৌ ঈবেম্মা সনালেম্বী! শানৌ নহাকী পুল্লাং-মুংগী লাইজ ঈশিং অত্নুবু ঐগী য়াখল অসিদদি ওম্বোক্লা ঈঙনা উথয়েদা, লাইজ ঈশিং অদুবু খয়দঙ খম্মোয় পোম্না থকচরগা ঐগী ওল্লাঙ-

নরবা শমু হকচাংসে অমুক্তা ঈঙনা পোখাবা ওইজগে, লাইজ খুজোক অমতদি নিহ্নুা থকচহৌগেবা। চিংনবা কোঙ্গায় লৈরবস্নু ঐগী অরা ঈথৌ লাংলিবসিদদি কোকপা ওইহনবীরম্মু, থম্মোয়সে পেনবা ওইজহৌগে ঈবেম্মা; থোইদোকৃস্নু মহৈ ফংবীগনি” হায়হ্নুা সনালেম্বীদগী লাইজ ঈশিং নীরকই। অহুদা সনালেম্বীনা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বগী য়াউরা-থোনবু তারগা, মকাইকমদা নোল্লুক্লনা চেংলৌ মায়থোঙদি য়েংজ-ঙমদনা ঈকায়থীবী রাহৈ-রাঙাঙনা থম্মোয় হুবা য়াউরা থোনকমগা লোয়ননা লৈশি-লৈথোম্না য়াউরা চীনগোয়-জরকই,— “ননাই ওইবী মতীক চাজত্রবী ঐনা শোকচরক্লীবা লাইজ ঈশিং অসিবু, লৈপাক্কী মপু ওইরিবা ঈনিংথৌনা খরদঙ ফান-বীখিবদা য়াগদববু লৈরবদি কৈদৌবগে; খরদা নত্রবস্নু পেম্না ফং-বীখিবদা ননাইগীদি থোইন-হেন্নহ্নুম ঈরায়বক ফবনি।” অসি হায়না লরাই লুথোংননা শোক্লক্লিবা লাইজ পুল্লাংবু থাংদরক্লুনা মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌদা লাইজ ঈশিং হৈনা-হৈনা —“ঐগীনি হায়বা হন্না য়েংজখিবদা কনা লৈজত্রবী; ঈরায়বক ফংনা থীরবী মপোক্কা পোক্লবী, পায়মা রাখল থেল্লবী চনু নীঙোল ওইজরকপনা থকশী-থাশি, হৌন-থৌগল্লোল শকথঙজত্রিবী ননাইবু করিগুম্বা কংলৈ মপুগী মকমলাংদা রাহৈ নত্ত-কারম্ননা থৌগল লাংখিহ্নুা লঙজবা কয়া য়াওরকপা থোক্লবস্নু, পেনবী হৈবা মপুনা থৌজাল থোইবা মুংশি মীৎয়েংনা য়েংবীহ্নুা. ঙসি ননাই তোল্লবীবু ঙাকপীরমগনি।” অসি হায়না লাইজ ঈশিং ঈহৈহ্নুা পেম্না পীথক্লী।

লাইজ ঈশিংবু পেম্না থক্লবা সেন্দ্রেং নিংথৌনা সনালেম্বীবু

চেংলো শক য়েংহুনা মুংশি কাইহৌনা য়াউরা চীনগোয়রকই;—"লাইজ ঈথো লাংলবা মতম অসিদা ঐগী ঈরায়বক কবনা ওসি ঐবু হরাও তয়ায়া পেয়া পীথকপীরম্লিবসে ওম্ভোকুস্থ থম্মোয়সে পেঞ্জরে। অদুমদি ওইরগা হরাও মুংঙাইজনা ঈরালয়ায়দা হঞ্জ-খিবদি তাবদা, কোরো ওসিসিদগী হৌরহুনা মমল য়ায়বা খোয়নো ঈবেম্মা সনালেম্বী নহাক্কী লমন অসি নশাবী পাথং ঐঙোন্দা তোনশিলহৌরবনিদো। ঐনদি করিনা অমুক শানো নহাক্কী লমনসিবু শিংজগনি? মসিগীদমক্তা থল্লুবদা পাথং ঐগীস্থ অরাবা ঈপাক অমা ওইজরে; পুন্সি অসিমগী অমুক কাউজথরোইদো। অহুগা কোরো ওসিবু ঐবু পঞ্জনীংলুবা অমনা হায়জনীংবদি কোঙ্গায়নি, ফোঙদোকচরমগে থল্লুবা রাকম খরদওবু ঈকায়-থীবনা অচৌবা য়েক্লবা পন অমা ওইখিহুনা হায়দোকচনীংবা রাকমদি খয়োম্না, হায়দোকচবদি ওমদনা চাক্লা অরা মৈচাক খাঙদুনা নশাবী ঐদি অণ্ডুম্মক হঞ্জখিবা তারেদো ঈবেম্মা। কোরো হয়েংসিস্থ ওসিগুম লাইজ ঈপাল লাংবা লেঙথোকপীরকউ, পাথঙ খোঙদোয়জরকে।" অমুন্না য়াউরা চীনগোয়নরমহুনা মচীন-মনাও অনীবু শকথঙননা, সনালেম্বীদগী লাইজ ঈশিং ঈনীহুনা মুংশি লাংথাক্লা কাইহৌরম্লগা ময়ুম কংলৈ তয়া হনখি।

সনালেম্বী কাহুনা পুখিবা

সেন্দ্রেং নিংথো অপাম্বনা, মচেম সনালেম্বীবু মুংশি চীনগোয় রাহৌনা লাইজ ঈশিং নীহুনা থকখিবা, অপাম মুংশি মুংওন রারী

কয়াবু মনাও চাইশ্রাগী মমাঙমক্তদা হয়া শান্নখিবা থৌদোকশিংবু তা-উহৌরগা (চাইশ্রা) মাবুদি অপাম-মুংশি মুংওন য়া অমতা শানহৌদবা অহুদা, থোইদোক্লমক মপুক্লীং মুংঙাইখিদবনা মায়থোঙ-থেগুম লাংখি। "নীংবা কয়ামুক কায়না কংলৈ পিবানা চংখিবা অয়াপ্পা মায়কৈ তম্না থৌরাংজবা মীৎয়েংগা লোয়ননা চিংনা চিংনা য়েংজহৌহুনা, মথোঙ থাংগুম থাংদগুম তপ্পা তপ্পা মচেমগা ময়ূম তম্না খোঙ্গারকখি। ময়াল-য়ায়দা থুংলয়বদা, চাইশ্রানা পল্লেম মমা য়াইবী লৈমগী মকমদা থম্মোয় শোক্লা মুংঙাইতবা কয়ামুকা লোয়ননা মথং শীংনা পাউদমজে,—"ঈমা, ঈমা! ঙসিদিনে ঐদি ওম্হোক্লা থরায় শোক্লা মুংঙাইখিদ্রেবো।"

"হায়রু ঈমাদা কৈদৌরবগে? কনানা করি হায়রগেনে ঈচাদবু?"

"ঙসি মুমিদাংগী লাইজ ঈশিং শোক্লুগে হায়দুনা ঐখোয় ঈচেগা লোয়ননা লাইজ ঈপাল লাংলুবদগী ঈয়ূম খোঙ্গা তম্নকপা মতমদা, লৈপাক অসিদা পাল্লিবা কংলৈ পিবানি হায়না হায়; য়েংবদসু য়ায়া মতীক মঙাল লৈবা মীশক অমা ওইনা উই। মানা ঐখোয় ঈচীন-ঈনাওবু মুম্না য়েংহুনা য়ায়া শক খঙনীংবা অপাম্বা অমা ওইনা ঐঙোন্দা হংলকপদা, ঐনসু মহুদা ঈচীন-ঈনাওগী ময়ম পুম্বা শেংনা পাউখুমহুনা মঙোন্দা তাকখি। অহুগসু লাইজ ঈখৌ ওম্হোক্লা লাংথ্রেদা হায়হুনা চয়ৈ কিন্‌থোল অহনবদা শেংলী-ইল্লিবী, নীংথীরবা সনাপুনসু পুরিবী ঐঙোন্দগী ঈশিং নিহুনা থকেদি হায়দদনা, চয়ৈ কিমন-কিগায় শেংলিবী ঈচেগী পুম্লাং-মুংগী লাইজ

ঈশিং অহুনা হেন্না ঈঙনা উই, অহুনা হাউরমগনি · হায়রদুনা লাইজ ঈনীহুনা ঈথক্লগা, ঈচেদো অপাম হুংশি হুংওস য়ানা য়াহৌরমহুনা হয়েংস্থ লাকখিগনি হায়না লকনরক্লগা হনখিদো ঈমা।”

“অহুবু কৈদৌবগেনে, কৈদৌদনা য়াজক্লনি—য়'রুস্থ, ঈচাসিদি। নচীন-ননাওস্থ চেংলৌ শক হায়রম্ব ওম্হোক্লা শক্মাম্নরবনিনা, মহাক্লা শেংলী-ইংল্লবা নরীক-নকোন, চৈরে ফি-য়োল পুম্নমক নচেম্বু লোইনা শেংহল-ইলহল্লে হায়রগা, নচেমগী শেগাম্ন-তুপাইরবা ফি অমল-অকাশিং অহুবুনা নঙনা শেংচন-ইনশল্লুনা, ঙসিগী থেংনমিবা অহুগী মতমদা হয়েং অহু কোক হেক চংলু—কনানা নল্তে হায়ম্নরোয়; নচেম্বুনি হায়দুনা মরাইনা নঙগা পাউরৌ নজ্বননি” অসি·হায়না মচা চাইশ্রাগী মফমদা তাকপীখিরম্মী।

পল্লেম মমানা তাকপীবা পাউতাকথোলগী মতুঙ ইন্না অহুদগী হৌনা মহুগী মরমদা চাইশ্রাদি ওম্হোক্লা মপূক্নীং য়াওন্দা হৈরাউ হুংঙাইখিবনা থুক্মাংথিহুনা মতম অহু অন্নুঙ্গী মতীক থুনমক ওইহল্লীংবগী অপাম ঈথৌ লাংজনা মতম অদূদবু হন্না ঙম্না থঙ্গবদা হুম্মিত্তু মদি থোইনা চাবা, তুম্বা নীংশিংথিজ্রে। ঈনুঙ ঙাল্লবগা মতম্বু য়ানা থাঙহনা ঙাইরক্লবদা, ঙম্নাক লেপ্রেং নিংথৌ অপাম্বগা উমখিবা মতাঙ মতমহু ঙসি অমুক ওইরক্রে। হুন্নিলাংগী ঈশিং শোকপা চংনবা হাঙহনা য়াইরী লৈমনা থুম্নীন-থৌরাঙ থৌশীন্দুনা চাইশ্রাগী চৈরে ফি-য়োল নীংথীবা ফিগে কনেক্লচিংবা মরীক-মকোন শিংবু মচেম্ব সনালেম্বীদা লোইনা শেংহল-ইলহল্লহনা মনাও চাইশ্রাবু অমুক শাহল্লে। অহুগী চাইশ্রানা মচেমগী চৈরে ফিমন শেগাম-

তুকাইরবশিং অহুবু লৌদুনা শেংহল-ইনহুরগা মচেম্ [illegible]লবী [illegible], মতৌ পূর্বা লাইজ পুলাংবুগু পুহন্নুনা মচেমগী [illegible]-লৌনবী লৈতেং ওইহুনা মচীন-মনাও হুমিমুংগী ইশিং লোকপা চংশিন্নে। মচীন মনাও অনীমক্না লাইজ ইশিং লোক্লুহুনা ময়ুম লোনা অরকপা মতম অসিদা চাইথ্রানা পরেম মমানা তাকলীবা [illegible] হুমিতণী হোৌরদুনা কংলৈ মপু পিবাবু উনরুনীংবগী লোইরোক্-মক তুম্মন-চামন [illegible] অপাম ইথো লাংজবা কুয়া-মুকা লোয়নবা [illegible] সুজোজ কানা রাখল তৌরকই,—"ইচে সনা-লেমীগা ঐগা চেনে শকমদু রাম্বা শকমাম্বী অমা ওইরবনিনা শেং-[illegible] চৈর কিকেং-লৈতেংদম্ মাগা ঐগা ওসিদি ওথোকরেদে। [illegible], ঐগী সনা-পুন নীংবীবদু ইচেবু পুহরে; ইচেনা পুরকা লাইজ পুলাংবুনা ঐনা পুরবনিনা। কংলৈ পিবানা ওসি লেঙ্গলকনা থেংনবা মতমদা, ঐবুদি লোয়রনা ইচেবুনি হায়দুনা লাইজ ইথো লাংনা লাইজ ইনীনীরকপা মতমদা, মশানো ঐনা কংলৈ পিবাবু থীংথীনা ইহেহনা পোম্না শীথকজগনি। অহুগা, মাবু অপাম হুংশি হুংগন মায়ী কয়া হয়া পায়মা থোরক্ত থোয়দানা শানমিন্নুনা পুক্নিং থাংলবা লশীন মশানো ঐনা লোৌরবী হুংশি লৈপুন ওইদুনা লৈমা কোম্না লৈজরগা, লৈপাকী মমা অকুবী লৈমরেলবু তানহুরুনা, পুক্নিং নমনাও চংশিন্নবা ঐনা খুজীন থোয়ারকপনি, কয়াম [illegible] ইমা ইকাবী খুজী হেন্থোকনা লানগনি, থওলোরবদো, [illegible]।" অশিনচিনবা চেনো [illegible] [illegible] লোয়রনবা লাই [illegible] থদোরবনা হয়াই-[illegible] সূজোম-কা, মশাক [illegible]

[illegible] মতলান্দা তাউবা ওইরম্লা বাখল মকা লাম্না থুজীন-থৌরাঙ-থৌশীনজরকই।

"সনালেম্বীবু "মৈতৈ লৈমা হায়রগে" হায়রা যোকখতনা ঊনুত চংলা বাখল করাবু হয়া তৌকররগা [illegible] [illegible] [illegible] অদুদা মতাঙ মতম চানা শাইরমহুনা। লৈরম্লিকা মনাকী সেত্রেং নিংথৌ অপাম্বগা, লাইজ পুম্নাং, সনাপুন লুপে[illegible]হনা মথুম থোজা তম্লী-বী সনালেম্বী মচীন মনাও অনীম্না [illegible] [illegible] শকা শক-ঊনরম্মী। "কিজেং লৈতেং পুম্নাংনচিংরম্না [illegible] [illegible] লৈংন-ইমররবম্ভ ওয়াঙ থয়া কুপা য়েংবিরা মীথরেঙতম [illegible] হয়া মথোয় মচীন-মনাও অনীনা পুম্না থোদামিম্নরক[illegible] [illegible] থোঙবাঙ-থোঙচং, শাথৈক-শাজং য়েংথোরকপা, মীথরং-নারোমচিবা হৈমা চাংদৈরম্লা য়েংলকপদা মচীন-মনাওগী মানী[illegible] [illegible] [illegible] চপ চাবা সেত্রেং নিংথৌ অপাম্বনা, লায়না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মানা শোল্লকই;—"ওঃ অমুম্না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কিজেং-লৈতেংনচিংবম্ভ হেক হেক ওম্বোক্র-[illegible] তৌনহুনা মচীন-মনাও লৈংন-ইম্নরিবা ওইরবোরে।", হায়না, [illegible] [illegible] মথোক কারক্লীবা শাবী-শানৌ ওইবগী [illegible] [illegible] [illegible] মীখৌ-নমা শকা শক্লা তোক হেক, [illegible] [illegible] মাগী মথোক [illegible] থুক থুক লাউনা [illegible] অপাম হুংশি হুংওনগী [illegible] হয়া হয়া পোক্লম্লমী

মতম অসিদা মুশারী সেত্রেং [illegible] [illegible] উরকথি,—নৌমা মথোক কারক্লীবী নুম্না ওইবী অনীগী মরক্তা মনাও চাইশ্রানা

মচেমগী চরৈ কিমন শিংবু শেংনা উ; অতম্না মচেম সনাস্রেশ্বীনা মনাওগী নোংথীরবা চরৈ কিগে ফনেকা, লৌক-কোলগা সৈতেংনা শেংল-ইমুছনা মওঙ মতৌ কয়ামুক্তস্নু মরীক চুমা যজরবী শাওঙ-শাবান; তৌওদা য়াওদা, শাহো-শাথেক, নীংথীরবা লেংবান-লেংদোন; তমথরকপা ওকশমগী মওঙ-মতা ফজবা, চুম্না নোংথীনা ফজরবা ত্তাংনাইরবী শরেঙ পাম্বোম অমদি থীক-থা, লাংবল উচী খোইওম চেংতরূ তারবী খাঙ, ফল্লপা পুম্বুমা তাবী নীওদ্‌-নীঙজোল, তমথরকপা কৈবাক-কৈবোম, খুবোম চেংলৈ, খোঙদা-খুত্তা; নীংথাবদা অসি মঙায়না লমল্লৌনা ফজরবী ওাংগ্রা-নরবা কুচু কুমেন, চুঙকিয়াল চানা তোন-থা মান্ননা হকচাং শারেপ কাংদোঙ মপুঙ মরৈ নীংথীনা কারক্রবী, পাররবা হায়বস্নু পাদবী, শদোঙনা য়োস্বী তোংগানরবী. মথোক কারকপগা লোয়ননা খোইমোম লাইরৈমানা মপোক অথোয় চঙথোক্রস্নু মপোক লাংওন ওইরক্লবী সনালেম্বীগী চন্না জিংলা চীঙ-লেন্নবী, ভাইবঙ পুক্লীংশিংবু হুনা ঈওনা অনৌ-অনৌবা নীংথীরবী চেংলৌ লাক্রম মায়খোঙ লকা গুম্মাংনববু অমদি খোংতং-খোং জৌদজৌনা অনৌরবী লাইপক চুবা খজাই মতা নীংথীজরবীদুদা—কোয়ৌ থঙা খোক্লীবা চীক্ল-ঈওনা ওাল্লিবা অহীংগী লোইদাম থাজ মহাকী মায়কোয় থাজবু পান্দম লাক্লা, হুমনি চনবা থাজওম থাজগী মচেং লোজনা শম্মাঙ কোয়কক্লরিবী মায়খোঙ লকানচিংলবদা মুমিদাংল্লাইবী, মতাঙ, মুমিংনা চীঙয়া থাংলকপা, চীঙয়ানা খেনদৌ লাংলকপা, ওময়ানা পুমথাঙ লোনবদা ওাংগ্রা-নরবা কোয়ৌহনবা য়াজেম অঙানবগী খোইনা হেম্না নীংথীরবা মশেক মঙায়া ওঙাং ওঙাংনবা য়েরকপদা.

শীঙ্গুঙেল লক্তবী অনৌবী, লৈরাং লক্কবী শকহেন্বী, নৌদ-নৌরবী লৈরাং লৈহাউ লৈরেল লৈচু চুদানা থোইনহন্নম তমজনফম মশক ওইরবী, মায়থোঙ লকা-নচিংলবা পান্দম্নীংঙায় লৈতনা কজরবা কুচুকুমেনবু হন্না হন্নদি য়েংলৌংবগী অপেনবা কৌবা নাইদনা থোইনা হেন্নহন্নম খোয়থুম্নবা নীংথীজনা উথরে।

(অমুকন্থ নিংথৌ অপান্বনা সনালেম্বীগী কোক্তগী তোল ফাওবা মথঙ মথঙ য়েংথরক্নী)—পাৎয়ায় কাদবু ওঙ্লগা, ঈপাল লাংনদি শাৎচরিবী, ঈয়ায় কাদবু ঙানজবী, লাইজ থক্তা হেক্তবী, কোয়ো হনবগী মুংশি চান্নরবী, থম্বাল কৌবী লৈরাংগী শীঙেঙল লৈরিকী মওঙ পান্দম্মুন্থ লৌরহনা মায়থোঙ থাজ, থাজ থাবুঙ ঙমজরবী ঙোদ-ঙোরবী লাইপক মতাবু থোৎক্ত-থোৎ, নৌদ-নৌনা কজরবী ঙাংঙ্রা-নরবা চূবা থজাই মতাদা কুপ্ত-কুপ্পী নীংথীবী, মুদ-মুরবী লংলবী শন্নাঙহন্না কয়াগী মতীক নীংথীজনন্থ মচা প্রোপ-প্রোপ তাহনা থম্বাল কৌবী লৈরাংগী শীঙেঙল লৈরিকপু ঙমজনা থোক, মওঙ-মতৌ পান্দম্নীবী নুরাগী নাপা শাইনোন ওইরিবা মায়থোঙ থাজ মান্বীনি।

সৌনা কজরবী খোয়থুম্নরবা শকফম্না তিল্লবী সনালেম্বীগী ঙোয়োক ঙোরবী নীংথীরবী লাইবক মতা কজরবীহুদা চোইজাইননা লেঙ-লেঙ লাউনা তমথরক্লীবা মুদ-মুরবী শন্নাংশিং, থোৎ-নৌনা নীংথিনা ঙাংঙ্রা-নরবী থজাই, পাম্নুনন্থ থমজরবী চূবা শাইনোন মতাহন্না মালংলা মরাঙ হৌ, অমু-মুক লেঙ-হাই হন্নকপদি কেজনৌজনহন্নম ওইনা থোকখরে: নীংথীজবদা করি অমুক শীংথানি,

পূক্নীং হূনবগী মশক্নী; উরুবদা মীংকম হোংবা য়াখিদে। লোয়ননা লেগ লেগ লাউনা খোং-নৌমা উরবী, মরীক চূগ্না কজরবী শাংজ-শাংলবী তুংয়ান তানা তমথরক্লীবা চোইজাইনরবী শম্নাংশিংনা লেংপাক-লেংলোল পূম্নচাই-চাই, হাইথরকপনা নূরা ওইবীগী লাংবন উচী খোইগুম চেংতক-লাক্তক্না লৌতক্নসু খোক্লবী শাংলৌবী; মীংকম থক্না অপাম মিত্তাংফম ওইরবী কল্লপ্না পুম্নুম্নমা তাথম্নিবা মীওদূ-মীওজোল মত্তা কজরবীতুদা জম-জম লাউনা, নীক-নীক তানা হাংথরি, উরুবদা থোইদোক্না পূক্নীং হূনবগী মশক্নী।

অমুক্তম্ন মঙেক মচু লানা তশেং তশেংনা চৌমসু মীংথীরবী পাক্লবা লাইপক্নী খেল শান্না তমথরক্লীবা অরোম্নবা ওমথেংমত্তদা তরু-তশেংনা লৈরক্লনা অয়োম্নবা অথম্বা লৈত্তনা মহাক্নী য়োৌনা ফজরবা শুক্নাংনা উরবী মুরৈনরবী খোই-খোয়মরবা পীতুম পা-গোয়ক্শি। অতুগা পূক্নীং হূনা শুক্নাংনা উরবা লৈরাংগী লৈখোক্নগী হীকথরক্নুনা লাইজ ঈপাক ঈরায় থত্তা তমিকতমিক্না তারবা লৈরাং থম্বাল লৈনা লৈকাগুম্নবা কোয়রাগুনরবী মীংস্না থম্বাল লকাবু মাল্লবী শানৌ ওইবীগী য়েংথোরকপা লংতক্না তারবা, তরু-তরুনা তশেংলবা মীং নহাগী তরং-তরংলবা মশেক-মতাল কজনা থক্তোরক্লীবা অমগা লোয়ননা নুংশি চেংলৌ মূলা কলপ তৌনা য়েংথোরকপা মীংয়েত-মায়েংদা করিগুম্বা রাকম থরদত্ত নুংশি চায়না হায়দ-হায়দোরক্তদবোয় নীংনা উ, মীথয়েজদা নুংশি রাহং পাউথুম লৈনবু উরবী মীংস্না থম্বাল অনীনি। লোয়ননা মীংস্না থম্বাল অনীমক্নী থক-থা মীংপাল অনীদা কোয়না শয়ল ঊচেক শা, তক

তশেং-তশেংনসূ ময়েক লানা মচু মমেল শেংনা উরবা, পরেং শানা খোই-খোয়না কৌদূনা লৈরিবা পাশিংনা নীংথীনা লৈতেংলিবচু খোইনা হেন্না ফজনা থোক্লী। লোয়ননা চা-ননা শাংলবস্সু মৌনা ফজদে, পোমদা পোমলবসূ নীংথীদে; পুম্মুন্না পোমশাংনরবী ঙাংঙ্‌্রা-নরবা লৈরাংদা লৌরবী চীনবান থক-থাবু বারক তয়াল অমূল হৈগুম থোংন-নৌরবী· ঙাংঙ্‌্রা-নরবী চীনবাম্নী; মরকতুদা অমূকা অথোয়বুন তঙাং তঙাংলবা য়ামী খোংজিদা ইনং ইলঙ লংনা ফজরবা য়াতা পরেংশিংনা কুন্দো পরেংগুম তঞৌ-তঞৌনা নীংথীজনা লৈতেংলিবা য়েংখিবদা পূক্নীং হূনা শুক্নংনা উথি।

অমূকসূ সনালেম্বীনা লাইজ সনাপুনবু লয়াই লুখোংনরকপগী নিংশা নাছয় ঈপোম চাউরপনা তোয়না হেক হেক হোয়্লকপদা তরু-তরুরবী লাঙোন নাকচী অনীচুদা হুমাং ঈরীক কারকপদি উবদা সনানা কোংগোল খিনবগুম থোক, লূপানা কোংগোল চাইগুম্নী; অবাং লমগী হায়রগা মুবা থোইদোং মপান্না তমজনবা মশক্নী। লোয়ননা শুক্নংনস্থ ফজরবী ঙাংঙ্‌্রা-নরবা চূবা থজাইদগী তমথরকপদা তাইনচুনা লৈপ্রিবা কয়াগী মতীক নীংথীজনা ফজরবা কুচু কুমেন্না লৈতেংলবী পুমথোং-থোংনা নৌনা ঙৌয়োক ঙৌরবী পুমবুমনরবী থৌরী চরম অমদি মওঙ-মতা চানা হাইথ-হুইথরক্লীবা লেংবান-লেংদোনগা শমজনচুনা তাইনরিবচু উরুবদা খোইদোক্লস্থ পুক্নিং শুক্নংনা ফজরি। খোইনা হেন্না ফজরবা শয়েঙ পাম্বোম মক্লদগী শাংথ-লেমথ হাইথরক্লীবা পুম্বুম্নরবা থূদাঙ

প্নাস্লোম, খ্বাউদল মানবী তখোৎপী, চায়না পুমখোৎ খোৎলবী অপোম্বা লৈহাউ লৈরেলগুম পুম্বুম্নবী ভাংনাইদবী খুৎচা-খুৎভানি।

অথেংমনা অমুকস্থ উরুব-মক্কদা বাখল মীৎয়েঙ লাক্না চিংশিন্না থম্মোয় লকাদা তঙ্ হেক লাউনা খোল্লজো ঈথক ঈপোম লাং, কয়াগী মতীকস্থ নাংথীজনা পুক্নীং হূনা থম্না উ, থম্মোয় মথ্ৰ-মনাঙ মহোননা অপাম মিত্তানফম ওইরবী,তাংথক ঈপোম ঈহোননা খোঙথাঙ খুদীং নীক-নীক্লবী তরু-তহেম্নবী থীক-থা; লোয়ননা চেংতক লাক্কা নোনবু তারবী খ্বাঙনোবী; হাইথরকপা কৈরু-কৈবোম্ম,খুকউ মথা লৈথখিত্নুনা চোক্ক চংবী লায়োক-খোক্ৎম তঙৌ-তঙৌ তরু-তহেম্না নীংথীজরবী খুবোম চেংলৈ, ১দি তঙাং-তঙাংনরবী লেমলৈ ভাতেন চৌন্দাগুম কয়াদা নীংথীজনস্ থোক্লবী খুনীঙ; মওঙ মতা চানা য়োন। ফজনা থোক্লবী খোঙদানি, উথি য়েংখিবদা মপুঙ ফানা পুক্নীং হূনা ফজরি।

নীংথীরবা চৈরে ফিজেৎনা, লীক কোম্না লৈত্তেংলবী পুন্সিগী চহি মতাঙ মনুঙ মতম চানা ঈনথৎলক্লীবী, মপুঙ মরৈ নাংথীনা ফারক্লীবী সনালেম্মীগী অরাংপা পান্দমনীংথার লৈতনা থোক্লবী. লম, য়োনা ফজরবা তীঙ্গদা-য়াঙদা, চৌঙনা লেম্মা থাংমোরক্লিবা খোঙথাঙ, থেক্ক-থেক, নোদ-নোরবী শাহৌ-শাথেক,তোন-থা মায়না তোংগা-নরবী, মিকানরবী শাহৌ-শাবান; মপুঙ ফানা শুম্জৎনা ফজরবী কয়ামুখ্না লোয়ননা হাইখেৎ-লাক্লফেরা ওইনা নোক্ক-নোক্কদবোয় হেক মনাংই; ফজরবা য়াতাশিংমগী খয়ঙবা মখোক

মঙাল অমগা লোয়ননা খোয়রুম য়োমোন তৌনা নোক্নকপা সুংশি চান্না মীৎয়েঙ-মীৎনোক্না লীরী তেংশ্না চন্থুনা মীৎচৌনা খোই-খোয় তেংগানা, মশাবী নিংথৌ অপাম্বগী থম্মোয় তম্না য়েংলকপদি য়াংক-মীৎক্না হেক মীৎচানা, উরু-য়েংলুবা খুদীংমক্না সুংশি করিবু ওইরনি, অপাম সুংশি সুংওন্না থম্মোয় মথুম মরাও হৌনা পুমক্তুম শুক্ষৎনবা "য়াইবু" ওইনা খোকথরে।

মক্তম অসিদা মৈদীঙঙু সেঞ্জেং নিংথৌ অপাম্বনা অপাম সুংশি সুংওন কয়ামুক্না তিন্নবী, থম্মোয় হূরবী সনালেম্বীগী নাকুলা লাংগোই শগোল খোক্লকতুনা থাগ্রগা, "মনালেম্বীবু কাদূনা হেক্না পুন্নগে" হায়না মপুক্না চপ য়ুংনা লেপন্থুনা, সুংশি চেংক্নৌ শকয়েঙনা অওয়দা অওয়বা মপাঙ্গনা য়াজ্বা চৌনগোয়রকই ;—
"[1]খোয়নৌ ঈবেম্মা সনালেম্বী! শানৌ অহাক্নী নকমলাংক্নী লাইজ ঈশিং অতুবু নশাবী পাথং ঐনা হয়া হয়া নিবা ওইনা খোক্লরে হায়দুনা পায়মা সুংদা নাইমু কিশি থম্না পুকলৌ বারোবীবা খোক্লগদ্রা—ঐবো? কোয়নৌ ঙসি অসিগু য়াংলো থবা শাংনা, লাপ্না কোয়খোক্লুবদগী কংলৈ ঈয়াল-য়াম তম্মতুনা হজ্জয়কপা

১। খোয়নৌ=ঈবেম্মা, চান্নবী. হৌমীন-কামীম্নবী, শাংগীম্নবী, লেংমান্নবী, ঈতা ঈবেম্মা, মরূপ, ইগুং-ইমান্নবী [মন্দি নুপী মখেন-শিংনসু অয়াম্বা হেন্না শীজন্নবা উই। অহগা নীপানসু মগুং মমান্নবী নুপীদা অমদি মাগী নীপানা মাগী নুপীদা অন্থমনা — "খোয়নৌ-ও লাউ ফমসি লাক্ত. হৌরী কোনা পাউদমগে, খোয়জঙনবু নাতাওদো"— অশিনচিংবা খেংনউজ]।

মতম অসিদা, ঐবু লাইজ ঈখৌ লাংমনখিবনা থরায় অসি পুবা য়ারজরে। শানৌ ঈবেম্মা নহাকপু কোয়ৌ ঙরাঙগুম। ঙসি অসিগী য়াংলৌ লম্মখাঙদগী হৌরদুনা থেংন-লাকপা থোক্লবনি. ঐবু লাইজ ঈশিং থরদা নিজুনা থকচহৌগে করা খল্লদুনা মকম অসিদা অরা পোত্থাবা ওইনা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈজরম্মীবনি। ঙসিগী মতাঙ চানা থেংনজবা ফংবসে ওম্মোক্লা ঈরায়বক কথরেদা, য়ারবদি লাইজ খুজোক অমতদি নিজহৌগেবা ঈবেম্মা।"

মতম অসিদা মরাঙ চাইশ্রাদি খৌদোকসিবু উরু ভারুরগা মানা কয়ামুক মপুরাংং য়াথল মুংঙাইজনা খুজৌল খৌবাঙ খৌশীন-জবশিংবু পুমওম ওয়না থোক্লক্লবদা, খোইদোক্ল-মক লৈফম থাঙফম থঙদনা থম্মোয় ফাবংনা চাকখিবনা মায়খোঙ শকফম্বু খেগুম লাংশিন্না তীঙঙক-মারঙক্লনা য়েংদুনা উংদুনা লৈরি।

মদুদা মচেম সনালেম্বীনা নিংখৌ অপাম্ববু লাইজ ঈখৌ লাংদ-লাংলবোই, পীথকচগে হায়দুনা হংগৎলকই, — "ভাকপীরিবা বাফম্ নলাইদদি য়াম্না কি-হংগোইজনা বানবু থোকচরি। ঙসি সোকচরক্লিবা লাইজ ঈশিং অসিবু কংলৈ মপুনা ফানবীবা য়াগদবু লৈরবদি কৈদৌবগে, লাইজ খুজোক অমতা নত্রবস্থ ঈখৌ লাংবা কোক্লবা পেম্না ফানবীখিবদা ননাইগীদি খোয়না হেন্না ইয়াইবক ফবনি থজরিবনি" হায়না থক্ত থকদবোয় নীংদুনা মানা শোকচরকপা ঈশিং সনাপুল অদুবু পীথকচগে হায়না

(ঈশিং) পীথক্লবা থৌরাঙজবা মতমদদি, মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা ঈশিং থক্কেদি হায়দ্রদনা, সনালেম্বীগী শমু মথু- ক্কেঙ তাপ পায়রদূনা "শানৌ ঈবেম্মা নহাকপূ চেংলৌ শক উজ- রুবা কোরৌ ঙরাঙদগী হৌরহনা নশাবী পাখং ঐবু নাহক্কী রাখন্দা ঙাওখরে। ঐগী থোয়দানা পামজরবী অমা ওইনা থোকখিহনা শানৌ নহাকপূ পুন্সিগী লোয়নবী তান্নোয় শীংদা চন্দুনা লৈম- রেল ফমবু শিন্নগে হায়না লেপথ্রবনি। অদু মরমগী ঈবেম্মা নহাকপু লৌজগে হায়দূনা মফম অসিদা ঐনা খৌরাংনা ঙাইজ- রম্লীবনি। লাক-ও চৎমিন্নথ্রসি হৌজিক্কি, ঈয়ুম কংলৈ ঈরাল- য়ায়দা য়ৌমিন্নরগদবনি" হায়দূনা য়াদ-য়াদনা নমহনা ফারগা লাংগোই শয়াঙ-থক্তা থাংগৎখিহনা, কংলৈ পুঙমায়য়োল তম্না পন্দনা অহুম পুহনা ফৎখি।

মতম অদূদা মনাও চাইশ্রানা থৌদোক অসিদা মথন্তা বল্লুক মুংনাংননা "ওঃ ঐথোয় ঈচে ফাগ্রে ; ওঃ ঐথোয় ঈচে কংলৈ নিংথৌনা ফাগ্রে" হায়দূনা অমুক অনীরক কোয়রাও লাউরম্মী। মহুদা কনাম্ব তাগ্রহনা থোকপীরক্রবদা, থোইদোক্ত-মক লৈফম খাঙফম খঙদনা থল্লুবদা অচাকপগী অচাকপমগুনা পীক থল্লহনা শেংলিবা চৈর মফি-মরোল অমল-অমা শেগায়- তুকাইরবশিংগা লোয়ননা কপ্প-কপ্পদূনা মরাল-য়ায়দা চঙলকই। অদুগা পল্লেম মমা য়াইবী লৈমদা মরম প্য়মক পাউদম্মী। মহুদা পল্লেম মমা য়াইবী লৈমনা অশাও মকম্বী থোকনা মমীৎ মনা হেক শংদোক্লা, মচীন মখুঁ ফৈনা চিংহুনা চাইশ্রা কৌবী

মচাবু অথীবা মীচৈখোল পীড়ুনা হায়রকই,—“হায়, ঈকা খঙদবীসিগা, ফিগে ফনেক মাঙনবা পাউরো পাম্বদনী নরীক-নকোন তুম্না মাঙহরেদো ; ওস্থোক্রুস কয়ক পেল্লীনকো ঈবেম্মা। অদুনীদনা হৌজিক্তি, ননীং থুংনা পেল্লরিনি” অসি হায়ন চৈখিরম্মী। য়াইবী লৈমা মমাতোন্না সনালেনবীগী মরম অপুম্বা খল্লু-খল্লুবদা থোইদোক্লা কল্লক খম্বনবা মুংঙাইতবা কয়ামুক ওই-রদুনা (মমা মচানা) সনালেম্বীবু মনুঙদা মাঙহন্নবা খুজীন থৌরাঙ লম্বী কয়া তাম্নদুনা লৈখি।

নিংথৌ অপাম্বনা ফম্বাল তোংবা

মৈদীঙঙু সেম্রেং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা কংলৈ পুঙ-মায়য়োল সনা কোম্নুংদা সনালেনবীবু পুরকতুনা ঈবেম্মগী মফমদা মথল মথা অয়াম্বা মুংশিবা রাইহৈ খোনফম্না অরাবা রাথল কোরুবা পাউমেন্দুনা থৌরাঙই। লৈবাকনা ঈবেম্মা অমা নিংথৌ অপাম্বনা পুরক্লে হায়বা পাউ তা-নবদা—অঙম্বা ফমদোশিং পুম্নমকনা “মেন ফম্বাল তোংনবা তৌরসি” হায়দুনা (ফম্বাল তোংনবা) লৈপাক হুপনা শগোল পাউ চেনতুনা থঙহনখ্রে। অঙম্বা তরুকনা চঙগদবা, য়াওগদবা মরম খুদীংমকপু খুজোল-থৌরাঙলক্লে। অঙৌবা, খেমানবা, শংবরেল, ঙাংবরেল, রাউথরেল, লৈঙাঙলেল, সেমরেল, অশনবা

ছায়রিবা ফমদৌ অঙম্বশিং অসিনচিংবনা থৌরাঙ থৌশীল পুম্বা থৌগল খ্বাজংলে। ময়ুম পিবা নোংদারেল. চৌঙম্বিরেল, রাঙাঙলেল, মুরাংবা, শম্বিরেল, সেম্মাহনবা ময়ুম তরুক্কী ফমদৌ অঙম্বা, লুচিং পিবা হাপতুনা মাগী মাগী মচুগী (শল্লাইশিংগী) ঈরু মায়তা থোংগী লাইজ ঈশিংশিংবু ঈশায়রু চোন্না সোকলুহনা গৈদীঙঙ্ সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপান্বগা ঈবেম্মা সনালেনবীগা ঈরু মায়তা, ঈশিং ঈহৈহনা শেংদোকলে।

মতুঙদা লৈপাক ঙাকপা ময়াম্বুঙ কুপত্রেংনা ঈ-শায়রু অমা পায়হনা নুংকেং পাত্তগী লাইজ ঈরৌরুহনা অনীমকপু ঈশেং ঈহৈরে। অহগা মনাও সেন্দ্রেং মনিক নিংথৌ অপা-ম্বদা ফম্বাল ফি-রোল অঙৈবদা নুমিৎ সনা লৈত্রেং খানবা চরৈ ফি-রোলবু কৎতুনা, মরুগী চুকলেল অহুমগী খ্বাঙলী-খ্বাঙশেৎ ঙাংঙা-নবা ফিকে কৈচোল শেৎলা, অশংবা কোনখ্বাঙ ফুরীৎ, মথক্কা অঙৌবা ফুরীৎ শাইচোলবা, ফিকে নমখ্বাঙ নাপু লেংফাই য়ান, অঙৌবা [1]নমশা তোলক মথক্কা উরী-শেক, [2]লুরেল লাইজাও লৈথেৎলগা চুকফা লীফা, খুজি নাত্তি (নাশি) লৈতেংনা মনাওবু ফম্বাল ফি-রোল শেৎপীহনা লৈপাক নিংথৌ তুবা উয়ুঙ মেনগী মথক্কা য়েৎতা ফম্বাল লাং।

১। নমশা তোলোক = কোয়রেৎ। ২। লুরেল লাইজাও = কোক্কী শমজীদা কালোক কোন্দুনা থেৎনবা লৈগুম লৈতেং ওইনা চিন্নবা

ঈবেম্মা সনালেনবীনা ফিকে থম্বাল পুমথীৎ মচুগী ফনেক খাঙশেৎ, কুংলং পুমথীৎ চরৈ ফিরোলনা খাঙলী ওই। অশংবা মচু ফিকেকি কোনখাঙ ফুরিৎ, ফিকে সনামচুগী নমথাং লেংফাই খোঁওন; শমজী থেৎ, থা থেৎ। খুজী নাতি, লেংফাই লীরোল শুনা ফিজেৎ লৈতেংনা ওয়থম ফম্বাল লাংনা খোগম্না ফমলে। [১]অশায়-অশমনা খোগম্না, ফমদৌ অঙম্বশিংনা অঙৌবা চোঙ শেমপীল পে মথোল মপাল মথক্তা খান, য়েৎ-ওয়দা কাংহায়-হুমাই, চুঙ-টা খোগল্লে। য়োয়রেল খাবী লেংনা তিন, অমাই অনপ লোশীন্না, অশৈ খোলফাঙ তিনবনা তরেৎ শেনবু থৈ, য়াংলেল পুঙখৎ তোয়, কোরী থরাউচি খোং, নাউথেম লীরোল শৈহৌ-শৈশক শৈরাউহুনা লাইরেম্মা সনালেনবীবু লুরেল লাইজাও লৈথেৎপিহুনা ফম্বাল ওয়থম লাংহন্না, "মৈদিঙঙ সেন্দ্রেং মনি পাখংবা, কংলৈ পিব নিংখৌ অপাম্বা........ ..." অকোঙ তক্তা অরাই কংদবী সনা খোঙনেৎ ওইরীবী, নোংদমগী কলকৈ ওইরিবী ....॥" হায়না কোল্লোয় মিংহুল-মিংলেল তম্না নাউথেমহুনা কংলৈ পুঙমায়য়োল লৈপাকপু লৈশিন্নরগা "কংলৈ শংবা পিবা" হায়না অমুক থেমথোক্তুনা, ময়ুম তব্বকী তাইবঙ পুহুনা মনা মনা হৈবা, খুঙজবা মুক্তা কাঙজৈ শাগোল কাঙজৈ, থাঙ তানচিংবা অয়াম্বা মখল মখাশিং হরাও কুম্মৈ কয়ামুকপু তোংহুনা, লৈবাকী মপী মপা হংশক লপতুনা লৈপাক খায় পূম্বগী মপুক্তীং থুংনবখৌশিন-খৌরাঙহুনা পুকচেল খোয়মেল অমত্তা ওইনা তিন্ননা লৈপাক মরা ইংলা তপনা, মুং-ঙাই য়াইবী মরাঙকায়না অমুক পাল্লে।

---

[১] অশায় অশম = অঙম অখৌ

লাংঙন মথুপ শান্নবা

(মপাম চাক্কৌহ্না হাৎপা)

মমাতোন য়াইবী লৈমনা সনালেম্বীগী পাউ তাবা মতমদা "মুংঙাইখিবা তারে" হায়না থোইদোক্ল-মক কল্লক-খম্বল চাউহ্না, তাবগা নোংমা কোল্লৌ অমদি মায়থোঙ মকা লাম্না হরাউ-তয়াম্বা শারগা, মুংদদি মমোম অনীবু "হীরু-হীনাউ ওনগে" রা-খল্লহ্না খূজীল্ল-থৌরাঙনা অচা-অথক নীংথীজবা, চঙখোনবা খরা পুহ্না মচাগী খোঙ্গুল লীরকপা শারগা, কংলৈ পূঙমায়য়োম্দা লাক্কুনা সনালেম্বীগী লৈফমদা চঙলক্লে। য়াইবী লৈমনা হরাও-হরাওবা শাহ্না "ঈমাগী লাংলেল ঈবেম্মা! হৌজিক্তি ঈচাগী মরায়বরদি ফবনা লৈমা নিংথৌকোন্দা ওঙলম্বা গিদি ফরে ফরে ঈচাদি অসিনিদনা; ঈমাসু ওস্থোক্লা হরাও মুংঙাইজরহ্না, পাউ অসিনা হেক তাবগা, ঈমানা ঈচাগী খোঙ্গুল লীবা লাক্লিবনি। ঈমাগী ঈবেম্মা! ঈমানা হায়গদরবু হৌজিক্তি নপুক্লীং অনী শুনা লোঙদ্রনা নবুঙেঙাগী য়াকা তুংইন্না পুন্সিগী অথোয়বা অমা ওইনা নীংজহ্না, নবুঙেঙাগী অনীংবা অপাম্বা কয়াগী খোঙলৈ খঙ্-উহ্না চৎকনি; নোংমা মুমিৎ অমতা থক্শী-খাশি, হৌন-থৌগল কায়দনা ফংগ-দবনিদো; অহুদনা মুপী ওইবীগীদি অথোয়বনি; অসুন্না খক কায়দনা চৎলুকো ঈরেম্মা। অচা-অথক খরসু ঈয়া নিংথৌগা, ঈচাগগী য়াওরক্লী, খরা লৌশল্লুশে। অহুগা হয়েংস্রিদি ঈয়া নিংথৌগা, ইমোম নঙগা তারা চাক কৌহ্না হাউবা, হাউতবা থরঙ্ক ফংনবা, পীজ-পীথকচনীংহ্না অহুগীসু ঈমানা লাক্লিবনি। হয়েং অসিদি ঈয়া নিংথৌগা, ঈচাগা লেঙলকউ; ঈমাসু হনখিনবা

তৌরগে” হায়হুনা লৈশি-লৈথোনবা হুংশিবা রাহৈ রাঙাঙ খোনফম কয়াগা লোয়ননা ঙাঙ-শকলে। মমাগী রা তাবদা, মমোম সনা-লেম্বীনা লল-থূম, অচা-অথক লৈরিবা অয়াম্বা মতীক চানা লাঙলগা মমাগী মফমদা পীহুনা মরাল-য়ায়দা হললহনখি।

নোং ঙাল্লবগা মনেম, মমা ময়ুমদা মশাবী মৈদীঙঙু সেম্প্রেং নিংথৌ অপাম্বগা, ঈবেম্মা সনালেম্বীগা তারা চাক কৌববু তারা চাক চাবা তম্পাক য়ুমদা কুম্লক্লে। মথেল লুক্লোয় নীংথীবা কয়াবু থৌরাঙলম্বমু চাবা, থকপা লোইরবদা, মশাবী নিংথৌ অপাম্বদি হাম্না খোঙ্বায় মাঙ থাখিহুনা ময়ুম কংলৈদা হনখি। লৈমরেম্বী সনালেম্বীবুদি মপাম খোঙদারকপনি হায়হুনা রাংলেল ঙহাক কোম্বহৌই। চাবা, থকপা তোকপগী রাংলেল ঙহাক পোথাবা ওইহুনা লৈবসিদা লৈমকোল-নিংথৌকোল হায়বহুনি অশুম্না চৎপা, অন্না তৌহুনা ঙাংবা শকপা হৌনবনি; অমুম্বদি থক তৌফরোই হায়বা থকশী খাশি হৌন-থৌগল খায়না, রাঙাঙ খোনফম তম্বীর-হুনা রারী-রাতায় শানা মমাতোন য়াইবী লৈমনা সনালেম্বীবু হীক কাইবীরম্মী। অহুগা মমাতোম্না সনালেম্বীবু “লৈমকোন্দা লৈরবদি নশা-নউ তরু-তনাম্না ঙৌথিনা লৈগদবনি। অশুক মোৎনা লৈরগা অউবা লৈবাক্লা নঙবু করি ঙাঙনখিগদগে হায়বা খঙদেদো। লাউ, হুরা-চকা শেংনা অমুক্তা নম্বোক্কুম্না শেংদোকপিখিগে” হায়না অমোৎ-অতায় নম্বোকপিরিবনি হায়না মশা মউ নম্বোক্কুনা ঈরূ-মায় হাবীরম্মী। অহুগা চাইথ্রা মমা-মচানা হুংঙ্গা রা তানরগা, ঈশিং ঈশায়ফু অমা খুৎ থোংবা ঙমদবা লোগ-লোগ লাউনা শাহন্দুনা থম্লগা, সনালেম্বীবু “ঈমাগী ঈবেম্মা! লাউশে, ঈমানা

অমোৎ-অতায় অমুক্তা থাদোকপিথিগে, নমীত্তা থুনাম্বা ঈশিং চঙগনি নমীৎ-ননা চেৎনা অমুক্তা উইশিন্দুনা থাঙডুকো। করিগুম্বা থুনাম-নাওঙ চঙখি-লাকখিবা থোক্লবদি নমীৎতু হুংঙাইরোইকো, শোয়-লাক্কনি" হায়। মহৃদা সনালেম্বীশু মমীৎ চে-জেংনা উইশল্লহনা লৈ। মতম অদুদা মমাতোম্বা ঈশিং অশাবা খুৎ থোংবা ঙমদবা অদুনা সনালেম্বীগী মকোকলোমদগী হৌনা অখাকপা লৈতনা, লেপ্তুনা হৈথরক্লে। অরৎপা লৈতনা হৈথরক্লীবা অশাবা ঈশিং অহনা কা হেন্না শামনখিবনা সনালেম্বীদি লাইজ ঈশিংগী খাম্বী মৈশাখোম্না থাঙবা, পুবা ঙমদ্রহনা মালেম লৈমায়-থক্তা লোংনা হাইথরক্কুনা ফ্রিং-ফ্রিং চোংনা তুথরে। অহু-মক্তদা অমুকা হন্না লোগ লোগ লাউনা শামল্লবা ঈশিং ঈশায়ফু অমসু খুদক অহৃদা পুথোরক্কুনা য়াম্বহনা লৈরিবী সনালেম্বীগী মথক্কুদা হৈজল্লরে।

খুদক অহুদা সনালেম্বীগী য়াইবী থরায় মঙামকপু শন্নু হকচাং-হুংদা থাঙদুনা লৈবা য়ারক্কুহনা "লমগী খুন্নু মৈপুঙবী, চেক্লা লৈচেংঙ থাগ্নীকপী, খুহু মাম্বীক ঙকনৌবী, পুচেং লাইনৌ তাবীচা, ঙকশী থরাম্বী" চেক্লাগী মশক ওইরহুনা শাখপ তুফাঙ তোয়না য়ৈনা পাইথোকখিবগা পামেল অমগী উকৈ থক্তা কায়-দোঙলহনা (চেক্লা মখৌ ঈপোঙ-পোঙ, পোম্বী মথীক ঈনোয়-নোয়না খোংলহনা) হায়রকই; —

"হা পম্লেম ঈমা-ও!
নীংবা মরম কায়দনবা
নমোমনা মরম পুম্বা ভেংবাঙজগে।
চিংনবা পুক্নীং য়াখল লৈতনা

ঐগী ফি-রোলবু শেৎহন্দুনা
ঈশানৌ (চাইথ্রা)বু থুনা যাওনা থাবাঁথো।
হীরম থৌবম পূম্বদা
নমোম্না চবৈগুম থূপ্‌চা-নহুনা
ঈনাওগী তেংবঙ ওইবগা
মাবু কংলৈ পুঙদা লৈহনগে।
উনা উনা উহল্লোই,
থওনা থওনা থওহল্লোয;
নমোমদি খোঙরায মাঙথাবম্লগে॥"

পল্লেম মমাত্তোন য়াইবী লৈমগী মফম্লাংদা অসি হাযনা থোং লমহুনা থওহল্লম্লগা চেক্লা শাগন তুফাঙ তোযনা যৈনা শাথপ্রহুনা কংলৈ তম্না পন্দনা পাইখি। খূদক অহুদা সনালেম্বীগী অশীবা শমু হকচা অহুবু কনাবু তাহল-থওহল উহন্দনা থূপচা-নহুনা থমথ্রগা, মমোম চাইথ্রাবু সনালেম্বী শাহন্দুনা মানা শেৎলম-ইল্লম্মিবা চবৈ মফি-মবোল লীক-কোনশিং অহুবু শেৎহল-ইনশন শিজনহন্দুনা মমা যাইবী লৈমন কংলৈ পুঙমায়যোল তম্না খিনবীনক্তুনা থওহন্দনা লৈননবা তৌখি।

চাইথ্রাবু লৈমাকোন্দা থমখিবা

সনালেম্বীবু শাবিবী মমোম চাইথ্রানা লৈমকোল, নিংথৌ কোন্দা যৌবক্লবদা, মশাথী সেম্ব্রেং নিংথৌ অপাম্বনা মাগী লৈম অসিবু শক-উবদা ঈচীং-চিংনবহুনা হংলকই,—"ঈবেম্মা! নঙবু হান্নদি থূনীং কায়বা উদে, নপাম্ন খোঙদাকরগা থূনীং ঈকায় কায়বক্লে। নমায় মায়হীংম্ন থাংলে; কৈদৌরম্বনো তৌরিবহুবো?"

"ঈনিংথৌ ঈবুঙ্গো ! ঈপাম থোঙদা-মিন্নরুরগা, মপূনদি হান্না খোঙরায় মাঙথাহ্না লেঙবীখিবা অতুদা, ননাইনদি য়াংলৌ লম্ম-খাঙদা করি ফত্ত-হুংদবা তোরমগদগে হায়না চিংনজবনা, ননাইনা থূনীং কাঙলা-কাঙলহ্না য়েংজবদা—থুনীংস্থ ঈকায়-কায়থোকখরে। ঈনিংথৌদা লেঙবীখিবগী-দমক ননাইনদি থম্মোয় হুংঙাইত্ত-হুংঙাইতনা লাপ্পা, লমদম অতাম্বদা চিংন-চিংনা য়েংজরকপবু, ঈবুঙোবুদি উবা ঈফং-ফংখিদ্রবা অতুদা অরাবা রাখল্লা কূপখিহ্না ঈমায়স্থ মায়হীং কাথোকখরে।" রা অসি হায়দূনা সেন্দ্রেং নিংথৌনা হংলক-হংলকপা খুদীংমক্তা রাহং-পাউখুম চপ-চপ চাননা পাউখুমহ্না মানা ঙমহ্না, চাইশ্রানা মচেম সনালেম্বী ওইহ্না, অতুম মবুঙো নিংথৌগী থৌগল তৌবা হৌরক্লে। মৈদীঙু সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা ঈবেম্মা (চাইশ্রা) অসিবু সনালেম্বী নত্তে হায়বসি থক হায়দোক-লাকথোক-পদি ঈঙম-ঙমদনা, মপূক্লীংদদি শাজৎ, রাঙ্গাঙ, মতৌ-মঙঙ কয়াদা হান্নগা ঈমান-মান্নরক্তবা অসিদা চিংননা চিংনা রাখল হুংনাংনা লৈ-মিন্নে। চাইশ্রানস্থ নিংথৌ অপাম্বনা খঙখি লাকখিগদ্রা হায়বগী-দমক মপূক্লীংদদি য়াম্না কিনা হংগোইনা মবুঙোগী থৌগল-লাংগম্ন-চিংবা থোক্লকপা কয়াদা য়াম্না তাশন-চেকশম্না ফজনা, লিরী-খোইরিনা তৌবা য়াবা মথৈ অঙম্বা কয়ামুক্তা চঙথোম্না হোৎন-জহ্না থৌগল-থাজংঙি। তোয়নস্থ নিংথৌ অপাম্বগী মনাক্তা ঈচঙ-চঙদনা, মনাক নক্তবা য়াদবা মতাঙ ওইরকপা মতমদদা মনাক্তা চঙদূনা থৌগল তৌই।

মচীন-মনাও অনীগী চেংলৌ শক্তম, মায়থোঙ লকা অতুনস্থ—মশক অমত্তনা চয়ে কি-রোল হোংহ্না শেৎপঙম্না চপ মান্নে। মান্নদবা

হায়ববু শাজৎ-সিচৎ, মপুক্লীং রাখল অদুতনি। মরম অসিদা সেন্ত্রেং নিংথৌ অপাম্বদা নত্তনা অমদি অতৈ কমানন্থ চাইশ্রান্থ সনাসেন্বী নংত্তে হায়দুনা ফনমা য়াম্না চিংনহনন্থ ঈহায় হায়দোক-লাকথোকপদি খক ঙম্মখিদে।

লম খুনুনা পাউজেল্লকপা

চাইশ্রানা মচেম সনালেম্বী শাহুনা লৈমা-নিংথৌকোন্দা লৈমিম্নম্নকপা মতম অসিদা লোংমা হুমিৎ অমদি মৈদীঙঙু সেন্ত্রেং নিংথৌ অপাম্বগী মনাই "মৈঙাঙবা শজীকলোয়" না * লাংগোই শগোলগী শজীক ফান্নবা অঙম লাকপদা "তাইবঙ য়াউরা লোনখঙবী, পুজেং লাই নাউ তাবী, চেক্লা ঙকশী থরাম্বী লম-খুহুনা (পানেল উফৈ থক্তা কায়দোঙলগা খোংলহুনা) পাউ অমা চেল্লকই;—

"কুক্রু কু কু খাঙৈঙ্ভং,
হা শজীকলোয় মৈঙাঙবা!
ঙসি ঐনা চেনবা পাউজেলসি
নদুঙেঙা নিংথৌদা তমজরু।
নঙনা পাউমদবা থোকলবদি
নথুংম্থু † পুককথাঙ মাঙহন্দুনা
‡ য়াংগোই শজীক ফালহল্লোই,
নপুক্লী অরা তুরৈ চন্নহনগে,
ঐনা হায়্নকপনি হায়জন্না।"

* লাংগোই=লগোল। † পুকথাঙ=থাঙগোল। ‡ য়াংগোই=লজীক

অসি হায়না মখোী পোঙনা নোয়না থোং, পাউজেল-পাউতাক্রম-লগা চেক্লা শাগন তুকাও ফুনা য়েহনা মারকৈ অমদা পাইখি।

হুমিৎ অহু মৈঙাঙবনা খল্লী,—"চেক্লাচা লমখুন্নু অহুন্না ফুন্না লুনা পাউজেল্লকই হাদুয়নস্নু, রাকম অসিবু ঐনা কংলৈ পিরাগী মফমদা করম্না হংগৎতুনা পাউদম্লসিগে! মসিবু মরম ঈচা চামস্লবা পাউরো পাউজেল হায়বহু থোকনিদা। মসিদবু ঐন্না প্লাউদমুবা থোল্লবদি, মৈদীঙঙুনা ঐবু উনা খুদীংদা 'করিনো মৈঙাঙবদি হন্দক য়াংগোই শাজীক ফনবা চৎপদা লম খুন্নু ওক্লরক্তুনা ঙাওক্নে' হায়দনা ঐবু শোয়দনা লক্লবীহুনা, ঙাওবা তাবা তারে, পাউ অসিবু হংগৎলুবা হৌনদেদা তোক্ত-তোকথোক্লগে" হায়না পাউজেল অহুবু খল্লুবদা ওস্লোকপা মওঙ অমা ওইনা খনখিবনা মৈঙাঙবনা হুমিৎ অহুদি মবুঙেঙা নিংথৌদা পাউ হংগৎলুগদক্লা কিরহুন্না পাউদমদনা অহুম তোকথোক্লে। নোং ঙাল্লবগা মৈঙাঙবন্না লাংগোই শগোল শজীক ফানবা চৎপা মতম ওইরক্লহুনা, চৎলগে হায়হুনা তৌবনা—"পুকর থাঙ" অহু কোয়বী-লি-হুমদুনা লেংবা মতমদদি কংবা কৌবা লৈখিদারে। মহুনা মায়থোঙ শককম লাংশিনা মপুক্লীং রান্না রাখল তৌহুনা মফুমগী [illegible] থাংগুম-থাদকশুম [illegible] [illegible], (মবুঙেঙাদা) "ঐবু ভগি পাউদমসিরা-তমন-হুশিরা!" হায়না অরা শক্তম ওই, মপুক্লীংদা [illegible] মওঙ-মওঙ থকুনা, মহুগী মরমদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],—মৈদীঙঙু নিংথৌ [illegible] [illegible] [illegible] চনশিংবী সনাকেইথেলগী মরমদা—"করিনোনে, মপাম [illegible] [illegible] [illegible]

রাঙাঙ, থোনকম পুমহোঙ হোংখিবা অসিবো কৈদৌরবনো !! ”
হায়না মপুরোইগী চিংন-চিংননা শগোল শঙলোম্দা অঙম লাকপদা;
মৈঙাঙবগা মপু মনাই মথোয় অনী উবহৌনা, মত্রদা মৈদীঙগুনা
হংলকই ;—“মৈঙাঙবা ! নঙবু ঙসিদি ঐনা য়েংবদা মায়থোঙ
শকফমহৌ লাংশিন্না ইমক মকচানা, নীংবা কায়না নথ্‌ায়বু রানা উইদা;
করি অরাবা রাথল তৌবননো ? ননীং থুংদবা করি লৈবগে—
হায়য়ু তাশীদনা ? ”

শজীকলোয় মৈঙাঙবনা থুরুমহৌনা হংগৎলি,—“হে ঈবুঙো
মৈদীঙগু, ময়ুম অরেৎকি কংলৈ পিবা ওইবা-ও ! ঙরাঙ পুজেং
লাইনাউ তাবী চেক্লা-চা অমনা পাউ অমা ননাইদা চেল্লকই।
পাউ অহৌবু ওহোকপা অমা ওইনা থোকপদগী, ননাই ঐনদি
তমগদবা কিজহৌনা পাউদয়ুদরে। মানা হায়খি—‘করিগুম্বা ঐনা
চেনবা পাউবু তমদবা থোক্লবদি নহাক্লা কোয়ৌ হুমিৎ থুদীংগী
শীজয়রজবা নথুৎস্থ পুকক্‌ থাঙ অহৌ মাঙহন্দুনা লাংগোই শজীক
ফালহল্লোই’ হায়না মহাক্লা হায়বগুম্রহৌনা ঙসি ননাই ঐনা
লাংগোই শজীক ফানবা চৎপা মতম ওইরক্লে হায়দুনা কোয়থী
থি-হুক্লদুনা য়েংজবা মতমদদি পুকক থাঙহৌ মকম অসিদা লৈ হায়বা
থঙদরে, মাঙথোকখরে। অসুম্না তৌরবদা ননাইদি শজীক ফানবা
ঙমদবা তারে হায়দুনা, মসিগী ননাইনা রাথল তৌজরম্লিবনি।”

“মৈঙাঙবা ! চেক্লা অহৌনা কনাদা করি হায়দু হায়দুনা
হায়রক্লীবা পাউনোনে ? মীনা চেল্লকপা পাউবু থুনা য়াওনা হায়বী-
রুদনা, অসুম্না লৈথোকপা হৌনদে; তৌহৈদবনি। কনানো
হৌজিক মাগী পাউ অহৌ তম্লীক ?”

"ঈবুঙঙো! পাউ অসিবু অতৈ কনাদবুদি নত্তবনি,—অদুদা ঐবো" হায়দুনা শোম্বাংননা রা মখা ঈতা তাদনা লোইশনখি।

"করিনোনে মৈঙাংবা? [illegible] রা মখা ঈতা-তাখদনা 'অদুদা ঐবো' হায়রগা তুম্মীন্না লৈথোকখিবা অসিবো, ঐঙোন্দা পাউদম্মু হায়রকপ্রা-নে?"

"মানী ঈবুঙঙো; পাউ অসিবু ননাই ঐগী ঈচীন অসিনা তমজগদবসি ওম্থোক্না লুনা, রানা থোকচখ্রেদা; ননাইবু করম্না হংগৎলসিগে? পাউ অসিবু তমজবদা ননাইনদি হৌন-থৌগল্লোল অকায়বা, কয়া লানবা থোকখিগদ্রা কিজত্থনা তৌবনি। ননাইগী ঈচীনসিনা হায়দোকচবা খক ঙমজদ্রবনি।"

"করিগী মৈঙাঙবা? নঙনা পাউ অদুবু তম্বদা অদুক রানা, লুনা খল্লুরিববো? অফববু ওইরবস্থু, ফত্তববু ওইবা থোক্লবস্থু মীনা হায়জরকপা রারম অদুদা কায়দনা তমগদবনি। নঙনা করিগুম্বা থৌওইরাওয়দ্রত্থনা ওন্ন-তৈননা হায়বদি নৎতেদনা। অদুগা, পাউ লৌগদৌবা মীশক অত্থনা মতীক-মঙাল লৈবা মীশক অমনি হায়দুনা, পাউ পুরক্লীবা মহাক্না লৈশী-লৈথোন্দুনা, মীত্থগী মপুক হরাওনবা পাউদম্নগা, হায়রক্লীবা রারোল অদুবু মী অত্থনা অশেঙবা, অচুম্বত্থ খঃবা ওন্নগদ্রা? পুজেং লাইনাউ তাবী অত্থনা হায়রকপা রা অদুতা তশেংনা তমত্থনা ঐবু তাহল্লু। রাহৈ অমতং করিগুম্বা নঙনা লৌনম রাহৈ তৌত্থনা লৈশী-লৈথোম্না পাউদম্লবদি নিংথৌ অপাম্বা ঐবু হাৎপগী অয়োল-অরালশিং নঙনা পুবা ওইয়ু।"

"ঈনিংথৌ ঈবুঙঙো! পাউ অসিবু ননাইনা হংগৎচবদা হৌনা থৌগল্লোল অকায়বা অফ-ফত্তা, অশোয়-অঙাম কয়া য়াওরক্তুনা

লঙজখিবা থোক্লবস্থু ননাইবুদি ভাকপীগনি ; চেললক্লীবা পাউশিং অত্থুদি অমত্তা কায়দ-চীৎথদনা হংগৎচবা ওইজগে।”

“মরম অহু ঐ তানীংবনা খাঙবা ঙমশল্লক্তে। মানা হায়রক্লীবা পাউ অহুত্তা তশেং তশেংনা তমত্থুনা ঐবু তাহল-খঙহল্লো ?”

“ওস্থোকপনি ঈবুঙেঙা ! পুজেং লাইনাউ তাবী চেক্লা লম খুনূ অহুনা পামেল উফেথক্তা কায়দোঙলহুনা মখৌ পোঙনা নোয়না খোং, থম্মোয় শোক্লা তেংথানা চেল্লক্লীবা পাউ অহুদি—

“কুক্রু কু কু থাঙতৈতৎ ॥”
'হা নিংথৌ তুকাওবা !
নচা ননাইবু কাউবরা ;
করম্মা কাউবু কাউবীনো ?
থুনীং কায়দা ষেংশিনজৌ,
খুকউ শুপ্তা তাবনি,
খুদোল ফন্দা তাবনা
থুনীং কাঙনা চৎপনি;
শাথেক কমজ্জাও হুনবনি;
ঙকতোল চীনহায় কনবনি ॥
মখৌ মঙম নত্তনা
থঙদনা অহে শাহুনা
শিম্মা থৌ পুহনগহু;
ফিগে ঈহোঙ ভৎকনি;
কুক্রু কু কু থাঙতৈতৎ ॥
নবুঙেঙা নিংথৌদা তমজক্ল,

ঐগী পাউবু তমত্রবদি
নখূৎস্থ পুকথাঙ মাঙহনগে;
পুক্নীং অরা তুরৈ চলহনগে
কুক্রু কু কু খাঙঙৈতৎ ;' অসিনি।"

পাউ অতুবু হেক তাবদা, মশাবী সেম্রেং নিংথৌ অপাম্বগী থম্মোয় লাইয়ুমদা থুক লাউনা অরা হুংশি হুংওল ঈহৌ কয়াবু পোক্লহুনা—"মৈঙাঙবা! নঙ অসিদি ঐবু হুংশিদেদনা; অম্বুক্ক হুংশিগ্রবা পাউ অসিবু নঙনা তমত্রহুনা লৈরম্মিদা! পুজেং লাইনাউ তাবী চেক্লা-চা অদুনা হায়রক্লীবা মরম পুন্নমক অচূম্বনি; মতু ঐবুনি। মতু হৌজিক-হৌজিকমক ঐঙোন্দা ওইরিবনি; খঙবা ঈঙম-ঙমত্রহুনা পুক্নীংদা য়াম্না চিংন-চিংননা লাঙতক্লহুনা লৈরম্লী-বনি। হৌজিক্তি নঙনা পাউদম্বদগী ঐ খঙবা ঙমলে; তাক্লীবা পাউজেল-পাউতাক অতু খঙনবা শোয়দন-মক চাংদম য়েংলুখিগে। অতুগা হয়েং অসিদি নঙনা শজীক ফানবা চৎপদা ঐন্থু য়াওনা চৎকে। নঙনা ঐগীদমক খরা তেংবাঙউ" হায়রম্লগা, মৈদীঙঙ্গুনা হনজনখিহুনা ময়ুম শঙলেন্দা লৈরিবী সনালেম্বীবু মথৌ চাংদম য়েংগদবগী শঙলেল পাংনা অমুক হজনখি।

মথৌ চাং য়েংবা

মৈদীঙঙ্গু সেম্রেং নিংথৌগী মঙাইরোই শজীকলোয় মৈঙাঙবম্ম হজনখিহুনা ময়ুম শঙগায় য়োরগা হংগৎনা য়েংখৎলুবা মতমদদি মাগী মাঙখিবা 'পুকক থাঙ' অতু য়ুমগী উরাদা থেৎলম্বা উরবদা; মপুক্লীং হরাও হরাওনা পুকক-থাঙতু পুহুনা য়াংগোই শজীক ফানবা চৎখি। মতম অদুদা চেক্লা মাম্বীক ঙকনৌবী, পুজেং লাইনাউ তাবী-চা অহুনা

পামেল উকৈ অমদগী অতোপ্পা উকৈ অমা লান্না চোংল-চোংলহুনা মপুগী পাউবু তাগদোবগী কয়ামুক ঈথৌ লাংজনা ঙাইহৄনা লৈরম্মী। শজীকলোয় মৈঙাঙবগা চেক্লা-চা অহুগা মখোয় অনী থেংনরহুনা হায় —“পুজেং লাইনাউ তাবী! নবুঙোদি মফম অসিদা ঙসিদি লাক্ল-রোই; হয়েং মফম অসিদা লাকনি; নঙনা ঙাইহুনা লৈরম্মু।” রা অহু তাবদা, ঙকশী থরাম্বী চেক্লাবু শাগল তুফাঙ তোয়হুনা লমদম অতাম্বদা পাইথি।

মৈদীঙঙু সেম্রেং নিংথৌ অপাম্বনা পাউজেল পাউতাক্কী মতুঙ ইন্না ঙসি চাইশ্রাবু শাওঙ-শাজৎ, রাঙাঙ খোল্লে-খোনফম, য়েংথো-রকপা মীৎয়েং নায়েং, মতৌ-মওঙ কয়াবু কুপ্না য়েংনা মথৌ চাং য়েংগে হায়দুনা, শঙগায় মাংগোনগী ফমলেলদা মাঙশোক ফম্বাল লাংহুনা হায়রকই,— “ঈবেম্মা! নঙগী ফিগে ঈহোঙ অহুবু কমদৌ-রিবগে শাববু লোইশ্রবরা? নঙনা মাঙশোক ফম্বাল লাংহুনা শাঙদীং ঈহোঙ শিন্থারকপগী তোয়না য়ৈ-থেংলকপা ফিশাগী য়াউরা তেম-থেংখোল; শেম্রাঙ চকরায় তাগুম্বা খেউ পাংঙদেমগী শ্রিং লাউবা য়াউরা মখোল থোইনা হুংশি হুংওনশ্রবা অহুনা নশাবী ঐগী ওল্লাঙ-লবা মতমসিদা থাগী নামীবা হুংশিৎনা অরাং হারম পাংলদুনা নীংঙায়বা লৈতনা তোয়না তপ্পা খোন্না রি রি, ঙা-থেংনা য়ৈরক্তুনা থেংলবগুম, ঐগী থম্মোয় লকাদা হেক হেক য়ৈরক-থেংলক্তুনা অরা পোথা-নফম ওইনা ইঙহনবদো তারক্তবা কোরৌ মতম ফনা হুংশাংলক্রেদো?”

অহুদা চাইশ্রানা হৌহুনা লৈরিবা চরৈ ঈহোঙ অহুবু ফিশারোই-দবগী রাহৈ-রাঙাঙ নাশি থাংলহুনা—“ননাওম্মু ঙসি পায়জগে,

হয়েংদি মপাৎরগে থন্না থন্না খংবদা মঙায়জবে ; নোংমা চুরিং অমতা ঈথৌ শিন্নাজবা ঙমখিদ্রবনি। ঈমূঙ মনুঙনচিংলবা লৈমা নিংথৌকোললগী থৌরম্বু কনখিবনা রাংলেল ঙহাক্কুম্নু মনাইবু অন্না পোথাবা ওইবা লৈখিদরে। অদুবু নত্রবদি মনাওম্নু নহাক্না লোইশিন-খমজিঞ্জরগদবনি ঈহুঙেংগো।"

"চুম্মিদা ঈবেম্মা, নহাক্না হায়রিবা রাক্কমদো, ঐস্নু খঙদ-উদবদি নত্তে; হায়বগী দি নহাকম্নু পংরা-রাররিগনি। অদুবু ঈবেম্মা নহাক্না ঐবু নহাল তত্তনা শাঙদীং ঈহোঙ শিন্নারকখিবগী চুংশি য়াউরা তেমথেংখোল তাহনখিবদো, আনৌংখিবনা থাম্মায়সে খোয়-রাঙ-লাঙতক্করবা নশাবী ঐবু কোৎরো ঙসি অসিদগা হন্না অমুক্তদি তাহন্দুনা কোকহল্লুগবা ইবেম্মা ? ঐস্নু ঙসিদি ফমলেল * মাংঙশোক ফম্বাল লাংতুনা রাংলেল থরদঙ পূক্নীং অরা-পেথাবা ঙইদুনা ঈচীক অমুক্তা লাংখিগেবা" হায়দুনা শাঙদীং ফিশা-নবা কন্না তকশীন্দুনা ঙাইহনা লৈরি। রা অসি তাবদা চাইত্রাম্নু হৈদ-হৈগদবোই নীংতুনা, ফিগে ঈহোঙ হৌতুনা লৈরিবা অদুবু পুথোক্লগা, শাগদবগী সুনা-থরাক কাঙলদুনা, তেম লোনগে হেক হোৎনব-মক্তদা লংলা লংখল-ঙুনা কাঙবা হৈত্তবনা, তেমগী মতোম্না লংলাশিংবু লোশন্দুনা তেম লোনবা য়াদবনা লং অতু খরা তৎলে ; পাংঙদেম অদুম্নু ছনবা য়াদরে ; লংলা লংখল সুনা কাঙবম্নু হৈত্রদুনা, ফি অদূদা য়েংলগা শোম্বাংননা—"ফি অসিমত্তা শাতুনা শেৎচগে তৌবসে, শাদি শাদনা খরা কুইন-শাংনা নমশন্দুনা থম্বগী হৌনবা, লংলাশিংসি লোইনা

* মাঙশোক = মাংগোনগী তন্নাং থংবা, নত্রগা ইমূঙদনা কৈমরেলনা লৈবক্লোম তন্নাং থংবা।

ঈনপ-নপশীন্নহূনা তেম লোনবদা কয়াম থীনা ভূৎথ্রবনোসে।"

মৈদীঙগু না পাউকুম্নকই—"চুম্মি ঈবেম্মা, য়াবম্মোয়, লাল্মাম্নিংঙ্গু পংতৎ-জৎকুনা কুংদা য়াম্না রানবগনি। থমজিল্লগনো, থমজিল্লো ঈবেম্মা, খঙঙগনি; নঙগী খুৎলোম্ম তেমথেংখোম্ম অদুক য়েংনীংতনীংহুনা তৌবনি। কোক্কৌ হনবম্মু মঙাল থম্না শাম্নক্রে; ঐম্মু কংলৈ পুঙমায়য়োল্দা চৎলম ফানদেং য়েংজুবগে' হায়না রাখল তৌহ্ননা, পুম্নমকপু মৈদীঙগুগী মপুক্লীংদা নীংশীংলহনা, চাংসম্লহনা মকম অদুবগী লাংগোই শগোল্ল অমা তোংলহনা থোম্নক্রে।

লম থুনু য়োকপা

মৈঙাঙবা শজীকলোয়ম্মু মবুঙেঙা নিংথৌ অপাম্ববু ভাইহনা লৈরম্বহু থেংনরবদা, মপু-মনাই লোয়নহনা লাকমিম্নরে। মহুদা মবুঙেঙা নিংথৌ অপাম্বনা মনাই মৈঙাঙবদা হংই, "মৈঙাঙবা! নহাকপু সনালেম্বীগী মপাম মরাল-য়ায়বু লৈফম থঙব-লাকপরা?"

"ঈবুঙেঙা! ঈবেম্মগী মপাম শঙগায়দি খঙজে। ননাইদা করি তাকপীগদৌবা ওইরবনো, তাকপীসি?"

"অছুদি নহাক্না সনালেম্বীগী মপাম মরাল-য়ায়দা শজীক ফানবা শাহনা চঙলগা কনা কনা লৈব-লাকপগে (* অনু নহা অমতা লৈবরা) হায়দূনা থম্না মুম্না অমুক্তা য়েংলু" হায়দুনা মৈঙাঙববু থাদুনা য়েংহল্লুবদা, মৈঙাঙবনা—"ঈবুঙেঙা! মনেম ঈবেম্মদগী হেন্না অতৈ থোইদোকপা কনা লৈব্রা উজদে" হায়না হংগৎলরহনা পাউদমলৈ।

*অনু নহা=মো নহা

"ফরে, অছু ওইরবদি নহাক্কী গুরাগুগী শজ্রীক ফানফম তাম্না চৎলসি" অসি হায়দুনা অমুক মপু-মনাই লোয়নননা শজ্রীক ফানফম তাম্না পন্দনা লাকমিন্নহুনা মফম অহুদা থুংলরবদা, নিংথৌ অপাম্বনা পুজেং লাইনাউ তাবী, চেক্লা লৈচে্রঙ থারীকপীবু পাইরকপ্রা হায়না মায়কৈ শীম্না কোয়রেঙ য়েংলহুনা, উনজনীংবনা কয়ামুক ঈথৌ লাংনা ঙাইরহুনা লৈথি।

চেক্লা ঙকশী থরাম্বী, পুজেং লাইনাউ তাবী চানা মশাবী নিংথৌ অপাম্ববু লেঙলকপ্রা হায়দুনা পামেল কৈরা অমদগী অতোপ্পা উকৈ অমদা অমুক লাম্না চোংল-চোংলহুনা পোইরে লমদম অতাম্ব-রোমদা চিংন-চিংনা মুন্নদি কোয়রেঙ য়েংজরহুনা মপুগী পাউবু তাজনীংবনা কয়ামুক অরা ঈথৌ লংজবগা লোয়নননা থম্মোয় মথুম-মরাঙ হৌনা লাঙতক্লনা ঙাইহুনা লৈরম্মী।

মতম অহুদা মশাবী সেম্রেং নিংথৌ অপাম্বগা মথোয় অনীমক চেংলৌ শক উনরদুনা থেংনরবদা, থুদক অদুদা মশাবী মৈদীঙগু কংলৈ পিবানা মশানৌ চেক্লা ওইনা লাংওনবীবু য়েংলহুনা হুংশি মখে ফংনা, রাহে মতোল লোম্না য়াউরা চীনগোয়রকই ;—"তাইরঙ্গু য়াউরা লোলখঙবী ! চেক্লা-চা ওইবী নুঙবু পোম্বী হায়না কোল্লোয় সিংগোরগে, নশাবী নিংথৌ এ্রনা। পোম্বী, পুজেং লাইনাউ তাবী, ঙকশী থরাম্বী-ও! নঙদি অরাঙবা, অহাঙবা কোক্লৌ থক্তা ননীং-মথা তম্না, মায়কৈ শীঘ-থুংনা (পোম্বী) শাথপ তুকাঙ তোয়না ফু, কোয়পায়-কোয়পায় পাইরহুনা, পুক্লীং হু-নুবগী মশক কয়াবু ওইরিবা, অসিনি হায়বা মপান চাংজৌ নাইদন্না, ঙমথে পান্দম লৈগ্রবা মালেমগী নীংথী-নীংথীরবা মশীং লাকভুমজ্রবা কয়াবু উ;

ফজ-ফজরবা মহৌশাগী, খুৎশেমশিংগী মশক-মচু মমেল কয়াদি য়েং, হুংশি হুংশিরবা থম্মোয় হুনা হুংঙল্লবা য়াউরা বোল্লোয় কয়াশিংবু তত্তনা-তা, উনা পুংবা মরুম থি, পামেল তল্লা থক্তা কায়দোঙলগা মালং ঈচীক থেম, চিপক্লা অরা পোত্থারহুনা নখৌ পোত্‌না নোয়নদি খোং, পোম্বী নশোঙ ঈফল-ফল্লা, মতম খুদীং অরা মৈশা লাংদনা, হরাউ মথোয় কানা হুংঙাইজবা ঙমলিদো। পোম্বী ! নহাক্কী পাউজেল কোল্লোয় তাবদা, নশাবী নিংথৌ অপাম্বা ঐদি কংলৈ ফমবৈ লাংল-বম্ম নোং কোরৌ অমতবু রাখল চাংজৌ লাম্বা ফং-ঙমদনা অরা-পোত্থা-নফম ওইবা লৈতরেদো—পোম্বীনা লাংওন হৈমনথিবা মরম্মা। চেক্লা মাম্বীক ঙকনৌবী, পুজেং লাইনাউ তাবী-চা ! নহাক্লা কংলৈ মেনফম লাংহুনা পুন্সিগী নোংদম পম্বেং লোমলোইদব-মক্তা লৈরবদি করম্নবু লাইনাউ তারম্বনো ? হান্নগুম অমুক্তদি হল্লক্তুনা নশক-ঈশক শকথঙ-নখিসিবা।”

পোনবী ঙকশী থরাম্বীনা মশাবী রাবু তাজ্জরগা, মীৎলু পিরাংঈরা ঈহৌনা মেঙনা থোৎ-নৌরবা হুংশি য়াউরা খোনফম্মা পঙথুমলকই;—

“হে, তাইবঙ ময়ুম তরেৎকী
লুচিং পিবা ওইবা-ও !
করম্না কাউমম্নস্ন কাউগ্রবনো ?
নশানৌ মপোক নোংদম থীবীবু
লোইদাম থাবুম অমা চুপ্না,
তাইবঙ কনাবু ঈশক উহম্বীদনা;
নশাইকোম্পা চেৎনা লোত্তুনা থম্বীয়ু।

মপুগী পায়মা পূক্লীং অরাবা
য়াখল চাংজো লাম্বা ফংঙমদ্রবদো,
পোম্বীগী মপোক্তা মপোক লাংওন ওইরবী,
নশানৌ (ঐ) না চাংজো লাম্বা ফংনবা,
থূজীন থৌরাঙ থৌশীনজরগা
শমু মায়োক নহুনা
চেক্লা পান্দম ওইবীগা
পোম্বী চীন্দীনন-নবা
লাংওন থৌরাঙ ওইবীয়ু;
অমুক্তদি তাইবঙ মপোক ওইনা
ফাওরকপা ঙম্বা য়েংজগে॥”

পোম্বী ঙকশী থরাম্বীগী হুংশি য়াউরা কোল্লোয় মপাউখোলবু তারগা, মহুদা মশবী সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা—“অদূ ওইরবদি নশাবী সেন্দ্রেং ঐগী ওয়রোম থংবা পম্বোমদা পোনবী শাথপ তূফাঙ তোয়রক্কুনা অমুক্তা তোংলখো” হায়দুনা ওয়গী শয়েঙ-পাম্বোম তিং-থোক্লগা পোম্বীবু ঙাইহনা লৈখি।

মবুঙেঙা নিংথৌগী হুংশি য়াউরাখোলবু তাবদা, পোম্বী ঙকশী থরাম্বীনা মখৌ ঈপোঙ-পোঙ, নোয়না খোংলহনা য়াউরা চীনগোয়-জরকই;—

“হা নিংথৌ তূকাওবা!
লাংওন হৈজবী নৎচদেয়ে,
ঈপাম মালং ঈহূল কনবনা
নারৈ নাথুপ তমজবনি।

লোইদাম থাবুম অমবু
হুমিং খা ঈশক উহন্বীদনা
চেৎনা নাউকোম্বীগনিবু হায়রবদি
ঈনিংথৌ নাক্তা লাকচগে ?"

"ঈশানৌ নারৈ নাথুপ থৌয়াঙবী !
কোরৌ ঙসি নোংদগী হৌরহনা
চৈশীং থেকনা থাজরগে ;
পামেল তল্লা থকতগী
পোন্বী শাখপ তুফাঙ তোয়দুনা
খোঙগুম লক্লোনে পাম্মুবী ॥"

মশাবী রাবু তাবদা, পোন্বী ঙকশী থরাম্বীনা পামেল উফে থক্তগী শাখপ তোয়দুনা পাইথরক্লগা, মশাবীগী ওয়গী শয়েঙ পামবোমদা তোংলরে। পুজেং লাইনাউ তাবীবু চরৈনা নীংথীনা কুপশীল্লহনা কংলৈ মরাল-য়ায়দা পুরক্লে। ইমুং লপয়ান কাগী ফকতোপ্তা * পোনথ্রাঙ অমদা হাপ্লহনা কনাবু খঙহন-উহন্দনা থেৎলগা য়ানহনা থমখি।

লম খুন্থু মাঙহনবা

নোংমা কোরৌ অমা চাইথ্রানা লপয়ান কাদা কনাবু খঙহন-উহন্দনা, খঙদ-উদনবা চেৎনা লোৎলহনা থমলিবা চেক্লা ঙকশী থরাম্বীবু মপুগী থৌগল ফংবা মতমদা কোক হেক থেংনরুয়ে। নোংমা মৈদাঙঙ্ নিংথৌ অপাম্বগী মকমদা লম খুন্থু অচৌবী মরুম খঙনীংলহনা হংলকই ;—"ঈবুঙেো ! অপলেল কাদা পোনথ্রাঙ অমদা

*পোনথ্রাঙ=পোন, খোমাং

হাপ্লগা য়াল্লহনা থম্বীরিবা লম খুন্থ মচা অসিবু হুংশিজপ্রেদা ; মফম কনায়দগী ফংবীরকপ্না ? মসিবু কৈদৌনগদবা ওইবীরবনো ?"

"ঈবেম্মা ! ঐনা অশুম কোয়থোক্লবদগী হঙ্গল্লকপা মতমদা লমহাঙ অমদা উচেক মচা অসি খারং কৌবা উচেক অহনা হাংকদবগী কোয়তান তান্নবীহনা নোংমদোল থক্তগী হুমথরকপা মতমদা ঐগী নাক্তা তাবদগী, লমগী খুন্থ অসিগী মখায় হিংনবা ঐনা পুরক্তুনা য়োক্লীবনি।"

"হুংশিদা ঈবুঙ্গো, লম খুন্থ অসিগী 'মওঙ-মতৌ অসিবু ননাইনা য়েংজবদা ওম্নোক্লা হুংশিজপ্রে" অম্মুম হায়না মতম খরা লৈরক্লবদা, চাইশ্রানা লম খুন্থ অসিগী মরমদা ৱাখল অম্মুম তৌরকপদা—"ঈমা-ঈচানা ঈচেম সনালেম্বীবু মাঙহনখিবা মতমদা চেক্লা লম খুন্থ ওইনা পাইখিবা অহ মফম অসিদা থমহনা লৈরিবসি শোয়দনা ওইবা তাই। (হায়না নীংশিংলক্তুনা) ঐখোয় ঈমা-ঈচানা তৌখিবা খুজীল-থৌরাঙশিং অহ মফম অসিদা চেক্লাসিবু মতম কুইনা থম্বা থোক্লবদি অমুক হন্না খঙলকপা তারে", হায়দুনা খল্লুবদা মবুক্তা তাথীনা শাওনীংবা, হুংঙাইতবা ওইহনা, লম খুন্থ অসিবু অমুক হন্না মাঙহন্নবা থৌরাঙ লম্বী থিহনা ৱা খুমদা য়াগদৌবা ৱাখল তৌহনা লৈখি।

নোংমা (কুরুম পুঙমায়য়োল লৈপাকলিলা পানবা) কংলৈ শিল্লা লৈদীঙঙ সেক্রেং মরিক নিংথৌ অপাম্বনা অয়ুক অমা চথোকখিদ্রুগী মতমদা, চাইশ্রানা লময়ান কান্না পোনশ্রাঙ অমদা হাপ্লুনা মখাবীনা চেকশঙ্কা, পুন-চান্না কনাবু খঙহন্দনা থমলিবা চেক্লা

লম খুনু অহুবু হাত্তোক্তুনা শেম্নগা য়েনশাঙ মথেল নীংথীবা অমা ওইনা খোংহুনা থমলে। মতম অদুদা নিংথৌ অপাম্বম্বু কোয়থোক্ল বদগী হক্তিল্লক্তুনা কোরৌ নোংবুম খুদীংগী অরা-পোৎথা-নকম ওইরিবা পোম্বী মাবু থমহুনা য়েংলিববু লপায়ান কাদা হেক থুংলরবগা চঙসন্দুনা য়েংলবা. মতমদদি—লম খুনু উবা ফংদরে। মতম অহুদা মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বদি নীংবা কায়না অরা হুংঙাইতবা রাখল কয়ামুক্তা লোয়ননা তাঙ্‌জ মায়রাক্লহুনা লম খুনুগী মরমদা রাখল তৌরকই ;—"ঐনা থৌরাঙলিবা অসিবু কনাগুম্বনা মবুক তাথীহুনা মাঙনবা অতোপ্পা লম্বী অমা তৌগ্রবনো ! ঈসঃ ওম্বোকইদা !! " হায়না হুংবংননা থন্দুনা লৈরিঙৈদা, সনালেম্বী শারিবী চাইশ্রানা চঙশীল্লক্তুনা হংলকই ;—ঈবুঙেঙা ! কৈদৌবীর-বগে তাঙ্‌জ মায়রাক্লবীহুনা সনা মায়থোঙ লাংশিন্না ফম্বাল লাংবী-রিবা অসিবু, মপুগী সনা পুক্লীংবু করম্বা রাথম্না খুদুম চনবা ওইগ্রবনো ?"

"শানৌ ঈবেম্মা, ওম্বোকপা মতৌনি ! নঙগী নফমদা ঐনা তাক-খিবা লম খুনু অহুবু কনানা থাদোক-লাকথোকগ্রবনো লৈরমদবে। মরম অহুগী-দমক পুক্লীংসি হুংঙাইমনখিগ্রহুনা লৈরমলিবনি।"

"ঈবুঙেঙা ! ননাওনা করি হায়নবু হংগৎলসিগে ; ঙসিগী * লুক্কোয় মথেল লাঙজবা মতমদা, মশীং অমতং রাংলহুনা করিনা

---

*লুক্কোয় মথেল=তক্ক-তক্ক ওহেম্না (কোয়নম্ন রাংনবা লাকোয়) চাকী ইকোয় কোয়বদা য়েনশাঙ্ মথল মথা মথেল তোঙান তোঙানব-শিংহু হায়া চাগদবা, থক্কনবহুনা সোয়দা হায়া থঙ্গগা, কোয়া (থংনুবদা) অযুক পায়দুনা চাবা থক্কপা হৌগদবা অহুনা সোয়দা অমুম্না থক্তি-থয়োই

ঙইশিগে অণ্ডম খগ্নবদা, অতৈ অমা থিহনা লাঙজগদবমু লৈখিদ্র-ছনা, ননাওনা ঈবুঙ্গোগী-দমক্তা চেক্লা লম খুমু অহনা ডমলেল লুকোয় শেম্বগী 'চগেম থোংহনা' তাল্লা অশেল ওইনা থৌরাঙহনা থমজরি।"

"হৌঃ, করি য়ানোনে ঈবেম্ম !! অহৃগুম্বা চংলম্না থরায় পানবা অমবু মাঙহম্নবা খুজীল-থৌরাঙলিবা মহবু নঙ-ঐগী ঈচীঙ্গাক্লা ? মহবু নঙগী তৌগদবা হৌন-চংলম্না ? মথায় পানবা অমবু মাঙহ-ন্দুনা নথঙলেল-নপুরোইবা ঐবু পীজ-পীথক্কনি হায়না থৌশীন-থৌরাঙলিবদি ওম্বোক্লা হুংঙাইদকো অঙকপনি হৈ ঈবেম্মা ! করি-গু না মতমদমু অদুগুম্বা মখলগী চীঙ্গাক্তি কংলৈ পুঙমায়য়োলগী মহুঙদমু কনাগুম্বনা থক চাবা, থকপ-লাকপা তৌনরক্তবা মশক্লী। মহু শোল্লবা থরায় পানবগী মহুঙদা অকনবগী মচী-মরুম থুপ্লা পান্দুনা লৈজবশিংবু ঐদি ঙমলে হায়দুনা হেক্তা মাঙন-তাক্লবা চংলম থৌ-পুবা অসিবু নঙ-ঐগী ঈথৈ-ঈঙম নত্তে। অসিগুম্বা চংলমু থৌ-পুবা তাইবঙ মহাক অহৃদি লুতুং রাবু থৌখন্দবা, মচং নাইদবা চংলম্নী। শা উচেক হায়বা অসিদি নঙ ঐগী চানবা ঈচীঙ্গাক নত্তব-নিনা মহু ঐনা চাবা থকপমু য়াদে। মতুঙদা অসিগুম্বা চংলমু থক খুজীন থৌরাঙ-থৌশীন্দুনা থৌ-পুগনু। মৈতৈ *লাইরকচনবু নামুঙবা লুতীন য়াদবা চীঙ্গাক্নী। কদায়, কদায় ঐগী দমক্তা থোংলক্লিবা য়েনশাঙ

হায়বা মথঙ-মনাও নাইনা কায়দনা তোঙান তোঙান খায়দোক্লা থঙননবা (কয়া থোক্লা, তরা থোক্লা) থেন্দুনা থবা।

* লাইরকচনবু লুতীন য়াদবা—লাইরমলেন্দমু তৌহৈদবনা মীরমজেন্দমু তিনবা (চাবা) য়াদবা।

মথেন অহূদি কদায়নো পুরকউ।" থূদক অহূদা চাইথ্রানা য়াম্না ঈকায়না কি-হংগোইন্না অথোঙবা য়েনশাঙ অহুবু পুথোরক্কুনা মবুঙেঙা নিংখৌদা কংলরে

মৈদীঙঙু সেম্প্রেং নিথৌ অপাম্বনা অথোঙবা য়েনশাঙ অহুবু শায়রগা মপাল-লাংদা থোরক্কুনা শঙলৈনগী খা থংবরোমদা চঙলগা পোম্বী মাগী মরবু থল্লু-থল্লুনগা ঙমখৈ লৈতনা কয়ানা মৈশা লাংলকপনা থম্মোয় লকাবু ফুনগৎনা ওমচাক্লরক্লবা, রাবনা পম্লোম লোয়্নবা মৈচাক কয়ামুক্তা লোয়নবা হুংহৌক্লনা যাউবা চীনগোয় পাউমেললকই;— "পোম্বী লাইনাউ তাবী-চা! ঐনদি নঙনা নীংববু থুংহনবা ঙমখিদরে; লুতুং রাখল থেনবা নিংথৌ অপাম্বা ঐনা পাউদম হৈমল্লবা মরমদগী ঐনা নঙবু মাঙহন্নবা খূজৌল-থৌরাঙ লম্বী ওইনা থোকহনেথ্রদো—চান্নবী। নঙনা কায়দবা, লান্দব-মক্তা তশেংলবদি —পোম্বী নঙনা তাইবঙ মপাক লক্কা ফাওরক্কুনা হান্নগুম অমুক্তদি মউ চারী' লিংলখো। হায়নথিবা, শীন্নখিবা থৌরন্নু মাঙহল-তাহল্লী হায়হুনা নবুক্তা তাথীহুনা হল্লক্তবদি তৌগনূকো। পোম্বী চীন্দান্নহুনা কুরুম পুঙমায়য়োল কোৎবা লৈপাক অসিদা ফাংলম মথঙ লেংনবু অমুক্তা শীনমীন্নখিসি। ঙসি লপয়ানকাগী * য়েন্নখাগী নমলোল অসিদা নঙবু ঐনা অমুক হন্না থম্বা ওইজগে" "অসি হায়না থম্মোয় কাহৎনা চাক্ল-চাক্লা মথূক্তা পায়রিবা লম

*য়েন্নখা:=অহানবা থুম শানবগীহৌবদা কয়াৎ মথঙ মথঙ থায়না হান্নবদি কায়াৎনা পরিং থাহুনা মা-মাগী কা শন্নকশিং য়েন্নথোক্লহুনা (হ্রাৎহুনা) শাবদা অঙক্লা থাকপদা ওক্লনি হায়হুনা থাক্তুনা থমখি হান্নবদগী মমিংবু "—য়েন্নখা (অঙক্লা থাকপদা ওক্লে=) ওকখা "কৌই,

খুন্থু অথোঙবা য়েনশাঙবু, মালেম লৈরোল চন্দূনা মফম অহুদা থমখি। মশাবী সেল্লেং নিংথৌ অপাম্বদি মিকুপ খুদীং অকাও পরৈ লৈতনা থাংঙু-থত্তল নৌনা তোমত্তেরক্হনা শেংনপ্পরী মশানৌ সমালেম্বী মশুং-লাংগী-দমক্তা খাঙহন্দ্রবা, মুংশি কায়না মৈচাক-খোলবু খল্লু-খল্লুরগা য়াংলেল ঙম্বাক্তস্ম রাখল চন্নীং লৈত্তাব-লৈতনা অরা পোত্থাফম ওইবা লৈরক্লে। খোঙথাঙ খুদীং থম্মোয় পুঙমদ্রবা নীংবা কায়বগী নিংশা শদৌ থোংনা অমু-মুক শাংনা শাংনা হেল্লি।

হৈরাঙ ওইনা লাংওল্লকপা

(চীনগোম্ব পাউমেল্লবা)

মালেম লৈরোল চন্দূনা থমখিবা লম খুন্থু য়েনশাঙ অহুবু মতম খরা লৈরগা মফম অহুদা "তাউজিং হৈনম নাইবা পাম্বী অমা" ওইনা হৌদূনা য়াম্না নীংথীনা চঙথোল্লা লৈররে। হৈরাঙ মপাম্বী অহুবু মৈদীঙঙু নিংথৌ অপাম্বনা উবদা, মপুক্লীং অরাবা অচাকপা কয়ামুক্কী মনুঙ মরক্তু দা অনৌবা রাখলগী মঙাল অমদি উবা ফংনা হরাও মুংঙাইজবগা লোয়ননা কনাবু চঙবা লাকপা ঙমদনবা য়াম্না নীংথীনা, চেকশীন্না কোয়না শম্বল খাদূনা কোরৌ মুমিৎ খুদীংগী হৈরাঙ মাবু য়েংহনা থমখিরম্মী। মতম কৌবনদি লেপ্পা ঙাইবীবা লৈতনা ঙরাঙদগী ঙসি, ঙসিদগী হয়েং, ঙসি ঙসি, হয়েং হয়েং হায়দুনা য়াংলেল মিকুপ মরমদা থক ঙাইবীরম্বা লৈতনা নোংমা অমদগী নোংমা নোংমা হৌজল্লজ নাংলোইদ্রম থারুম তরা-নীথোয় মথঙ মক্ত জানশিনখিরক্ল, কুমজা কন্না হৌজনখি অহুম

মপুঙ হায়রক্লবদা—তাউজিং হৈরাঙ হৈনম্বা মপাম্বীচু য়াম্না নীংথীনা মপুঙ-মরৈ ফারক্লে। মশাবী সেম্ত্রেংদি কায়নগ্রবী মশানৌ সনালেম্বী মঙুংলাংগী হুংশি য়াখন্দা অচৌবা মথৌদাং অমা ওইখিহ্নুা থাজ কুমজা মতম কয়াবু তুম্ফম হীফম চাকম থককম খঙলক্তনা য়ানা চাক্না লেল্লহ্নুা অঙাঙবগী পান্দমগুম অমা ওইরক্লে। লৈপাক য়ায়েল কুচু থৌদাকম শঙদা ফমদুনা নিংথৌগী তৌগদবা মথৌ থৌদাং য়ায়েল থৌদা নোংদম থৌবুগদবশিং অয়াম্বম্ব পুমথা থাদোকখিহ্নুা লৈরক্লবদা নোংমা কোরৌ নোংজা অমদি মশাবী নিংথৌ অপাম্বগী থোমলেল মঙলান-চান্দা মশানৌ হুংশি খোঙদা-জরবী সনালেম্বীনা লাক্তুনা হায়জরৈ;—

“মৈদীঙঙু! ননাইদি হৌজরেদো
তাউজিং হৈনম-নাইবা ওইনা;
হৈরাঙবু মহৈ য়াল্লবা মতমদা
হৈরাঙগী হৈজীং হৈমুল ফারগা
হৈনম্বা তাউজিং মাখু হেক্লগা
লোইদাম থাবুম অমা চুপনা
হুমিৎ থা মশক উহনবীদনা
চেৎনা নীংথীনা লোত্তুনা থম্বীয়ু
ননাও তাইবঙ ওইনা থোকচরক্কে॥”

অম্বুয়া মশাবী নিংথৌগী মকাইকমদা হুংশিজরবী শককমগা লোয়ননা মীৎশ্না ঈরা চেন্না থোমলেল মঙফাওনরমহ্নুা হুংশি চৌনগোয়নরম্লগা ঈরেম্মা সনালেম্বীদি অহুম খঙহৌদনা খুপাখি। মঙলিকা মঙলান-চান অহ্নুা হেক মঙবা লোইকমা নিংথৌ অপাম্বম্ব

মিকপ অহুম থোরক্লে। মঙলিবা মঙলাল অহুবু নিংথৌ অপাম্বনা নীংশীংলুরগা থৌইনা হেন্না থাঙংমদ্রব্য হুংশি মৈশা লাংলক্লহুনা মশানৌ সনালেম্বীবু চীন্দা থম্মোয় শোক্লা শোল্লকই ;— "ঐবু ঙসিগী মঙলিবা খোম্লেল মঙলাল-চান অসিবু অচুম্ব-মকপু ওই-রিগদ্রা ? তাউজিং হৈনম্বা মাবু অমুক্তদি ওম্বোক্লা য়েংনীংলকপ্রেদা ; মঙলাল-চান্দি ওইরগা মাগী ফজরবী শকফম, থম্মোয় তানা হুংশিজরবী চেংলৌ মায়থোঙ লকাবু ওম্বোক্লা নীংথীনম্বু ময়েক শেংনা উরহুনা, পাউতাকখোলগা লোয়ননা মরীক চূম্না মঙপ্রেদা —ঙসিগী মঙলাল-চান অসিবো ! চাম্নবী মাগী রাথম্না শুক্সাংলবা মশাবী ঐনদি চহি কুমজা অম-নি হেল্লক্লবা ঙসি ফাওবদা হুংশি কনাবুম্বু উদা, হুংওন পেন্নফমম্বু অমা লৈতা, হুংশি য়াউর্না মপাউ-খোলম্বু নোং কোরৌ অমতবু তাবা ফংবা লৈরক্তা ; মাবু করম্বা হুমিং অমদা তাইবঙ-পান্দা ফাওরক্কুনা, মাগী হুংশি শক্তম্বু অমুক হন্না উনরকথিগদগে—ঐনা ! কোরৌ ঙসি ফাওবদা মাবু অকাও পরে লৈতনা তূম্ফম চাফম খঙদনা রাথম্ভবু খল্লহুনা থম্মোয় লকাহুংদা অঙুম চূসন্দুনা লৈরক্লবসিদা, ঐবু মঙলাল-চান ফাওবা প-মঙ্-মঙলবরা—মতৌ অমা হায়বহু ওইখরে" হায়না খল্লুবদা হুংশি মথোয় কানা নীংঙমদনা শোল, নোংদম্বা মপা মপূগী কোম্মোয় মিংলেল অথোয়ববু শোল্লা, থম্মোয় লকাদা চেংনা থাগোম্নহুনা হীম্নফম্ ক্ষমজাওদগী মপাম্লাংদা থোরক্লগা "হৈরাঙবু তশেংনা মপাল শাংলত্রানে" হায়না খঙনীংমম্বদগী য়েংনীংবনা, ঈপল-পল্লমদনা অহুম (শঙলেলগী মখা থংবা য়েম্নখাগী নমলোল-লোম্নদা) তাউজিং হৈরাঙগী হৈখোঙ তাম্না চঙশল্লক্কুনা য়েংলবা

মতমমদি, তাউজিং হৈরাওগী হৈপাক মতৌ নীংথীজবম্বু—অহীংবী লাইজ লীক্লানদি ঈচেং-চেংলক্লা তাউজিং উনাশিংগী থোং-লৌনা ঈশঙ-শংলবা লৈনা শয়োমশিংগী মরক্তুদা তথোং-তথোং, তনৌ-তনৌনা থম্মোয় পেল্লা খোয়দানা কোঙদোকচনিংবা মপুক্লীংগী অরা হুংশি হুংওন রা কয়াবু কোঙদোক-লাকথোকচবদি ঈচম চমদরগুম্না হেক্তি উখি ; মশাবীগী মাওতুদা ঈকায়-হুংশি-হুংওনবা মত্তো ওই, কেজ্জ-নৌজনা হরাও ঈথক ঈপোপ ঈহেনা লেম্মজব-গুম্নদি থোক্লা, অচৌকপা অয়ুক্কী নোংঙাল য়েনখোং অঙনবতুদা ঙা-থেংনা, ঈঙনা তপ্পা খোন্না লিরি-লিরি লেঙ হাই হুম্না তংতনা শীংসাক্লিবা মান্নংগী শহুমখোলগা লোয়ননা লৈশক-লৈত্তোনা শক-হেল্লবী শীঙেঙ্গগী লৈকা-নদি মকা লাম্না ঈফল হেক ফল্লা, পুক্লীং হূনা শুস্থংনা হুংশিরবা লৈরাংগা তাউজিং হৈরাঙ হৈনম-লৈনমদি চেল্লহুনা ঙৌরু-নরবা মপাল অম-খকতং তরু তরু, তগং তগং লাস্তনা মলোম তরক্লা ফুগায়না লৈরাং লৈশাং তম্রহুনা লৈরম্লিবা হৈপাল মত্তোবু কয়াগী মতীক চঙখোম্না হেক থেংনরেদো। খোমলেল মঙলাল-চানগী তাউজিং হৈরাঙ মপাল নীংথীজবৰু তশেং-তশেং নমক শক উরবদা, মশাবী কংলে পিবানা মশানৌ সনালেম্বীগী অনৌ-অনৌনা ফজরবী শকফম, খোয়ক্লঙ-খোয়দানা য়ৌনা হুংশিজরবী তাইবঙগী অশেঙবা চেংলৌ মায়থোঙ লকা অহুমক ওইনা রাখলগী মীংশেংনা মীংয়েং পাম্নম লাক্লা নীংশীংলক্লুনা শংশঙননা উরমগুম মাঙদা হোঙ্গুনা লৈরিবা তাউজিং হৈরাঙ হৈপালবু তশেং-তশেংনমক শক উরবদা মীংকম হোংবা য়াদনা য়াম্না হুংশিজরবী শকতম অমা ওইরকখিবনা, থঙহোদনা মশাবী কংলে পিবাগী থম্মোয় লকায়া থুক লাউনা

অপাম হুংশি কয়াবু হুংওল ঈহৌরক্তুনা শাৎলিবা হৈরাঙ মপাল অদুদা চিংন-মুন্নদি য়েংলগা, লেপ্তুনা থম্মোয় কায়না নীংঙল্লক্তবগী রাবনা থম্মোয় ফুনগৎলবা হুংশি খোঙ্গাংগা লোয়ননা তপ্পা তপ্পা মকাদা য়াউন্না চীনগোয়রকই ;— "তাউজিং হৈরাঙ নীংথীবী, খোয়-রাঙলবী হৈপাল-ও ! নহাক্না হায়রম্বা খোমলেল মঙলাল-চানবী রাবু কায়দনা অরেপ্পা অমুক্তদি হন্না ওইরকউকো চান্নরবী। নগুং লাংগী য়াখন্দা অহীং হুথিলনি হায়বা লৈতে য়াংলেল মীংকুপ পুঙজাবু অরা পোথাকম খঙদনা চাংজৌ নাইদ্রবা অন্নাবা রাখলগী হুংশি ঈপাক ঈয়ায়দা তারহুনা ঈন্নাক্লবগুম কায়না মৈশা লাংলহুনা কোরৌ শীংবুম কয়ানিবু নশাবী নিংথৌ ঐগী থরায় অসি পুবা ঙমদনা য়ামনখিবদগী য়াখলগী চাংজৌ লাম্বা ফংলুদবেদো। মতম কৌবনা নঙগা ঐগবু অম্ভুন্না থোকউ হায়না মপোক নোংদমখোল থীনা চংবী লারাক শেৎনবগুম পুন্সি পদোম জোমদনা খাঙঙু থক্তা হুংশি শেৎনহুনা রানা, চাকনা কায়নখিবা থোক্লরবস্ম তোথাইনা তারবা চরৈবু লাকয়েন শুংদাই কিশি তাইবগুম তাইবঙ-লক্তা অমুক্তদি হন্না ফাওরক্তুনা পোন্নীগুম চাক্তামিন্নখিসি; চেক্লা কায়দোঙমিন্নখিসি—উফৈ অমতদা পুননা। নশাবী নিংথৌ ঐনা হৌখিবা মাঙলম-চত্তা মফম-মতম্মু শকথঙ-হৌদবা, পায়মা য়াখল থেনবা, য়াখল লিশাঙ শীৎতবা অমা ওই-রুবনা ওসিদ্দি অসি য়ৌনা, ঙমখৈ পান্দম খঙদনা, অন্নাথনা থূজীং মশৈ হন্না ওইরবা, ওন্ন-তৈনরবা থৌথোক কয়াশিংবু ফংহল্লেদে। ঈশানো ঈবেম্মা হুংশি কাউঙমদ্রবী, থরায় মিরেল শক্লবী ! নহাকপু নশাবী ঐনা মতম থুদীং য়াখল পরৈ চেৎনা চুদুনা লেঙদনা লৈপ্লবা

নঙগী হান্নগী অশেঙবা হুংশি চেংলৌ শক্তম্ন অমুক হন্না কাউদবা ওইরম্বনা চেৎনা-চান্না নীংশীংজরগা নীংবা কায়বগা লোয়ননা হন্না হন্না মায়য়োক্নরবা নশাবীগী চাক্লবা থম্মোয় শকা হুংশে তেল্লবা তাইবঙ পুন্সি মীৎকুপ-কুম্নবা অসিদা, শাংলবা রাখল লীশাং থাদুনা অরা পোথা-নফম ওইহনা, নহাক্তপু ঙাইহনা লেনবা ওইবগে। হায়খিবা রাবু অমুক হন্না হোংথ্ররোই, অরেপ্পনি লৌরোকো” অস্থম হায়না রাংলেল খরদঙ হৈরাঙ মাগী মকাদা মীংঙন্নক্তবা অরা মৈচাক কয়ামুক্তা লোয়ননা হুংশি চীনগোয়নরম্ববু হেক লোইশল্লকপা খুদক্তুদা, অনৌবা অতোপ্পা রাফম অমস্থু থুক লাউনা নীংশীংলকই;—“ঐনা মফম অসিদা লৈরিবসিবু কবিগুম্বা চাইথ্রানা খঙখি-উখিবা থোক্লগা পুম্নমকসি অমুক হন্না মাঙহম্নবা খুজীন-থোরাঙ ওইখিবা তারে; মফমসিদগী থুনমক ঐ থোকহৌরগে” অস্থম্না হেক নীংশীংল্লুরগা, হৈরাঙ মাবুদি কনাবু উহন্নীংদবগী থম্মো-য়দা চীংনরকপনা অহুম্মক পন্দনা মফম অদুদগী হাথু-হাথুনা থোর-ক্লগা হৈরাঙ মাগী মরমদা কয়া থোক্লা রাখল তৌহনা লৈখি

মৈদীঙঙু নিথৌ অপাম্বনা কোরৌ হুমিৎ খুদীংগী তাউজিং হৈরাঙ অহনা নোংমা নোংমগী শকলোল মথঙ মথঙ হোংহনা ওল্লক্লীবা অহুবু “হৈজীং-হৈমুল ফারক্লব্রা” হায়না ঙাইহনা লৈরক্লে। হৈরাঙ অহনা নোংমা মোংমগী অঙুম অঙুম খঙহোদনা চাউশি-ল্লক্লীবা শকলোল অহু উবা মতমদা—নিংথৌ অপাম্বগী মপুক্লীংবু মকা লান্না হরাও-হুংঙাইনা রাখল তৌহনা হেকপগী মতম (য়েংনা হৈজীং-হৈমুল ফারকপা) ঙাইহনা লৈরক্লে। নিংথৌনা কোরৌ হুমিৎ খুদীংগী শঙলেলগী মথাথংবা য়েন্নথারোমদা তোয়না হেক

হেক চঙবা অদুবু, উহল্লীংখিদ্রবা চাইশ্রানা নোংমা তুমিং অমদি কোক হেক উথোকখয়ে। অদুগা মতুঙদসু য়েংবদা তুম্মিং খুদীংগী মৈদীঙঙ্‌না হেক হেক চংদুনা তোয়না য়েংলিবদু উবদা চাইশ্রাগী মবুক্তা—"করিনো! মৈদীঙঙ্‌না কোরৌ তুম্মিং খুদীংগী মখা থংবা য়েম্নথারোমদা চঙলিবসিবু করি তৌববু ওইরমনো!" হায়না রাখল তৌদুনা, নোংমদি মাসু চুপ্পুনা য়েংলুবদদি নীংথীবা কোয়না শঙ্খল খাৱদুনা লৈরম্লিবা "তাঙ্খিং হৈনম্বা" মপাম্বী অমদা মহৈ অমতং চঙথোন্না য়াম্বদুনা পাম্লিবদু উরে। হৈরাঙ মাবু উরগা, মহাক্কী মপূক্কীংদা ঈচীং চিংনবা, থোয়রাঙনবা রাখলগী ঈহৌ কয়ামুক মথঙ মথঙ. পোক্রক্লদুনা "হৈরাঙ মাবু মাঙহনগে" হায়না রাখল কয়া হল্লা হল্লা তৌবা হৌরক্লে।

হৈরাঙ পীথোক্‌না পুখিবা

মচেম সনালেম্বীগী শকলোন লৌরগা চরৈ থূপচা-নদুনা লৈমা-নিংথৌকোন্দা লৈরিবী চাইশ্রানা হৈরাঙ মাঙহম্নবা খুজীন থৌরাঙ লম্বী থিরিবা মাগী রাখল অদুবু "থোইয়ুম লাইয়িংথৌ অশীবা" কৌবা লাইনা খঙ্‌ল-উরদুনা অহক্কী মতম ওইরবা লাইনিংবা অমগী শক্তম লৌরগা, তাইবঙ মপোক্তা থোরক্ক্‌না কংলৈ পুঙমায়রোন্না কোল্লিবা লমগী মনূঙ চনবা,* নুংকেং পাংকী অরাং হারম পাংখিবা "লাইথোং, অমুঙথোং, ঈশিং নোংথি" কৌবা মচুনা লীক্লাগী মচুগুম্না লাইজ ঈতুঙবা থোংঙ থোংলম তরেৎ, থোং কুন্দ্রাবু পোক্লকম মক্ল ওইবা অসিগী ময়াদা শঙলেন অমা শাদুনা লৈরগা, মৈদীঙঙ্‌ নিংথৌ অপাম্বনা কংলৈ

*নুংকেং পাংকী=নুংকেং পুক্লিগী

য়েংবা চংপা মতম অহাওবা মতাঙ চাবা ঙাইহনা লৈনক্নে (অঙৌ-য়িংথৌ অশীবা লাইগী থৌরাঙ-লৌশীন অরি চাইঅদ্রা হৈরাঙ অহুবু অমুক হন্না মাঙহনবা ঙমদনবগী-দমক্তনি)।

কংলৈ পিবান্না নোং কোরৌ অম্না তাউজিং হৈরাঙ হৈনক্না অক্তুগী মরক্দা হৌথিবা থৌথোক কয়াগা লোয়ননা অমা হুংশি হুংওন্না কয়ানা খুমহৎলকপা ওইরহনা রাখল তৌহনা হৈরমদগী অরাকা রাখলবু ঈচীক লাংনা পোথারুংগ হায়রনা অচীকপা মরুম থিরকপদগী কংলৈ পুঙমায়োল্লা চঙদুনা চৎলম নুঙঙকাদা লেপ্পনা—"মিতম পুঙবু" য়েংলহনা ঈচীক লাংনা অমা পোথাবা ওইহনা লৈ। চীক্ত-চীক্ত্রবা মতম অসিদদি অত্তে অতোপ্পা কনা অমবু অমুক হন্না রাখল্লদুনা নৌনা শেংন-কায়নপ্রবী মশানৌবু খরম্থ খল্লরোয়, কাউথোক্লগে হায়রদি ঈঙম ঙম্না কোবা লৈথিদরে। চহি কুমজা কুমওন হুংলাংলক্লবম্থ কাউথোক্লগে, খল্লরোয় হায়না খল্ল-খল্লগা অহোয়-অহোয়নতুম নিংথৌ অপাম্বগী থস্মোয় লাকা-হুংদা নহাল মথে মতম কুইনগী মাঙদগী হৌনা চুহনা থুগ্নুনা লৈথ্রবী, অমুক হন্না হুংশি কাউঙম্লরোইদবী, শেংন-কায়নপ্রবী মশানৌ হুংশি থোয়জঙনা খোয়দাজরবী *মনেম-মচা মনালেম্বৌবু অংম্না লংজীন কওলদুনা মথঙ মথঙ ওইনা ময়েক মচু লানা শেংনা হৌথিবা মাঙলমহংবগী থৌথোকশিং কয়ামুক্তুগা লোয়নবা রাখলগী মীৎয়েঙনা মীৎয়েঙ মিতম লাক্না নীংশীংলক্লবদা হৌজিক থৌজিক্তা ওইনা হেক থেক্লবা অমগুম কোঙ কোঙশানা মাঙদ-কাঙ-মক্লনা মুথঙ মুথঙ শাংশঙনবা কয়াবু উরক্লে। মতম অসিদা শাগী সেজোং নিংথৌ কুপ্পামদি

* মনেম-মচা=মনুমপোক্কা পোকলবী মচা (নুপী)।

উরমদবা কয়াবু উস্লিন্নকপা, নীংশীংলমদবা কয়াস্তু হয়া হয়া নোংশীংলক্লবদা অচীকপা কয়াগী মরক্তা ঈচীক ল্যাংহুনা লৈরবস্তু মদুনা মঙোন্দদি অচীকপা, অরা পোখানফম ওইহনবা স্মৃত্রা ঙমদ্রে; খোইনা হেন্না ওমচাক্লরবা ওল্যাঙ থা ওইখ্রে। পন্থং যৌনা কায়রবা থম্মোয়গী অরা হুংশি শেংন মৈচাকখ্রোল ক্লয়া-মুক্তা লোযননা অশুম অশুম হুংশি ঈনোং ঈহৌখোলবু হেক্তি-ল্লক্লুনা "মিতম পুঙ" হুদা অহুম মীংকুপ্তনা য়েংলহুনা চাম্ব-চাম্বনা থূজাং ওই, ওন্না খোইনা খাঙবগুম থাঙঙমদনা চাক্লা খাঙলদুনা লৈরম্মী।

মবক অহুদা লাইনিংবা অহল্লা নিংথৌ কোম্দা লাক্লুনা—"খোইয়ুম নোংদম্বা মপুঙ্গী মায়ক্মেক থাহুনা লৈকৎলবা হৈরাঙ অশেঙবা লৈরবদি অমতা পীনো" হায়না নিরবদা; চাইথ্রাল্লা—"ঐনা নহান মখৈ হৈরাঙ অসিবু কয়ম্বা মতমদা মাঙহনখদগে হায়না কয়া রা-নদি থঙ্গবা অসিদা, নীংববু নীংজরবদি ঐখীন্তু নোংদম্বা লাইনা শংশঙ্গনা উবীরহুনা মতাঙ-মতম চান্না লাই-নিংবা অহন অসিনা লেঙবীরক্লপা অসিদি 'শমোক থিবগা, নাই থিবগা' মপা চপ্পু মাম্নরেদনা। ঐগী ঈরাম্রবক্লসে ওস্নোক্লা ক্লগে; মতাঙ অসিদা ঐস্তু পীথোক্লহৌরগে" হায়না হরাউ-হরাউনা মচৌন্দা শোন্দুনা হৈরাঙ অতুবু হেক্রদুনা পুথোরক্লগা, অহন লাই-নিংবা অহুদা পীথোরক্লে। অাউজিং হৈরাঙ অতুবু হেক্ক ফংবগা অহনম্ম অপনরা লৈতনা থুনা যাঙ্গনা মক্লম অহুদগী থোরক্লুরা মরাল-যাত্র তম্না লাক্লপদা, লৈপাক নোংথৌ ভুবা উত্তা থোঙ (চিরাই থোঙ) গী ময়াদা সেত্রেং নিংথৌ অপ্রাস্থ্যা উম্মরে।

লাইয়িংথৌ অশীবা লাইনা লাংওল্লিবা অহন অহনা থূদক অহুমক্তদা হায়রকই ;— "ময়ুম তরেংকী পিবা নত্তবরা ? কদোমদা চৎথোক্লু-রিবনো ?"

লাইনিংবা অহনগী রা অহু তারগা, নিংথৌ অপাম্বসু মকম ঈথঙ-থঙহৌদনা—"পুরুমজরি, অরা থাঙফম থিবা ঈচীক লাংগে হায়দুনা কংলৈ পুঙমায়য়োম্দা থোকঙমজরুবনি।"

অহুদা লাইনিংবা অহম্না—"রাবদি হকনা মরারে, অহুবু অহুক মথাঙথো ; হাকনা মতম হুংশাংলক্তে" রা অসি হায়রম্নগা হেন্দোক্নুনা চংখি। মহুদা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা—"রা অসিবু করিম্বু ওইরিগদবা !" মথা তানা হংজগে হায়না হন্না য়েংথোক্লুবা মতমদা, মকম অহুরাইদা অহন অহু উবা অহুম ফংখিদরে। থোইনহুম ঙকচানহুনা—"ঐবু তৌরিবা অসি করিনো ! রাথলগী অরাবনা হকচাং শীন্না থুংনা কুপ্পহুনা, তাইবঙদা মঙলান-চানগুম তৌরেদা ! অসিবু তাইবঙলা করিনো ! মঙলাল-লা ? ঐবু তুম্বা-মক্তি নত্তেনা চংলিবনি। কংলৈ পুঙময়য়োম্দগী ঈয়ুম ঈরাল-য়ায় তম্না হন্নকপনি; করি পাউতাক-পাউজেল ওইরিগবা ! ঐগী রাথল ঙকলেদা !" হায়হুনা চিংনবা, অন্নাবা, অফীংবা করামুক্না মতম অমত্তদা পুল্লপা পুল্লরবা ওইরহুনা রাথল পল্লেপকম থঙদনা মরাল-য়ায়দা থুংলরে। থুংলবগা পোথাদে ; ঈমুঙজোমদসু চঙখিদনা, হান্না তাউজিং নাক্তা চঙদুনা য়েংলবা মতমদদি 'হৈনম্বা তাউজিং' উবা ফংদরে। মফম অহুদগী হেন্না অন্নাবা, অশাওবা, অফীংবা মৈগা লোয়ননা চাইশ্রাদা থোনকম কল্লগা কৌহুনা হংলকই ;—"ঈবেম্মা ! তাউজিং অমত্তং ওথোক্না তাঙনা তরক-তরক পানজবা অহুবু কমানা হেকথরে ?

হীঃ করিনোনে থারিবা শম্বল অসিন্দু লোইনা থুদেক্লম্লেনা !"

চাইশ্রানা থুম্লকই ;—করিনো ঈবুঙেো, অম্ভুক ষাম্না পূক্নীং হুংঙাইতবা, অরাবা অশাওবগা লোয়নহুনা তৌবীরিবা মতৌ মওঙ্, অসিদবু মনাই কনানা পাউদমজবা ওম্লগদগে ? লৈপাক ময়ুম তরেৎ পুবনা চৎলম, রাঙাঙ-রাহং অম্সুম তৌগ্রগা, মথাদা লৈবা কনানা লৈংম-পানঙম্বা, পাউহং-পাউখুম্বা পী-ওম্নজগদগে ?"

"চুমমি—ঈবেম্মা; ঐ রাঙাঙ খোনফম থরা ওনগ্রবোইনা, নঙনা ঐবু ঙসিগী হুমিত্তা ঐগী চৎলম, রাঙাঙ অশোয়ববু চুমথোকপিহুনা খঙহনবা অসিদি করিনা নঙগী শিংঙমত্রবা লমনবু ঐনা শিংগনি ? নঙগী পাউত্তাক্কী লমনবু ঙসি ঐনা তোলশিলবা হোরে হুংশিদা ঈবেম্ম ! ঐ ময়ুম তরেৎকী লুচিং পিবানি হায়বা খঙখিদরে—রাথম্না থুঙ্কৎখিহুনা। ঙসি নঙগী পাউত্তাক্কী লমন সনানা, লুপানা শিংহুনম্মু ঈপুক পেনবা ওম্লয়োয়দবা লমননি। ঈশানৌ ! নঙগী চৎলম লূতীন অসিনা যুমথোঙ-যুমথোঙ খুদীংদা শোম্নহৌহুনা ময়ুম অরা পোৎথা-নবা ওইরসহু । কংলৈ পুঙমায়য়োল লৈপাক অসিদা লেঙদ-মুৎলরোইদোবা ময়ুম-ময়ুমদা থাজবা, তান-ফংজবা ওইয়ুকো।" "কদায়, হৈরাঙ পাম্বী অমা হৌবা অসি মহে অমতং তরক-তরক্না য়ান্দুনা কোরো হুমিৎ থূদীংগী কদায়দা, করিদা শোয়লাকখিগত্রা হায়দুনা চেৎনা শম্বল থারগা মহাক্তবু রেহুনা লৈবনি। অহুবু ঙসিদি মহুসু পানদে ; মাবু থারম্বা শম্বনম্মু থুদেক্কু না লৈ। মসিবু কনানা হেৎত্তাক-লাকথোকহৎবনো ? ইদাইরেম ! নঙবু তাহৌখঙহৌত্রবরা ?"

"তাউজিং হৈরাঙ অহুদি ঈবুঙোনা মপুদা কৎননবা য়ান্না লুনা থম্বা ওইরমানে হায়না ননাইনা রাখল্লুবদগী, পুন্সি মতম হুংশাংলবা অহন অমনা মপুগী মায়য়োক থা-নবা হৈরাঙ অশেঙবা লৈরবদি হৈরাঙ অমতা পীনৌ হায়না তাকপীহুনা, হৈরাঙ অশেঙবা হায়বদি তাউজিং মপান্দা পানবা অনিদি অশেঙবা হৈরাঙনি। হৈরাঙ অসিবু য়াম্না লুনা অশুক নীংথীনা থম্লগা, মপুগী মফমদা করম্না কৎহৌদনা অরেম্বদা মাঙহনবা পামজরুদবনা, ননাইগী ঈথূৎ-মক্না ফংনা হৈরাঙ মাবু হেকচহুনা, ঈবুঙোগী নীংবা থিবীক থুংনবা মপুদা কৎনবা পীথোকচখিবনি।"

"হুংঙাইরেদা ঈবেম্মা! পুক্নীং রাখল চাউই হৈ; পাউখুম শৈরেং-শৈদা ওস্লোক্না ফজনস্নু খুমমিদা! মপুগী মায়োক থা-নবা হায়বা অসিদা ঐ রা মথা অমুক ত্তাররোয়! মপুগী থৌগল হৈ-শিংবী! লাইনিং পরৈ চেৎনা শোয়দ-ঙামদনবা নীংবীয়ুকো; মতুঙ মতম মরাকখিগনি—নোংমদি" হায়দুনা মপুগী মফমদা কৎনবা পীখি হায়না পাউখুম্বনা, নিংথৌ অপাম্বনা, চাইশ্রাবু করিস্নু ত্তৌবা য়াদ্রহুনা, হান্নগা মপুক্নীং রারম্বগী মথক্তা হেন্ন থোক্নহুম অরা মৈশা লংনা মথোয় হাপতুনা থোইদোক্না অরাবগী ঙমথৈ লৈখিদরে; অহুম তুমিন্না খাঙদুনা মপুগী থৌজাল নোংদম ঙাইহুনা লৈখি।

পাউজেল পাউতাক

লাইনিংবা শাবা অশীবা লাইনা তাউজিং হৈরাঙ অহুবু মফম চাবদা য়াম্না চেকসম্না থম্মারে। মৈদীঙগু কংলৈ শিবাগ্না মশানৌ সনালেম্বী মগুং-লাংগী মমক্তা থোইদোক্-মক অরা পোশাকম

খঙ্দনা মতম খূদীং কাউদ্রনা মীংকুপ খূদীং শাঙদা শংশঙনা উ, কায়না মৈশা লাংহূনা থাঙ্জয়দনা মুকুম মুকুম শোন্দুনা লৈরক্লবদা অসিবু মশানৌ হুংওনবী সনালেম্বীনা উজবদা, মবুঙেগাগী খোম-লেল মঙলান-চান্দা লাক্তুনা হায়জরে—

“তাইবঙ ময়ুম ভরেংকী
লুচিং পিবা ওইবা-ও!
নশানৌ সনালেম্বী ঐগী মরমগী-দমক
রাখলগী চাংজো লাম্বা ফংঙমদনা
মপুগী পায়মা পুক্লীংবু
হকনা রাবীবহূ ভোরহূ।
ঐনা মকম’সিদা লৈরবদি
তাইবঙ লাংওন কাওবা
থরা রানা খোকদোরে হায়দুনা,
নশানৌবা সনা থৌগল থাদোক্লমহূনা
মকম অসিদগী চংচরবনি,
হাকবা মতম হুংশাংলরোয়;
লোইরাম থাবুমংমা ফারগা
তাইবঙ মক্তা থিরজহূনা
নুরাওগী পাউজেল মাক্লদি
অরাবা রাখল থারোকখীরো।
অদু মক্রবদি নবাওঙু
তাইবঙ লাংওন কাওজদবা ভারে,
মপূনা রামমখিরা উজরগা।”

হন্দক্তি মনাওগী অরোয়বা,
মপোক লাংওন ওইজরগে,
মতুঙ-অমুক হন্না তৌজররোয়;
ঐনা তাইবঙ মপোক্তা থোকলগা
মপু নাকতা লৈজহুনা
সনা থৌগল তৌজরনি।”

মশাবী মৈদীঙঙু সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বম্বু মিকপ হেক থোরক্তুনা থম্মোয় শোক্লা—“ঐগী সনালেম্বী! লাক্লবরা?” হায়না লাউরকই।

মীকৌ অহু তাবদা, চাইশ্রানা—“নয়াথং তাকপীসি—ননাও লৈজে” হায়না পাউথুমহুনা থুনমক চঙশীঞ্জরকই।

“ওশ্বোকপনিদা ঈবেম্মা! থোমলেল মঙলান-চান্দা কঙনা ঐবু থাদোক্তুনা চৎখিরমমী; মঙলান অহুদা নঙবু চৎখিগনু কৌবনি। অহুদা তাইবঙ মপান কাওনা খোল থোকপ্রমানে, মরম থোই-দোকপা লৈতে” হায়না পাউথুম পীদুনা লৈনখি।

লাই শিদবনা লাংওল্লিকা লাইনিংবা অহন শাবনা তাউজিং হৈরাঙগী মশক ওইহুনা লৈরিবা অসিবু তাইবঙ লাংওন হনগদবগী থ-মুকপা অসি কোরৌ শীংবুম থূদীংগী চাগে চাগে হায়না তৌবদা, (অকাও পরৈদা চনবা ওইহুনা) নোংমা “থাঙ লৈরমা হৈ লৈতা, হৈ লৈরগনা থাঙ হেক লৈতা” তৌহুনা লৈরকপা নোংমা নোংমগী থঙহোদে। অতুম অতুম হোজনখিরকপনা লোইনাম থাবুন অমা ফারক্লে। তাইবঙ ফাওগদৌবা মতুঙ-মতম ওইরহুনা মতুঙ নোংমা

কোনবদা হৈরাঙ মানা তাইবঙ শক্তম ওইন', ল'ইনিংবা শাবা অহন অতুনা চৎথোকপ্রিবৈ মতমদা ঈমুঙ মনুঙ অকোয়বা রাইশীৎ-রাইশেং তৌহুনা শেংদোক-থোৎতোক্লগা, তৌবা য়াবা মথৌ তৌরম্লগা, অমুক তাউজিং হৈরাংঙ ওইনা হঞ্জন্দুনা লৈখি। অসুম তৌহুনা তাইবঙ মপোক অমুক ওই, মা লৈরগনা হেক হৈরাঙ অমুক ওইহুনা লৈরকপা অসি হৌজ মরী-মণ্ডারক হন্না শুজল্লক্লে। অশীবা লাই লাইনিংবা অহন শাবনা (চথোকপ্রিবৈ মতমদা তাউজিং হৈরাঙ অতুনা তাইবঙ অমুক ওইরগা রাইশীৎ-রাইশেংহুনা হেক হেক তৌরমমিবা মতৌ অহুবু) হঞ্জল্লকপদা ঈমুঙ-মনুঙহু থুনাম নাইঙে তাদনা য়াম্না ঙৌখি-ঙৌয়ানা লূ-নাম্না লৈরমমিবা অহুবু হেক হেক খেংনবদগী কোরৌ নোংমদি (লাইয়িংথৌ অশীবনা লাংওনবা লাইনিংবা অহন্না) মফম অমদা লুম্লগা লোম্না য়েংহুনা লৈ।

মী লৈত্রবা চীক্লবা মতম অহুদা থমলিবা তাউজিং হৈরাঙ অহুদগী তাইবঙ চহুরা অমা ওইনা থোরক্লগা মানা তৌগদৌবা মথৌ-শিং তৌরম্লগা চঙশীনখিহুনা হৈরাঙ ওইনা অমুক লৈখি। তৌরিবা মতৌ-মওঙ অসিবু খোইয়ুম অশীবা লাইনিংবা শাবনা খঙলদুনা "উমঃ হৌজিক্তি তাওজিং হৈরাঙ অসি মাগী মনুঙ মতম শুরহুনা ঐনা চৎথোপ্রিবৈদা তাইবঙ ওইনা হেক হেক থোরক্লবনি। নিংথৌ অপাম্বা উনবা য়ারেদনা। মফম অসিদা অশুম থমহুনা লৈবা মতম নত্রে" হায়হুনা কংলৈ পিবা নিংথৌ অপাম্ববু উনগ-দবগী ঙাইহুনা লৈখি।

ঙুমিৎ অসিগী অহীং অসিদা কংলৈ পিবাগী খোমলেল মঙলান-

চান্দা ঈবেম্মা সনালেনবীনা অমুকস্থু হন্না লাক্কুনা হায়জরে—

কংলৈ লুচিং পিবা মৈদীঙঙু ! :
ননাওনা নহান হায়জরম্বা; হুমিৎতু
হৌজিক্তি লোইদাম থাবুম-'মা লালক্লবনিনা
তাইবঙ মপোক ওইনা ফাওজরেদো ।
খোইয়ুম নোংদম্বা মপা মপুনা
ননাইবু হৌজিক্তি অমুক হন্না
মাঙলোয়দবা মফমদা থম্বীরি শিন্নহনা।
সনা শঙগায়গী অন্নাং কৌবরু
লাইজী পাংবা হারমদা লৈবা
অহনগী মতম ওইরবা লাইনিংবা
অহন অমনা পম্বৌ পল্লেম ওইনা
ননাইবু চেৎনা নাউয়োক নাউকোনবীহনা
মফম অহুদা হৌজিক্তি থম্বীরি ;
কোললোয় ঈমিংস্থু নৌনা তম্বীরক্লনি।
মফম অহুদা সনা খোঙলেঙবীরক্কুনা
ননাইবু থরা অমুক্তা লৌবীরো।"

মৈদীঙঙু কংলৈ পিবাস্থ ঈনুঙ ঙাল্লবা মতমদা অঙনবা অয়ুক ঙস্তাদগী হৌনা লাংগোই শগোল অমা তোংহনা মশানৌ সনলেম্বীনা মঙলান-চান্দা তাক্লম্বা, লৈরম্বা লমদম মায়কৈ অদোমদা চত্তুনা য়ুমথোঙ হাঙদনা থরায় থোঙগান থুদীংগী লাংগোই থাম্ন-থান্নহনা কোয়না চংনা থিরক্লবদা, থেংনবা ঈফং ফংবা লৈখিদরে। মতুদা সেম্রেং নিংথৌ অপাম্বদি মপুন্নীং থোইনা অন্নাবা ওইহনা ময়ুম

শঙলেল পাংনা হল্লকই . হুংকেং অপিখক ব্লায়েল থাংচপ পুঙগী ময়াদা লাই শিদবনা লাংওনবা লাইনিংবা অহন শাবনা থোক্লগা ঙাইহনা লৈরম্মী। অহ্দা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা হঙল্লকপা মতম থোক্লনা মফম অহৃদা থেংনরে। অত্তদা লাই শিদবনা হায়রকই;—"ময়ুম তরেৎকী পিবাবু কদায়দা চৎলুরিবা, ঐস্থু উনজনিংহনা লৈরম্লিবনি ? ঙাইবদা ওম্বোক্লবু ব্লাপ্রেনা ; অহ্বু য়ালৌ লম্ম-খাঙদি ওইরেদকো ?"

মহ্দা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা শংত্রিক্লনা য়েংহনা লৈক্লরগা "মানি—করি নোংদম ওইরবনো, অহনগী মতম ওইরবা পুন্সি হুংশাংবীবনা হংবীরিববো নয়াথংবু তাকপীসি ?"

"ঐগী ইমোম চনূ অমতং লৈজে, কোল্লোয় মমিংস্থু থোন্দরি ; মনূঙ মতমদি ওইশিল্লক্লে। ইমোম লাংলেলগী কোল্লোয় মমিংস্থু থোল্লগে ; নফম-লাংদা শিন্নগে নীংদূনা নঙবু ঐনা ঙাইরম্লিবনি। অহৃক ঈরাল-য়ায়দা লেঙলুসি, ব্লাখল অরেম্বদা তৌহ্না ব্লাক্লর-মানেদো। লমগী কাওরেন্দনা চীশাঙদবনি ; নরম কাওরেল চীশাঙববু খঙবা ঙমদ্রিবা অহৃনা করম্না ময়ুম তরেৎকী লুচিং পিবা ওইরিবা ? তাইবঙ পিবা ওইরগা, লুতুং শম্লাঙ উদ্রবদি, থৌথোক-থৌওঙ লাকপা খূদিংদা করম্না খঙবা ঙমগদৌবনো ?"

অহনগী ব্লাহ্ তাবদা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বা ঈকায় হুংশি য়াম্নবা পাউখুল্লকই ;—

> "নহা ব্লাখল থেনবনি ;
> ব্লাখল শৈশক তমজদ্রিবা নঙনি ;
> লুতুংনা মাঙওয়ননা চৎলবা
> থৌবু চৎলম তাকপীববু ওইবীগনি।

নখোঙ খুয়া থম্বাল শোকনা
চরৈ ফিগাও শানা নিজরি।
ময়ুম শঙলেল ওইববু
লমদম কদায়দা ওইবীরবনো ?"

"ময়ুম পিবা লুচিংবা !
ঐদি নঙনা লৈবা মফমদা লৈ।
নঙনা চৎলে মচৎলি ;
ভূমলে অদুন্না মতুম্মী।
ঐনা চাদে, নঙনা চায় ;
অস্থুম তৌনা লৈবনি ;
নপোৎ নরল লৌজরো।"

অস্থুম হায়না তাকপবু, মৈদীঙঙু কংলৈ পিবা নিংথৌ অপাম্বনা মঙলান-চান্বা হায়রম্বগা, অহন্না হায়রক্লীবা অসিগা রাখন্না চাংদম্নমনা থম্বহুনা য়েংবদা য়ারহুনা, লাইনিংবা অহন শাবনা মাগী ময়ুম শঙলেল ওইবদা পুরক্কুনা ফম্বাল লাংহুনা লৈহনখি। মফম অহুবু "খোং অহুমগী লীতিনফম পুঙ" কৌই।

"ময়ুম তরেৎকী পিবা ওইববু রাংলেল থরদঙ অরা পোথাবা ওইনা অহুক নায়েনা নাথুপ্তুনা লেঙশল্লু। ঐগী ইমোম লাংলেল ঈচাবু কৌথোক-লাকথোক্লবা তৌজখিগে" হায়হুনা সেম্রেং নিংথৌ অপাম্ববু ফম্বাল লাংহুনা ফমহল্লগা, অশীবা লাইনিংবা শাবনা তাউজিং হৈরাঙনা থম্বা মফমদা চঙশল্লক্তুনা ফাংখোঙ মারীমক্তা খুবাক লাইকা শান্দুনা হায়, —"কোরৌ ঙসি হুমিত্তা

ইমোম লাংলেল ঈচাগী
কোল্লোয় মিংহুল তম্লগে

পম্বো নপা ঐহারা (হায়রম্নগা)।"
"ওঃ সন্ত্রেম্বী! থোরকলো,
নহুম পোনজেন শাবীগে,
লাই খুবাক থূবীগে,
থূবাক লাইকা শাবীগে
পোপ পোপ হু হুপ
হো—য়া য়া য়া, য়া।"

অমুন্না হায়না খুবাক অহূম্নক হন্না খুরগা সনা কোনজন, লুপা কোনজন লাংলে। মতুঙদা চাইরেল পুম্বম অমদা চেঙ মকুপ থরা হাপ্লগা তাউজিং হৈনম্বা নোংলুম শাববু মথক্তা খিল্লগা, অমুক হন্না সনা কোনয়ায়, লুপা কোনয়ায় চন্দুনা, মচীন অহূম্নক হন্না খোল থোক্পা চূম্নহুনা থাগৌরক্লে। মতম অহুদা তাউজিং হৈরাঙ ওইনা লাংওল্লম্বা অতুগী মনুঙদগী চাম্বা চাম্নরক হন্না কুমোংলবা অরঙবা চোয়নৌ সনাগুম্ববী, মপোক অথোয় চঙথোল্লবী তাইবঙ পুন্নীং কয়াবু হূনা শুমহৎনবগী শক্তম ওইরবী, নৌংথীরবী সনালেম্বী মশাদা মশামক ওইরবী মিতারবী মশকপু থোরক্লগা য়ুমগী ফুংগা লাইরুদা লেপ্তুনা লৈররে।

অমুক হন্না তানফংবা :

মতম কুইনা শাংনা কাম্ননথরবী মশানৌ সনালেম্বীগী চেংলৌ শক্তম্বু হন্না উনজনীংবনা কয়ামুক থৌরাংনা ভাইরিবা মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা হেক উখিব-মক্তদা, মতম কুইনা চেংলৌ শকথোঙ উখিন্নবী মশানৌ তিল্লাং থোয়জঙ থোয়দানা পামজরবী *মনেম মচা সানলেম্বীগী তশেং-তশেংলবা অচুম্বা চেংলৌ মায়থোঙ-লকাবু

* মনেম-মচা = মনেমপোক্পা পোকচবী মচা (নিঙোল)।

শক-উরবদা—শরাক ফবা পাম্বা কৈরেল অথৌবা, চরাম্নরবা শারেল নোংশা নিংথৌনা য়ারৌ শজী, শঙাইশিং উরগা অরাক তমনা চোংশিনখিরকপা মতৌ-মতামক হেক থোকপগুম অমদি লৌইবী চীঙলায়বক মতা ফবদা মচুম তারবা য়াংগোই শামু লাবনা শা-মান্নবা, লেংমান্নববু উরগা য়াথিন্নগে হায়দুনা চোংশিল্লকপগুম কনাবু উহৌনদে ; নোংথাং কুপ্পগুম মঙান্না মীৎকুপ্তা থুনা য়াঙসন্না (কনাবু তাক্লম-হায়রম্বা লৈতন্না) চঙশীল্লক্কুনা মশানৌ সনালেম্বীগী মথুজেংদা তাপ লাউনা চেৎনা পায়খিহনা পোম্বীগা চেক্লাগা চীল্লোক-চীন্দী-ন্নহনা হায়রকই ;—"ওম্মোকপনিদা ঈবেম্মা ! করি মতৌ-নওঙনি হায়বগে—ফাৎলম অসিবো ? নশাবী ঐবু অশুক অন্না-মৈশা লাংনা হীপফম-চাফম খঙদব-মখে হুংশি মৈচাক হাপ্তুনা মতম হুংশাংনা খাঙহন্দুনা থম-লম্মীদা ; অসিগুম্বা শায়োল-লাংওন অসিদি মতুঙ অমুক হন্না খুজীন থৌরাঙলগনু ঈবেম্মা। তাইবঙ পুন্সিনগা তেন্নরকপা ওইবগা, করন্না খাঙদুনা লৈবা ঙমগদগে ?"

অহুদা লাইনিংবা শাবা অহন্না হায়রকই ;—লাংলেল ঈচাগী কোল্লোয় মমিংবু নবুঙেঙা সেম্ভ্রেংগী কোল্লোয় মতুঙ ইন্না লৌদুনা 'সম্ভ্রেম্বী' হায়না কোরৌ ঙসি নোংদগী মিংগৌ-থাগৌনরসি। অহুগা ইমোম লাংলেল ঈচাগী শমু হকচাংনা লাংওন্দুনা ঙসি ওইরম্মী হায়বগী তাউজিং হৈরাঙ হৈনম্বা, হৈ মনম নাইবা অসিবুনা 'হৈশাং (হৈজাং)" হায়নম্নু কোল্লোয় মিংগৌ-থাগৌনহনা 'খোইয়ুম থৌনি, ঈরাৎ পুরুম লৈপায়নবা' অয়াম্বদা য়াওদুনা শীংথা-নবা ওইরসনু।" "অহুগা নশাবী সেম্ভ্রেং অপাম্বনা ইমোম লাংলেনগী মথুজেঙ্ পায়থ্রবনিনা অনীমাবু তাইরগে।" অম্মুন্না হায়দুনা চাইরেল পুখম অমদা হুপ

মতোন খরা হাপ্তুনা মথক্তা চেঙ মকুপ খরা চাইহ্না থন্নগা তাইবী-রবদা, হায়রকই ;—"পারী ইমোম লাংলেল ঈবেম্মা ! নহাক্না লৈপাক অসিগী ইমু ফাৎলম শীন্নহৌবো। ঐ অশে ! নখোয়গী ফাৎলমগী-দমক্তা লাকপনি। ঐদি ! লমজা শমদোল লাংদোল অপানবা, লোশিং লাংথাকপা' কৌবা ঐহাক্নী। নঙগীদমক নোংদম্না মপা-মপুনা ভেংবাঙনবা লৈপাক অসিগী-দমক্তা শিন্দম-শিন্তাক পিনবা থম্বনি।" "ঐ চৎলে" হায়না তাক্লন্নগা মফম অদুদা ঈখঙ খঙহৌদনা অত্থুম থূপখরে।

মতম অদূদা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্ববদি খল্লুবদা থোইদোক্না নীংঙমহৌদনা সোল্লকই ; — "ন্না থরদঙ হংজহৌগদবস্নু হংহৌদরে, ওম্মোকইদা ! ঐনা তৌরিবা চৎলমসে তাকপীবা ঙম্বনা তাকপীরিঙৈদা, অমুক হন্না পুহং-পাউহংজগে হায়বস্নু তৌহৌদ্রে ; মতুঙদদা রাখল লাকই। ঐ অসি ওম্মোক্না মন্না পোক্রম্বা হায়বদু ওইরে" হায়না কয়ামুক নীংঙমহৌদনা তকশী সোল্লহ্নুনা লৈহৌই। মফম অত্থদগী মশানৌ সনালেম্বাবু শামু খুজেঙ পালোইননা লাকমিন্নহ্নুনা ময়ুম শঙলেল তম্না চঙলক্লে।

লৈমাকোন্দা মচেম সমালেম্বী শারহ্নুনা লৈরিবী মনাও চাইশ্রানা মচেম সনালেম্বীগী তশেং-তশেংলবা, অচুম্বা চেংলো শক্তম্নু তশেং তশেংনা হেক উরক্লবা মতম অদুদদি খোমলেল মঙলাল-চানগী মতৌগুম ওম্মোক্না ঙক্না থোকখরে। মত্থদা চাইশ্রাদি অনৌবা রাখল লম্বী লাম্বা ফংদনা—"ঙসিসিবু ঐবু করি ফত্ত-হুংদবা থোক্লগবা !!" হায়না মমীৎ মনা তথক-তথক্না থম্মোয় চেনগুম চেনগা-ননা ঈপা পাখৎল-হ্নুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা মশাবী সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বনা

সনালেম্বী শারহ্না লৈরম্নীবী চাইশ্রাগী মশক মতৌ লিংজেল, কৈদা-লাক্তাশিংবু শক-উরক্লগা মতম কুইনগী মাঙদগী কয়ারক হন্না থম্মো-য়দা মৈ চূদূনা লৈরক্লবা, মাঙগী পেন্দবশিংনা থন্না লৈরক্লব। থৌদোক-শিংবু হন্না হন্না নীংশীংলহ্না মত্তম অসিদা চপ চাবা লম্মন শিংনীংবগী হূংঙাইতবা রাথল মৈচাক্লা থূম্মংলক্লহ্না অশাও থাম্বী মৈহৌনা মীৎলাং অনীমক্তা ঈখেঙ হৌরক, মীৎয়েঙ থানা য়েংলহ্না য়ারেল খোংকৈ চীক্লা অয়াকপা রাহৈ-খোনকন্না মীচৈ পীহ্না হায়রকই ;—"হায় ঈকায় থঙদবী! হূংঙাইরেদা ঙসিদি। হূরানবগী তরানি, মপুগী নোংমা হায়বদূ—ঙসিদি মপূ ঐগী খয়াত্তা লেপ্লা তাররেদো; কদায়দদি চেনগনি, নঙনা ঐগী মাঙদগী ? নঙগুম্বীনম্নু নচেম্নু মাঙ-হল্লগা চরৈ থূপচানরহ্না নচেম সনালেম্বী শারগা লৈমা-নিংথৌ-কোন্দম্নু নহাল মখৈ লৈরমহ্না (নঙনা) ঐবুম্নু পুন্সিবু থাবৈ-খারা শানা পজেঙ খুরৌ কয়া হন্না থাং, লৈয়েঙ খুরৌ চলহন্দুনা মতম অম্পূক হূংশাংনা অন্না পোথাফম থঙহন্দনা মৈশা কয়া হন্না হন্না লাংহনবা, মাঙ্‌ন-তাক্লবা তৌহ্না লঙজরকথিবগী লম্মন্দু শিংনবা মতাঙ অসি নঙবু ঐনা ঙাইরক্লীবনি। লৈরম্মুদো থঙগনি ঙসিদি য়াইবী থরায়দূ লোরগা ঐগী পেনবা ওইরগে" হায়দূনা চাইশ্রাবু মাঙননবা খূজীল-থৌরাঙলকই।

মশানৌ সনালেম্বীনা থৌরাঙ অদুবু উবদা মবুঙেঙা সেন্দ্রেং নিংথৌ অপাম্বগী থূজেঙবু পাম্নরদূনা হায়জরকই ;—"করি মতৌনো ঈন্বুঙেঙা ! ত্তৌবীরিবা থৌওঙ মতৌ অসিবু ময়ুম ভরেৎ পুবা কংলৈ পিবাগী মথৌ চৎলম হায়বাদো, অসি ওইবীরাবা ? মরম অসিদা ঈনাওগী করি অকায়বা মরা লৈগ্রবগে ? অমুক্তা থম্নরগা তরা থোক্লা

রাখল তৌবীহুনা মহুবু হান্নহুম খিবীখো ? লৈপাক্কী ময়ুম তন্ত্রেং পুবা পিবানা *চৎলম লূতীন কায়খিবনা নোংদম্বা মশুনা †করোঙ রায়েল থাবনি ।‌ অমুক অরম পুম্বা থৌশীনবগী অশোয়বা মরাল ওইহাক্তনি ।"

মশামো সনালেম্বীগী রাফমম্বু তারগা মবুঙেঙা সেন্ত্রেং নিংথৌ অপাম্বনা চাইথ্রাদা ওনশন্দুনা— "থোকখিবা থৌথোক মরমশিং অসিবু তাইবঙ কনাগী খুজীল-থৌরাঙ-থৌশীন্নো ?" হায়না হংলকই।

মহুদা সনালেম্বীনা ওক্তুনা— "করিনো ঈবুঙেঙা হংবীগদবা মফমদদি হংবীদনা ? মতু শোল্লবা, অপঙবা মীশক য়েংহুনা পাউহংবীবা অহুদি কমদৌনা অচুম্বা অশেঙবা মরমশিংবু খঙবা ঙম্বীগদগে ?" পাউখুম অসি তাবদা মনাও চাইথ্রানা মমা মচানা মাঙলমচত্তা নৎত-মন্তবা কয়ামুক হন্না হন্না তৌখিবা থৌরাঙ পুন্নমকশিং অদু লোইনা হায়দোরক্কদবোয় নীংলদুনা, মদুগী চিংনবনা অকী তুজুংবগা লোয়ননা মশা পুম্বা চেঙ থৈবগুম ফিবম কায়না থক-থক নীক্লদুনা লৈবা ওল্লক্করে।

মহুদা নিংথৌ অপাম্বনা— "ঈবেম্মা সনালেম্বী ! কনানা খুজীল-থৌরাঙ থৌশীনখিবদগী অম্মুক খুদোং থীবা অরাবা কয়ামুক অসিবু থোকহল্লিবনো ? মীশক অদু হায়দোক্তুনা ঐঙোম্মা থু-মমক খঙ-হল্লো। অদু য়োনা রাহনখিবগী মহাক্তু মতীক চানা, পেন্না লম্মন শিংলগে, অমুক্তা হায়য়ু ঈবেম্মা ?"

মহুদা সনালেম্বীনা (মশাবী নিংথৌ অপাম্বদা) পাউথুমজ্জরকই;—

* চৎলম লূতীন=হৌন-চৎনবী পথাপ (আইন)।

† করোঙ রায়েল থাবনি=তৌখিবগী ফংফম থোকপা মতুঙ ইন্না রায়েলল্লীবনি।

"মরম পূন্নমক অসি কংলৈ মপূ পিবানা থৌশীন-থৌরাঙবীবদগী থোকহনবীখিবা ঙহাক্তনি।"

"করম্না ঈবেম্মা ? ঐনা করি অতোপ্পা ইরাল লঙজখিহ্না?"

"কাউবীগনু ঈবুঙেঙা ? ঈয়ুম ঈপাম শঙলেন্দা নোং কোরৌ অমত্তা তৎন-থা-নবা লৈতনা লৈমিন্নজবা ঈচীন-ঈনাওনা লাইজ ঈপাল লাংলুরগা ঈয়ুম খোঙগা তমজরকপা মতমদা, কংলৈ পিবানা লাংগোই শগোল অমা তোংহ্না লেঙলক্লগা, লৌনম রাহৈনা চীনগোয় রাহৌদূনা পামেলগী উফৈ ফৈরা অমত্তদা পুন্না কায়দোঙ-মিন্নহ্না লৈমিন্নজববু, ঐদি কংলৈ মপূ পিবানি, *কনানা করোঙ খুৎকুমগদগে হায়না মপূগী পায়মা-হুংদা রাখলবীহ্না কনাদম্মু হায়বীবা তাকপীবা তৌদনা নমথেক নমজা হাজা-নহ্না ননাওবু ফাদূনা পুবী-খিবনা, ঈশানৌ কোন্দে তনৌবীনা মচেম ঐবু চাক্লা নৌনা কায়নবগী অরা মৈশা লাংনা খাঙদূনা লৈহনবীখিবা মরম্না মপূগী সনা পুক্লীংবু মতম থরদগু অদূক রাবীবনি। করি মরাল লৈজদ্রবী ঈনাওবু মপূনী ঙম্মী হায়দূনা অথাবা মীৎয়েঙগা লোয়ননা অকী-তূজুংনরবা রাহৈনা অশাবা মীচৈ পীবীহ্না রায়েল নত্ত-কারন থাবীবা মরম অদূদাদি তৌবীগনূ।" হায়রম্লগা—"ঈচেমগী ঈবেম্মা ঈচেমগী নাক্তা চঙশীল্লকউ-লাউ; ঈচীন-ঈনাও চঙনা কোরৌ ঙসি হুমিত্তগী হৌরহ্না পূন্না মপূগী থৌগল কায়দনা ফংমিন্নগদবনি। ঈশানৌ নঙবু করি তৌরিবনো ? তারা লুক্কোয় মথেল থোং-থাক্লবা থৌরাঙলুরসি-লাউ" হায়দূনা চীকোন নাউকোন্দুনা নাউরোই হৈবী পল্লেম মমাগুম শক্লা হুংশি থৌজ্জাল হৈবী মীৎয়েঙনা মীকৌ-মীরম ফজনা কৌবীরহ্না মনাও চাইশ্রাগী

* কনানা করোঙ খুৎকুমগদগে=কনানা লম্মন শিংবা ঙমগদগে।

মথ্‌ক্তেঙ পায়রগা মহৌশাগী মতৌগুম অমতা ওইবা রাখল পূকচেলগা লোয়ননা শঙগায় মনুঙদা চঙনিন্নখিগে হায়না থৌরাঙজরকই .

মতম অসিদা মশানৌ সনালেম্বীগী থোইদোক্ল-মক তমজ--নফমগী মশক কয়াবু হন্না হন্না ওইরিবী, মপুকচেল থোয়জেল লিংজেল, মতৌ চৎলম নীংথীজবা কয়াশিংবু উবদা, মশাবী মৈদীঙগু পিবানা পেল্লহনা নীংথীজবা য়াউরা মপাউনা হন্না হন্না থাগৎলদুনা পুকমেল-পাউমেল্লকই;— "ওন্থোকপনিদা, রাখল পূকচেল চাউরবী ঈবেম্মা! লাইজ ঈশিং ঈরেলগুম ঈঙ-তপ্পা চঙখোল্লিবী, তাইবঙ মীপুম কয়ানবু তমজনবগী মশক ওইরবী, ঐগী মীগীনি হায়বা অচাল-মারাই লৈতে, চঙবু চঙজরক্লবদি য়েক্ল-মরূপ খায়দনা কয়াবু হুংশি থৌজাল হৈবী মীৎয়েঙনা মতম পুম্বদা অমতা ওইনা চপ্‌ মান্ননা য়েংবারিবী। রাহৈ খোলফম মীকৌ-মীরম নীংথীবী, মীয়োক মীচাল ফজবী, চীকোন-নাউকোন হৈবী; নতৌ লিংজেল ফজরবীহনা নফিজেৎ-লৈতেং ওইনরিবী নঙগুম্বীদি অতাঙবীনি; নঙদি তাইবঙ পল্লেম মমা শকপীনি। ঐবু নঙনা কোয়ৌ ঙসি হুমিত্তগী হৌরহনা হারম পুম্বদা হন্না হন্না খঙহল্লেদো। ঐগী অশাওবা ঈপূক রাখলম্মু পূমকোক কোকখিহনা থম্মোয়সে পেনখরে ঈবেম্মা!" অসি হায়-রম্লগা মতম কুইনদগী লম্মন শিংনীংবগী মবুক রাখল শাউরম্বা পুম্নমক পূমকোক কোক্লদুনা, মপুক্লীং রাখল অনৌবা হুংঙাইরবা কয়ামুক্কা লোয়ননা মফম অদুদগী থোরকখি।

মচেম সনালেম্বীগা চাইশ্রাগা মচীন মনাও অনীমক্‌ মহৌশাগী মহৌশাগুম্না খোয়খা-লিনখা থা-নদনা তৎন-থানবা লৈতনা হেন্না হুংশি চান্নজবা চেৎলবা লীপুন্না মচেমদা মচেমগুম, মনাওদা মনাও

অমগুম অমত্তা ওইনা হুংশি চাম্না লোয়ননা লৈমিন্নহ্না শঙগায় মনুঙদা তারা লুকোয় মথেল থোং-থাকপা লাংমীম্নহ্না মশাখী নিংথৌ অপাম্বগী থৌগলবু কোরৌ নোংজা থূদীংগী ফংমিন্নবা য়াইফ-হুংঙাইনা লৈমিন্নহ্না পানখি।

18158 LIBRARY

…হৈরবা

*** মন্নাম্বুঙ (অঙৌপাম্বা) কুপত্রেংনা থাকপা নিংথৌ চন্দ্ পুরিংলৈমসু পামহ্না "পুরিংলৈল (পূরৈরোম্বা" পোকই।

সেজ্রোং মনিক নিংথৌ অপাম্বনা সনালেম্বী (সঞ্জেম্বী)বু পামহ্না "ঙমনচি সনা লৈন্দ্ৰেখোম্বা" পোকখি।

থোকখ্রবা লাইরিকশিং

১।	[illegible]	মমল্ রুপা	২'৩০
২।	[illegible]	,, ,,	৩'২০
৩।	[illegible]	,, ,,	৩'০৫
৪।	[illegible]	,, ,,	১'৫০
৫।	[illegible]	,, ,,	৩'৫০
৬।	[illegible]	,, ,,	৭'৫০
৭।	[illegible] ([illegible] লাইরিক)	,, ,,	৩'৫০
৮।	[illegible]	,, ,,	'৩০
৯।	[illegible] (ঐতিহাসিক ছায়া)	,, ,,	'৪০

এন. মনিজাও